সঙ্গীত



সমংলংগী


থরোশংবী

চিত্রেশ্বর শর্ম্মা



রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল

THAROSHANGBI : a novel by A. Chitreswar Sharma



অহানবা কোওবা : মার্চ্চ, ১৯৯১

অকোওবা : এ, সমরেন্দ্র শর্ম্মা, খোংমন মংজিল, ইম্ফাল

মমল : লুপা ৩৫/-

মথুম : অইবা

লাইরিক নক্কম : পদ্মা প্রিন্টার্স, পাওনা বাজার, ইম্ফাল

রামাঙ য়ানবা

মণিপুরগী অইবশিংনা মতম পুম্নমক্তা মায়োক্নরিবা মরুওইবা সমস্যাশিংগী মনুংদা অমদি মখোয়না ইজবা লাইরিক ফোঙবা ঙমদবা অসিনি। অরাবসি কোক্নবা হায়রনা খৃঃ কুঃ ১৯৮৮ গী সেপ্টেম্বর তাং ৩ দা "অইবশিংগী মরুপ" (রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল) কৌবা সংস্থান অসি লিংখৎখি। অইবশিং অমসুং সাহিত্যবু নুংশিবা মীওই কয়ানা পুল্লগা লিংবা সংস্থান অসিগী মরুওইবা পান্দমদি অইবা অমবু ময়াম চঙহনা মতেং পাংবনি অমসুং মহাক্কী লাইরিক ফোঙহনবনি। অইবা মশা মশাগী থাগী শেনখায় পুথোক্কে অতুগা অপুনবা শেনকম শাগৎতুনা মথং মনাউ নাইনা অইবশিংদা ফংহল্লি।

মরুপ অসিনা লাইরিক ফোঙতুনা শেন্দোং তানবগী রাখল লৈতে। গুপ্নতগী অইবশিংবু পৃক্নীং থৌগৎপা, তেংবাংবা অমসুং মগুণ লৈরবা লাইরিক কয়া মথং মথং ফোঙতুনা মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্কে হেন্না চোলহনবা অমসুং হেন্না ইনাক খুলহনবনি। খোঙজং অসি লাইরিক ফোঙবগী মায়কৈদদি অনৌবা আন্দোলনগী মশক অমনি।

শ্রীঅরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মানা ইবা "থরোশংবী" কৌবা উপন্যাস অসি রাইটরস ফোরম, ইম্ফালগী মাপল ওবা লাইরিক্নি। লাইরিক অসি থাইগী-থুত্তা শিন্নজরি।

লমাবম বীরমণি
জেনেরেল সেক্রেটরী
রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল।

ইম্ফাল, ফেব্রুয়ারী, ১৯৯১ ইং

ৱাহৈ থৱদং

'থৱোশংবী' উপন্যাস অসি খুঙ্গং (মপুং ওইনা থাঙ্গ) অমস্থুং ইম্ফাল সহর অনীগী থেম্বা পুন্সিদা য়ুমফম ওইরগা লমদমসিগী হৌজিক্কী সমাজগী মমি লাকপনি। কদায়ফাওবা অশেংবা মশক মালহনবা ঙম্বগে হায়বত্থুদি পাবিরিবশিংনা লেপ্পিগনি। লুরিবদি অশেংবত্থু নীংতম্মা পাউদম্বা অমদি হায়দোকপা ঙমদবসিনি। মসিগী মরম কয়া লৈ। ঐখোয়গী অইবা অমদা নীংতম্বা ঐখোয়গী সমাজনা কদায়ফাওবা পীরবগে? মফম, মতম অমস্থুং আইনগী মস্থুংদগী অইবা অমবু কয়া য়াম্না হেন্দোকহনবা ঙম্নবগে? ৱাহংশিং অসি ইরিঙৈদা হয়া হয়া থোরকথি।

'থৱোশংবী' কোঙদোকপা ঙম্নবা রাইটরস ফোরম, ইম্ফালনা মতেং পাংবিবগীদমক ফোরমগী থবক পুবিরিবশিংবু থাগৎচরি। উপন্যাস অসি চেকশিন্না য়েংশিন্নত্থুনা পাবিরিবশিংগী ৱাখল চিংশিজবগী তাঙ্গা থৱদং ফংজরম্নবদি হেন্না নুংঙাইজরমগদবনি। মতুংগী খুৎনমদা চুমথোক্লবা হোৎনজগে।

পঙ্গনীংবদি লাইরিক অসিগী প্রুফ রিদিংগী অৱাবা কয়াদা শরুক য়াবিখিবা মরূপ মপাংশিং মরু ওইনা শ্রীশরতচান্দ থিয়ামবু তৌবিমল্ল খঙবা উৎচরি। লোযননা পঙ্গা প্রিন্টর্সকী ইচিন ইনাওশিং, ঐগী মরূপ শ্রীএনজি. ইবোতোন সিংহ, লেকচরর, এনজি, কলেজ অমস্থুং শ্রীমোইরাংথেম যুগিন্দ্র সিংহগী মমল য়াম্লবা পাউতাক কয়া পীবিখিবগীদমকস্থু থাগৎচরি।

চিত্রেশ্বর শর্ম্মা

[অমা]

"নোংয়াই সাইপক্পা, খুমন শৈতাংব।
মতিঙ কোক্ল হিনাউশা, মশোক্লনা তেংমাইরেপ।
পাখং শাগল্ পাংমনা নৌরেল খাঙ্তপ্ পায়।
পাখং শাগল্ লাংমনা, খোয়শাং লমদম্ হুন্।
লাংবন্ তীন্বী মক্লত্পনা, খোয়রা চিন্দাইগেন।
ঙম্ তোক্তৌ থেম্লবা, হৌরা থেনন্নু।
কম্বোং মৈরা চাউবব্ নৈম্ন শিতাক্ল।
লৈহাউ শেংঙোইবা, লোক্তাক্ য়াম্লনে।"

(লোক্তাক পাং)

অযুক্কী ঙাঙ্ানবা হুমিংকি মশেক্লা মৈবদা অনৌবা মচু শঙলবা লোক্তাক ঈমায, লিবীহুম্বা মালং ঈপোমদা ঈথক্কী জগোয শারী।

লোক্তাক পাংকি ফজবা, ঈপাক্কী নীংথিবা, ঈবোনহুংগী লল, থরো-খম্বাল থাবিকথা, কবোকং মপাল, যুমগী লাংদোন-লাংনা অমদি কম্বোং মনানা হুংশিং মাইরমদা হাই হুম্না নীংথিজবা। ঈযাইদা লেপ্পী থাঙ্গ, ঈথিং, কবাংচীং, থাপ্তুক্লা শেন্দ্রা নাকল অমদনা মালেমদা ভাঙলবা সঙাইগী চাক্তাফম কৈবুল লমজাও তসিগুম্বা লোক্তাক অমদি মাগী মশাইগোম্না নীংথিজবদা ঋতু মতমদা চাকতারবিবা মখল কয়াগী লম উচেক, লম ঙাম্নু অমস্নুং পাংতা তাবা উরোক কয়ানা মহৌশাগী খুংশেন্নু হেন্না মগুণ হাপ্পী। অতুবু লোক্তাকী নীংথিজবা কযানা পুক্লিং-ব্রাখন্দা হুংঙাইবা মহাওপীবা ডমদ্রবী কনাগুম্বী চন্নুরা অমদি পুন্সিগী অযুক্তা পীরাং ঈহৌনরি। থরোশংবীনা মৌপ্নাগী স্কুলকাবা নংনবা চাকলেন থোংগদবগী মমা লাকপা ঙাইরি। মতমদি অশুম থেংজিল্লকই, স্কুলকাবা মতম যৌশিল্লকপদা মৌপ্না লীক্লাই ঙসিস্ত চরা হেল্লগা স্কুল চংপ্রগত্রা থল্লূবদা

থরো থাঙবা ঙমদে। থরোংশংবীগী মমা অপানবী মোইবাং কৈথেন কাখি। চেঙ, চান-থক্রুবা পোৎচৈ লৈবা চংখিবনি। থরোনা তাম্লবা লোক্তাক ঈয়াইথক্তা কাব্রিবা ঈথক ঈপোম মরক্তা মমাগী লুকাইহি হোল্লকপা উব্রা য়েংঙি। উদে। থবোশংবীনা লোক্তাক্কী মায়কৈ, হিরম পুম্নমক্তা মমা লাকপ্রা, লৈ লৈতুনা য়েংজৈ, মহাক্না লেপ্লিবা মফম অহুদগী উবা ফংলক্তুবদা ইংখোলগী অহাংবা অতোংবা মফম খন-খন্দুনা লোক্তাকলোমদা মমাবু য়েংজৈ।

থরোনা মৌপা লীক্লাইদা অমুক য়েংলকই, লীক্লাই ইমুংদা লাইরিক পারি। স্কুলগী মতম নকশিল্লক্লি, থরো লৈবা ঙম্লক্তে, হৌখিবা অহিংস্মু হৈকক খবা ঙাল্লগা চাবা-নত্তুনা স্নুমিদাংগী চরা নীং। চাখিব্রবা লীক্লাই হৌজিকস্মু চাক চাদনা স্প কাখিবা তারকপদা থবোগী চরম কংশিল্লক্লী। শোর ফুনগংলবই। মমা অপানবী ঙাইবা ঙম্লক্তুনা চাকথুম চঙলগা মৈ থাগৎলুবে থবো। মৈ থাগৎলিবা শীংতুস্মু উপাশিং নত্তে, লোক্তাক পাৎতগী য়ানবা নাপী শীং-তৌ, চুম্লাং অমদি লাং পাম্নীনি, মতম ঙাইনা থাবা যাবা শীং নত্তে।

থবো ইমুংগী মমাবু লাকপ্রা হায়দুনা মপান থোক্লগা অমুক য়েংজৈ। চাকথুনগী শীং অমুক শেমজিল্লী। চযুমহী শাগৎলক্লে। থবোনা খৌবাংঙবিবা মমা অপানবীগী লুকাইহি মুংশিংকি মাংথানা হোল্লকই লোক্তাক ঈপাক্তা। মিকুপসিদা লীক্লাইনা মচেদা হংজরকই "চাক লোইদ্রিব া ই চ ?" "নাইপদৌবে, ইমা লাকপা ঙাইরিবনি।" থবোনা পাইবক্কী লৌশিং শিজিন্নতুনা মথা তানকই --"নঙ নখোঙ নথুং হাম্বা নমিৎ নমাই তাথোক্লিঙৈবা ইচে লোইরম্লগে।"

মাগী রাহৈ তাবদা পীক্লা ইলাইরিক ঊবাইরম্বা লোইশিল্লগা মশা শেংদোকপা লোক্লামদা কুমথখবে। খুদকসিদা অপানবী মুংশা থবেৎ থবেৎ হোল্লতুনা চাপ-থক্রুবা লৈকুবা পোৎযোমতু পুবগা ইমুংচঙলকই। মমা উবদা থবোনা পেন্দবা ফোঙদোক্লতুনা হাযবকই— "কযা কুইরবনো

ঙাইরিবা, মুমিৎসি কযাম থেংঙে ?"

"য়াদদনা তৌরিবনিনে ইবেম্মা। গৌপ্রাবু চংখ্রবো ?" অপানবী মুংশাথিনা মখা তাবকই—"খঙদ্রে হে ঈশ্বর নঙনা কবম্বা মুমিত্তা অরাবসি কোকহনবীগদৌবিগো।" অপানবী ঙহাক লেপলুবগা মখা অমুক তারকই – "ইবেম্মা। পোৎশিংসে খবা খবা চেকশিন্না শীজিন্নরো, তাঙবনা মহা ওইরেকো।"

থরোশংবী মমাগী পাউখুম পীবা শংদে, মোপ্রাগী চাবা নঙনবা অরৈবা খরন্থু পরপ পরপ থোংবা হোৎনবী।

অপানবী চাকখুমাংদগী থোকখ্রে। মহাক্না ঙগাং ফোবম্বা ইল শেগাযবন্থু ফোৎচিন্নবা হোৎনখ্রে। নোংঙাল্লকপদা কাইরুবা লোক্তাকী হুকুলাংগী শমজেৎ মচা খবগা ইরাংঙা খবন্থুগা ফংলমত্রবদি ঙসিম্থু চবাশিৎপা তাবন্নবনি খল্লকই, অপানবী ইল ফোংনা ফোংনা মচিন থোক্না ঙাউলকখি। "হুকুলাং তানবগী ইরাংঙা খবন্থুবু ফঙলমত্রবদি শোয়ববনি ইচাগী চরা ··। ঈশ্বরনা পীবনী ইমা লোক্তাক লৈমনা· ।" মথং মথং নীংশিংলকই অপানবী, তৌখিবা অহিং চেঙ লৈতবদগী হৈকক ঙাক্তা ঙাল্লগা নেংখিবা নচা লীক্লাই অমদি থরোশংবীগী মুমিদাং চবা। অহিং তুম্বযাখিদে, অপানবী নোংঙানবা ঙাইঙমদনা লোক্তাক কুমখি। হুকুলাং খবা থাবম্বন্থু কাইকই অপানবী, মুপী ওইবীগী অকি-হঙ্গোয়বা লৈখিদে, মচা অনীগী খনবদা লুখ্রা ওইরবী। লোক্তাক লাইরেম্বীনা চানবীন্থুনা নোংঙাল্লকপদা হুকুলাং অযাম্বা ইরাংঙানা পূমঙৌ ঙৌনা থুবম্মী। অপানবী হবাউজখি, মথ্বাই মুংঙাইনা মোমোন নোক্লন্থুনা লোক্তাক ইয়াইন্থুদা মথন্তা শোনডখি "ইচা চবা হেল্লরোই লোক্তাক লৈমনা চানবীরে" হাযনা।

অপানবী ঙা পুবগা মযুম কারকখি। মফি মরোন হোংদোক্লগা ঙাশিংন্থু মোইবাং কৈথেন্দা যেল্লুবগা চেং-চাক রাল্লুগে হাযন্থুনা মচাম্নুপী থরোশংদা হাযবল্লগা অপানবী মাগী শুকাইহি তোংন্থুনা মোইরাং পাংখি।

অপানবীনা মচাশিংগীদমক থরাইয়াওনা হোৎনজরবস্থ মহৌশাদগী মোইরাং কৈথেন অযুক মপুংফানা কাদবনা মাগী ঙা লৌবীনবা মী রাৎখি। অপানবীনা কোয়হা হারগা ঙাশিংহু যোনখি। মহুদগী ফংবা শেন্না চেঙ-হরাই, থুম-থাও লৈনবা হোৎনবদা মতম থেংখিবনী। অহুমকপু অপানবী ঙম্বমথৈ লীক্লাইগী স্কুল কাবা নংনবা হোৎনখি। অহুমক্তদা মচান্নুপী থবোনা মহাকপু পেন্দবা ফোঙদোকখি।

অপানবীনা হৌখিবা থৌদোক নীংশিংলম্বদগী লীক্লাই স্কুল কাবা থোক্লবপা উবদা মাগী রাখল মচা লীক্লাইদা থম্লকই। লীক্লাইনা শেৎলিবা অফোৎপা খোংঙগ্রাও উকবগা অপানবী খঙহৌদনা মিৎলুদা পীরাং ঈহৌবকই। লৈকাইগী মমান্নবশিংনা মখল মখাগী ফীজেৎ লৈত্তেংহুনা স্কুল কানবী, অমত্তা ঙাইজবা মচা লীক্লাইদি ফীরোল অনী-শুনা শেৎহনবা ঙম্বদি লাইরহুনা খোগ্রাও অমতং শেৎচবা অসিফাও শেগায়দবা শেৎহনবা ঙমজদে। থল্লু থল্লুরগা রাববস্থ নংলবস্থ লীক্লাই মপানা ঙসি হিংহুনা লৈবল্লবদি অস্থুক তোন্না হিংলম্লোই থল্লবদা অপানবী মিৎলুগী পী থাম্বা ঙমখিদে।

মতম অমদা লীক্লাই মপানা মচা অনীগীদমক আশাচাওন্না পাম্বোম ভীংজরম্বা অপানবীগী মমিৎতা উববই। মতমহুগা লীক্লাই মপানা হায়খি 'ঐগীদি ইচা ভরেৎ-তবা শুবা নত্তে, থরোনা। ওম্বা অহুগা লীক-লাইনা ডাক্তর নত্রগা ইঞ্জিনিয়র ওইহনগদৌরিবনি।'

অপানবীগী পুন্সি ঙসিদি কযাথিনা হোংগ্রবা, মতমহুনা কয়ামুক হুংঙাইজরম্বা, অহীং হুংথিল থেন্নবগুম্মী। থাঙ চাংখা লৈকাইসিদা ইংনা চীক্লা মকালায়া পানবা ইমুং হায়না শীংথানরম্বা অপানবীগী ইমুং ঙসিদি মমিংতা মঙাইরে। লীক্লাই মপা লৈখিদবৈ রাকচিংগী উল নংলবা মনা কোকপা পামেলগুম্লে।

অপানবীনা রাথন্দা লুপ্পীবৈ ইমুংদগী মচান্নুপী থরোনা কৌরকই — "ইমা! চাকসি শারিবৈদা চাথোকমিন্নবসি লাকও।"

অপানবী তুমলুবদগী মিকপ খোককুম্মী, মচিন্দা থুমখি— "লাকএ লাকএ।" রাহৈহুগা লোয়ননা অপানবী ইমুংলোমদা চঙলকই। মহাক্কী মুংঙাইতবা রাখল থাদোকখ্রে। মচা মুপীনা উখিদনবা মিৎলুগী পীরাং ভৈথোক্লগা হরাউ হরাউ মমা মচা চাক চামিন্নবা চঙলকই। চাক চামিন্নরিঙৈদা থরোনা মমাদা হায়বকই—"ইমা। ঐখোয় ইবুং-ঙোসি হন্দক পরিক্ষা লোইরগা ইম্ফালদা থমগ্রসি।" থরোশংনা মমাগী পাউখুম ঙাইবিঙৈদা মখা তাবকই "ঐখোয় রাববসু রানা মাগী শেন হুনবা মন্নবা হোৎনবসি ইমা। নত্রবদি পাজিনা হায়রম্বদো ওইরবোই।"

"নঙনদি হায়বিবা, ইবেম্মা। ইম্ফালদা লৈবা হায়বসে অরাইবা রা নত্তে। ঐসু খনবদি খল্লাবনি, নন্দোমচাখোযদবা নত্রগা নত্তে ইবোযাইমদা শীর্ম্নসিরা হায়তুনা।"

"অহু, মহোযনা যাবক্লোই হায়বগী রাবা নত্রগা ইমানা হায়নীং-দবগী রাবা?"

"অহুগী নত্তেদা, মখোযনদি লৈহল্লে হায়বিবনি, মীগী মযুমদা লৈবা হায়বসে অবাইবা নত্তেনে ইবেম্মা।"

"মখোযগী মতেং খরা লোত্রবদি য়াই হায়বরো? মহোয়সু, লমলানবদি নত্তেদনা। লৈকমগী রাণনী, চাবা-থকপগীদি ইবুংঙো মতোমতা চাহল্লবসু য়াইদনা।"

থরোগী রাকমহুদা অপানবী চাক চখোম হুক্কদবা লেপ্লগা খুম্লকই— "নৌপাগীদি লাইবু লাইরি, নঙবু নঙগী মাম্ম তোনচৌনা মখোয়দা মতম খবদং লৈহন্দবা য়াদ্রে হায়তুনা ঐঙোন্দা হাযরিবা য়াম্না কুইরে, ঐনা মতম খবা ঙাইখো হাযহুনা য়ৈখোরকপনি অহুবু নহান ইম্ফাল কাকুবদা।"

"কবি হাযনরম্নবা?" অপানবীগী রাহৈহু তাবদা থরোনা হংলকই "যারনী হাযরম্নবা?" ইন্দক্তি মচাগী রাহংদা অপানবী মখা তারকপা ঙমদ্রে। মহাক মমায লুকথরগা চাক হুক্তুনা লৈরে। মমাগী

য়াহৈ থয়তু ভাক্সবদা থয়োশংবী চাক চায়স্বদগী য়াথল থওহন হুম্বখিবওম তৌখি। মহাকী খুদোম্বীনা পুখম ময়াইদা তকতুনা শায়রম্বদগী মমা অপানবীদা অমুক হায়রকই "ইনাক খুনবা ইমুংহুদা ঐনা লৈরগা কৈদৌদৌরিবা ? ঐখোয় লাইরববু মখোয়না মুংশিবীরমগত্রা ?" ওহাক লেপলুরগা থয়োনা মথা তারকই - "মামো তোমচৌহুবু মীনাইকা থম্মী হায়দাইনে ? মখোয়গীবু অরাংপা লৈত্রো ?"

থয়োশংবীগী য়াহংদা অপানবী অর্থ থওত্রা থওদবয়া খুম্লকখি "ঐনা নহান নন্দোমচা তোম্বীখোয়দা চংলুবদা পাউ হায়রক্লবনি, থওত্রে, ইবেম্মা। ইমা করি হায়খিদৌবনো।"

"ঐবুদি লৈরুবয়াই, ইমাবু নথন্তা য়ুমশি লেপ্পা ওমগদৌরিবরো ?" থয়োনা মথা তারকই "ঐনা চংথ্রগা লীক্লাইনা কমদৌবা ? মাবু ইস্কালদা থম্লগা মহৈ তমহনসি হায়রগা মাগী মহুৎতা ঐ ওইনা লৈকরো সিনিনে ?"

অপানবী মচাগী পাউথুম পীরমদনা ঢাকচাবা তোকত্রে, মথুৎ হামত্রে। মহাক বেডী মচৈ অমা চিংলগা ইন-হঙ্গেল, পৌরা অমদি তুঙ্গোল নাকন্দা য়ানশিল্লগা লোক্তাকলোমদা কুমথত্রে। অপানবীগী মকোক্তা কোকশেৎ, মখ্বাংদা খ্বাংচেৎ, য়েংবদা মৈতৈ নুপীগী থবক্তা পুন্সি কৎথোক্লবী শক্তম লৌখ্রে। নুমিৎ শাইজিন লোয়ক্লে। অপানবীগী য়ুমথক্তগী অহোবা মথুন্দা লিংশিল্লকপা মুংশা মওান ইমুংদা তারক্লে। মমা অমদি মৌপ্না চংখ্রবদা থয়োশংবী হুরুলাং লোন্দুনা য়ুম শওলী মমাল্লবী থরগা।

[অনী]

লোক্তাক ঈপাক্তা ইলচিংবা অরাইবা নত্তে হায়বা অপানবী ছায়না খঙজরবীনি। ঙসিদি মুংশিং ওয়া তারকদৌরিব্রা? অপানবীনা হিরুবাক্তা ফয়গা খুং নাম্মনা নৌ পায়, নাম্মনা ইলগী পৌরা পায়হুনা হি হোল্লকপদা খল্লী। ইল শোনবদা ঙসিদি ওয়া মুংশিং মায়োক্লে।

অপানবীনা ঈল শোনবদা হিরুবাক্তগী পৌরাদা কৈ নাম্মা থোংলগা নীংহুনা পৌরাখোক্তা নমথবহুনা য়াম্না চেকশিন্না মুংশিংতগী হি লেংদনবা তোংনৈ। অতাউবা হিথক্তগী ইনশোনবা, হি পুঙয়ান চুম্না থম্নবগীদমক নৌ শীজিন্নবা অমসুং হি হোনবদা অপানবীনা থাঙ্গা অমদি লোক্তাক পাংতা ঙা-থীরিবী ইনচিংবী পুন্নমক্তগী হেল্লমগদবোই নীংঙি।

অপানবীনা অরাবা কযা খাঙহুনা লোক্তাক ঈয়াইদা হি হোল্ল হোল্লহুনা ইনচিংবা-ঙা থিবদা ফংলিবা ঙাশিংদি ইরাংঙা, ঙাপেম্মা, ঙাচিং, শমজেং (উকাবী,), ওমু-ঙাক্রা অমদি ঙানপ-ঙাকচেৌ অসিনচিং-বনি। ঙসিদি অপানবী মহৌশাগুম তুঙ্গোল থম্না ঙা থিবা ওমগনি নীংব্রে। মুংশিং ওয়া তাবগা, ইন্দা ঙা লক্তবগা, রাবনা হেন্নে। মুমিং চাইরথক্লে, তুঙ্গোলদি খাঙতপ্তগী হেন্রে। ঙা হেন্না লক্লবা ঙাগী মচিঙ্গাক প্লাগদবসু অপানবীগীদি য়াওরক্তে। মহাক্না লোক্রাক্কী কবোকং, ফুম ময়া অমদি ঙা লক্নবা মফম থী থীহুনা ইল চিংলকপদা লোক্তাক ঙাথিবী পুম্বা খুনগানবা মতম ওইরক্লে।

মুমিং থাংজিং চীংজাও মরুম চঙংে। অপানবীগী লুকাইছি ময়ুম মায়কৈরোমদা মমাই লৈরকই। মহাক্না হিরম থিহুনা খরা হোল্লকপদা থাগুক্না মুপী অমা ইল শোল্লম্বা উরে। অপানবীনা মুপীহুদা হংলকই — "হো কনানো অদোমগীহুবু রা অমতা হংগে?"

"ও কনানো ? ঐ সলাম লৈকাই কবোকলৈনে।" অপানবীগী হি নকশিল্লকপদা কবোকলৈনা মথা তারকই— "ইনম্মা অপানবী নত্রো চীংখা লৈকাইগী ?" "হৈমা কবোকলৈ। নও ওইরে, ঐদি অতোপ্পা কনা ওইরমগত্রা হায়দুনা হংলিবনি। নওবু মৈথেংকা য়াওলাকপ্রো ?"

"য়াওরী ইনম্মা। মৈথেংতি লাইরি, য়ুম কাখিরোইদ্রো ?"

"ভাস্থ তুঙ্গোল খাউৈদগী হেন্ত্রে, থেংবৈ থেংবা বেড়ী মচৈ অমতং থল্লগা ওহাক য়েংখিশিরা খল্লিবা ইবেম্মা।"

অপানবীগী য়াহৈদুগা লোয়ননা কবোকলৈগী নাক্ত নকশিল্লকুনা মথোয়নী বেডী চম্মীমৈ। অপামবীনা মথা তারকই— "কবোকলৈ নওবু চেংকুপকা য়াওলাকইত্রামি ? খিত্তনিগে ইনম্মা, নচাশিংদো তুঙ্গোনসি থনকোক্তংদি পুশিন্দবা য়াদবনিনে ইবেম্মা।"

"ইনম্মা। য়াম্মদি যামদ্রে, থরসিনা লাইবক য়েংবীরো।" কবোকলৈ কীজিদা কীবা চেংকুপ মযোমদগী অপানবীদা থরা খাইরকই। মহাক্না মথা তারকই —"য়েংখিগে।" "ঐস্থু হোইদা ইবেমথা। ওহাকস্থু চিংমিল্ল-খিসি, ইপাং য়াউদবসিস্থু লুংঙাইতবনি। ফাদফাদ্রগা কমদৌনি ওসি নোংমগী লোক্তাক লাইয়েম্বীনা তম্বনি, অফংবা থরসি পুরগা কাখিবা সিঙাইদনা।" ওাঙনা ওাঙনা অপানবী কবোকলৈদগী চেংকুপ লৌরগা বেক্তী চিংদুনা হি হোন্দোক্লকই। মতাচাবা য়েংলগা মহাক ওাম্মী মচিক্তাক চেংকুপতু থাদুনা ইন চিংলক্লে। লোক্তাক লৈমনা চানবীদুনা মুমিদাংবাইগী ওা শযোম চৎপা থেংনরুরে অপানবী। মচিঙ্গাক থারু-বগা নাতৈ চানরুদুনা ওহাক্তী মম্বুংদা ওা তুঙ্গোল থাওতপ হেন্নত্রে। ওা লকথংলকপদা মমথরকপগী থেংজিল্লকপা কাওথোকই অপান্নবী। থুদক অচুদা কবোকলৈনা লাওরকই —"ওঃ ইনম্মা কারসে থেংত্রিবরো ?"

"কারসি কবোকলৈ। য়ুমবা নচাশিংনা য়্ম থোক্লরম্লনি। হিমাই লৈম্মো ঐ ইল হায়গংলে।" অপানবীগী য়াহৈগা লোয়ন্নানা হি মমাই লৈদুনা ইল-হংগেন হিম্বুংদা হাপচিল্লগা হোল্লক্লে।

হমখক্কাশাত্ম লোইবাং কৈথেলগী থাঙ্গৈম পাহেংনা লোকোক ইমায়রক্লু ইবং বনো মমি ভারকই। মাক্তুম ঠৈফিদা থাক্ত খুম্নগী খুম-খুমদা থাক্লাওনরকশা ঠৈ কয়ানা মুক্কং কাক্কেং থরানমিথোরকপম উরক্লি। লোকোক মমুক্হি অকোনবগী শক্তম মথং মথং হোৎনক্লি। অমানবীগী মিংহেংলা অদোইবা লোকোকী শক্তমশিংনা মহোৎপা পইক্লরক্লু মচা অমীনা থৌয়াংজামগনবা নীংশিংলুবদা মাগী থুকাইহি নৌহোন তোয়রক্লি।

[অহম]

অমম অঙান শিররকপদা লোকোক কুম্মঙা লাং কাইরিবী অপানবী, মুখিংনা তঙাং তঙাং থোকসনকপবা লোকোক ঈরাইবা মথেক মঙাল ঠৈরকপমু উবি। অপানবীনা লাং কাইনা কাইনা লোকোকী মায়কৈ মবিমা দু কাইরিবা অমমুং লাং কাইরিবা খুজাখিংবু উরকপদা থকরকপি, লোকোক হৈনবা হৈনানা থাক্নীবা থরাইশিংগী মঙীংখিবা ওজাই হাক্লা। মহাকা থুকাইহিদু তখা লোক্পা লাংদা থুবা ভাশিংহু লৌশিনহুনা মচিন্দ লোইঙ, লোকোকী অক্লোইমবা তাবিবা খুজাশিং, মোইরাংদগী লৌবগা মুগাক্লা, ঙকানশৈঙ্ক, নিংথৌখোং, ওাইখোং, লাচৌ অমমুং ওইরগা লাওবী মায়কৈদা তাক্লিবা খুম কয়া। মরাই লঙী, মরাং ইন্দ্রাম মায়কৈদা ঠৈফিবা লোকোক মপাল তারা খুল কয়া অমা, নীংথিরুকপা মথীং থাবা ওবদে অপানবী। খুমকী মথক্লা থাক, মরাং অমমুং ইথান থোক্লাব— কুইকাওবগী তাম অমমু ঠৈবী। খুমকী থাই লোকোকী মচুনা অপানবী লোকোক ঠৈনমু হোৎনা হাংশিজরকই, মুলা মখা চেৎলকই।

অপানবীনা লোক্তাক্তগী ফংলিবা মীওইশিংগী হিংনবগী পোৎলম করাদম্ব নৌহৌননা নীংশিংলকই। মতম শূন্নমক্তা লেপ্তনা থুজাশিংদু থাম্লিবা লোক্তাকী ভানা মপুং ওইজরবস্থ চইগী কুমচং-থাজং (ঋতু) মতম মতমদা ফংলিবা লোক্তাক পাংকী মনা-মশীং, অচা-অথক অমস্থং ঈরোনস্থংদগী ফংলিবা হৈকক মরু ওইবশিংগী মরক্তা অমনি। অসিভা নত্তে, থংগো-থম্বান, থাম্বিকথা অমস্থং চমু-লেমমু কয়া কয়ানি। হৈকক্না চেংগী মথংদা চিঞ্জাকী মরুওইবা পোৎশক্নী, লোক্তাক ভাবা ইমুংশিংগী। অপানবীনা মথং মথং নীংশিংলকই, মাগী মচা অনী, থম্বাইদগীস্থ হেক্না লুনা থমজরবীশিং অসি হৈকক্তী মত্তেংনা হিংলক্নী। হৈকক লৈরমজ্রবদি হিংনবগী পূন্সিদা কয়ামুক থারমগনবা, — অপানবী কাওবা ঙমদে।

ভাংথক নাইবা ঈপাক্তী ঈপোয়ক্তা অপানবী লুকাইবা, লাং কাইবা লোইরহনা অকওবা ভাশিংহ পুরগা মমুম মায়কৈ পাংলকই। থাখলগী ঈপাক্তা লোক্তাকী অওকপা নীংথিবব নীংশিং নীংশিং হি হোক্লকপদা মাঙদা উম্রি লম গাম্ব অমস্থং লোক্তাক্তা ভাবা উচেক কয়ানা কোয়পাই পাইহনা শান্নরিবা। থরনা ঈমাইদা ভারি, থরনা ঈমায়দগী পায়থং-লক্লি। থরনা ঈরুপ্পী, থরনা কোয়ভান ভায়রি। অথাম্বদা থোঙজি উথুম কয়ানা ভুম ভুম। অনকপদা পাইরি উরোক, উসাই, থীনবী অমদি ভাউথ্রা। অসিগুম্বা লোক্তাকী মহৌশা লাইরেম্বীগী কজথা কয়া উক্তরগা অপানবীগী অরা পোথামফম ওইজে।

অপানবীগী হিনা থাজা চীং নকশিল্লকপদা অথাম্বকপী ভারী, লু কাইবা কনাগুম্বা পাথওনা শক্লকপা থোজ্রোরবা থোক্লেনগী ঈশৈ। পাথওহনী থোয়দাজবী কনাগুবী নিঙোল অমবু শৈথাহনা মুংশি মপাও ভমজবব নাত্তে মপা চানা কনাগুবী মুজা ওইবী মুগী অমমু অথাম্বদগী শৈথুম্লি। নিঙোনহবু অশোংবা পাথওহগী চান্নজবীদা কয়াগা মুপাহনী ঈশৈদা মপা চানা ভাওজবী চমু নিঙোল ওইরগম্রা অপানবীগী লোন্দকম থওদে। অহুবু মুংভাইরিবদি লোক্তাক ঈপাকতুদা মখোয় অনীনক অমনা

অমদি ঈশৈ খুংলাং হায়ন্থনা থাজ মোইরাংবী মহৌশাগী মিংথৌ পান্নী-ষৈ 'রাগী, খম্বা— খোইবীগী হুংশি-খুতোন রাঙ্গী, হাউবা— কোহুমী রাগী নীংশিংহল্লী অপানবীদা।

অপানবীগীসু মহা ওইবা পুন্সি লৈখি। মতম অমদা মহাক্না পথৌ মাঙোলদা শামুক-থাওদা খা, য়েকুম কংলা চিংহনা কমেংলা কনেক কীথান লোনইতদা থরো অপানা কৈজোম কুৰা মতোন পান্ন, নিতোন মাঙোলদা কয়বা পাখঙ হুংশি খোঙদোয়রকখিবহ লৌহৌনা নীংশিংহল্লী। অপানবী হি হোন্ন! হে মা ঈশৈহ তাবদা হু-হুংখিবা খঙহোদে। মহাকীসু থ-ন্মায় পাল্লী, হুংশিবা খঙ্ঙী; লাইবক-থী-বদগী নৌমা লুপ্পা ওইরবনা হুংশি কায়নবগী মৈচাক হুং-পান তুনা চাল্লক্লি। অপানবী, ঈশৈ তাদনবা খুদক্তা থাজ চীংখা লৈকায় য়োয়ক্লে।

অপানবী না মমুম য়োয়কপদা মহৌশাগুম খরোশংবী ওসিদি মনীল নাইরমত্রে। মহৌশাদি মৌপ্‌রা লীক্লাইবু মাহৌ খেংঙি, লাইত্রিক ঔরাইদে নত্রগা ইমুংগী থবক নোমদে হায়রুনা চিন্দা-পাউদানবা অপান-বীনা তাখি। ওসিদি য়ুমসিদা লীক্লাই মশক উত্রবদা মচা খুপী থয়ো তুফক-তুফাইচন, মিংলুদা পীয়াং ঈহৌনয়রুনা, মমায় মখিৎ ইঙাও ঙাও মদোম চীক্ল লেঙরম্মী। মচা থরোগী মতৌ উবদা অপানবীগী থমোয়দসু চৈনা কাওখি। অদুবু মতমসিদা অপানবীনা থমোয়মুংগী হুংঙাইতবা কোঙদোকলুবগী মহুতা মচা থরোগী মাখন হোৎহন্নবা হোৎনরকখি। অপানবীনা হায়রকই— "নৌপ্‌রাহু থাপ্পা মীয়ৈবাক্তা চৎখিবসু নত্তে, মহৈ তম্বা ইঙ্কাজদা লৈখিবগীদমক নঙনা অদুম্না হুংতক হুংজানহুনা লৈরদি কমদৌনি?" অপানবীনা মখা তরাকই "ঙাশিংশি য়াইখোকলো থরো। নঙ অঙাঙ নত্রে, নঙ-ঐ চঙহুনা নৌপ্‌রাবু মী ওইনবা হোৎ-নদবা য়াত্রাও ঙাওরমায়েনে।"

অপানবী য়াহৈ থমহু হায়রম্লগা মানা পোয়কপা পোৎ-চৈশিংহু থরোশংবীগী মাঙদা থাদরম্লগা চৎলে। মহাক অকওবা মথী মরোল

লেপ্লেম্লোকপা হোৎনবী। অদুবা মা অমম্বা তাওদনা মমাবা তাম্বখুনিং পাম্নবগী হোৎনরকই। পঙে মম্মনা লেপলেপ: মাফিংগী দৈরা মাইরপা মাইকৌ খারবম্ বাখন্দি ওয়াং অঙ্গাওবা অদুগা নীল্লাইনা মুফমশিংগী ইশ্নালদা লাইহিক তম্মুনবগীদমক মতম কুমী লোৎখিবনি নীংশিংতি। মমাকী মফিবতা নীল্লাইনা মমাগী থোইগখা হুৎলবী খোৎখিবা, মমাগীবশিংগা লোয়নবা পাক্তী থাকম মাওবা থিম্বেত্কখুবা, নীল্লাইনা হকাউ হকাউ বম পাক্তী অহৎপণী কম্বুং হাবগদুম চংখিবগী খরো খোঁজোনা উৎকই; খরো মমা মচাদি হকাউ খুংশি মায়কনা, চিনবান্দি লোক, খক্তোকদগি মবাংদগী হাকচাং পুক্তমদনা কৈতেৎই।

চত্লম লাই মতমদা মমা অপানবীনা নীল্লাইনা হাম্বখিবশিংগী মথং মথং নীংশিংলকই খরো। মতমত্তনা মমানা পাওমেনখি — "নীল্লাই! নীংথীরবা লৈরবদি তেকশিল্লা, নোংমা লৈপক্কনি। ঐখোয় সুমদা লৈরগনা অনীংঙৌগদবা মাকেৎকো। খুমাখোয় — নখোয়মচাখে, মখা তাও-শকপা খুম্বদি লাইরবাগী নফিংনবাও হঙংনা লেংলুগদ্রা নীল্লাই।" অদুম তাক্কনবগী মমা অপাকবীগী লৈফেং কাইরকখি। মমানা মফিংতা পীরি ইন্না লেম্বদুনা নীল্লাইদা অঙোইবা মখল পীখি — "নীল্লাই! নঙ না-থেকপ, ইমাগী মায়গী নকোক্কাও চিকই।"

থোৎজিক্কি নীল্লাই ইশ্নাল মহমদা লৈত্রে। থাবা চীংবা লৈকাইগী মুম অসিদা খরো মমা মচাদা তাইহোৎরে। খরোশংবীনা মখাতা তাইনখদ, চিকহোৎরবা মুমশিংগী মখাদা মতম লেনপনী খঙ্গুবা নীল্লাইবু থোইনা লেম্বা নীংশিংলম্মী। মমা অপাকবীনা লোতপাক খুম্বদিংদ, নীল্লাইনা মুফমগী মুমকলা মচিন থোঙ্গী। তাম্বনা মুফমী থবক ইনখাং হোৎনখিবনা, মবক মরক্কা খংনবা শাওনবা অমাদি মতৌ লেপনবতিংবা কম্বা থোকখিবনি হৌজিক্তা খরোশংবীগী মফিংতা মথং মথং উৎকই। অম্বা মাপনা নুংশিতি খরোখোকনী মুরাও মক্তেনবা মুনী অমসা লাও-খুনই — "হো অপাক্কবী! লৈরগদবে হিগাখীনদ ঘৌজিক্কাও খুদক্কন?"

মপান্দগী খোঙ্গেলত্থু তাবদা অপানবী খঙনীং নীংশিংলকই, সলাম অমুখোইগী কুমনবগী খুৎলং হায়রক্লু। অপানবীনা, খল্লীডে মপান্দগী মুশীহুনা মখা তারকই— "নঙত্থু ম্লাওলি হায়দাইনে সলামখীহৈবো ?"

"ইচে ! ঐ কাউথোকলুয়ে, চৎমিন্নরসি মিকুপমতা লেপ্লীবসু ঐ লোইয়ে।" অপানবীনা মাগী চৎপদা পুগদবা মপোৎ মচে পান্নখৎলগা ডাও ডাওহুনা ইমুংদগী থোক্লকই। মহাক্না চৎলমদাইদা মচা মুশীদা হায়রম্মী "খয়ো ! নোপ্‌া লৈত্রবনিনা মনাশীং থীবা, চুমাং, শীংউৎ য়ানবসু নঙোন্দা তারে। ইবেম্মা ! তাঙ্গা য়েংলগা মনাশীংত্থু খরা থীজিল্লসু।"

"চাকতি কমহায় তৌদোইবা ইমা ?" খরোনা মমাদা হায়রকই— "ফরক তাদৌ শরুক তোক্লসি ·· ।"

"নঙগী শোয়দমবা খরা হোৎনরো, ঐদি মুংদাং ওইনা চায়গে। ঐ চৎলে মুশীমচা ! যুম থাদোকসু লাংমিৎ খরা লৌরম্মু।"

খরো মখা তাক্লত্রে। মহাক্কী ঙা য়াইবত্থু লোয়শিন্নবা হোৎনরি। মমা চৎগ্রবদা খরোশংবী চেংফু হুমহুনা চেং য়েংঙি। চেং চয়া অমদগী হেনগনি নীংত্রে। ঙরাং লৌক্লাই চৎখিবদগী মমা কৈথেল কাক্লত্রি। হৌজিকসু কৈথেল চৎপগী মহুত্তা লোক্তাক কুমত্রে। খরোনা খবদা লৈম্বিবা চেং খরসিদা হৈক্কক ভখায় য়াম্লবদি চয়া অনী কোম্লবা য়াই। অহুবু মমানা হোয়েল পাৎতগী কারকপদদি চয়া হেনবগা থবক য়াক্লবগা কৈথেল কারুবা নাতে চায়রোই হয়েংদা তারগনি। অহুম তৌরবদি লৈরিবা চেং অসিনা ঙসিদগী হয়েং অমুক ফাওবগী লেন্নবা শীনবতাই। য়াখল অসিদগী মহাকসু অমুকসিগী চয়া মমাওয়া হেন্নগে লেপ্লে। খরোনা লেমফু খয়া মৈদা জৌকপা চাক লায়ক্লবা মতমদা চকম ওইননবা তৌখি।

ইমুংগী থবক লোইশিন্নরগা খরোশংবী হুপা মচা অমওম থাক্লজৌ পাক্লগা শীংচনবা ময়ুমদগী থোরক্লে। মানা থোক্লকপদা খা-খাং

খুমদৌরবদা লাওবম্মী স্কুল মী লৈছোলে, ঐ মসমদীং [illegible] য়াম্লুগে থরা থরা থেংবীরম্মু অসিনচিংথা। থখোমা ইমকী [illegible] অমা কোকশেং শেংচীরী, মমাগী লোত্তনক' হুবনা লেংনা কোরম্মক কনেক অমনবা অমা শেং; হুচিং কোরমি খিবনা [illegible] অমমবা অমা লৈরমহুনা হুপা যুম্মীংহু লৌবাম্নিরগা থৌরী (কয়োং মমাগী) অঁমা পুঁথলো লোত্তাকী ভৌ, লাং; শীংউব-শীংলোং হৌরকা হু নক্কং হুমথকে।

থাজা খুল্লাওগী হায়বথিবা কৈকুল লমজাওগী মনহকা [illegible] মনাশীং হৌবা হুমথকু থাজা খুল্লাম্বিংগী শীং যানমগী। মদি [illegible] লোক্তাক মপানগী ব্লাং, ই অমদি শীংউং-কম্মোং হৌবী [illegible] লৈ। থাজা, [illegible] অমসুং কারাংমচিংথদা লৈবা খুজমশিংনা মথোয়গী খুদোংচাবা য়েংহুনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী শীংউং-শীংলাং, ভৌ-লাংশিংবা য়ারে। থাগা হৈমনাম লৈকাই, শারুকোম, সলাম, চীংখালৈকাই, ওইনাম, খুমন্থেম লৈকাই, মোইরাংথেম, খোইরোম অমসুং ওয়াম লৈকাইগী মীয়াম্না শীং [illegible] মফম থরা য়াম্মী। মরোদি মাগী খুদোংচাদবগীদমক অনকপা মফম থিরকই, মুগা মস্রাদা লৈকাইগী মীশিংনা য়াম্বা মফমী নত্তে হায়বগী [illegible]। মরোনা শীংনাং থবা চুম্মাং থরা অমদি কোইদীং (চয়োং) থরা লাকপা মাশি [illegible] কানবা হৌরম্মী। তশেংবদি মরোমা য়ারীবা শীংরম্বা খুল্লালিংবা [illegible] মফমী।

[illegible] মরক্তা থরোনা থৌমা কুদোক্তুম্না হুপী এইবীরী খোং-লৌবা থাদোক্নদা হুপা অমত্তম ইচংথৌনা শীং য়াবদা কারক্লিবা লাইখুলী [illegible] ইমম্মতম লোংলে। পুটো হুহু ওমজদা [illegible] পুমচাত ভাওলে। [illegible] লাইখক অমদি মপাদা [illegible] [illegible] কীজিনা তৈথোক্লগা শোরমগী হোল্লহুনা অরা-পোখাগী। [illegible] লোমমবী মশাং [illegible] হুগী মচা [illegible] [illegible] [illegible] ইমুংগী [illegible] কোকিদা থৌরাংলিবা [illegible] [illegible] থিকবা হুপা

অমনা ঈরোই হোন্নগংলকপদা উরে। মতমসিদা থরোশংবী [illegible] কথোং মনানা তাবা [illegible] শীংবুল [illegible] মকোক [illegible] থোজংতুনা পুনশি [illegible]। থরোশংবীগী শীংবুল মতোমতা থোজংলগা [illegible]। মহাক [illegible] থাংনা [illegible], [illegible]. [illegible] শীংবুন থোজংনবা [illegible] থক্রে-[illegible]। [illegible] [illegible]কই, [illegible] মতিং [illegible]কই। [illegible] নহানমথৈ [illegible] হো চা কই, ইকাই অমাং [illegible] পুম্না [illegible] [illegible]সি [illegible]' [illegible] হায়রকপা, থরোশংবী [illegible] থোনা [illegible] চীঙ্না অমাশীং মপুম্ন থোজংলা [illegible]। [illegible] ঈরোই [illegible]কপা সুপাহ্না [illegible] মক্তৌ য়েংবা সুংঙাইত্রহনা হায়রকই— "ঙাইথো, ঙাইথো ইবেম্মা! ঐ থোজংলগা, নঙ [illegible]!" সুপাহ্না [illegible] হায়রকপা তাবা থক্তে ইকাইরম্ [illegible] শীংবুল থাদরে। মহাক [illegible] সুপাহ্না [illegible] শীংবুলদা [illegible] শাংনা [illegible] লেপ্পী।

ইরোম [illegible]কপা সুপাহ্না [illegible] হায়রে "ইবেম্মা! নঙ্ [illegible] ইহুরো? ইথা থাজনা থোনা [illegible], অশুক চাউবা শীংবুলথু [illegible] পুনা [illegible]?"

"[illegible] [illegible] খুবা হাঙ্গনা থঙরে, ঐ চীংথা লৈকাইগী [illegible]।"

"এঃ তাদা বৈকুনগী ইতৈমা অপানবীনা পোকপা? [illegible] ইচাদি চাওরম্মেদা, খুরানা থঙদহনা তোবনি ইবেম্মা। খুগা পুবীরগে নঙগী শীংবুনসি।" সুপাহ্না থরোশংবীগী মনাশীং মপুম্নু মকোক্তা থোজংলগা মথা তারকই— "নখোয়গী খুনয়াকাও চংমিন্নরসি লাকও।"

সুপাহ্নী মীয়াংশি উংপা মতৌদা থরো হায়নিঙাই লৈত্রহনা "কগনি খুরা!" হায়না খুম্মগা মখোয়না লাকমিন্নরে। মখোয়নী ভুমিয়া চংমিন্নরবদগী সুপাহ্না হংলকই - "নৌপা অমা লৈবহৃদি লাইরিক

ভাল্লিবরা কৈদৌরি ?”

“মহাক ইম্ফালদা লাইরিক তম্বা লৈরে খুঙী !”

“কৈদা, নচিন নৌপ্‌াদা ওইরবসু ইবেম্মা। মশক খোঙইরা। ইতৈমগী মতেং পাঙগ, তাদা লৈখিত্রবসু নচিন নৌপ্‌না মতীক চারবদি পুন্নমক করগনবনি ইবেম্মা। মরম ওকউ।”

থরোশংবী হন্দক্তি খুমখিত্রে, মহাকসুপাত্নী খোঙথাং মহুং ইরী। চংনা চংনা থরোনা থল্লকই, সুপাসি কনা ওইরিগবা, করি লৈকাইদগীনো, মহাকপু কর্ম্না মশক খঙগনি। থরোশংবীনা মাগী চিংনবহু ফোরুবা হংলকই— “খুৱাবু করি মিং কৌবগে ? করি লৈকাইদগীনো ?”

“ঐবো ?” সুপাত্নুনা নোক্লহুনা খুমলকই— “অগংবী, ঐ খোইরোমদগীনে, মিংনা কেশো।”

সুপাত্নী পাউথুম তারবদা থরো খঙল্লবসু অখঙবা শাহুনা তুমিন লৈরে। মহাক অমুক ৱাহে মথা চথক্রে। মখোয়নী কুইনা শাংনা চংমিল্লখিত্রে। থরোশংবীখোয়গী চীংখা লৈকাই য়োৱক্লহুনা সুপাহুনা শীংবুন্দু থরোগী কোক্তা খোঙগংশীরম্লগা মাগী লম্বীদা চংলে। ইৱা ৱাহৌদনা থরোগী শীংবুন মহুম য়োখি। থরোনা মহুম য়োরগা খঙলকই, মহাক্লা ওসি অত্নক শোম্বখিবহু অয়ুকী চরা চাখিদবা অহুনসু মতেং ওইরমগনি হায়না। তশেংবদি মহাক সুপী মচা ওইজরবসু পাজলদা সুপা ওইবা মৌপ্‌া লীক্লাইদগী ইম্বগনি হায়বসি শুকথা থাজদে।

[মরি]

হুরুলাং শাবদা থাজগী লৈকাইদা কয়া লাম্না থরোশংবী মিং চংলি। হুরুলাং শাবদা লৈকাইগী মীশিংনা 'চীংখা থরোমুক লাংমিং চেরী' হায়না শীংখানৈ।

মমিং লৈরবী থরোশংবী ওসিদি মাগী মীংচং লৈরবা লাংমিং লৌখনা লাংমিং চেম্রে। থরোগী কান্দানা লাংমিং লৌবদা ওইগী খুদোংখীদা কান্দা মচিন্না তম্না পরে। মরক মরক্তু মহাক হকাম চরে, মশা ইতুক তুকথরে। শিনপাংদবত্তা নত্তনা থরোশংবী হুংখিদলসিদা তুন্নীংলকপগী মরম করিদগীনো থম্লকই। থরোনা মশাহ্ তীংলি-য়াংলিরগা মমিং শিংনবা হোৎনৈ। মহাক্না লাং শাবদা মশা ইনম নম্বগী মরম খিরকপদা থত্তলকই, মহাক ওসি চরা হেল্লী ; অমুকী চরা চাখিদে। মমা অপানখীনা চাক চাবা নংদত্তুনা লোক্তাক মুরখা চংখিবদা মথক্তা ওাইবদগী মহাক চাক থোংখিম্রে। মমা লাক্লগা মুমিদাং পূন্না চাশিন্নগে থম্নুনা অমুকী চরা চাখিদবনী। মুমিং চায়থন্নবা মতমসিদা থবক ওবমখৈ ওক্করগা মমান্নবীশিংগা হুরুলাং শাথা লোইগদবা খজিক্তা ওাইরবহ্ লোয়শিনগে হায়না থরোশংবী লাংমিং লৌবনি। মহাকী মহৌশাগা মান্নবা মতৌচুদা হুরুলাং শাম্নিরিবা মমান্নবী মত্তা অমনা থরোদা হায়রকই—"থরো! নত্ত ওসিদি কৈনো অমা তৌরে, মহৌশাগা মান্নদে নশা ওমদবরা ?"

"ইত্তা! ঐ ওসিদি কোকসি ইকম লুম্মী, লাংমিং লৌবগা শিনবাংদ্রে ; কৈদৌরিনো থত্তরে।" থরোশংবীনা মশাগী অশেংবা চরা হেনবগী খাকমহ্ লোংশিন্নগা মশা হুংওাইতবগী মরমদা খৈদোক্তুনা লেংদোকখি "নাদৌরিজাৎলা থত্তরে।"

"অতৈ অয়াইবনি থরো! হকচাং নাদনবা হোৎনৌ।" মমায়বীহুনা ওহাক লেপলুরগা মথা তারকই—"মুংঙাইবা হায়বসে, শোন্-থুম্ন লৈবনা মুংঙাইবা নত্তে ইতা! অনা-অয়েক যাওদবা, ইয়াং লৈতবা ইমুংদো মুংঙাইবনি। অনা-অয়েকপু যাওরবদা রাংত্তে মুংঙাই য়াইকবনি হায়বা ইমুংদো মুংঙাইকম লৈতে। মখাক নায়ন্ত্রা হোৎনৌ।

মখোয়গী বারী তৌনরিঙৈদা মখোয় লৈকাইগী মুনান চঙলকই। মুনান্না চঙশিনক্লগা ফুরিৎথাওদগী চিঠি অমা লৌথোক্লগা থরোশংবীদা পীরদুনা হায়রকই—"থরো! সে, নখোয়গী চিঠিনী!"

থরোশংবী ইত্তক ওক্লা মুনানগী চিঠিহু লৌশিল্লী। মহাক্না চিঠিহু য়েংলগা মুনান্দা হংলকই—"কনানা পীরকপনো তা মুনান!" থরোনা চিঠি মথক্তা ইরিবহু পাহুনা য়েংবদা ময়েক চৎপা রাংলী। থুনক্তদা থরোনা মথা তারকই "তা মুনান! চিঠিসি অমুক্তা পাবিরম্মু। ঐ কয়া খুৎলোয়রে।"

"নহোয় নীক্লাইদি?"

"নীক্লাই লৈতে তা মুনান। লৈরদবু মঙোন্দা হায়রকখিরো।"

"চিঠি অমুক্তা পাবীযুকা হায়বসিদা চাওখোকলিরো তা মুনান।" থরোশংবীগী মতারোইহুনা পাংশিলকখি—"ঐখোয়নকা লাইরিক হৈজরম্মদি থওদোনি সৈতা।"

"লাইরিক হৈয়দবু ঐ কৈদৌ পাডী তমদোইনো। পাবগি পাদীগে, পোংবগী বা নত্তেদা মেমচা।" মুনান-না তাও তাওলহুনা থরোদগী চিঠিহু লৌযগা পারকই। মহাক্না হায়রকই "নহোয় ইমাদা থারকপনি।" মুনান-না ওহাক তুমিন্না পাক্নরগা মথা তারকই—"দিদি থরো! নঙগী মাসীহে। নখোয়গী মামো অমা ইফালদা লৈরা?"

"লৈ।" থরোনা খুমখি "অহু কৈকৌরবা?"

"মহাক্না মখোয় ইমাদা নঙবু হংতিং শিনবীরক্কনা হায়রি।" মুনান-না চিঠিহু পাবা লোইশিনলগা থরোশংবীদা অমুক পীরক্লে

মঁখা তাবকই— "অতৈ মরমসিদি মখোয়না খোকপা পামহৌবা ঐ লৈরে চংলগে।" বাহৈহুত্না লোয়নদা মুনাম হায়দবা নংদনা খোকত্রে।

থরোশংবী মুনাম-না পীরবা চিঠিহু হম্না য়েংলগা হাখল তৌখৌই। অহাম মমা অপানবীমা হাম্মবিবাহু অতৈবা ওইরে। থরোগী শোকরকবা মশাহু কমথংলকই, মথিং মনা লিংথংলকই। মহাক্না চিঠি থরোখ হম্না পারগা য়েংলকই। থরোদি মতম কুইনা লাইব্রিক মরেক থাদোকত্রবীনি। প্রাইমারি স্কুলগী অরোইবা পরিক্ষা তম্লবা মতুংদা মহাক মথা তমথখিত্রে। মরমসিদগী খুৎনা ইবা, হাপা মরেক নম্বা লাইব্রিক পাবদি কয়া খুৎলোইদে থরোশংবী। অহুম মুনান-না পোরকপা চিঠি অহু হম্না হম্না পাবদা বাহৈ-ময়েক পনবা য়াওত্রে। চিঠিহুগী বারোন খুত্তলুবদগী থরোশংবীগী মশা পুম্না শাগৎলক্তি, মমায় ভাঙথংলকই। খুদক্তুদা থরোশংবীগী মরম থত্তনাইংহুনা মমাম্ববীহুনা হংলকই— "করি হায়রিনো ইতা? ইঙ্কালদা ইতাবু থিল্লকউ হায়রিহু করি থবক লৈবগে? ইমা লাক্লগা তাম্বা য়াত্রো।"

"থত্তদেনা ইতা। মথোং থংপোং নত্তেদা।" থরোশংবী শাওথংননা মথা তাবকই "মসি পুম্নমক ঐখোয় ইমানা খোকহল্লি ভাত্তনি।"

"করিনো নত্তনা হায়রিহু ঐ ভাব তাত্রে ইতা।"

"ইতামা ভাব তাগদবা হবেংদা মত্তাইরে।"

থরোশংবীগী মরোলৈবা বাহৈহুদা মমাম্ববীহু হেম্না চম্ম্রকই, মহাক্না মথা তানা হংলকই— "অহুনমুক হেম্না চমম্লে ইতা। ইমানা কৈদৌরবগে হায়রি?"

"হো ঐসে ইঙ্কালগী মামোথোয়দা লৈহনগসি হায়রমমেমে ঐখোয় ইমানা। অহুদা চিঠি থারকইবা, হংচিং লাকও হায়রহুনা, থত্তলত্রা?" থরোগী হাহৈশিংহু তারগা মমাম্ববীহু ভুমিন লৈত্রে। থরোশংবীনা মথা তারকই— "ঐখোয় ইমানা তৌরিবি করিনো থত্তদেনে, ঐহু মানা খোমথোঁদ য়োক্লপা কদি তোংজবা লৈত্রিবা······।"

"সনাম ইবেমহনদোর, হাওবিজম য়াধেখোয়দি ইন্দ্রানদা লৈবগী য়াম্না হুরাউটৈ; অহুগা নওনা শাওরিহ্না কনদোঁয়িবা ?" খুনাগী মবাম্রবীনা মথা তারকই—"মহৎনা, চাওখৎপা মকমদ্র লৈমশে হায়দুনা ঐখোয় থাজনী ময়াম অমা ইন্দ্রানদা লৈনম্রিসিদি ? ইতা। নওনা তাওলিদো চাওখৎপগী মহাউ থওদহ্না তৌরিলি। লৈব্রবদি ঐখোয় খাইকাদি নীংশিংনরোইদবনি।"

"ইতা নওনা হায়রিহ্ ঐ য়ানিংদে।" খরোশংবীনা মথাভাক্কই—"ইবেমহনখোয়-য়াধেখোয়দি মহৈতমহ্না লৈবগী য়ানী, ঐগীদি অহুম নত্তনা। ইনাক কৈরাক খুনবী, লাইবক ফবী মখোয়গা ঐখোয়গা চাওদয়রিবা ?"

খরোশংবীগী মমাম্রবীহ্ কবি খুমশিগে খরিতৈদা খরোনা মথা অমুক তাখরকই "ঐ খওজী, নহোয় ইন্দ্রাল হায়দো য়াম্না তকই, য়াম্না তৌওন্নী। চাওখৎলিনি হায়দনা ইকাইবম্ থওদা, লৈশাবীশিংহ্না মথবাক থ'দোক্‌না কী অমকাও ইন্দনা লম্বী সোরোক্তা পওচৎ মচৎপা। মশম মনা ককথৎলগা হুপা শারিবা। খোওগ্রাও শেংপী হুপীনা খাইরমন কৈথেন ময়াইদা শঙ্গু শঙ্গু চৎলিবা, তুকৎচৈদা, ঐ হৈনজদেইতা।"

"মহুবুনে ইবেম্মা চাওখৎপা হায়রিসে, ওারমগী ওবা। কেশোনা দেশদা মহৈ তমলুরগা খোক্লকপদা মচনমুগী অমুরৈগীনি হায়দ্রনা কুপ্সিংকা, খোংগ্রাওগা অমগী ইরুকী মতৎ পাত্রিং পাবা অমগা শোরকপদা ময়াম য়ারীনখিবহ্ কাওরব্রো ?" মহাক্না মথা তারকখি "মখুং লাইহ্রিক হৈকনা খোনবীরবনি হায়রনা অমুরৈনা কীজোন্দু শেৎলগা হুল কাবদা কীয়াম য়েংনবদো, নওম্ য়াওদাইনে ? মহ্ হৈতবা ঐখোয়খাই চাওখৎম্রিসিনি। ইন্দ্রানদি সহরন্নিনা মতমগী চাওখৎপা মখল মখেল পূর্নমক তৌরক্লিবনে, নও পাঅজদবগী য়ানী।"

"ঈথক-ঈয়াংবা তাউবা, ইকাই থওদবা ময়মচৎশিংহ্না মলুকতেন শেংলমপনি হায়বা ঐ তকথা থাজদে ইন্দ্রানী কী লিংদে ইতা।

ঐখোয়গীদদি কয়াম সুংশিনরিবা— শেংনরিবা, অরৈ-লৈতা য়েংহনা চানিঞরি। ঐনা ইম্ফাল চংলুবদা উরকপদি মখোয় অমতা হংনা-থিনবগী মওং উদে। অমগা অমগা ক্রক ক্রক য়েংনহনা অচাওরম তায়বা হিরাঙবগী মতৌ ওাক্তা উরকই।"

"কায়্দ, নঙগী রাত্ত ভাবনা শাবা ওাক্তনি; অশেংবা ওইরবদি কনাস্ত ইম্ফাল সহর চংনররোই। চাওথংলবোই। মী অমনা ওক্ক-ফজবগী পূমমক ফঙবা ওইনা থারবদি মিৎয়েং অরানবা ওইগনি ইতা। কায়দে, নঙন্থ মাঙনবা ইমানা শীনগদবা নত্তে। নঙনা পঙহায় হায়জররস্ত ইমাগী অনীংবা লৈরমগনি থরো। নঙ ফিংগৎখিগল্ল, তপথো। ইমা লাক্লগা ইংনা ডায়খো।"

মমায়বীহনা হায়রক্লিবা পূমমক থরোশংবী তুমিল্লা তায়। মখো নী ভাহক তুমিন লৈক্লরগা মুপীহনা মথা তারকই "ঐদি মখোয়গী ইম্ফালগী দলাল মথোন ময়ামদো লৈজনীংই শৈতা, লৈ ফংদবগী তৌবনি। ঐনা ইম্ফাল চংপদা খ্বাইদগী হৈনদবদি মখোযগী মী কুংথ্রবা লম্বীশিংহুদা গাভী অচৌবা মচা অদগী রিক্সা, ময়ামহুগী নীল-খোংবদা পোথাকম থঙদে। গাড়ী ময়ামদো মী মবক্তুদা পংথোদা মথোই। ঐদি ভক্তুনা শিরদবোইতা মথল্লি। অহুনা ইতা। ঐদি ইম্ফাল চংপদা লম্বী চংপগী থল্লুবদা পক্টীদা কীজে।"

"অচুম্বনে, ঐহু ইমাগা লোয়ননা ইদোমচাখোয়দা অহীং অমা লেকলুই। মখোয়গী ইম্ফালদা লাংলিবা, নীল খোংবা ময়ামহুনা অহীং নোংমাই মতুং কাওবা ওকনেম নেমদে। হু-দা, হু-দা খোং-লাওহুনা লৈবদা অহিং ওকতুম তুমক্তে ইতা।" থরোশংবীনা মথা তারকই "মখোয়গী চাওথংগহ্ ঐখোয় হৈনজপোৎ নত্তেদা। ঐখোয়সিদদি কয়া সুংঙাইজথ্রবা, সুংশিং সুংশা অশেং অশেংবা, উন-রাইমুক চীক্লদনা ইংনা পাঙরিবা, কয়াম খেন্নথ্রবা····· ।"

রাইহহুগা লোযননা থরোশংবীগী মিৎকম লোক্তাক ঈপাক্তা থক্লকই। হুমিদাংরাইরমগী ওাক্তানবা মশেক্লা থাংজীং চীংজাওদগী

হাইখোরকপা, শাংনা শাংনা তারিবা অঙাঙ-শা লোংজাবীগী অতিয়া; লোক্তাক পাৎতগী হমগংলকপা হুম্রিদাংবাইগী অইংবা হুংমিৎনা খরোশংবী অমম্মুং মাগী চায়ফবী মতা অনীম্মা য়েরবদা অনীমক্কী তাখল খমোয় শুমহৎলি। য়েংলু উরু মায়কৈনা খরো অমখি মতারোই অনীম্মু মহৌশা লাইরেম্বীনা তরাম তরাম কৌরকপগুম থৈরে। মতমহুদা খরোগী মতা চান্নবীহুনা হায়রকই "ঐখোয় থাম্মদগী হেমা হুংঙাইবা মফম মালেমসিদা লৈরম্লোই ইতা।"

"অহুবুদি শেংলবনি ইতা। পোক্কফম লমদমমুক হুংঙাইবা, ইরমদমদগী হেম্বা, অতৈ মফম লৈরোই মালেমদা।"

[মঙা]

মমথরকপা য়াচঙবা মতুংদুদা অপানবী ঙা তুঙোল পূরগা ইমুংদা চঙলকই। মচা মুপীনা চাক থোংগংলম্মহু উবদা অপানবী হরাউরে। অপানবীনা মফী মরোন হোংদোক্লগা চাথুমাঙদা থম্মা ঙা তুঙোলহু খঙোগী মাঙদা হৈদোক্লগা হায়রকই "ঙসিদি অমুখোইগী ফুমদো ঙা ওন্থোক্লা লৈরমম্রে।" অপানবীনা ঙাশিংহু খন্দোক্লগা মখা তারকই "কক্কণ্ঠা শমজেৎসে? ঐখোয় পূম্নমক তুঙোল থন থম্মা কাই, অহুমক্তদা অমুখোই মুপী ইবেচানা হাপ্লকইনি নঙ চানফনি হায়দনা পেংবাসে।"

অপানবীগী বাহৈগা লোয়ননা পেংবা কক্করবা অমা থাজংলহুনা খরোশংবীদা য়েংহল্লী।

অপানবীনা মুম চঙলকপদগী ঙাঙলিবা, উংজিবা অমদি কক্কউজম্বিবা পূম্নমক খরোশংবী পুক্কিং চঙদে। মহাক মমিংনা হায়রপঃ য়েনশাংপা

মাগী থোং-থাকপগী লোযশিন্নবা হোৎনৈ। মচা মুপীনা হাঙ্গরক ঙাওলঙ্গিনস্মু অপানবী থোইনা খঙ্গনবা লৈতনা অমুকস্মু হায়রকই "মুপীমচা. নঙ ইশাংগী থোংঙ্গিব ওইবদি পেংবাসি থোংলোদনা ইমা শেম্বীবরগে।"

"থাও য়ামদ্রে, হয়েং খন্নসি ইমা!"

মচা মুপীগী পাওখুম তাবদা অপানবী মখা তারকই "মনম্মাথোন্নদগী খরা লৌরগা য়ারোইদ্রে? তোল্লসি হাযব্রা? খঙদ্রে, নঙনা অপান্মা তৌরো।" অপানবীনা পেংবাগী থোংহন্নীংঙ্গনা মচা মুপীদা কন্না হায়বদি নঙনা মখা তারকই— "কদাইনো থাউ লীল্লিগী পীরকওদনা ঐ হংলুরগে।"

মমাগী পাউখুম পীরক্তে খরোশংবী, চাকখুম মনাঙ্গা লৈরিবা অচাথাউ লীল্লিগী লাম্থে রুকই। অপানবীস্মু লীল্লিগী লৌরগা থোকখি। অপানবীনা খরো নাঙ্গী থোকখিবদা হায়খি "য়াঙনবা কনা কন্না হোৎনবনি অস্থুবু খিঙং শোযবদা নখোয়না শাওবসিনা ঐ ওন্থোক্লা মুংঙাইখিদ্রে… ।"

মমানা ঙাওলিবগী মঙোম্দা নী খরোশংবী খঙখি। অশেংবদি থাও লৈতবগী শাওবা নত্তে, ঙসাই মুংখিল ইম্ফালদগী চিঠি অমা মুনান লাক্লুনা পীরম্বগী মলোম্নী খরোমা মমাদা উৎলিবগী। অপানবীদি কবিমতা খঙবা লৈত্রি। অপানবীনা থাও লৌকরগা হল্লকপদা খরোশংবী পেংবাগী শেম্বা হৌরম্লে। অপানবীনা হায়রকই "নঙ থাও য়ৈনবা মরোই মপাং সেম্মু, ঙাগী ঐ লোইশিল্ল ক পীবকউ।"

খরোশংবী না ঙাওদনা মমানা হায়রিবশিং খবক ওইনা পাঙথোরকই। অপানবী ঙা শেম্নবদগী হায়রকই "ঙসি ঙায়মগী চাউতোম্বীদো, ফুমগী পল নাম্নদা মুংশা খিনরুরে।" অপানবীনা মখা তারকই "চাউতোম্বীনা কা মতম চাউরেখে উমশিল্লগা পথা পরন পায়থুনা ঈরুপখিবদা তুকক্লাও ফাওগৎলক্লে। মাগী মহৌশাগী মতমদগী হেন্দোক্লগুদা ময়াম পুম্নমক্লা হাঙ্গৌ চাউতোম্বীগী কুইমনদ্রে কমদৌঘমদগে পাখংনৈ।"

"কৈগু তৌরা—কমদোৗরে ?" ঙসাইমথে বা ঙাওনমদবা থরোশংবী মমাগী বারী তাবদা হায়রকখি "মাদি ইরুম য়াম্না হৈ হায়দাইনে ?"

"ঈরুমদা চাউতোম্বী হাযনরিনিদা, অহৗা ওনশিগী হৈখিং হাকম লৈরবা; মাগীদি সিঙাক্কনি। ঘড়ী শিবা য়াওরমহুনা মখোয় হুপা থরনা হায়রবু পুংখাই অমগী মিনিং তারেং হা ত্রা নিপাল হায়রা হেল্লে হায়, মী পুম্নমক থরক হুনগৎনগ্রবনি।"

"অহু কৈগু তৌখিত্রা ? রাস্থ খোংথবা য়াওত্রো ?"

"করিগু তৌদে, মাদি ইহি হিগৎতুনা পাম মতপতু শায়রগা ফাওগৎলকএ।" অপানবীনা ঙা শেম্বা লোইরহু া থরোদা লানখিল্লগা মথা তারকই "তোমানগী শমোক (ঈরোই) থরোবীহুম্মু ফনা বারমগনি, ঙসি মানা ফুম নৈবহু অতৈ শমোকশিংদগী পুমহেন হেল্লী।"

অপানবীনা লীরিবা বারী পুম্নমক থরোশংবীগী নাকোংদা তাজরবম্মু পুরিং চংলুদে। অহুবু শমেক্লা লোক্কাক ফুমনৈবগী পল্লকপদা থরোশংবী নীংশিংলকই, হৌখিবা চহীদা মাগী মমাম্নবী মতা অশংবীখোয়গী ফুম নম্বা মহাক য়াওখি। হুমিৎতুদা ফুম নম্বগী ঈফমহুদা খারিবা রাশাং মরক্কুদা ফুম চিংগ্রংখ্রগা অশংবীখোয়গী শমোক লাবা অমোম অনীহুনা ঈরুপতু । ও নৈখিবদো থরোশংবীগী মমিৎতা উরকই। ফুমগী অকোয়বদা কুংনা ঙা লিংতনবা খারিবা রাশাংশিংদা পম্না পুনবা, পল নাপ্পা, ফুম লেল্লগা পনখোঙদা নম্বা অমসুং ঙানৈহুনা ঙা ফাবা লোক্কাক ফুম্নম্বা হাযবসি লোক্কাকী খ্বাইদগী চাওবা থবক্কী হায়বসি থরোশংবী হুমিৎতুদা থওখি। ঈশিং ঈপাক্কা বা অমসুং ফুম্না পল থিংবা, হি তোংলগা ঙা ফাবা, ঈরুপ্লগা পল নাপ্প, পাক চাউরবা অমদি থায় থারবা ফুম কয়াবু মীয়াম চঙহুনা ককথৎ-লেনথৎলগা চিংথৎপা, অসিগুম্বা ফুম নম্বগী থবক অসি থরোশংবী মখুং অমুক য়াওখিত্রে। মহাক য়াম্না রাজৈ। থরোশংবীত্তা নত্তে, ফুম নম্বদা য়াওরবা মী পুদিংমক তপ্তানা রানৈ হায়বসিম্মু থরোশংবী হুমিৎতুদা থওখি।

য়োংমকা লোইবা ওয়মবা অচৌবা থবক অসি মতম কয়া চঙনা হোৎনরিবনি। হুরিংতুনগী থরোশংবী ফুরবা অমুক য়াওখিব্রে। থরোশংবীনা অপানবীগী য়াবীদগী মমাঙদা থেংনখিবা থৌদোক্ নীংশিংলবদগী ওসাই 'পীরবা চিঠিগী য়াকম নীংশিংলকই। মহাক্না থরী, য়াকমসি হৌজিক হৌদোক্লসিরা। থরোশংবী হৌদোক্লকখিব্রে। মরমদি লোক্তাক ফুমমলুবগী য়ানা কারকপদা য়াফমহ্ হৌদোকলুরবদি মমা মচা চাক চামিরবা ঙমংঙাইগদবা মাদ্রে। থগোনা য়াকমহ্ চাক চাবা লোইরমদাইদা হৌদোক্কে লেপ্সে।

চাক লোইরহ্না থরো — অপানবী কাঙ্গুপ ফম্নগা চাক্ চারম্বদগী থরোশংবী চাক হক্লিংলক্তবা মতৌ উরকই অপানবীনা। মচানুপীগী মতৌহ্দা হংলকই "কৈদোরে? নখূৎনা থোংজরগা হাওব্রবা?"

থরোশংবী খুম্লক্তে। মচানুপীনা খুম্লক্তবস্থ অপানবী মখা তারকই — "চাশিল্লু, চজিক-লুখাক লেমহল্লগা হন্দোকপা পাম্মবগী চজিক চারগা নারক্নি।"

"চানিংঙক্তে।"

"কৈদৌ চানিংত্রিনো? ঙংখিল অচোইপা চারুত্রো?" অপানবীনা থরোগী য়াখন— পুক্লিং থঙলুদবনা হায়রকই—"ওসাইনা চাক চানিংদে হায়রদি চেংহ্ হঙ্গনা থোংদি কৈদৌই? নখোয়গী য়াখল থেম্বসিনা ।"

অপানবীনা ভাঙলিবহ্ থরোশংবী য়ানিংদে, মহাক্না খুম্লকই "ইমানদি হায়রিবা, ঙা থোংবসে চানীংদবগী য়ানী। ওসাইমথৈদি চাক চানিংদবা তৌরমদে, কমহায়না চেং হঙ্গক্নি।"

"অহ্নু হায়বা, ঙা থোংলগা চানীংদে হায়রদি থঙব্রেনে ..... ।"

"ইমাদি নীংশিংঙিরোইনে নচানুপাদো।" থরো থোজেল নীল্লকই, মহাক্না পীরাং ইরোইনহ্না মখা তারকই— "নীল্লাই নীংশিংলুবদা য়োংগা য়াত্রে ঐদি ..... ."

মচানুপীগী হুংহিক্লরবা য়াহৈ থরহ্ তারুবদা অপানবী থঙপ্রেক

[illegible] তৌথিং। খুনক্কা থমোরদা চৈনা [illegible]কই। অপানবী মা মথা তাথিজে। মচানুপীগী চিংন য়েংলগা মহাক [illegible] ইকাইখরকই। মরক অহুনা থরোশংবীনা চিঠিগী [illegible] নীংথিজনহনা হায়রকই "ভাই ইম্ফালগী মাথোথোয়দগী চিঠি পীরকই।"

থরোশংবীগী অনৌবা মাহৈ তাবদা অপানবী মমায় লৈথংলক্লা হংলকই "করি হায়রিবা? পাম্নুা য়েংলবরা?"

"ইমাগা লোয়ননা ঐ হংচিং লাকবা যাদে হায়রকই।"

মচানুপীগী মাহৈ তাবদা অপানবী মহাক তুমিন্না লৈরবদগী হায়রকই "হংচিংপু করি সুমিৎনোনে? করিনো মখোয়না হায়রিসিবু সুমিৎ-থা, থাবান হায়বা য়েংননা মীবু শাম্নপোৎকুম হেক্তা পুথা মাজনে?"

"খুডঙে খুডরে, মসি পুন্নমক ইমানা থোকহল্লবা ভাক্তনি।" থরোশী লেন্দবা মাহৈ থরদ্ তাকরগা অপানবীনা খুমকই "খুডঙে ইবেম্মা! ইমাসু হায়ফম লৈহন্ত নৌপ্‌ৰাগীবু থমগন্না, মতুংগীবু থাগত্রা কনাদনো ঐনা তাম্নরুগদবা উপাই লৈতে।"

"সিবু মীগা ভাম্নবা যাবা য়াফম্নে? তাম্নয়্নবদি থাম্নু ফয়মগদবনি। অহুদি নত্তনা ইমানা হান্না চিন পুথরক্নগা হৌজিক তাব তারক্লে, হায়বগা কমাসু তানীংজোই।" থরোশংবীনা মথা তাগকই। "ইমামা তৌপীংবত্তা তৌবদা ঐমা য়েংপগী য়া নত্তে। ইমানা থল্লিবা য়াথ-ল্মা ঐ মাম্নীংদে।"

থরোশংবীনা অহুম্না হায়রক্লিন হায়বা অপানবী থার্ককে। মহাক মচানুপীগী মাহৈ তারুবদা লেন্দবা কয়া লৈজরবসু মখালা হায়দোকলুরব য়াফম ওইবদগী থমোয় ফাজিন্নগা হায়রকই। "মঙ্ কয়মক লেন্দবা লৈরবসু অহুম্না হায়রকনি থগ্লুদে। মীওইবা হায়বত্তুব অমম্না অমগী মত্তৈং লৌনবা হৌনবনি, লাগীগী মপার কৈম্না তাং, কৈগী মপারমাপান তাং হায়বা পাম্ভিদৌ লৈবনি। ঐখোড়গী যুদোংখিবখি মখোয়গী এন্ত খরনা কোয়বা, মখোয়দসু ঐখোয়না [illegible] [illegible] পীনবা [illegible] [illegible] ইম্নাজিন খারকবনি। অহুমু নত্তদি মাম্না লৌম্নখোয়নবে খুঁ

মথা অপানবীগী নীংবকাইনবা বাহৈ খরদু তাবুরা থরোলাংবী থুংডাইরক্তে। মহাক্না হায়দোকপুম্বা বাক্তৈদু থরদু করিসিমক হায়জরিবসো লীংজবদ্রে। মহাক্না ওহাক থুরিবা তুম্যান্না থুংডাইতবা কোকবা হায়রকই "ইমানা ঐখোয়গী মী ওইরিবা কোৎলবদা থারিবসো খঙ্জী। ইমানা হায়রিবা ঐ চম্মোই হায়রবা মরক। উকপ্রোই চৈকাইগী মমাওদা ইমাগী মীনা কারি হায়রিখিগে খলবগী বালৈ। তুরিং অকবা অমা থেংনুরো, অখোয়না হায়রিবদু খঙনবা।"

অপানবী থুরক্তে। মতাক অপাবা যুক্তিগুম কমত্তুনা মাওদা থারিবা পোদোনগী মৈম্বি থেংহনা লৈরে। মমা অপানবী হৌজিক কাওবা ব্রাখল হস্ত্যক্তি হানবা খঙলহনা থরোলাংবী মথা তাক্লকই "ঐখোয়দি ইমানা কৈ হায়রবদো ইগ্না যুর্দের।" থরোনা মথা তারকই "মীনা নীংবনা অনা, লাইনা তশ্যা অম্যি, ঈশ্বরনা তম্বা লৈরমগুলি ঐ কৈগুম চিংনদে।"

থরোলাংবীনা কোরীক ব্রাইবস পোইশিক্লদুনা মমাগী থুংডাইতবা কোকবা হোৎনখি। অপানবীদু মথুংমথা লেংদোক্লগা কেতী চপ্লগা হকচিক লাংঙ্গ্রে। ওহাক লৈরগা অপানবী ইমুং চঙলকই, মহাক্না হিপকমগা চওখিবগা লোয়ননা মচিন্দা শোক্লকই "মখং ঐঙ্গা থাপুচাউবদা ফুঠি পুরগা অকথা চু মিং অমা থেংনুবাইদুনি। পান্দী মাইকৈ, চৎপা যাবা যাদবা ঐঙ্গানা হায়ংক্লগা থঙগদ্রি।"

মমানা ওাঙলিবদু তাক্লগা থরোলাংবীগী থগৎপা হায়কম খঙনবা থোইরাং-থোয়শাওবা পোক্লকই। ম রকী পেন্নবদু তাইনক্লম খঙদে, কোরোলকেকমদু খঙদে, অদুদু থম্নোক্লদুংগা কারক্লিবা থোইরাং-খোয়শাওনবগী ঈথিন লাকশিল্লা ওনদ্রহনা থরোনা হায়রকই "ইত্রুমসিদদি কৎনক লৈপাক্লবা অমা শেংলবদু পুংলৈ লৈরম্বাই, মীগী যুমচুদরদি মচুদু যারোই। শেংমিংবাই দু চিংহি মঙংচানা লৈবদু নত্ত্বা ঐদু ইম্ফাল সরোম্বুদা থুংজোক্লনবোডি মত্তা?

"অহলগীদে ঐনা কৌবিদে।" অপানবীনা হিথত্তনদগী থরোলাংবীগী

পাঙথুম শীরকই "নঙ শেৎ-ইন্নবা ননে ইবেথোইনা য়াৎতনবা শীজননগনি, মহুগীদমক নঙনা য়াক্লনিঙাই লৈতে।"

থরো মথা তায়কখিদে। মচাঙ্গুপীনা থুম্নক্তুবসু অপানবী মথা তাথরকই "নহানথে লীক্লাই লৈরিঙেদদি থোইনবু থল্লুদে, হৌজিক্তি নঙবু নথক্তা য়ুমশিদা হুন্দোক্লম্নগা নোংঙাথদগী হুমিংতাকাও লোক্তাক কুম্নসে চিংনরে মতম ফঙবসিদা।"

"কৈদোবৈ চিংনদোইবা ?" থরোশংবী শাওরংননা থুম্নকই— "ঐনা করি কাইরক্লুনা ইমানা চিংনরিবনো ?"

"নঙবু অকায়বা তৌই হায়বা নত্তেনে থরো। নঙ মুশীনে, চাওরক-শাংলক্লবনিনা লৈকাই কনাগুম্বনা মিৎয়েং কারন চল্লকপা হায়বসি তম ঙমত্রো ? অতুগী হায়বনিনে ইবেম্মা ?"

মমা অপানবীগী য়াহৈ তাক্লবদা মচিন্দদি ফোঙদোকত্রবসু থমোয়ন্নুংদদি পেন্দবা পোকই থরোশংবী। মহাক্কী য়াথন্দা মুশী মুপা থেম্নবগী য়াফম অমুক্তা থম্বক্লদে। মহাক তুমিন্ তায়ম্বদগী হায়রকই "মুপানা মুশীদগী করি হেন্দুনা ? মথো ুসু মীনি ঐথোয়সু মীনি, থোইনা লাকচনিঙাই লৈতে ইমা।" থরোশংবীনা মথা তারকই "মুশী ওইরবসু ঐঙোন্দা উশিং থওইদনা তৌরকপা মীশক্তো লেম্না থাবগী য়া লৈতে ইমা ? ঐ কনাবুসু কীদে। লান্দবা মীগী থুদোংথিবা লৈরোই।"

"ইমানা হায়রিবদি নঙ অঙাঙ নত্রে, মপুং ফারক্লবনিনা চেকশিনবা তঙাইফদে হায়বনি। নঙ তারেদনা লমসিদা মুশী-অঙাঙ ইজদ মাঙহবতা নত্তনা হাপ্তোক্লগা হুন্দোক্লম্বগী পাউ ? ঐথোয়সিদা থোক্লোই তম্ব ঙমত্রো ?"

মমা অপানবীগী য়াহৈ মথং মথং তাক্লরগা থরোশংবী অমম্বদ মতোমতা মথা চীকই। মহাক্না থল্লী, মুশী ওইনা পোক্লব লাইবক বী মহাক্কী পেন্দবহু মচিন থোক্লকই—"মামী, ঐসু মুপা ওইরক্লবদি লীক্লাইগী ইন্দাল চৎতুনা ঊহৈ তম্নগদবনি। ইমাগী নক্তেং পাঙলমগদবনি।

পাওলমগদবনি।" থবোশংবীনা মখা তারকই "লাইবক থিহ্না মুপী ওইরম্বদা ইমানা মুংশা থিরিবনি। অহ্বু ঐ মুপী ওইরবস্থ অহুওম্বী অয়ম্বী মুপীদি ওইরোই ইমা? ঐ লীক্লাইদগী হেন্না থৌনা লৈ। লাকচখিদৌ শকক শীজখিবনা কৈ।"

"হাযহৈদে, হাযহৈদে মুপীমচা! নওগী অঙাং ওইরিবৈগী থা-রাই খওদবা, মুপা মচাশিংগা মুক্না লম্বা, উরাওবী তাক্না; লীক্লাইগী মমাম্নবশিংগা লোয়নহ্না কোম্নতান তাম্নরকপদো হৌজিক্কি ম্নাক্লবনি। নও জ্ঞান তারো থরোশংবী। ইমা নওগীদমক থায়ম্না লাই।"

মমানা হাম্নগ্রিবা পুম্নমক থয়ো নীংশিংলকই। ম্নম্নিংতা ঙ্করকই, থাঙ্গা চীংখা লৈকাইগী মুপা মচা মুপী মচা ময়াম মীচং থাক্লদোক্লক্লা অমাংবী শাম্নবা, অবা শগোলতোংবী— ফীক্লুল হাবী শাক্লনক্ষ তত্তনা মুপা মচাশিংগা শীংনহ্না লম্নজেন, মাঙজোং অম্নসুং মুক্নাক্নাও শাম্নখি থরোশংবী। মতমহ্নদা মুপা মচা কয়া থবোশংবীনা মায়থিক্না শীখি। অঙাং ওইরিবৈ থরে'গী পুক্নি মুপা মচা অমদগী হেন্না মশা শীংলম্নি। হৌজিক্কি অহুগুম্বা মুপা থোকপা মশাম্না কম্নাগী মহুত্তা ইমুংগী থক ইনথাঙ, লৈকাই মমাম্নবীশিংগী চাকচা হৈজানবা লুহোং থোঙদোংবগী থৌদোক্না শিক্ললক্লে। মুপা মচাগুম-থুদৈ লেৎলপ্না মুক্না শাক্ষবা ম্নাক্লক্লে। হকচাংগী ক্লিভম হোংগ্রে। মথোন কারকপগী শাংকাইরকপদা থাইক্লবা নীংথিবা লৈরাং অমগী শক্তম লৌরক্লি থয়ো। মহাক মীওক্লক্লে, মহাক্নী মীৎক্লুদা পীরাং ইহৌরহ্না তাইবং মপুগী থুৎশোম্না মুপী মুপা খোম্নগী শক্লোনবু থম্নকরগা মথামক মুপা ওইক্লনীংখি। মমা অপানবীগীদমক থক্লুবদা মুপাগী তঙাইক্লবহ্ন ক্লো মক ওইরকখি।

[ভক্তক]

য়ুমগী মক্লাং অহোবদা লিংশিল্লকপা লোক্তাক পাৎকী মুংশিংনা থরোখোয়গী ইবুংদা লৈরিবা পোৎশক খুদিংদা য়ৈররে। থৌরী-শিকাদা য়ানবা পোৎ পূম্নমক মুংশিংকী মত্তেংনা হায়-হল্লী। মুমিং অহু ঙসিনি, য়াম্মোন য়াপুচাউবনা পীরকখিবা পূংফম, অফবা মুমিং অমদি থরোশংবীমা ইস্কালদা চৎকদবা মুমিং।

মুমিংনা নোংপোক অতিয়াদা অত্তম কাথৎলকপগা লোয়ননা থরোশংবীগী পূক্নিং মরাংহৌবা হেনগৎলক্লি। পোকপদগী লৈজরক্লবা, মতম্বাক্তা চাউজরক্লবা থাজা চীংখা লৈকাই, মীগী মমিংতা মল্লবা মশকখিরবা য়ুম থরোগীদমক্তি স্বর্গদগী হেল্লী খঙবস্বা; ঙসিদি থরোশংবী থরোয়মুংদগী ঈহৌরকপা পীরাংগা লোযননা মতম থরগীদমক বীদাই পীজরকই। মতম ওইরক্লবদা থরোশংবী য়ুমগী সনামহি অমদি লৈমরেল কালা কোক লোয়া খোয়মজরগা য়ুমদস্থু খোয়রে। মমা অপানবীনা তাকপা মক্তুংইন্না সুমাঙ্গদা মুংতিগী ধুপ-থাউমৈ কৎচহ্নুনা পূজা তৌজরকপা তুলশী দেবীদা অয়োইবা বীদাই নীজরকই থরো। হৌজিক্তি লৈকাইগী হৌমিন কামিল্লরকপি মমাম্বী মতাশিং অমস্তুং মচেম-মনেম পূম্নমক মীৎলুগী পীয়াংগা লোয়ননা থগো বীদাই তৌরক্লে।

থরোশংবীগা মুংশি-চায়না তীম্লজরকপী মেমচা, অবা-মুংঙাই কয়াদা শরুক য়ামিল্লরক্লবী অশংবী, খা-য়াং য়ুমলোম্নবদা লৈবী মৌ লৈশাবী পূম্নমক থরোবু থিন্দোকপা লাকই। মখোয় পূম্নমক্না থরোদা মঙ্গল পীরহ্নুনা বীদাই তৌই। থাজা চীংখা লৈকাইগী উপাল য়াপাল অমদি লোক্তাক পাৎকী ঈপোমশিংস্থু থরোশংবীদা বীদাই পীরক্লবোই

থক্নি, থরোনা য়েংথোকখিবদা। তুম্পক লেপ্পী মনা খোঙনাং, চিংনা য়েংহৌই সেন্দ্রাগী মীথুংশঙ।

অপানবীগা লোয়ননা থরোশংবী ইম্ফালগীদমক বস গাড়ী তোংলকপদা মুংশিজরবা লোক্তাক, থাঙ্গা অমস্তুং মোইরাং থাদোক্লয়ে। পুং অনীগী মতুংদা ইম্ফাল য়ৌরে। ইম্ফাল সহরগী নীল-খোংবা, গাড়ী মথল কযানা চিক্ক চাইনা ওমদমখৈ চেল্লীবা; মরকসিদা কুক কুক ইল্লনা চৎলিবা মীয়াম উরুবদা থরো মকোক ওাওই। মহাক্কা য়েংখি উখিবা মায়কৈদা চীংগুম রাংলবা দলান কয়া মরোল মরোল লেংখ্রি। মিৎ ওকপা য়াত্রবা ইম্ফাল সহরগী লম্বীদা থরোশংবী তোল্লনা উদবগী হৌনবা থেংনবা পুন্নমক চিংথদনা য়েংজে। মমা মচা রিক্সা অমা তোংলগা গাড়ী থাফমদগী তোমচৌগী য়ুমতম্না লাক্লি। লম্বীগী নাক অনীদা ফজরবা য়ুম কয়া থরোশংবী উরি। মরক মরক্তা খুঙংগী থাওপোক্তগীসু হেন্না শাথিরবা মওং চাত্রবা য়ুম কয়াসু লৈরম্মী। য়ুম-দলানশিংনা কুংনা লৈখ্রবা ইম্ফাল সহরগী লৈকাইসিদা য়েংশিনবীবা রাংলবা নমথিরবা খোঙলম-নাপাশিং উরুবদা থরোশংবী মনাক্তোন মেল্লী। চাওথৎপগী ফজরবা সহরগী মায়থোংদা অমোৎ-অকায়, অপুম-অশা কয়াগী তুকৎচরবা মপৈশিংনা মাম্নহিং থাংবগুম শীৎত্র লৈমন্নুনা চেম্মহল্লে। থরো হায়ফম থওদে, খনফম থওদে; অমগী মথংদা অমা মীৎমাওদা থৎলবদা রাখল ইচোই চোইবগুম তৌখি।

থরো মমা মচানা তোংলিবা রিক্সাদু তোমচৌখোয়গী, য়ুম য়ৌরে হায়দুনা অপানবীনা থাম্মী। থরো ইওক ওক্না য়েংডি, মহাক্কা চহী মঙা তরুকী মমাওদা লাক্লম্বদা লৈহৌদবা তোমচৌগী হোজং, চেকপান্না কোয়শিনবা ইংখোল, লোযননা অনোবা দলাল কয়ানা পুন্নথল থল্লয়ে। থরোশংবীনা মমাদা হংলকই "চওফমদা খোঙ পাল্লিসিদি কয়া কুইরে ইমা? ঐনা অমুক লাক্লম্বদুদদি পালহৌদে।"

"কুইরেদা, নঙদি অমুক কুইনা চন্নবু কদাইদগী থঙগনি।"

অপানবীনা ওইহাক লেপলুরগা মথা তারকই—"শেনবু নৈরবদি খোকউ হায়বদা খোকই, ওইযু হায়বতা ওই ইবেম্মা।"

মমাগী পাউথুম তাবদা খরোশংবী মথা তাখিত্রে। মমা মচা চঙশিল্লে, তোমচৌগী হোজংদা খোঙ লোল্লিবতু শো লোনত্রা য়েংঙি অপানবী। মহাক খঙঙি, অয়াম্বা মতমদা তোমচৌগী হোজং লোল্লী হায়বা অপানবীনা মহৌশা লাকখিবা অয়াম্বদা থেংনখি। অপানবীনা খোঙ হাংদোক্লবা হায়খি। মথুংলোমদগী ওইহাক কাম্লরগা খোঙ হাংলকই। হোজং লানশিনখিবদা নৈরম্লীবা যুম্লৈ কৈরৈ, য়াইফকোনগী অখোন-অয়ং, অকে অমৌ কয়া উকবদা খরোশংবী রাখল ইরাং লাংঙি। চনীংতাদবা শিঙুল অমনা মহাক্কী খজিন্দা তান থাবগুম য়েরক্লি। খুদক অহুমক্তদা ফজরবা বীলাতি ছুই অমা চেম্বোরক্কুনা খরো মমা মচাদা শকখঙদবগী খোঙলাওবা হৌরক্লে। খুদক্কুদা মৈতৈশক মাল্লবা নহা অমা চেনশিল্লক্কুনা ছুই কাপ্লে।

খরোশংবী অকীবা খরা ফত্রে। নৌনা চঙলুবা য়ুমতুগী অখোন অরংদা রাখল ইতাও তাওরিঙৈ, মশক খঙনদবা ছুইনা চিকে হোৎচিল্লকপদা খরোগী কোকচাওবী কারুরবনি। তোমচৌগী মখোল অহুম রাংবা য়ুমগী মথুঙ চঙশিল্লুবদা খরোনা উরে, মপান্দগী মথুঙদনা হেল্লা নৈতেংলম্মী। মহাক্না খল্লী উরিবা কা অসি অমা অনীতনি, অতে কা ময়ামসিন্বু অসুম্না ফজরমগন্রা? খরোশংবীগী রাখল রাহংগী রাহিং ওইরকই। অতক নীংখিবা য়ুম তোমচৌনা কদাইদগী শেল ফংলুনা শারিবা? তোমচৌবু চহী খরসিদা শেল পেকফম নৈরবরা? শেঙা নৈরবদি ওইহন্নীংবা ওইবদা অপনবা নৈত্রে হায়বসি খরোগী পুক্নিংদা তোমচৌগী ওইরিবা ফিভম্না খঙহল্লী। দলালগী মপান্দা মখল মখাগী লৈ-গু পাম্বীনা নৈতেংঙি। মথুংগী কাশিংদম্বু মকম চানা মীরৈবাক্তগী মমল চন্না পুথোক্লকপা মচু-অমসুং মখল কয়াগী পাম্বী অমদি নৈ খারি। পুন্নমক উম্বদা খরো পুমনম শুমহৎলি।

মজ্জসিদা তোমচৌগী মুপী ইবেথোই মচা অতোনবী পল্লহনা থোক্করগা অপানবী মমা মচাবু ওল্লবে। মহাক্না অপানবী উবদা হায়রকই "ইনম্মা ঘৌরকপা মুংঙাইরেদা, ইমৌ থরোশংমু য়াওরক্লেরবা ; নৌপ্‌ৱা ইবুংঙোনা শোক্লিবা তুই.রবনি।" ইবেথোইগী হরাউ অয়াম্বা মায়থোংদা য়াইফ-মুংঙাইগী মরেক মহাও কয়ানা মগুণ কাহল্লহনা মথা তারকই "ইমৌ থরো লাকনী হায়হনা মহোয় পাবুংনা মুমিং থারকপগী ঙসিদি শোক্লত্রেদনা। নহোয় মামো হরাউজরনি ইবেম্মা। নঙবু শোম্বদা লোইরবনি। লাকও লাকও ইনেগী কাদা চঙলসি।"

"ইবেম্মা। নঙনদি হায়রিবা, মুমিং-থা য়েংদনা কোক-হেক লাকপদি য়াদেদো" অপানবীনা ইবেথোইগী তুংদা মমা মচা তপ্না ইল্লরহনা পাউথুম পীরকই "অফবা মুমিং যেংবদা ঙসিসি নঙনা অমকপা লৈখিদে, অহনবি নোংম নীনি চোম্বরক্লিবা।"

"চুম্মীদা ইনম্মনা হায়বা, মহোয় পাবুংনা লাকহল্লীংবগী পঙহায় হায়জরিবা হায়হুনি, হেক য়াবা নত্তে। ঙসি নোংমতা চাক চরা অকা চামিল্লগনি হায়বা নত্তবনা চহী অমা অনী লৈমিল্লগদবা হায়বসি মুমিং-থা পক্ল-রাইনা যেংব তাবনি।" ইবেথোইনা থরো অমম্মুং অপানবীবু দলানগী তোঙান তোঙানবা কাশিংদা পুশিল্লগা হায়রকই— "মসিনা মী ফম্ফম্নী ইনম্মা। থংনবা কাসিনা চাক চাফম্নী থরোশং। অসোমথংবা কাসিনা অঙাংশিংগী লাইরিক পাফম্নী।" ইবেথোইনা কাশিংগী মশক তাক্লহনা মথং মথং চঙলকপদা মুময়াই কাদা অচৌবা কা অমা লৈবহুদা অপানবী মমা মচাবু পুশিল্লগা অমুক হায়রকই "য়েংবীয়ু ইনম্মা। হন্দক নহোয় নৌপ্‌ৱা ইবুংঙোনা মসিগী কাসি হাপকৎপদা শেন পুম্নমক তুমখ্রবনি। মী মমাঙ্গা মপান্দগী মী লাক্লগা মুংঙাইতে হায়হনা কাসি লৈতেংবদতা লুপা লাক্ক অম্মমথাই লোইখ্রবনি।" ইবেথোইনা কাগী করাংদা থেংলিবা মচু মচুগী অয়েকপা লাই অমসি কোটোশিংদা খুদোম্বী থিন্দুনা তাক্লকই "মসিনা জারককী লুচিংবা

মাহাত্মা গান্ধি, মথংসিনা সুভাসচন্দ্র হায়বশো, মতাইদগীসিনা জবহরলাল নেহরু। অসোম থংবা করুংগী য়েংথংবা মতাইদগীসিনা লাল বাহাদুর শাস্ত্রি, থংনবা অসিনা রাজেন্দ্র প্রসাদ, অহুম্বা মথংসিনা ডাঃ রাধা কৃষ্ণ।" ইবেথোইনা থেংলিবা লাইশিংবু মথং মথং তাক্লহনা অয়োইবা ওইনা হায়রকই "শোম থংবদা থেংলিবশিং অসিদি ঐখোয়গী মণিপুরগী ভাক্তনি। বীর টেকেন্দ্রজীৎ, থাঙ্গাল, পাউনা, ভাগ্যচন্দ্র অমসিনা নেতা ইরাবোৎকী শক্তমী।" ইবেথোইনা মোমোন নোক্লহনা মখা তারকই "য়েঙোই ইনন্মা। থাঙ্গা—মোইরাংগী কোটোসি মান্দ্রা য়েংঙো? সিনা উগ্রলগী শিরোই লৌলি হায়হুনী।"

"ইম্মহোয়দি য়েংবা হৈজপোৎ নত্তেদা ইবেথোই।" অপানবী ইবেথোইগী পাউখুম পীরহুনা হায়রকই "তোমচোবু চৎথোকখিব্রা?"

"লৈ ইনন্মা। মী থরা লাক্লুনা হারী তৌনহৌবনি।" ইবেথোইনা থরোশংবীদা ওনশিল্লগা হাযরকই "থরো। নখোয়গী লোক্তাকী লাইসি ফজদ্রো? হিদা ইনচিংবকা য়াওরিসি মাদ্রো হায়মি?"

"য়াম ফজে ইনেবেম্মা।" ইবেথোইগী মুঙথোইনবা রাহং তাবনা থরোশংবীনা খুমখি "অহুবু মান্নে হায়বদি হাযনীংদে।"

"অহুবুদি কাইদগী মায়গনি অঙাওবী, অমনা অয়েকপনি, নঙনা থঙলিবহুনা অশেংবহুনি, চপ মান্নে হায়বরো।" ইবেথোইনা থরোগী পাউখুম পীরম্লগা মখা তারকই" ময়াম পুন্নমকসিদগী ঐনা খ্বাইদগী পামজবদি কংলা উত্রা মমাঙগী শা অনী য়াওবা লাই অসিনী। করে, ময়ামসি য়েংহুনা লৈরদি খেংগ্রনি, থরোশংবীদি ওসিদগী ময়ুম ওইরদৌনিনা লোয়না খঙজরক্লগনি। ঐনী কা য়োরসি লাকও।"

ইবেথোইনা যেংহল্লীবা, তাক্লিবা, মাগী মগুণ লৈরে হায়রিবা লাই পুন্নমক অপানবী মমা মচাদদি থোইনা অর্থ যাওদবগুম তৌই। মখোয় অনীমক মমীংনা ইবেথোইগী য়াকা ইল্লবস্থু থম্মোয়দি মশা মশাগী অনীংবা অমমমদা পুম্নগুম উই। অপানবীনা ইবেথোইদা মশাগী

অনীংবহ্ন ফোঙদোক্লকই "ইবেথোই। ইনম্মখোয়দি নঙগী অমুক মমল চংবসে কান্নপোৎ নত্তেনে। ঐখোয়গী হায়রবনু হি অনীগুনা লৈজবা, ঙা ফানবা লু-লাং, ইল অমদি শেৎ-চানবা রাত্তবহুতনি থল্লীবা।"

"করিনো ইমানা হায়রিহুবো? অহুবু রারো?" থরোশংবীনা মমাগী রাইহেহুদা পেন্দবা ফোঙদোক্লকই "ইনেবেম্মনা লাই য়েংহল্লগা কদাইদগীনো লৈত-লাইরগী রা হোদোক্লকইহুনা? ঙাওরবরা .থঙদে ঐখোয় ইমাসে ·· ।"

"করিগু কায়দেদা থরোশং। ইনম্মনা মাগী তঙাইফদবহু হায়জবনি নঙ লান্না থনগমু।" ইবেথোইনা থরোবু থামজিল্লগা মথা তারকই "ইনম্মগী অৱাংপা পুন্নমক্তো ঐনা রাংত'বা হোৎনগনি। হৌজিক্তি থরোশংবী ঐগী নাক্ত লৈবদোনিনা ইনম্মগী তোথাইবা অমা লৈত্রে। থ'বা নৈরদি ইনম্মসু লোক্ত্রক কুম্বা তোক্লগদবনি। ঐখোয়সিদা পুন্না লৈমিন্নরগদবনি।"

মখোয়না রারী শানহুনা চঙলকপা ইবেথোইগী কা য়োঁয়ক্লে। ইবেথোইগী কাদা ফল্লগা অপানবীনা হায়রকই "ইবেথোই! ইনম্মদি করিমতা য়াওরক্তে, নঙনা থঙলিবহুনী নমৌসিগীনি হায়হুনা চৎনবা রাবা মফী মরোল, সনা লীক-কোল অমা লৈতবনি, মশাতনি পুরক্লিবা। মসি পুন্নমক নঙনা শোয়দনবা য়েংশিনগদবনিকো ইবেম্মা!"

"ইনম্মা! 'মহুগীদমক করিমতা রাবীরুগমু। থরোশংবীগী দাই ঐনা পুজরবনি। মানা শেৎনীংবতা শেৎশমু, ফী ভাক্তা অলমিন্না অনী অহুম থল্লা লৈ।" ইবেথোইনা অচা-অথক থরা পুরক্লবা বাহাহুরদা হায়গ্রগা অপানবীদা মথা তারকই "মাগী লীক অমগা লৈ অমগা হয়েং কোন্সঙদা শীংলুরগনি, হাপ্তা অমগী মমুঙদা মরাইনা লোইজরকনী।" ইবেথোইনা রাইহেহু হায়রম্লগা মাগী ঙক্তা শীরিবা থাওনম পরেংহু লৌথোক্ত্নুনা থরোশংবীদা শীজিনবীরগা অমুক হায়রকই "সে, সি হৌজিক শিজিন্নরো থরো! নঙগী লীক অমা শাবা লোইজিকাওবা।

ইথৌদি শরু ইংবনে কেথোক লাকথোক্লবদি ইস্কালগী পাখণ্ড পূর্ণা ল্লাহনদোইনি।" রাহৈহ্ হায়রম্লগা ইবেথোই থরাইত্তানা নোকথোক্লকই। থরোশংবী ইকাই মুংশি য়ামহ্না তুম্মিন ফম্মী। ইবেথোইনা লীক শিজিনবীরকপা, ফাগী তৌরকপা পূম্নমক মহাক অশাবা মূর্তিগুম থাঙ্‌গী। মরক্তুদা অপানবীনা মপূক্কিং পেঙরহ্না মোমোন নোক্লপা হায়রকই— "থীদা অঙাওবীসিদি।"

হৌজিক্তি ইবেথোইগী মচা অতৈম্‌ যাওররে মাগী কাদা লাংবা। মখোয় পূম্নমক মুংঙাইম্মিরে, চাবা থকপা য়াবা কয়া চারে। চৎলমদাই ওইরক্লবদা অপানবীনা মচাবু ইবেথোইদা শীম্নবম্লগা হনথিনবা হায়রক্লে। ইবেথোইশু অপানবীদা থরোশংবীগী মক চিংনদনবা হায়বা যাবা হায়নরগা অরোইবা বীদাই তৌনরে। অপানবীনা ময়ুম হম্নবা থোক্লকপদা থরোশংবীনা থিন্দোক্লকই। মহাক্না মমাদা হায়রকই— ইমাবু লীক্লাই উনরম্লরোইদ্রা? অমুক্তং হংবিরম্বদি ফবনি।"

"ঐ চঙসমগে থল্লীবনি অহুবু মাবু লৈরমগদ্রা লৈবক্লোইদ্রা খঙদ্রে মুপীমচা।" অপানবীনা হোজং য়োববদা মথা তারকই "ঐ হল্লে মুপীমচা। মঙ ননেবেম্মখোয়গী পেম্নবা হোৎনদা-যাদবনিকো, চংলে-চৎলে।"

"অহুগীদমক করিগুম থনবীরম্নুসে ইনম্মা।" ইবেথোইনা অপানবীদা হায়রকই "হয়েংমুক কারকপদদি ঙা অম্নাইবদো করি করিনো ইনম্মনা য়েংলগা থবা পুশীরকউ। বাঙ্গারদগী লৈবসিদি তাংবনা লেন শায়বনি ইঙ্কালদা তৌম্নিসে ।"

মমা হনগ্লবদা থরোশংবীগী ব্রাখল জয়াং তশোয়বা হৌরক্লই। মহাক মুমসিদা অনৌবা ওইরুবনা পোম্বাকম খঙদে, তুফক তুফাইচল মতোমন্না চীঙ্গা লৈগী। থরোশংবীগী নাক্তা মনে ইবেথোইগী মচা অতোমবী পায়োইবী চঙলকই। পাম্থোইবীনা থয়োবু চিংনা য়েংলগা মনাক একশিদা তমলহ্না লৈবহ্ থরোশংবীনা খঙলহ্না মহাক মম্নফমগী হোৎনলগা পাম্থোইবীবু শমখৎলি। থয়োনা হায়রকই "করি ঞম্মিং কৌই?"

"পাম্থোইবী।"

"হুঃ য়াম পকচৈনা। কনাগা থোনবী ?"

"মমানা।"

"পাম্থোইবী !"

"হুম।"

পাওথুমহুগা লোয়ননা থরোশংবীনা পাম্থোইবীগী থক্নাইদা চুমহুনা হুংশিনা। বাগী তৌয়কই "শক্না ফজরিবা, ফুরীংসিনা ফজরিবা; পাম্থোইবীগীদি ফজবগী ফজবা মক্তা ....।" "হু-ই, মে নে। মস্ত ঐখো দা লৈনী হায় চুমব্রা ?" পাম্থোইবীনা থরোশংবীদা হংলকই—. "ও নমিং কৈকৌই ?" "থরো কোও। কমানা হায়রিবা ঐ লৈরগি হায়দি ?"

"মমানা হায়বা।"

"যেঙে'ই, ঐসে নওগী মে নে নম্ভেবা ; মেনেদি ওসাই ঐগা লাকমিন্নবদো অহুদা কৌদোইবা। অহুগা পাম্থোইবী। ঐঙোম্নমনে চে চে কৌদৌবা, থওলবরা ?"

"উম।"

"ঐদি পাম্থোইবীসি য়াম্না হুংশিদা।"

"ঐশু হুংশি।"

"কনাবো ?" থরোশংবীনা পাম্থোইবীবু পান্নহুনা মপান্না থে ক্লকই। মহাক্না হায়খি – "কনাবুনো নওনা হুংশিরিবো ? মমারা, বাবারা কনানোবা ?"

"নও।"

"হৈমা, ঐবু হুংশিরিবা ? অহুওইদি হোয়েন চে চেনা পোথোকনু ওাইদনা। পাম্থোইবীদি মরম য়াম্না মোকই হায় চুমব্রো ?"

"উম।"

"লাইরিক য়াম্না হৈ হায়রিসি চুমব্রো ?'

থয়োশংবীনা পাম্থোইবীগা ৱারী শাহ্নুনা হয়াউনা চংমিন্নবহ্নু ইমুংদগী থোংনাওদা উরহ্নুনা ইবেথোইনা হায়রকই— "থয়ো। মহ্নুই অঙাংহ্নু লাইরম্লু, নঙ মাবু লোয়নরুরবদি থাদোকউ য়ারয়োইদবনি।"

থয়ো খুম্‌খদে। পাম্থোইবীগা লোয়নননা তোমচৌগী মমাঙ শঙ্গোয়গী ৱাংমদা লৈরিবা লৈকোল অদোমদা চঙত্রে। লৈকোলহ্নুদা পোথাফম ফম্ফম নীংথিনা শেম্মী। অশংবা নাপিনা চং মান্ননা করুবা লম্পাক, অঙাংশিংগী শান্নফম, মচি মচিদা ফজনা শেমহ্নুনা থাবিবা লৈপাল কয়াগী লৈরাংশিং ফুগায়া শাংলি। পাম্থোইবীগা লোয়নননা থয়োশংবী লৈকোলহ্নু কোয়না চংতুনা য়েংলক্লে। মফমসিদা হৌরিবা, শাংলিবা অমম্বুং পাল্লিবা হৈপাম লৈপাল খুনিংমক্তা। খুংগ্শমগী মমি তারিবহ্নু উবদা থবোগী পূন্নিংদা থঙ্গা অমম্বুং লোক্তাক পাংকি য়েংশিনবীবা যাওদনা পঙগৌ হৌভবা, পাঙশাং শাংচবহ্নুগা চাংদয়বকই। সহর অমদি খুঙ্গংগী খেন্নবা পুন্সি হাযবসি মীথক্তা নত্তে, উপাল হৈপান, লৈ নাপী ফাওবদসু থেম্নৈ হায়বসি থয়োশংবী খঙজরকই। হৌফম লৈফমগী খেন্নবনা মফমহ্নুদা লৈব পোংশকশিংগী মগুণসু খেন্নহল্লী।

অম্মুম্না খোঙ্গেল থোক্তবা থমো গী ৱাহং কযানা থয়োশংবীগী ৱাথন্দা ঈথক-ঈপোম য়ৈাবদা মহাক পাথোইবীনা হায়রকপা ৱাহৈ তাহৌম্রে। থংনবা মিকুপ্তা থাৱানা পাম্থোইবীগী অপম্বহ্নু খঙলহ্নুনা মাঙদা শাংলিবা ফজরবা অঙাঙবা গুনাপ অমা হেক্লা। পাম্থোইবীদা পীখি। পাম্থোইবী হব উজখি।

[তরেৎ]

থরোশংবীনা তোমচৌগীদা লাকপদগী মুমিং খুদিং ইমুংগী থবক্তা নোংঙানবদগী মুমিং তাবা, তূমত্রিফাওবদি পোথাবা ফংদে। ইমুংসিদা চিল্লীবা থবক্কী খল্লুবদা থগো হাযফম খণ্ডে। ফৌ ত্তদ, চেঙ থিনদা তকই। মুগী ওইবীগী ফনেক লোনবা, ইয়োং অমা পানবা ইবেথোইদগী উবফংদে থরো। নোংঙানবগা অঙাংশিংগী স্কুল চংপা নঙনবা চাক ঈশিং হোৎনবা, তল-চা, কোফী-শঙ্গোম শেম্বা। মী লাকপা তঙলকপা কয়াগী চা-কোফী সেবা। পুনমফসিগী লোইথোক লোইশিন হোৎনবদা মুমিংকা তান্নে। মুমিদাং ওইরগা তোমচৌগী শঙ্গা, মিতিং, পার্টি লোযননা শানৈ-যুনৈবা, খল্লুবদা থরোশংবী কোকচিকই। ফোঙদোকচবা, হৈনদবা উৎলুবদি ঙমজদা, মশা মতোমতা খাঙজবদা পোথাফম লৈতে। মুংঙাই যাইফা, চাওখংপগী মঙান্দা তাউরিবা সহরগী তোমচৌনা পাল্লিবা যুম্বাল উবদা থরোশংবী পুমঙক ঙকই। মহাক্না খঙজরকপা, হৈনজরকপা থাঙ্গী খুঙ্গং পুন্সিগা পুমখেন খেন্নরবদা চয়োল অমা হেল্লফাও থরো চুশিন্নৌ যাদ্রে। অযুক মুংখিন্দী থবক্তা নমতুনা কাওহল্লবসু মুমিদাং পোথাবা মতমদদি মহাক্কী তামহৌরবা থাঙবু নীংশিংলকই থরোশংবী। মমা অপানবীনা কমদৌরমগদবা খল্লকই। লোক্তাক কুম্নগা মুমিং খুদিং ঙাথিবা ঙমলিগদ্রা, লু থুম্বা লাং কাইবা, অমদি ইল চিংবদি মযস্তা হোৎনরবসু যাই, লোক্তাক ঈরোনমুংদগী হৈকক খুনবদি অপানবী মতোমতা রাগনি খবদা থরোশংবী মমাগীদমক ব্রাজথি।

ঙসিদি ইবেথোইনা থরোশংবীবু চাকশওদা পুশিলগা হায়রকই "থরোশংবী! ইনগী ইবেম্ম! ঙসিদগী নঙোন্দা চাকখুমগী থবকসি

শীল্লগে।" ইবেথোইনা চাকশংদা লৈরিবা গ্যাসকি লৈরং, চাওখৎলবা মতমগী চাক ইশাং থোংনবা প্রেসর কুকরনচিংবা পুম্নমকপু খুদোম্বী থিনথিন্দুনা তাক্লগা হায়রকই "থোং থাকপদা য়াগদবা, খুৎ-শা মোংকনবা এস্তে থরো। গ্যাসনা থোংবদি কোনশীক মুবীপোৎ নস্তে, উরেদনা ইরং লংনা লৈম্বিসে।" ইবেথোইনা তাক্লিবা পুম্নমক থরোশংবী পুঁক্লিংচংনা য়েংজে। ইবেথোইনা মথা তারকই "সিদা লৈরিবা অলমিরা উপুসিদা কোল্লীক পুম্নমক য়াওরিবনি থরো। শিজিন্নবা লোইষগা থমজিনবা কাউগনু। অতে উপু শিংসিদা চা-চীনি, শঙ্গোম-কোফী অহুগা হরাই-চেংরাই, মরু মরাং পুম্নমক লোইনা লৈবনি। নঙনা থঙত্রগা ইনেদা হায়য়ু, নঙ ঙসিদগী চাক থোংবা হৌরো ইবেম্মা।" য়াহৌশিগা লোয়নননা থুম-থাউ, মে.রোক মরোই, ইশাং মনামশিং লৈরিবা পুম্নমক ইবেথোইনা থরোদা তাক্লয়গা মহাক চৎথ্রে। থরোশংবীদি চাকশংগী কাদা পোৎ ময়ামদু য়েংলগা লৈহৌরে। মনেবেম্মা ইবেথোইনা পীরম্বা উপুগী শো ময়াম মখুৎনা পায়রিবদু য়েংলগা থরোশংবী করি তৌসিগে থল্লী।

মীওইষগী পুন্সি, মতমগী য়াওন্দা চেন্থরি। হৈনবা-হৈনদবা, অপাম-পামদা মতম্মা পুরকপদা লৌদবা য়াদে, নেম্নোকফদবা মতমগী চক্রদা মী, শা, ঙা অমম্তুং থরাই পানবা পুম্নমক লৈহুনা লৈ হায়বসি থরোশংবী খঙজরকই। মহাক্না ঙসি ওইরিবা, থেংনররিবা অওনবা পুন্সিগী থৌদোক পুম্নমক মঙদফাওবা মঙলমদবা ঙাক্তনি। পোকপাগী তল চাজরক্তবা থরোশংবী মফমসিদা চাররে। কোফী থক্লরে। হৈনরমদবা কয়া ইবেথোইগী থোইনসিল্লা নমদুনা পুথ্রে থরোশংবী। হৌজিক্তি তল হৌবদা থরোশংবী অহৈবা পুথ্রারীদগী তাথ্রে। ইবেথোইনা থরোশংবীগী হৈগন শিংগৎতুদা থাগৎলাঁদুনা হায়রকই "ইমৌ থরোশংবী নৈ.জবদগী কয়া খুংঙাইজরবা। থোংব থাকপনা হৈরিবা, তল, চা, কোফী-মরাং হোটেলনা কৈদৌনী, ইমোশা পাবীনবা

লৈতে।" ইবেথোইনা মথা তারকই "থবাইবু য়াওরবা মীনা হৈতবা ভমদবা লৈতবনি। ঐখোয় থরোশং ময়ুমদা ভল চারক্ত, ভল হৌবা হৈতে হাম-রথনি ভসিদি পাইরে। থরোনা তকপা তল পূর্ণিমা থাজদগী হেন্না কজে।"

ইবেথোইনা থাগৎলিবা থরোশংবীনদি "তল তক্কদৌশরুক লোক্তাক কুম্নগা হৈকক খুঙ্গরুগে বাহাতুর" হায়রম্মী। অতুবু হৌজিক্তি থরোশংবী মশাইংপ ভয়ে। ইমুংসিগী মথেল-লুকোয় থোংবদা মীপাইরুত্রে। থরোশংবী অমুক্কী থবক লোইরত্নুনা মাগী কাদা পোথারী। মপান্দা মমা অপানবীগী থোপ্লেল মাম্বা অমা থরোশংবীনা তারকই। মহাক খুদক্তা থোক্তনা মমাবু য়েংলুই। শোয়রমত্রে, অপানবী লীক্লাইগা লোয়ননা লাক্লয়ে। থরোশংবী মোৌপ্তা উবদা হরাউজে। মহাক্না মমাদদি করিগুম্বা অমতা হায়রমদনা লীক্লাইগী মথুং পারত্নুনা হায়রকই "লীক্লাই। নঙ ঐ সিদা লৈরে হায়বা থঙত্রা নোংমকাও লাক্তি করিগীনো?" লীক্লাইনা খুম্বনংত্রিভৈদা থরোনা মথা তারকই "নঙবু য়াম্না চিনত্রো? লাইরিক পাবা, স্কুল কাবা নত্তনা করি থবক ভবগে?"

"ভদে।"

"অতু কৈদৌরবা?"

লীক্লাই হেক খুমদোকপা ভমদে। ভহাক লৈরগা হায়রকই "নখোয়গীসিদা লাকপা ভমদবা।"

"কৈদৌ ভমলোইদৌরিবা? য়াম্না থাপ্পবস্থু নত্তনা, নং লাক্লীংদবগী বানীনে?"

লীক্লাইগী অশেংবা বাথলগা থরোশংবীনা হায়দোক্লক্লিবত্নুগা চায়রুত্নুনা মখোয়নী য়েংনরকই। মিংচানরকই। মচেম্মী বাফমত্নু মথা তারক্তনবা লীক্লাইনা হায়রকই— "কান্নদে নঙগী বাতু তোক্লসি, নঙবু ইম্ফালদা লৈবা হৈনরত্রা?"

"ঐভোন্দবুদি হংলি, নঙবু কমদৌবগে?" থরোশংবীনা মথা তারকই "নঙবু ইম্মোমচাথোয়দা লৈবা মুংঙাইত্রো?"

"খুংঙাইদা।" লীক্লাইনা ঙহাক লৈরগা মখা তারকই "মীশী ময়ুমদা লৈববু খুংঙাইত্রা হংলিনে, ইয়ুমদা লৈবগা মীশী ময়ুমদা লৈবশী খেন্নবস্তু থঙদমাল্লেনে নঙদি ?"

থরোশংবীনা পুশিন্দুনা মাশী কাদা ফম্নিরিবা লীক্লাইনা হায়ক্লিবা ৱাহৈগী খুংদা লোংলিবা অর্থ থরোশংবী খঙ্করদে। মহাক্না হায়রকই "নঙ লৈবা খুংঙাইত্রগা ঐগীসিদা লৈমিন্নসি হায়বনিদা, য়ান্নিংত্রস্তু কায়দে।"

"মতু কায়দে, চৎনবা য়াবা বা ঙাঙংদি ইচে!" লীক্লাইনা মখা তারকই "নঙনা মখোয়সিদা লৈরিবসি মীনাইগুম শিঙ্জিন্নত্রা ?" লীক্লাইগী শোম্বাংনবা খোঞ্জেলদগী ৱাহং মথং মথং থোরকই "অচুম্বা অশেংবতু হায়য়ু, মখোয়না য়ান্না হন্থনা তৌরবদি নঙসিদা লৈবয়াদে ইচে।"

"করিনো লীক্লাই নঙনা হায়রিতুবো ? মফমসি কনাগী য়ুম্নো নঙ থঙত্রা ? নঙনা ঙাঙলিবতু মামো— ইনেবেম্মখোয়না তারগা করি হায়গনি ? অতুমহায়না কারনতাবা ৱা ঙাঙগনু ঐ তানিঙদে লীক্লাই।"

"ফরে, ঐনা হংলিবসি নঙ অচুম্বা হায়নিংদে। মতুগী মহুত্তা ইমাগা নঙগা য়ানগা ঐঙোন্দা নমথাক তৌরি। মসিদগী খোক্লফপা মতুংগী থৌদোকশিংদি ঐ থঙদে ইচে।"

"করিনো নঙনা হায়রিসিবো ? নঙবু ইফান্দা লৈবদগী মহৌশাগী লীক্লাই নত্রবরো ? হেক লাকপদগী পীগুম ইগুক গুক্লদনা শাওগদবগী, কৈদৌরিনোমি ?" থরোশংবী ঙহাক লেপলুরগা মখা তারকই "লীক্লাই। নঙ থঙত্র, ঐনা মফমসিদা লৈররিবসে করিগীনো হায়বতু।" থরোশংবীগী ৱাহৈ তপথরকই "পূমমকসে নঙগীদমক্নি লীক্লাই। ইফালসে ইয়াং ৱান্না কন্নী লীক্লাই। নহাক ভাবতাও ঙাওশিন্নগনু। ইমানা নঙগীদমক ৱারিবসে লৈমিন্নদ্রে হায়তুনা নীংশিংদবা তৌগনু ইবুংঙো!"

"ইচে। নঙনা হায়ত্রবস্তু ঐ পূমমক লোইনা থঙি। ঐগীদমক্তা নখোয়না হোৎনরিবা কয়াসে থন্নুরবদি ঐহাক ইহৈতম্বা তোকপফাও য়াবনি। অতুবু তোকখিরোই মতম থবা য়েংখিগনি।"

লীক্লাই অমত্তুং খোরোশংবী রাথল মাঙ্গরা কায়ীদা য়েংনরিতে মখোয়গী নাক্তা অপানবী চঙলকই। অপানবীনা চংক্লকপগা হায়রে "নখোয়নী করি ঙাঙনরিব্ধা? লীক্লাই। ময়ক মক্ত্তা নচেগী মনাক্তা চংলু। অতুগা তুগীমচা নঙস্থু নৌপ্রাগী অরাং-অপা তজনা য়েংশিল্লু।"

অপা বীনা হাযব্রিবা পূম্নমক মখোয়নী তুম্মিন তাই। অপানবী মখা তারকই "নংবেম্মগা লীক্লাইগী শেল-থুমগী রাকম অদুগা নঙগী মরমদস্থু রারী তৌনরম্লবনি। থা থাগী শেল থরা থরা লীক্লাইদা পীবদি য়ানরবনী ইবেম্মা। নঙ মাখোনা লীক্লাইগী মহৈ মশিন অদুদা চঙগদবা পূম্নমক মাগী দাই ওইগনি হাযরবনি।"

মমা অপানবীনা হায়ব্রিবা পূম্নমক্ত তাবদা লীক্লাই মচিন্নদি হায়দোকপা ঙমত্রবস্থু থমোয়দদি য়াজনীংদে। মখাগী মহৈ তম্বগীদমক মীঙোন্দগী মতেং লৌগনি হায়বসিদা লৈরিবা, মচে খোরোশংবী মীগী মুমদা থবক শুনবগীদমক লৈরকপা; মমা অপানবীনা থাজগী মুমদা মরোমদোম লৈহৌবা, পূম্নমক লীক্লাইগী অনীংবা অপাম্বগী মাযোক্তনি। লীক্লাই মমাগী ব্র হৈদা ঙহাক খম্বরুরগা হায়রকই "ঐ নখোয়দা হায়না হায়থিবত্নি, ঐনা ইক্লালদা লাইরিক তম্বগীদমক নখোয়না খুদোংচাদবা ওইরবদি তোকসি হায়ত্নু। অদুস্থু নখোয়না যাদে। হৌজিক মীঙোন্দা মতেং নীবগী রা লাকইবসি ঐ পাম্নদে ইমা।"

"লীক্লাই। নঙ তুম্মিন লৈয়ু।" খোরোশংবীনা চৈয়ত্নুনা হায়রকই "নঙগী নথৌত্থু নপুক্লিংচংনা পাঙথোক্লবা হোৎনৌ, ঐখেল্নদা নঙনা য়েংকদবা নত্তে, ইমানা হোৎনরিবসে নঙগী ফননবনি।"

"মুপা মচা। নচেনা হায়রিবসি অচুম্বনি। ঐখোয়না নঙগী দমক ফননবা শীল্লিবনি। মসিদা রাথন লান্না থম্নীঙাই লৈতে। নীবা হায়জবগী রা নত্তে, নঙ ঞ্জান তাঙ্ক লীক্লাই।" অপানবীনা খোরোদা অমুক হায়রকই "মুপীমচা। নচিন নৌপা য়েংনত্নুনা কান্নদে নঙ তৌগদবা থবক ইনথাং তৌশিল্লু।"

মচা অনীবু হাযবায়াবা হায়রম্নগা অপানবী থোকপ্রে। মমা চংগ্রবদা খরোশংবীনা হায়রকই "লীক্লাই। ঐ.খায় ইমা চংগ্রসনু; ঐথোক্লনী চাক চামিন্নবা কুইরে। চাক চামিন্ন খিসি।"

"ঐঙোন্দা পীজনিঙাই চাকপু লৈজরনে? নঙ শরুক্তগী য়েন্নবগা চাদৈ শরুক চাজরোইদা ইচে।"

"ঐগী শরুক্তগী য়েন্নবগী রা তোক্লো, নঙনা চাগে হায়রিবৈ পীজগনি লীক্লাই।" খরোশংনা মথা তারকই— "ঐনা থাজদা থোংবহ্নগা হৌজিক থোংবসিগা কয়াম থেন্নগে য়েংজো।"

খরোশংবীগী থোইচংনবা রাঙাঙ তারুবদা লীক্লাইনা থুম্নকই "হোয়নে, নঙ হৌজিক ইনাকথুনবগী মী ওইরে, রাংত্রে। মতম অমদি লাইরবা খুঙ্গংগী য়েলাং-কেঙোইনা পূক থল্লম্মী নত্রা?" লীক্লাইনা মথা তারকখি "মতমতুনদি অহাও-অথুম চাবা ফংলমদে। হৌজিক্তি রাইফ মুঙাইগী মী ওইরনিনা মরেক মহাউ কারে, কুচু-কুমেন থোক্লে কজরে।" "হৈরেহায় মী শীদোকপদি, ইম্ফাল লৈঙেদনী ইকপ্াদি রা ঙাঙবাকা রায়া হৈরম্মেনে। কোচি হেক কোৎলদনা।"

খুদকসিমক্তদা ইবেথোইনা মপান্দগী হায়রকই "খরো। ইনম্মহোয় লাকপত্ চানা থরুবা থৌরাং তৌরত্রা? থেংখিনি ইবেম্মা, খরা ঙন্না হোৎনৌ।"

"য়ানী ইনেবেম্মা।" খরোশংবীনা ইবেথোইগী পাউথুম পীখি। খরোনা মথা তারকই "লীক্লাই। ঐ চাকথুম চঙগ্রগে, নঙ ইমাগা রারী শানগেরা — কমগেরা; কুইরোই মিকুপ্পদা লোইগনি।" খরোশংবী মাগী কাদগী থোকপ্রে। মহাক্না মপান্দগী হায়রকখি "নঙ তুমিন্না কা চংখিনুকো।"

অপানবী মমা মচা চংখ্রে। খরোশংবীগী রাথন মৌপ্া চংগ্রবদা ইচিক চিকহোরে। লীক্লাই চংগ্রবদা খরোশংবী, হৌগ্রবা পুক্সিগী থোদোক কথা নীংশিংলকই। থাজগী পুক্সিদদি মচিন মৌপ্া কয়া

মীংতম্না লৈজরম্মী। চম্না সাম্ম তাররম্ব, কীখৈং কীপায় লেংচরবম্ব, মীনা করি হায়রকদগে হায়বগী নিংঙোল পোত্না লৈরমদে। ঙসিদি খরোশংবী লুংঙাই য়াইকরবা ইমুংদা তাংজকম কংবগী চম্না হেক্লে, অদুবু মীপান তাংবগী নিংদোল পোত্বদি হেনগৎলকই। পুংখা খরগী মমাঙদা মমা অপানবী অমসুং লীক্লাই লাক্লবদা মহৌশাগী পুন্সিদা হক্তিলজরুবা, মথোয় চৎপ্রবতুংদা মচুগী চৈনা কাওরক্লি খরোশংবী।

হৌখিবা অহিংদা থেংনখিবা ইবেথোই অমদি তোমচৌগী ইমুং মসুংগী চৎনরোল কয়ানা খরোশংবীগী রাখনবু পোখাবা কংহনখিদে। ইবেথোইনা মচা মরীগী মমা ওইরুবস্ব ঙরাংতগী ইনথৎলক্লিবী নহা অমগুম হেদো-হেরাউ মখে লাংলহুনা তোমচৌগা লোয়নবা মুপা খরগী মরক্তা য়ু থকপা, শা চাবা; মমিৎমক্লা উহৌই খরোশংবী। মৈতৈ মুপী ওইবগী ইকায়-হঙ্গোয়বা লৈত্রে, অহিং অথেংবক্তাও মুপা নহাশিংগা নোক থেদুনা রারী শাবা, মুমিং খুদিং য়েক্নম ঙৌহুনা তোমচৌগী মমাম্নবা য়াওবা য়াওদবা ইবেথোইনা শানৈ-মুনৈনবা থৌরাং তৌবহু উরক-খঙলকপদা খরোশংবী অঙকপগা লোয়ননা ইবেথোইবু তুকৎচবস্ব পোক্লকই। ইবেথোইগুম্বী মৈতৈ মুপী অমগী লেমজনিঙাই ওইবা লমচংনা মৈতৈ সমাজগী শীংথানিঙাই ওইবা লমচং শেমগৎকম থোকই খঞ্জরম্মী খরো, অদুবু ঙসিদি মহাক্কী নীংজরুবগী রাংমদা ইবেথোইগী লমচং মথং মথং খঙলক্লি।

খরোশংবীগী মামো তোমচৌগী মরমদা থোইনা খঙলুত্রবস্ব মহাক নেশা ফজনা শীজিন্নবা, মতমগী ইরাংদা তাউবা; শেলগী জগত্তা লুপ্পা মীশক্কী খঙলক্লী। ইস্কালগী সিনেমা হোল অমদা অনৌবা ফীল্ম অমতং শিন্নে তাবদা অঙাঙ মচাগুম মতৈ মনাও হৌনহুনা য়েংবা চৎলি। ভারতকী রাংমা নোংচুপকী মুখাল পুন্সি পামজবা মীনি হায়বা খরো তোমচৌগী শাজংতগী থাজরক্লি। খরোশংবীনা হৈনজরকপা, খঙজরকপা খুদংগী পুন্সি (থাজগী) গা চাওখৎপগী ইরাংদা চেহরিবা

ইরুমের মহাগী তোমচৌবী ইমুংগা মেয়ম্বিবা করাবু অমকমত্তা ওইনা চাংখৎলুনা মেখেলবি থয়োশংবীগী কোত্তং মৌবিবা কক্ষবা অমাং পুয়রক কেমশিবা খঙহৌরোই খাইজ।

থয়োশংবী তোমচৌবী ইমুং মনুং অমসুং ইবেমোইগী লমচৎতা মোইনা লেংশিনুরে। মখোয়গী লমচৎ লেংশিনবগী মাগী মখৌ মত্তে মহাক খঙবে। অদুগু লৈমিন্নরবনিদা করি করিগুম্বা মতাংদা ওনবা মেৎরকপগী মখোয়গী মরমদা খঙদবা মাদহুনা খঙজবনি। অদেংবমকত্তু ইবেমোই অমদি তোচোগা মখোয়গী হুমিদাংগী পাৎ অমসুং চাবক থকপদা থয়োশংবীবু য়ারিমখৈ খঙহন্দনবা হোৎনৈ। মখোযগী অয়োনবা কৰীহু ওবা ওমা থয়োশংবীদা খঙহল্লকই, অদুগাই ৎ ানা লৈমিন্নকরদগী খঙদবা মাদহুনা খঙলকই।

থয়োশংবীনা থাঙ্গদা লৈরিক্তৈদদি লৈবাক্তী থোৎনোক, মীশি মীনাগী পাউ থোইনা তারমদে। ইস্কালদা লৈরিক্তৈদগী তোমচৌগী মরুপ মপাং, খবর অমসুং ইমুং মম্নুংগী মীনা তাওনবদগী থোদোক য়াথোক, মীশি মীনাগী পাউ থোইনা তারমদে। ইস্কালদা লৈরক্তৈদগী তোমচৌগী মরুপ মপাং, খবর অমসুং ইমুং মম্নুংগী মীনা তাওনবদগী থোদোক য়াথোক কয়া তাবা হেনগৎলকই। থয়োশংবীনা তারনা তাবা ইস্কালগী য়াথোক নেশা চাবা, হুয়ান চিন্থী, ওক্ত ওক্তগীগী য়াথোক অমসুং মীশি মীনা অশিনচিংবনী। মোংমত্তা কাংদে, অমা মত্তগা অমদি লোংওারকপদা নত্রগা হুম্বিং তারকপদা হেক্তা মৌরকই পাউ অমা থয়োশংবীদা। খন্থরুংগা থয়োশংবী থাজগী পুক্নিংদা চীকপ্রবনিদা কল্লকই, মহবগী ইরাং পোখ্বাকম লৈতে হুৎনাংজে। কাবী থোং, যুম্না কৈকৈবদা সহা হাংদৈ। কেথা-নানবা, লমচৎ-ব্যবহারদা ই ফাদগী মতৌ তমজো হাৎনবা থয়োশংবী অজার ওইত্নিবৈদগী তারকই। কীদরক্ষ ওইরবা সহরদা লৈরগা মপাগী অবকপা কোকতহুনা অনৌবা মতাম থরদা ওইরবহু করককগানি থাজবদা মপো হৌঝিক্তি হুবংনবা

ৱাকপা লোম্নগত্রা চিংনজক্লকই। অহৃবু লৈকাইশিংদা লৈরবা লেংমাম্নবী নিঙোল ক াগী ৱাহৈ, মখোয়গী হুংশিবা মতৌমা থৰোংগী হুংজাইতবা কোকইলি॥

[লিপ্পান]

থৰোশংবীমা শেং-ইনবা ফীতোন খুদিং ইগক্ত পকটে হায়না লৈকাযগী মমাম্নবীশিংনা থাগংলি। থৰোশংবী মনে ইখেথোইনা পীবা (মাগী ফীমল) কোফী মচুগী ফ-নক অমা শেশ্লগা লৈ মচুপী কী মজেক অমা ইন্নুনা ঊশিং লোকপা থোরকপদা মমাম্নবী অম্বাংথংবগী প্রেমাবতিনা হায় "থৰোশং। নঙগী কুচুসি শেংলি-ইম্লিথে চুনৈ, ইবেম্মা নঙসি ওম্বোক্লা লাইবকফে।"

"কাইদেনোদা প্রেমা। সিশু ইনেবেম্মনা ঙাওহৌমিনি জুং চাদে হায়হুনা।"

"ঐনা থাগংপসিদা মীশিংসি চাওথোক্লরেকো।"

"অণ্ডইবনী লৈতা। ঐবু কদি মশক থোকপা শেংথ্রবগে?"

থৰোশংবীনা হায়রকই "ঐদি ইনেবেম্মনা শেংলু শেংলু হায়বা অচুম্বা শেংপনি, নখোয়না থাগংশিবদা ঐ মপান থোকদবা ইকাইযে প্রেমা!"

"অহৃবোবা ইবেম্মা। ঐখোয়না শেংলিশিংশি মচু থোক্লবোইদা থাগী মঙপা থেংনরুবদা।" প্রেমাবতিনা মথা তাম্নকই "ঙাইথো নখোয়গী থাক্লা হায়রু লোক্তাকী ঊশিংনা পুমকোয় কোয়শিল্লী হায় চুথ্রা? ঐ খঙহুনা হংবনি মঙ শাওরকনু হিংচাবী!"

"কৈদৌ শাওদোইবা? অচুবনি, থাজদি লোক্তাক পাংমা কোয়শিল্লী; ঊশিং মরাইদা লৈ।"

"অহুদি ঈশিংগীদমক ৱারম্লোই হুংঙাইজরিনিক্লো ? ঐখোয় ইম্ফালদা ৱানরিসি তম্রা থরো !"

"থাজদম্নু অহুমত্তাই প্রেমা। অফবা ঈশিংগীদমক্তি ৱানবা ঙাক্তনি। ইম্ফালনহুম শেল লৈরগা লৈবা ফংক্তি ঐখোয় থাজদবি মহুগী খুদোংচাবম্নু লৈতে, খোইরেদা।"

মখোয়গী ঈশিং শোককফমহু মী য়ামথৎলকই। থরোশংবীগা থঙনবা থঙনদবা ক্যাস্নু য়াওরি। থঙাবশিংগী মরক্তগী নৌনা লাকপী মমাল্লবী অমনস্নু থরোশংবীদা হায়রে "থরোনা কোফী মচু শেৎপসিদি শেৎলিহে, ওস্থোক পকচৈ শৈতা।" মহাক্না প্রেমাবতিদা ওনশিল্লহুনা হংলকই— "পকচয়রনে প্রেমা ? ঐতনা হায়বরা নখোয়স্নু য়েংউ।"

"ঐনা ঙসাইনা হায়রম্মীনি, নঙস্নু অমুক য়াওররব্রা ?" প্রেমাবতিনা মখা তারকই "মানা শেৎপসি উরগা ঐস্নু শেৎনীংলকই।"

"ঐস্নু কোফী মচুগী ফনেক অমা লৌরুতারে।"

প্রেমাবতি অমদি অতোপ্পা মমাল্লবী অনীহুনা থরোশংবীগী ফমেক কোফী মচুদা মথৌমক ওইনা ৱারীনবহু তাবদা ঈশিং শোকফমদা লৈরিবী চুপী অয়াম্বনা থরোশংবীবু য়েংনৈ। মখোয়গী মতৌহুদা থরোশংবী ঙক্তবা ঙমদে, ইম্ফালগী চুপীশিংনা অসিগুম্বা ফী মচু, ফীজেৎ অমদি কে-মৌবদা অশুক থরাই য়াওরিবা করিগীনো ? মহাক করি হায়সিগে খল্লি। থরোনা শেৎলি-ইল্লিবা ফী পুম্নমক ইথেথোইনা পায়ক্তহুনা পীথোরকপা ঙাক্তনি। মহাক্না য়ুমশিদা লৈরকপদগী মাগীনি হায়হুনা ফনেক্তি লাইরহুনা ফী মতেক অমফাও লৈখিদ্রি। অহুবু লৈকাইগী মীশিংনদি ইমুং মনুংগী মরম থঙদবনিনা থরোশংবীনা শেৎ-ইনবা ক্যাদা পকচৈ ফজে হায়জবনি। থরোশংবী মপুক্লিংদা নোক্লিংঙি, ইম্ফালগী চুপীশিংগা থাঙ্গা মোইরাংগী চুপীশিংগা খেন্নবহু উরগা। থরোশংবীগী থাজদদি কনানস্নু ফীজেৎকীদমক ৱাওইনদে। মশা মশানা পামজবা, অঙম্বা শেৎ-ইনবদা কনানস্নু হায়নদে, অহুবু সহরগী

লৈকাইশিংদসি মচু অমদি মীকেংকীদমক অচৌবা ম্রাকম ওইনৈ। অময়োমদা মখোয়দা থবক অ-নোঙবদি লাইখোকই, খুদংগী মুপীশিংনা থবক্তা হেক্না পুক্নিং চঙঙী। থরোশংবীনা ইম্ফালদা লৈরকপদগী মানুক্কিংদা থক্তে ইম্ফালগী মুপী ময়ামদা থবক চদবগুম খুদংগী মুপীনা চত্রবদি মণিপুর চরা হেল্লমগনি। অশেংবদি মহাক্না থ্রিবদু মনে ইবেথোইগী খুনুংকদলীনি। মরমদি মহাক্না ইম্ফালদা শাংনা লৈরকপদগী অতোপ্পা ইমুং কয়াগী মুথান পুক্নি ঊরকপদা মাগী বাথল অচু অয়ানবনি খঙজরকই। থরোশংবীনা মৈতৈ মুপী কয়া চেক-মুঙগুবা ঊরুরে। গাড়ী কয়াদা মুপীনা মুপাগী শিনথম গুহনা লৈঙোয় হাপ্পা, কোংপা অমদি মুঙ লংথবা উরকপদা থরোশংবী অঙকপা ওইখি। মহাক্না হংখি "ইনেবেম্মা! ইম্ফালগী মুপীশিংসি খ্বাইরমন্দা পোৎয়োনবতা নত্তনা মুমশাবা, চেক গুবা — লৈঙোই হোনবনু য়াওবোরে?"

"ইবেম্মা! হৌজিক্কি হিংনবা হোৎনবদা মৈতৈ মুপা মুপীগী রা লৈত্রে।" ইবেথোইনা থরোশংগী পাউখুম পীরবনা মখা তারকই" মতমগী শাফুনা 'য়ৌবদা মী থুদিংমক কাংক্রম ওল্লে। চোপ্পা-লেম্বা খঙনত্রবনি ইবেম্মা!"

ইবেথোইনা হায়রক্লিরবদু ভাবদা থরোশংবীনা হংনীংঙি, ইনেবেম্মনা মুপী থরা হৌরগা মুংথিন খুদিং অার শাম্নরিবনা করিনো। মহাক চিন্তাম থোক্না হায়দোকপদি ওমখিদে। থরোশংবীনা ইবেথোইথোয়দা লাকপদগী অঙনা ঊরি, থবক গুনীংদবী, অকে-অমৌ-অচাওরম পাম্বদা লম য়োরবী; লৈকাইশিগী মুপী থরদি ইবেথোইগা লোয়নন মুপীগী অমচং চংঙবা। মুপা নঙ্ঙগুম শেন-থাম্নহনা অার শান্নবা, য়ারেম ভাওবা অমদি মুপী 'ওইবগী' শিনথম অক্নকাও গুদবা। থরোশংবী পেনখিদে, মৈতৈ মুপী ওইরগা মশাগী ইজ্জদ সম্মান থাকবী, মুপী থরগা মণিপুরগী মুপীগী মঙলবা-মিংচৎ অমদি থৌনাদু ময়েং তাহল্লগনি থঞ্জদা।

থরোশংবী ঈশিং শোককমদগী হল্লক্লে। তোমচৌ চা থক্লম্মী। অতোপ্পা মী কনাম্ব য়াওদনা ফম্মবহূগী থুদোংচাবা লৌরবুনা থরোশংবীনা ঈশিং থমজিল্লম্লগা তোমচৌদা হায়রৈ "মামো!" থরো, মখা তাবা ওমদহুনা ওহাক লেপথি। মরকতুদা তোমচৌনা "করি হায়বগে থরো! নও করি হায়নীংঙি?" হংলকই।

"মামো। ঐখোয় লীক্লাই ওরাং সুংথিল লাক্লম্মী।"

হন্দকম্ব থরোশংবী মখা তাথবা ওমদনা তোকথি।

থরোশংবীনা খজিক্তং হাযরবম্ব তোমচৌনা খওফম থোকই হায়না খঙক্লবনি। খুদক অহূবা তোমচৌদি করিগুম্বা অমতা খঙদবগুম খুম্লকই "অহু কৈদোরবা? মা করি হায়রম্মী?"

"মাগী শেল থরা পীবিনী হায়বহূগী লাক্লম্বনি মামো।"

"উম, ঐ খঙঙী। ওয়াং নহান বেক্ক ছূতী লৈখিবগা ফরক তাখিবনি।" ওহাক লৈরগা তোমচৌনা মখা তারকই "ঐ ননেদা হায়গে, মাগীহু শোয়দনা নওগনি।"

থরোশংবী তোমচৌগী য়াহৈহু তাবদা মখা তাথক্লবগী কান্নবা লৈত্রে খন্দুনা মফমদহূগী লাক্লে। মহাক্লা তোমচৌদগী থাপতোক্লক্লবদা তোমচৌনা মনে ইবেথোই কৌবা তাই। থরোশংবীনা খল্লী, তোমচৌনা ইবেথোইদা শিন্নহুনা লীক্লাইগী শেল শোয়দনা পীরক্লগনি হায়না। ওহাক লৈরগা ইবেথোইনা থরোশংবীদা হায়রৈ "থরোশং! নওমামোদা শেল হায়রুব্রা? কৈদো হায়রুরিবা? হন্দক পোৎ ময়াম অমা সপ্পাইগী নংনবা হোৎনবনে, অতৈ বিল ফংগদবশিং ফংদবগী কোক শানরিভৈদা নখোয়গী শেল থরহূগীদমক মামোদা হায়বা হৌনব্রো?" ইবেথোইনা পেন্দবা উংলহুনা মখা তারকই "ঐতোন্দা হায়বম্ব য়াবহুবু নওসি পওত্তিদা থরো!"

"ইনেবেম্মা। ঐ খঙ্গহৌত্রে, ঐ লাপ্লে।" থরোশংবীগী থম্মোয়নদি ইবেথোইগী য়াহৈদা পেক্লব্রবম্ব মচিন্দদি খুমখি "লীক্লাইনা তক্লাইকদনা

হায়রম্বদা ঐ ইচম চয়া নীংশিংজরবনি ইনেবেম্না।"

"অহুবোবা, ঐ অমা ইচাও চাওনা লৈরিমক্তদা নখোয়না হুং। অসিগী মায় খজিক্তকাও য়েংবিদে হায়রমি।"

ইবেথোই ওাঙ ওাঙহুনা চৎখি। মনেবেম্মনা চৎশ্রবদা খলহৌই খরোশংবী, মানা তোমচৌদা হায়খিবা রাফমহু কয়াম কায়রবনো। অতোপ্পা অমনা রাফমহু হায়নজ্রিঙৈদা মতম চানা লীক্লাইগী পীর্কম খোক্লবা শেনফম পীবিজ্রিবনা করিগীনো। ইবেথোইনা মশাগী তৌফম থোকপা মতাংদদি খওজিন-উশিন্নবা হৈরগা মশাগী অশোয়বা পুখোক্লবদি শাউবহৈ। তশেংনা হায়রবদি খরোশংবীনা মফমসিদা লৈরিবসি লীক্লাইগীদমক্তি। রাফমসি মমা অপানবী অমসুং তোমচৌ ইবেথোইগা হান্ননা য়ানশ্রবনি। খরোশংবীনা ইবেথোইগী রাহৈ তারুবদগী মথং মথং খম্বরকখি। মহাক্তা মফমসিদা লাকপা নৌরিঙৈদদি লীক্লাইগী মতেং পীবা হায়নবা লৈরমদে। মতম চানা অমদি হৈনীংনা পীরম্মী। হৌজিক্তি মহুগী ওম্নবদা মতম য়েথোকপা, পীদনবা হোৎনবা অমদি পীরবসু তাবদা মুংওাইভবা রাহৈ খরা লোয়নবা হেক্তিল্লক্তি।

তোমচৌনা হায়খিবদি লীক্লাইতগী রাফম নতে, মমা অপানবীগী-দমক থা থাগী লুপা চাম্ম মতেং পীগনি হায়খিবনি। মহুসু তোকত্রে। লীক্লাইগীবু শোয়ত্রবদি অপানবীনা মশাগীদমক্তি করিগু খনখিদে। খরোশংবীনা অতম খম্বরুরগা ইবেথোইগী মতৌসিদা চহী মথা শাং থনা লৈথবা য়াগনি নীংলক্তে। অহুবু লুরিবদি মমা অপানবী লাকপগা ইবেথোইনা কোথরহুনা লীলাগী মতৌওম অশেম্বা রাহৈ কযা ওাঙ-শকপা, অপানবীবু ওমহৎপহুনি। পওজরবী, চমজরনী খুঙংগী মমা অপানবীনা সহরগী লৌনম হৈরবী ইবেথোইগী মশক মুম্না খওজ্রি হায়বা খরোশংবী খওজে। রাফমসি মতাংচানা মমাদা ফোওদোক্লবগী খুখোংচাবসু লৈতে। খরোশংবীনা মশাগী পেজবা মমাদা ফোওদোকপদি লাইরহুনা অপানবীনা লাকপদা হায়রম্মী "ইবেথোই। ইনম্মনা হায়গ রবা

হায়রবনু নখোয়না লীক্লাইগীদমক পাঙ্বিরবসু ঐগী থরোশংবীবু ইন্দশদি তৌগনু। নখোয়না শেম্বীরগী শেম্বীবা মাগী মতম লাকপদা চপচানা তৌবিগদবনি।"

"ইনম্মা। থরোদি ইনম্মনা পোকচরবসু ঐগী ওইরবনি।" সুমিৎতুনা ইথেথোইনা মমা অপানবীদা হায়খি "মাগী অওং-অউন, লুহোং খোঙদোংবা ঐগী দাইনি। ইমৌসে থাঙ্গদকা লৈহল্লোই, মতীকচাবা অফবা লুপা য়েংলগা ইফালদা থাজগদবনি ইনম্মা।"

মতমত্তুদা বা ভাঙবা য়াদবদগী থরোশংবী, ইবেথোই অমদি মমা অপানবীগী বারীদা তুমিন লৈখি। হৌজিক্তি মতমত্তুগী ফজরবা মঙলানগী ফুরাশিং তপ্পা তপ্পা নীংখাইরক্লি। তোমচৌ শোয়দনা পীগনি হাযরম্বা লীক্লাইগী শেল পীবিখিদ্রে। চীন ফজবী ইবেথোই পঙশিন্নহুনা লৈখ্রে। কাওদ্রে, হান্নবা ভাঙনখিবা পুন্নমক।

সুমিৎসিগী সুমিদাং বাথল সুংঙাইতনা থরোশংবী কমুংদা হিপ্পমথে হিপ্পয়গা অথেংবদা তুমথবা হৌরকই। মিৎ উইশিনবগা খোম্বেল অমা তাররকই। খোম্বেলহু তারুবদা থরোশংবী হিপ্পম্বাগী হৌগৎখি। কদোমদগী খোম্বেলো থঙনীংবগা লোয়ননা থরোশংবী তয়াং তশোয়বা মিৎয়েংদা কোয়য়েং য়েংলকই। থঙলে, খোম্বেলনু অতোপ্পগী নত্তে মনে ইবেথোইগীনি। খোম্বেলহু মহৌশাগা মান্নবা, খুদোংথিবা— থমোয় শোকপা খোনফম ওইবদগী থরোশংবী কাদগী খোক্লগা মনেবেম্মখোয়গী কারোমদা লাক্লে। থরোশংনা য়ুময়াই য়োরকপদা থঙহৌদনা লুমহুনা লৈরম্বা মীশক অমনা হায়রকই "খোম্বেল থোকনু। মনিল নাইগনু।" বাহৈত্তুগা লোয়ননা মশক থঙদবা (মশক লোৎপা) খুৎলাই পায়বা লুপা অমা থরোশংবীগী নাক্তা লেপ্পরে।

থরোশংবী, ওইথোক্তবা খৌদোক্তুদা জ্ঞান মাঙখ্রে। মহাক্না জ্ঞান তারকপদা ইবেথোইগী কাদা লৈরয়ে। মফমসিদা তোমচৌবু থখুৎ-মখোঙ পুল্লিলগা ফমহল্লম্মী। তোমচৌগী মনাক্তা ইবেথোইমু থচিন্দা

কীজা "পুক্তিনগী নৈরী। খুদক অতুদা খুংলাই পাযবা মুপা অমনা হায়রকই "ঐখোয় মরাল লৈতবা কনাগী মাঙনবা তৌদে। ঐখোইনা হায়জবসিদা য়াসরবদি পুন্সিবা থাদোক্কনি।"

মখক লোৎপতুগী মাতৈ লৌইরক্কপদা তোমচৌনা থাগে হায়দুনা থজরকখি। খুদক অতুমক্তদা মুপা অনী চত্তলক্লগা ইবেথোই অমদি তোমচৌগী পুক্লবহ্ থাদোক্লরে। থাদোকপা লোইথক্কপগা ভসাইগী খুদোই পারবা মুপাহনা মথা হায়রকই "ঐখোগ কনাগীসু লৈত্রবা মতে ঐখোয়গী ততাইফদবা মরম থরগীদমক শেল নীবা থাক্কপনি। ঐখোয়না হায়রিবা শেনকমত্ পীথোকপীরো ঐখোয় হুন্দ্রগে।"

খুদকসিদা ইবেথোই হিক হিক কপ্লকই। মহাক খোজেল থোক্লকই "অয়ো ইমা। অযো ইমা।" খোজেন্দুগা লোয়ননা ইবেথোইগী পাম্বোম অমদি মশাদা চৈনাথোল লৈবগুম মথুংনা নান্দুনা অক্লাম্বা থাগুলি। মরকসিদা ইবেথোইনা থম্বোদা হায়রকই "পাম্বোইবীদি থম্বো?"

"পাম্বোইবী তুম্লী ইনেবেম্মা।"

"ঐ অমুক্তা হৌগৎকে নঙ থম্না পায়মু।"

ইবেথোইগী মতৌ উবদা যেংবগুমদে থম্বোশংবী। মহাক য়াম্না চিংনবা ইবেথোইগী নাক্তা চত্তশিল্লী। খুংলাই পায়বশিংহুনা কয়ি তৌরকদগে থঙদে, মথোয়না তৌরিবা খুদিংমক মিৎকুপ্তুনা য়েংলি। খুদক অতুদা ইবেথোই থম্বোশংবীগী মতেং লৌরগা হৌগৎলকই। মহাক্না হৌগৎলকপগা হায়রকই "থম্বো। নহাক চাক থম্না থোংলু ইবেম্ম!"

"কয়াম থোংলদবনো ইনেবেম্মা!"

"মী তরক থক্তগীনি।"

ইবেথোইগী মহাক্তা খুংলাই পায়বশিংগী মমক্তগী থম্বোশংবীগী পাউথুম পীরকই "পীজগদবা লৈরবদি থম্না থুনা তৌরো ইবেম্মা!"

বাহৈন্থ ভাবদা থরোশংবী পন্থরমক্রে। কাহ্নবী শোয়ল্লনা চাকশংবা লাংক্লে। থ'ম্বানা লাকপদা খুংলাই পায়বা স্নুপা অমা মাখী তুং ইমরকই। অহিংসিদা বোল্লিবা থৌদোকসিগী মরম, মকোক মখৈ করিনো হায়বা থরোশংবী ভাব ভাদে। মহাক অকিবা অমদি চিংনবনা চাক থোংলবদু জানভাদে। মশা পূম্নমক হমাওনা পূমচোৎ চোৎলি। চাক থোংলিরৈঙেদা থরোশংবীনা নীংশিংলকই, মীনা হায়নবা মশক খঙদবা কাংবুলা শেল থায়বগী রাকম। খুংলাই পায়বা নহারোলগী পাও। মহাক খঙলগা হেল্লা চিংশরকই। খুদকসিমক্তদা চাকশঙগী থোঙ ময়াদা লেপ্লিবা মশক খঙলবন্থনা হায়রকই "মিনিং ভয়াগী মন্নুংদা চাক পীবিয়ু, ঐখোয়গী মতম লৈত্রে।"

বাহৈন্থ ভাবদা থরোশংবীনা চিংনরম্বন্থ হান্নদগী অমুক্তা হেনগৎলকখি! মহাক কীরবদু কীনা হায়খি "হাউবা হাউভবদি খঙত্রে, চাক্তি লোইরে।" বাহৈন্থগা লোয়ননা থরোশংবী থোং-থাকপন্থ চাবা য়ানবা থৌরাং লোয়শিল্লে। থরোশংবীনা মপুক্কিংদা চিংনবা অমদি অকিবা লৈজরবদু মপান্থোংদদি চিংনদবা উৎলন্থনা চাক চাফম তেবলদা চাকলুক ময়াম শিন্দোক্লে। চাক চাবা য়ারে খঙহলত্রে। মশক খঙদবা খুলাই পায়বশিং অন্থনা চাক চাফম কাদা চঙলক্লগা মখোয় মখোয়গী খুংলাইশিংন্থ মতম্বাক্তা থম্লগা চাক চাত্রে। মখোয় ভরুবী মন্নুংদা অনী অমদি খুংলায় পায়বা উদে থরোশংবী। থরোশংবীনা অরাং-অপা অমদি ঈশিং লাম্হোক লানশিন তৌই। থরোশংবী থবক তৌরি হায়বতনি, মশামকী মিন্থন পায়ন্থনা য়েংলবদি খঙলমগনি; মহাক হায়কম খঙদবা তরং অমদা লৈবগুমই। নহারোলশিং অসিগী চাকতা উরগা থরোশংবীনা থলী, মখোয়সি চারক থল্লক্তবা কুইরবা মী য়াম্লি; ভাইগুমদে। মখোয়না চারিবৈঙেদা রা ভাঙ'দ; অন্থবু মমিংশিংন্থদি কোম্বৈ লৈন্থনা য়েংভি, মরৌলৈবা মিংয়েংনি। থরোশংবীনা অরাং অপা য়েংলগা চাক-ইশাং হান্নন্থনা হা াখি— "হাওবা হাওভবা শাংনবা চাম্দা ভারে, শাও য়াদে।"

"হাওমনঞ্চে, অত্তক ফজনা পীজবিরিসি ঐখোয়গী লাইখক করবনি।"

"ঐখোয় ইবেম্বনু কাওজরোই।"

মখোয় অমগী মথংদা অমম্মু মথং মথং খরোগী পাউথুম পীরক্‌খি। খুদক অমুদা তোমচৌম্মু খোঙজিল মনাক্তা লেপ্লগা হায়রকই–"নোংমা ভান চাবদা নীংথিনা চাম্নিরসি ইনাওশিং ঙসিদি অরাবা কোক্‌রবা লেনবীগে।"

"তামোব্নু কাওজরোই, ঐখোয় তামোগুম্বা কয়াগী মতেং অমদি সহযোগ নীজরিবনি।" মুপাহনা চাবা লোইরহনা হায়রকই "ঐখোয়না হোৎনজরিবসি মীযামগীনি, মণিপুরগীনি; মীয়ামগী মতেং—শৌগৎপিবা দরকার ওই তামো।"

"শীবা-চঙবগী লম্বীদা খরাইনা পোম্বা ওইরগা চঙশিন্নীবা লম্বীসিদা তামোহোয়গুম্বা মীয়াম্না অপনবা পীরবদি তুংগী লাইখক খুদোংথিবদা তারকনি, মহু খঙনা চৎপীয়ু। ঐখোয় চৎচরগে।"

"করিগুম্বা ঐখোয়না চৎপ্রবতুংদা ব্রাকমসি খুদক্তা শন্দোক্লক্লবদি নত্রগা পুলিশতা তাক্লবদি মহুগী পাউথুম কত্তবা কংগনি খঙবীয়ু।"

মশক লোৎপা খুৎলাই পাইবশিংহু মথং মথং থোকপ্রে। মখোয়না হায়রম্বা-ঙাঙলম্বশিংদা তোমচৌ তুম্মিন্না তাবা নত্তনা ব্রাহৈ অমকাও হায়খিদে। ইবেথোই থকৎখিবনা মশাগী শোয়কাওবা চনীংতানা হোৎনমগ্রি, খরোনা খেংনবদা। হৌজিক্তি তপ্না তপ্না চেনখৎলুবা ম্রিঙল কুমথরক্লে। অমনা অমবু নীংশিংনরক্লে। তোমচৌ শোয় মশী হোৎনহনা সোকাদা কয়থরগা হায়রকই "শীবমক্তি শীহৌদ্রে।" তোমচৌগী শকুৎমা মরাইখক পায়রহনা মখা তারকই "অশেংবমক্লা, শান্তিরবা ওইখিদ্রা খঙদ্রে।"

"অশোয় শঙাম থোকহৌদবসি করবনি। কয়ানো পীখিখিবকো?" ইবেথোইনা তোমচৌগী নাক্তা লেপ্লগা হায়রকই "মখোয়না হায়বা মশীংহু অহুম পীপ্রবয়া?" মহাক্না মখা তারকখি "কৃষ্ণ! কৃষ্ণ! ইকুকগী

লীকলাও থংলগা পুখিবা, ওস্মীদকো মখোয়শিংক্কো।"

"তানীংদ্রে তুমিন লৈরো।" তোমচৌনা হৌরিক্কা অশাওবা উংলকই "নখাই লৌবিরমগিদু করবনি। মচিন খিদুনা মখোং মরম খওদনা ভাঙলুবদু কমদৌই? চৈ চারুকান্দা অান অৱিনীক্নেং?"

তোমচৌনা ভাঙবদু ইবেথোই তুমিন্না তারবদগী থুংভাইক্কু মাল্লে খুমকই "মহোয় পাবুংদি কলক পেনবীরিবোরে। ঐনা লাওবগী ইমৌ থরোফাওবা তারকইনি।" ওহাক লেপলুরগা ইবেথোইনা মখা তারকই "মাগী বাহাদুর হাযদুবু চেক মোক লাওরক্তে কৈদৌগ্রবগে? মাবু থোজালগী শো লোম্রো? কমদৌনা চঙলক্লিবনো হায়মি।"

খু কূদা তোমচৌনা বাহাদুর নীংশিংলক্কু না কৌখি। বাহাদুরদু পেহৌ পেহৌ যান্না কীনা চঙলকই। মাগী মতৌ য়েংবদা থুংশিবা পোক্কই। তোমচৌনা বাহাদুরদা হংভি "বাহাদুর নঙ থোঙ শো লোম্রা?"

"লোক্লে।"

"অদু কমহাইনা চঙলক্লিবা? নঙ খঙব্রা?"

"খঙজে।" বাহাদুরনা মখা তারকই "মখোয়না অহানবদা ঐবু কৌখোকই, থোঙ হাংদোকহল্লী পোৎ পীরমগে হায়। থোঙ হাংদোকলুবগা নোংমৈ নমদুনা ঐবু লেংহনখিদ্রে বাবু। ঐহাক মুপা অমনা শঙলগা থমখি। অদুদগী মখোয়না হুইস্কু অচাপোৎ পীজরগা পঙথহনখি। মদুদগীদি ঐহাক করিমত্তা খঙখিদ্রে বাবু।"

"নঙবু পঙথহনখিব্রা?"

"মদুম তৌখিব্রা খঙদ্রে।"

"কদাই কদাইদগী লোক্করিবা ওম্থোক্কা ওমগ্রেদকো। মখোয়না পাযরিবা থুংলাইশিংদুনা করি করি হায়দুনো খঙজদেনে। অঙোসাদা, অশাংবা, খুৎপায়কম পানবা ওম্থোক্কা য়ামগ্রে হায়রম্মি। থংবো নঙ উরহৌব্রা?"

"উরহৌই ইনেবেম্মা।"

"বাহাদুর! নঙ নমিৎ ননা শিংদম্নাত্রবনি ইবুংঙো। মতুংসিদনা হেন্না চেকশিনবতাই।" তোমচৌনা মখা তারকই "করে শোখাক্লো, ঙহাক তুম্নবা তৌরসি থেংখ্রে।"

বাহাদুর থোকখ্রে। থরোশংবীমু কান্নদা লৈরিবা পোৎচৈশিং লোইশিল্লগা মাগী কাদা চৎনবা হোৎনরি। খুদক্তদা ইবেথোইনা অমুকসু হংলকই "কল্লানো মহোম পাবুংনা পীবিখিবহুবো?"

"অহুমনি কৈদৌরগে। মশীং খঙলগা কৈদোদোইনো? অমুক হল্লক্রোইদবদা।"

"লীশিং অহুম?"

"মখা তারম্মু তানিংদ্রে।"

"লীক্কা করিগা পাশিল্লদি তরুক মথক্কীনে · ।"

ইবেথোইনা মখা তারকই "মখোয়না মীশী-মরল নমহুনা মুল্লগা লৌনি, যাত্রগা হাৎকনি হায়রসিবু করি ধর্মনো? মীমুংশি য়াওদবা, অরানবা লম্বী চৎপনা মায় পাকপা য়াবোই।"

"তোকও তানিংদ্রে হায়বা। নঙ করি খঙদনা ঙাওলিনো?"

"খঙদ্রসু মখোয়গী লমচৎতুদি য়ানিংদে। মরাল লৈজদবা কয়া কাপ কাপতুনা হাৎলিহুবু অফবরনে?"

থরোশংবী তোমচৌ অমদি ইবেথোইগী কান্নদবা মরেম্নু তাবা পামদ্রতুনা থোক্লক্লে। মখোয়নী মখা করি ঙাওনরম্বগদবা মহাক খঙদ্রে। হৌরান মতুং মৈরিংবা, সুংশা মনিম্না নম পোকপা হাকমহু থরোশংবী য়াওনিংদে।

[মাপল]

খংনবা অয়ুক, ভোমচৌগী য়ুমদা য়ুমখংনবা ইমুংগী মী লাক্লে। য়ুমিৎসি ভোমচৌখোয় ইমুং মহৌশাদগী য়াহৌ থেংঙি। হৌখিবা অহিংগী খোদোক্তা থেংনা হিপ্পখিবদগীনি। মখাথংবগী বগুমতিনা অহিং লাংবচুগী মরম হংলে ইবেখোইদা "ঙসি অহিং নখোয় ইমুংদা থেংলকাও লাংঙিহু করিগীনো ইবেখোই ?"

ইবেখোই মখুং হাইরকই। পাউখুম পীবগী মহুত্তা হায়দোক্লিংদবগী মতৌ উৎলকই। মীনা খঙহন্নীংত্রবদি হেন্না খঙনীংবা মহৌশা, বগুমতিদি ইবেখোইগা য়ান্না হকচিন্না ভীন্নজবীনি, ইবেখোইনা উৎলিবা ব্যবহারহু খঙইদনা মহাক অমুকস্নু তকশিল্লকই "নখোয়গী ইরাংহুদা ঐ হৌগৎলগা লাকখিন্না ভৌবনি, নঙ নখোন ঙাক্তা তায় ইবেখোই ? খৎন-চৈনবা য়াওত্রা করিগীনো হায়মি ?"

"নত্তেবা, বগুমতি।"

"নত্রদি করিগী অহুক লাংলিবা ?"

"নঙোন্দা হায়রুহুনা কায়দে, মরাইনা খঙজরকনি।"

"করিনো নঙনা হায়রিহুবো ? ঐগোন্দা হায়ত্রগা করমহায খঙদোইনো ?"

ইবেখোইদি মবুক্তা য়া থম্বা হৈতবী, হায়নি হায়রোই খঙলবী; শন্না হায়রবদা য়াখল খম্বা য়াৎপী মুপীনি হায়বা বগুমতিনা খঙি। মহাক ইবেখোইদা খরদং তকশিল্লবদি শোয়দনা য়াফমহু হায়দোক্লগনি থাজবদগী বগুমতিনা হায়রকই "নঙ হায়রিসি ঐসি লল্লানবী অমনি সিনিনে। নঙ ইমুংদা খুদোংথিবা থোকলো, অশি অনা য়াওরো; নঙনা হায়দে হায়হুনা হংদ তারত্রা হায়বা।"

"নত্তেমি বগুমতি। নঙনা হান্না শাওদে হোৎনৈ।"

মখোয়না য়ারী শারিগুদা অয়াং থংবগী ইবোয়াইমগা মাগী মরুপ পোইষ্টরোন চঙলকই। মখোয় তোমচৌ উনবা মাগী কাদা চঙখ্রে। সুমিৎ হাকথংলগে, খয়োম্পংবীনা চা-কোকী পুখোয়রুনা ইবেখোইগা বত্তমতিগী নাক থদ্রে। খুদকুমা ইবেখোইনা হায়রকই—"খয়ো। নঙ মামোগী কাদা মমায়বা চঙখিবনি, কোকীচু খয়া লামশিন্নু ইবেম্মা।" ইবেখোইনা খয়োম্পংবীদা হায়খ্রবা মতুংদা শোক্কাংনবা মখা তারকই "মখোয়সিনা কনানা হায়রুনা লাক্লিবা?"

"কবিনো নঙগী চোইরোম্বু ঐ ভাব তাদ্রে। হায়দৌবা কোক হায়বু ইবেখোই ঐ খোয়দৌ শাওগৎলকইকো।"

বত্তমতিগী শাওশিন্নবা মতৌচু থাজরছুনা ইবেখোইনা হায়রকই "হিংচাবী নঙবু ঙাইখো হায়বনি।" মহাক্না লোম্না বত্তমতিদা হৌখিবা অহিংগী থৌদোক পুম্নমক তয়ে। মহাক্না মখা তারকই "য়াকমসি নাকোং অনী-গু য়াপোংজেকো। মী শিনদোইনী বত্তমতি।"

"মখোয়না লৌবি শেম্বুবু কৈদোনবনো? মরনাই তাক্লিরা, কবিদা শিজিন্নরিনো হায়বা?" বত্তমতিনা মখা তারকই "ঐখোয় নহারোলশিংসে মরাংশিংদৌনা গু-নোম্বদদি থরাই য়াওদে। য়াদনা চুংঙাইনীংবঙাক্তা।"

"ভুবিচৌহু, নঙগী য়াকায়চু হৌয়রক্রা?" ইবেখোইনা থাজজিনছুনা বত্তমতিদা হায়রকই "মখোং-ময়ম থঙদবা য়া ঙাওগদ্রু বত্তমতি। হৌজিকসে শীবা য়ায়্না লাইরবনি।"

"কৈদৌ শীদোইবা? অচুম্বা হায়ববু কাররব্রো? চানিঙাই লৈজ্রে, শেংনিঙাই লৈজ্রে; মীগী চুংঙাইবচু পায়বদি মখোয়চু হোৎনৌদনা। অয়াবদি য়াওদনা চুংঙাইনীংলবদি অসিগুম্বা নত্তবা পাবৈ শীজিন্নরকপা মঙাংমা তাবনি ইবেখোই।"

"মহোয় পাবুংনা হায়রিবা ইবেম্মা। নহারোলশিংনা তৌরিসে ঐখোয় ইরৈবাক কান্নবনেয়ে।"

"কৈদৌবগী খল্লোইরিবা ? কনা কৈদৌদ্রে খাঙগে?"

"ঙাকম-লোন্দম লৈতবা, লাইরিক লাইত হৈরবা এতীক অবা থবক খংদনা, মপানগী মীনা লোংয় লোংঅমগী লাকপা মরকপা। ঐখোয়গী লৈবাক্কী লৈজরগা মশাগী ইজ্জৎ-সনমান মাঙথরক্লিবদি কনাবনি হায়রগা ঐখোয়না খঙজগোং নত্তেদা বসু।"

"নঙগী রাজ্ ঐ খঙগ্নি খাদে ইবেমাহৈ।" বসুমতিনা অদুগা ফুদোক্লহৌনা হায়রকই "ঐখোয় মণিপুর অচাশিংখক্লিবু মরেবাক্কী থক্তগী রাজনীতি ত্তোরে মীবৈবাক্কী থাম ওইবনি। মশা মশাগী ওইজবা তানবদা ইমদম মাঙজবা উদে। হৌরক্লিবা নহাবোলশু অতুমঙাই, অহনশিংশু অতুমঙাই রাখল খাওদে।"

"তোক্লসি বসুমতি। মহোয় পাবুং তাবদি খা থোক্তারে।"

"তোক্লোই, হা।নীংঙদি ঐখোয়দি শিং শিংনা হায়দোক্কদৌনি।" বসুমতি ইবেথোইনা খাম্বা খাদে। মহাক্না মথা তারকখি "থেংঙনে হৌজিকসিদা তাঙলিবা পোৎ, ঐখোয়না খঙলকপদা মণিপুর সনা লৈবাক হায়রম্বা নত্রো? ঙকৌ শংবাইদা লুপা মখি শীকদা তাংলে হায়নরম্বনি, চসিদি চামা কুা। নঙসু খল্লু ইবেথোই। হৌজিকপু লমদমসিদগী থোকপা পোংনা চাবা-শেংপা কোম্ববিত্রো?"

"অতুবুদি লম্বী গ্লিপ তারে হায়রবদা ইফালদা পোক্লকি মশাদি লাইরক্না লৈগে ফংনদ্রিনি।"

"থুন থউ, হবাইদি লাইরত্নুনা মরোই-মোয়োমকাও মপানগী পুশিলক্ত্রদি চাত্রে নঙ খঙলিনত্রো? ঐখোয়বু থবক শুত্রো? মহোশা নিংথৌ পাল্লিগেঙদা হোৎনরম্বা খানগ্বা, লম্বী-থোং খুদোং চারমদগী ঙসিদি থৈরেনদা। মণিপুর মচা পুম্নমক মপানগী মীশিংনা শুসি লোক্লিহুমহায়না কয়া হোৎনরদবু ঐখোয় করি রাংতোইনো।"

"কাময়দে বসুমতি। ঐখোয় খুদীনা লৈবাক্কী থা, অক ফত্ত ইনবা ইতীক নত্তে তোক্লসি।"

"নওগী হৌনবী, নীংথিনা থম্নবা য়াদবা থাওতপ্তা তোকপহ্ন হৌররিনী।" বশুমতিনা মখা তারকই "মুংঙাইজেহে ইবেথোই! দখা করম্মোই ইবেম্মা। চেকশিল্লু।"

ঙাওবমখৈ ঙাওলম্লগা বশুমতি চংলগে থেংঙ্গে হায়দুনা চংঙ্গে। ইবেথোইনা মাঙ্গোলফাও বশুমতিবু থিন্দে ক্লমগা চওশিনখিহনা তোমচৌ, ইবোয়াইমা অমদি পোইরৈত্তোননা য়ারী শানরিবা কাদা মহাকস্তু য়াওরয়ে। মুপা মরক্তা বারীশাবা য়াওবা, বা ঙাওবা য়াওক্লবস্তু অবফাওদি পামজবী ইবেথোইনি। মহাক্না ফমথবগা ইবোয়াইমনা হংলকই "ইবেম্মনা কৈকৈনো তৌরম্মী হায়, থিনা শোকপদি নত্তেদনা?"

"তাইবুংঙো থোইদোকপা শোক্কে?" ইবেথোইনা হুমিদাংগী চৈকমহ্ন য়েংলগা মথুৎনা নাল্লহনা মখা তারকই "মথুৎনা পীবিরম্বগী ফবনি নৎলমম্নবদি • •।" মহাক্কী বাহৈহনা মখোয় পূম্নমক নোকমিন্নে। "হৌজিক্কবু নোক্লবনি মতমহনদি মিহুনকা য়াওখিম্নবনি তাইবুংঙো।"

"অওইবনি, ঐখোয়না হৌজিক হিংগদবসি লুরে। সাশন পায়বশিংগী থবক থৌওংগা, লৈবাক্কী ইরাংগা, মরকসিদা মীচম প্রজাদি কাংক্রম ওনবতারে।"

ইবোযাইমনা মখোযগীদমক মীমুংশি উৎতুনা ঙাওনরিবা, লাকপিরিবহ্ন থৌদোকসি কমদোনা খওহনা লাক্লিবনো ইবেথোই খওনীংলকই। মহাক্না হংলকই "তাইবুংঙোবু কনাদগী পাউ ফংবীবগে?"

"কনানস্তু হায়বা নত্তে। ঐখোয় মরূপ পোইরৈত্তোনগা বাকিং চৎমিম্নবদা, ঙসি অহিং ইবেম্মখোয়দা করিগুম্বা অমা থোক্লমগন্না চিংনবদগী অশেংবা খওলুসি চঙলকপনি।" ইবোয়াইমনা মখা তারকই "ইবেম্মহোয়গী সাহেবনদি তাকথোক্লবনি।"

"তাইবুংঙোনা চিংনবিক্লরিবদি করিদগীনো?"

"ঐনা ওরাং হুমিদাং হঞ্জিল্লকপা অথেংবদা নখোয়গীদা মতম চাদনা মী মরি-মঙা চঙখিবা উই। ঐ চিংনহনা দলাল মথক কাথৎলগা

য়েংবদা নখোয় ইমুংদা করিগুম্বা থয়া থোক্লমগদ্রা হায়বসি খনখি অহুননি ইবেন্মা।"

"তাইবুংঙোনা তাকপিরিসিনদি য়ুমলোন্নবগী কায়রেনে, করিগুম্বা ঐখোয়গী লাইবক থিহুনা শীবা শোকপা থোক্লবসু অহুমক য়েংলগা লৈবীতারে নত্রা?"

ইবেথোইগী কোচি থাংবা রাহৈহু তাবদা ইবোয়াইমনা খুম্লকই "অহুগী নত্তেরা।"

"হৌজিক মতমসিনা কত্তবসিদা মী পুম্নমকসে পুকচেল পীকশিল্লরে ইবেন্মা!" পোইরৈতোননা মখোয়নীগী রাহৈ ময়ক থৎলহুনা হায়রকই "মীওইবসে অততাই নত্রবদি কনাসু শীনীংদে, শীবা কী অহুননি।"

"বন্ধুগী রাসিদি ময়ামদি য়ানদে হায়বু মচেক্লা য়ৈরেনা।"

"রারৌবীক্লসু, রাকয়া তাজরকপনি তাইবুংঙো।" মখোয়গী রাহৈ তারম্বদগী তোমচো। হায়রকখি "মতমহুদা তাইবুংঙোনা ইরাংহু খঙবীরবদি পুলিশতরা নত্রগা কৈরোয়-লৈকায়শিংদা থিৎতং খঙহন-বীরম্নবদি ননাওগী উপায় ওইরমগনি হায়জরিবা।"

"মহুমক্তি ইয়াম্বসু খন্থহৌত্রে তোমচৌ।"

"ঐখোয়গী নহারোলশিংসিনা পেন্দবা, মনীঙথুংদবগী হৌগীবা ঈহৌসি ঐদি পেন্দে তোমচৌ।" পোইরৈতোননা মখা তারকই "পৃথিবীগী ইতিহাসতা লালহৌ কয়াগী থৌদোক রারী ঐখোয় তায়, মহুগা মান্নদে। ঐনা হায়নীংবদি ওইথোকপা য়াবা লমদমসিগী অরাংপা মরমশিং খন্দোক্লগা মহু কংনবগী অহিংসা ওইবা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎহন্নীংঙি।"

"বন্ধুগীহু চংনবা য়াত্রবা রানী।" ইবোয়াইমনা পোইরৈতোনগী শাউথুম পীরকই "ভারত নীংতম্নবা মতুংদা অরাং-নোংপোক ভারতপু সরকারনা থওইবীদবদগী লমদমসিদা লালহৌবগী ঈরাং পোক্লকপনি।"

"তাইবুংঙোগীহু ঐসু য়াজে। অহুবু নীংতম্বদা লৈরম্বা মণিপুরগী

কীভমগীদি ওসি লম্বী, থোং অমদি য়ুমদৈ কৈরেদা ফজনা হোংলবনী। হায়া নিংথৌ পাল্লৌদৈ অমদি বৃটিশকী শাসনদা ফংলমত্রবা লাইরবা ভারতপু গৌনা শাগংপদা চহী থরদা মপুংফাবা ওইথোক্তে তাইবুংঙো।" পোইরৈত্তোননা মথা তারকই "তাইবুংঙোস্পু সরকারগী চাকরী তৌবিরম্বনি থঙবীরমগনি ঐথোয় মণিপুরবু অনীগুবা লাঙ্গাওদা মশক হোংথিবা নত্রা? নিংথৌ পাল্লৌদৈ লম্বী-থোং ফম্নাম ফরমগেনে? হিদা চংনরম্বা নত্রা? ভুরেল অমদি ঈশিংদা মণিপুরগী অরুবা লম্বী ওইরম্মী নীংশিংবীয়ু।"

"অতুবু দি চুম্মে, ঐথোয়না থঙলকপদা থৌবাল, শেকমাই, মোইরাংদি লাইরবনা লমাংদোংফাও চংপদা শগোল তোংলগা চংনৈ। লম্বীশিংফুস্পু ই, বু-লাংনা নাক অনীদা থল্লা হৌরম্মী।"

"অতুনদি চাওথংপগী থোঙজেল্দা ঐথোয় পঙথোং শোথবদি নংত্রি হায়জরিবা। ঐথোয গোংনবা রাংলি, গুবা-নোম্বা হায়দগী হম্বরে, লীংজেল মাল্লবা ভমত্রে, শম্না হায়রবদা অম্বাং নোংপোক্তা লৈবা ঐথোয়সি নোংচুপলোমগী মীদৌনা অথাওকনবা, গুবা নোম্বা রাংলী হায়জনীংঙি ননাওদি।"

"অতুগী হায়রুরবদি মৈতৈ মচা হাজাম, থোবী ওসিফাওবা উত্রি। ইং ১৯৮৪ গী মীরৈবাক মচা তানবগী ঈহৌদা মতম থরা চোংথোক্লম্বতু মঙাই। ইম্ফালদা মৈতৈ মচা কুনী উবিরত্রো?" তোমচৌস্পু পোইরৈত্তোনগী রাকমদা মশাগী অনীংবা ফোংদোক্লকই "ইম্ফালদি লাযরতুনা মণিপুরগী কাচিন বোয়াফাও য়ুমশাবা চেক মুঙ গুবা, উ গুবদা মপানগী মী ডাক্রনা গুজিল্লক্লে। মণিপুর মচাদি লেম্বা-মুংঙাইবা থীরিঙৈদা চাকথুমদি মিয়াং কারগা থুংহামত্রুনা তোক্লগদবনি।"

"হৌজিক ঐথোয় থুল্লক্তা মল্লাং মচাশিংনা হিংনবগীদমক শরীক খিংত্রুনা পোং য়োল্লরিবা, গোংতেক-থাংতেক থীররিবসি উবিরেদনা।" পোইরৈত্তোননা মথা তারকই "ঐথোয়গী পোথোক চাথোক রাংলে,

শুকম—নোক্কম লৈত্রে, থবক ঙংদবদগী ৱাখোক ওইরবা লমদমসিদা থবক শুবীনবগীদমক্তি মীরমগী মী নত্তনা ঐখোয়গী মী লৈতে তাইবুংঙো !"

"নখোয়স্থু পঙহায় মহায়রে। মৈতৈদি নিংথৌ পাল্লীতৈগী মশাগী চৎনবী, মশাগী নিয়ম নীতি লৈজরকপা কাঙলুপী। ঐখোয়গী জাতিদা বৈশ্য-শুদ্রগী খেন্নবা শীনফম তোখায়না খায়দোক্লরমদে। হোয়, নিংথৌ পাল্লীকৈ থরদি ঙাক্লমী, মহুস্থু অথক্লবা থৌরম থরদতনি। শম্মা হায়রবদা মৈতৈদি মীথা পোনবা হৈতবা, মীপান তাংলক্কদা জাতি ওইরকপনা ঙসিগী সমাজনা পূরক্লিবা নোংচুপকী চৎনবী থক-থা নাইবত্থু হৈনদবনী।"

মখোয়না শানরিবা ৱারীশিংথু তাক্লবদা ইবেথোই হৈনরক্লে। মহাক্কী কোক্কা হাপচিনবা ফুংঙাইতবা ৱা ঙাক্কনি মখোয়না ঙাঙনরিবথু। ইবেথোই মফমহুদগী থোক্লক্লে। ফুমিং ফ ৱাংনা হায়গৎলক্লে, অঙাঙশিং স্কুল চৎনবা থোরাং তৌখ্রে ইবেথোই। পোইরৈতোন অমস্থুং ইবোয়াইমা ঙাঙবমথৈ ঙাঙলম্নগা ৱারোই তারকই। ইবোয়াইমনা হায়রকই "ঐখোয়না য়েৎনরিবসি তোকসি, ঙানী-ঈশিংনী থঙদবা ৱাফমদা ভাবনা শাবা অরেম্বনি।" মহাক্লা মথা তারকখি "ঙসি অহিংগী তোমচৌগী থৌদোকসি অশেংবা ঐখোয় কনাস্থু খঙদে। মসিদা অহু-অদা পঙহায হায়নবা চুমদে।"

"অশেংবনি তাইবুংগো।" পোইরৈতোননা মথা তারকই "মতাং চাদনা মোং ফোঙদোক্লবস্থু চোপ্পিঙাই ওই।

"ৱাফমগী মতুংইন্না হায়নবা হায়বত্থুনী তাইবুংঙো! ঙাঙনরিবসি থোইনা অকাম্নবদি য়াওদেনা?" তোমচৌনা ৱাতেম পীরকই "ঐনা হায়জগদবা হায়বব্ তাইবুংঙোখোয়না ৱাফমসি মকা ফোঙদোকপিদবা। ননাওবু ফুংশিবীথুনা কনাগুম্বনা হংলবস্থু খঙদে তাদে নাখোকপিবা অত্থুতনী।"

"য়াম্না ফরে তোমচৌ। খুদোংথিবা থোকহৌদবা। ইয়াম্বথোই হল্লগে।"

বাইহৈত্থা লোয়ননা মখোয় চংথ্রে। অয়ুক্কগী মুমিং তারকপফাওবদা তোমচৌগীদা লাক্লম্বা মী কনা য়ামথ্রে। মখোয় মখোয়গী হাম্না লৈনখিবা থবকা মরী লৈননা লাকপা, চম্না লাকপা কয়াগী মমুংদা হৌখিবা অহিংগী থৌদোক্কী শাম্মিন ফংখিবা য়াওমাল্লে মুংথিন পুং অনী তারকপদা পুলিশ গাড়ী অমা তোমচৌগী য়ুমদা লাক্লগা মরী মখোও থিগংলরে। তোমচৌগী মুম্নাক মিং, ইমুংসিদা লৈবা মীশিং অমদি কমদৌনা থোকখিবা থৌদোকনো হায়বত্থু কুপ্না হংলে। পুলিশকী মকোক থোংবা মীশক অত্থুনা তোমচৌগদি হকথেংননা য়ারী শাবা ফংখিদে, মরমদি মতমসিদা তোমচৌ ময়ুমদা লৈরমদে। পুলিশকী ওফিসার অত্থুনা মখোয়গী চংনবী খুদোংচাবা লৌরত্থুনা হায়রকই "থৌদোক অসিগী মরমদা য়ুমবুনা মরী লৈনবা সরকারগী লোযশওদা মতমচানা পাউ পীবিদবগীদমক সরকারগী মায়কৈদগী লৌখংফম থোকপা মতাং মতাংগী থবক লৌখংলকপদা ইবেন্নহোয চেন্নবতাই।"

থাকী শেংপা মুপাত্থুনা মশাগী লেংবান্দা কারিবা শক্তাকপা খুদমশিংত্থুগী মগুণ উৎলত্থুনা ঙাওলক্লিবা য়াইহৈশিংত্থু য়ুম্বুরেম্বী ইবেথোই করিগুনাচুংবীদে। মহাক থওডী মপুরোইবা তোমচৌ সরকারগী অওম অথৌ ফম্নাইবা মন্ত্রী তীন্নবা মীশক্কি মঙোন্দা করিগু শোকহনবা ঙম্লোই। থাকী শেংপসিনা তোমচৌবু থওনবদগী হায়জরিবনি, মখোয়গী মকোক থোংবা অচৌবত্থু যৌবদা তুমিন তোকখিনি। ইবেথোইনা য়াথল তৌরিঙৈদা পুলিশত্থুনা মথা তারকই "ওসি মুমিদাং পুং তরেৎফাওবগী মমুংদা ইস্কাল পুলিশতা লাক্কুনা মশাগী রিপোর্ট পীরনবা হাযবিয়ু, ঐথোয় হঞ্জরগে।"

"য়াম ফনী হায়জগে।" ইবেথোই শিংদলাক্কবী মুগী নত্তে, মহাক্কা মথা তারকই "টেলিফোন্দকাদি হায়নবা য়ারোইদবরা ? য়ারগদি

তাকপীরমমু। মহোয় পাবুংহ্ মন্ত্রীগীদা হেক হেক লৈখোকল্লী, কব্রিওম্বা মতম ফংনত্রগদি হায়জবনি।"

"য়ানী য়ানী। শোমগী নম্বর কয়া ওইরবনো ?" পুলিশ ওফিসারহুস্ন ইবেথোইনা মন্ত্রী পল্লকপহ্নদা অচম্বা মী নত্রে হায়বা খঙলহ্ননা ব্রা তেনশিল্লকই "খুদোংচাবা য়েংলগা ঐ ৱীং তৌজবক্লবস্ন তৌজরক্কে।"

"৭৯৫০৩ নী।"

"য়াম মুংঙাইজরে, চৎচরে।" ফোন নম্বর খোৎচিল্লী।

পুলিশশিং চৎখ্রে। থাকী শেংপা, খুংলায় পায়বশিংনা য়ুম চঙলকপদা ব্রাজরিবদি থরোশং অমদি বাহাত্নুরনি। মখোয়দা ব্রা হংবা, থরোশংবীদা ইবেথোইনা থৌদারকপা চুরুট-চা, কোফী লাম্মোক লানশিন, হৌজিক্তি ইচিক চিক্লে। অত্নমকপু থবক অমা থোক্লবনিনা মত্নদগী শন্দোক্লক্লিবা মশা ময়াম থল্লুবদা ইবেথোই পোথাফম খঙদে। মহাক্কী পেন্দবা মচিন থোক্লকই "থৌ লৈতবা কনানা তাকপীরুহ্ননা লাক্লিবা পুলিশনো ? ইরলম্ন তীংবা, ইজ্জদস্ন মাঙবা, মখোয় মখোয়দা থোক্লবদি খঙদৌনি।" ইবেথোইনা ইমুং-মাঙ্গোল চৎখোক চৎশিন্দা মচিন্দু পোখাবা লৈতে "ইশানা হায়দোকচত্রবস্ন মখোয়না নমহুনা হায়দোকহনবা হোৎনরি। মখোয়দা করি তোংজবা লৈতহ্ননা ব্রাথোক ব্রাচাওবা পাম্বীরিনো খঙদেনে, ওম্মোক্লা হৈনজখিত্রে শৈত।"

ইমুংদস্ন থরোশংবীনা থোকখ্রিবা থৌদোক্কা মগী লৈননা চখরক্লিবা কয়াদা বাহাত্নরদা ব্রারী শায়। থবোশংবীনা বাহাত্নরদা হংলকই "বাহাত্নর! ঐখোয় মামোগী থবকসি করিনো ?"

"ইচে! ঐখোয় বাবুগী থবক য়াম্মী। মন্ত্রী, ওফিসার, দুকান্দার অমদি থিকাদার মাগী মরুপনি। অচৌবা থিকাদার অমনী।" বাহাত্নরনা মখা তারকই "সরকারগী পোং অয়াম্বা ঐখোয় বাবুনা শীবনি।"

"অহুদরা অতৈদি খঙত্রা বাহাদুর ?"

"অতৈ য়াম্না লৈরি ইচে। মখোয়গী মরক্তা ঐনা খঙদবসু লৈরমগনি।"

"নঙনা খঙবা অতৈশিংছু হায়বুনে তাসি।"

"ঐনা খঙবদা ঐখোয় বাবু বর্মা মোরেগী মমল য়াম্বা মুঙ, হেরোইন-নম্বর ফোর অহুগা মমল য়াম্বা মীরৈবাকী পোৎ কয়া ললোনবা উই। মসিদি অয়োনবা কারবাররনি ইচে। মীঙোন্দা হাংদোকপা য়াদে হায়না বাবুনা তাকই ইচেসু মীঙোন্দা হায়দোক্কনু।"

বাহাদুরদগী অনৌবা মরীমখোঙ কয়া খঙলকপদা থরোশংবী খঙজরকই। মাগী মামো তোমচৌনা মমিংচৎপা থিকাদার অমা ওইরিবসি নত্তবা অয়োনবা পাম্বৈ কয়াগী শেনফম্না ইম্ফাল সহরসিদা নিংথৌগুম পাল্লী। অমরোমদা লাইরবী মমা অপানবী অমসুং লীক্লাইগী মহৈ মশিন তম্বগীদমক মতেং পীবিগনি হায়ছুনা য়ানবগী মথাদা থরোশংবীবু তোমচৌগী য়ুমদা থবক নোম্নবা লৈররিবছু করিসু নীংশিংবীদে। থরোশংবীনা ফোঙদোকফম লৈজত্রবা থমোয়মসুংগী পেন্দবদি অশুম হেনগৎলক্লি। লীক্লাইদা মুমিৎ থাখিবা কাওথোকত্রে তোমচৌ অমদি ইবেথোইনা। অশোমদা লীক্লাইনা ৱারমগদবা, মমাম্নবশিংগী মমাঙদা ইকায়রমগদবা থল্লুবদা থয়ো লৈবা ঙমদে। থরোশংবীগী পেন্দবা পুম্নমক মমা লাকপগা চপচানা ঙাঙনগে খল্লে। ইমুংসিগী চংনবী, হৈনবী অমদি থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক পুম্নমক নৈনরুবগী মতুংতা মহাক ৱারবসু, লাইরজরবসু মমা লুখ্রাবীগী মতেং পাংছুনা থাঙ্গদা লৈজগে খল্লে। মতুঙনা মশাগী অমদি ইমুংমসুংগী শান্তি ওইগনি থাজরক্লে।

ইমুং মসুংগী থবক নোম্নবসু থরোশংবীগী ৱাখল থাঙ্গদা চংত্রে। মহাকী মমিংতা উরকই মমা অপানবীনা তাউথবী চেংদা হৈকক য়াল্লগা পীজবছু কয়া থরাইতানা হাউজখিবা। চায়া হেল্লবসু পুক্লিং-ৱাখল

সুংঙাইজবদা হকচাং শোষ্ণখিদে। হৌজিক লৈময়োল অসিদা লৈরগা সুংঙাই-থাইফবা ইমুংদা অহাওবা মথেন লুকোয় চাবদদি থরোশংবী খোয়দৌ তাদে। থরোশংবী রাথলদা লুপলিঙৈ মতম হৌখিবা খঙহৌদে। মহাক্না খল্লকই, অরাবশিংগীদমক মতম্না অপনবা পীত্রা? সুংঙাইবশিংগীসু মতম্না মতেং পাংলিদ্রা? মতম্না কনাগীস্থ মীচঙ চঙদে।

লীক্লাই, হায়নখিবা মতুংইন্না মাগী শেল লৌবা লাক্লে। মৌপ্না উবদা সুংঙাইতবা রাথন থাদোক্লগা থরোশংবীনা লীক্লাইবু হরাউ হরাউ কৌশিল্লী। লীক্লাইগীদমক খাক্তুনা থম্বা চাক ইন্সাং মচিন-মৌপ্না চামিন্নরুশি হায়ঙুনা থরোনা লীক্লাইবু মাগী কাদগী চাকশঙদা পুশিনখি। চন্না থানমিন্নবদা লীক্লাইনা (ইমুংসিদা খোকখিবা থোদোক খঙনুদবদগী) মহাক্না শেল তোমচৌনা পীগনী হাযবতু পীরক্লব্রা হাযনা থবোদা হংলকই। মতমসিদা থরোশংবীদি হৌগ্রবা লীক্লাইগী থোদোক অমা নীংশিংঙুনা রাথল্দা লুখম্মী। থরোশংবীনা লীক্লাইনা চাক চাবতু য়েংলগা নীংশিংলকখি। নোংমা লীক্লাইনা লোক্তাক খোয যাল্লুবদা খুবোম কল্লপ চাউবা পোরোম অমা যাওখি। লীক্লাইনা হরাউবগা লোয়ননা থরোদা পোরোমতু পীরগা হায়রকখি "ইচে। য়েংউ চাউব্রা? মসি ইমাদা যোল্লগম্নু হাযবু। ঐখোয চারসি।"

"হোয় হায়গে।" থরোশংবীনা পাউখুম পীরগা মখা তাখি "হোরেল ইমা লাক্লগা পু-চংথ্রদি ঐ খঙলেকো, নঙ হায়নজৌ লীক্লাই।"

থরোশংবীগী রাহৈতুমক অওইবা ওইখি। মমা অপানবীনা লাক্লগা মোইরাং কৈথেল্দা লৈত-লাইবা চন্না নোংখম্নবা য়োম্বোকখি। মতমতুদা অপানবীনা হায়খি "লীক্লাই। ঙসিদি চেং রাম্নবা শেল লৈত্রে, নঙ পোরোম অচৌবসি চারম্নুসি, মতুং থুবদা চারসি। ইচান্দি মরম ওকপানি।"

লীক্লাই রা ভাওখিদে, মমাদা হোয়-মাই হায়রমদা তুমিন চংখি। [illegible] অমদি ইমায়দা তোংবা লোংখজীংনা

অমগা অমগা তান্নহুনা শান্নবহ্ যেংহুনা লৈখি। ঙসি লীক্লাইদা থরোশংবীনা পীজরিবহ্ পোরোম থোংবনি। থম্বকরগা থরোশংবী লীক্লাইবু হেক্লা মুংশিজরকই, হৌখিবা লোক্তাকী-থান্নগী অতমবু মুংশিজে। খুদক্ মক্তদনি লীক্লাইনা হংলকখিবা "ইচে! মামোগী লুপাহ্ পীরক্কব্রা?" থরোশংবী খুদক্তা পাওখুম পীবা ঙমখিদে। হৌখিবা অহিংগী থৌদোক অমসুং নোংঙানবদগী ইমুংসিদা ওইরিবা ফিভমদা থরোশংবী লীক্লাইগী শেল হংলুবদি লাইরহুনা চাকম-থককমক্তাও খঙনখিদ্রবনি। থরোশংবীনা খুম্নকই "পীরক্লি।" মাহৈহ্নগা লোয়ননা তোমচৌগী ইমুংদা থোক্লিবা থৌদোক খুদিংমক লীক্লাইদা শেংনা খঙহল্লে। মচেগী মারীশিংহ্ তাকুবদা লীক্লাই শেল ফংগনি থাজরক্ত্হুনা মচেগী মুংঙাইতবা কোক্লবা হায়রকই "অহ্নদি কোন্না· থম্মরসি ইচে। ঐ চৎলগে।"

"ঙাইখো ঐ অমুক্তা হংলুখিগে।" থরোশংবীনা লীক্লাইবু খান্নহুনা হায়রকই "নঙ মিকুপমুক্তা ঙাইরম:খো।" মাহৈহ্ হায়রম্নগা থরোশংবী চৎখিহুনা ইবেথোইদা লীক্লাইগী শেনফম হৌদোকলুরে। "ইনেবেম্মা। ঐখোয় লীক্লাই লাকএ, মাগীহুবু ।"

"ঙরাং থোকখ্রিবা থৌদোক্ নঙসু খঙলমক্তদা থরোশং। নখোয়সি ওম্মোক্লা ভাব তাখিদ্রে শৈত।" ইবেথোইনা খোল হায়গৎলপ থাখিবহ্ মখা তারকই "নঙ মামোম্ লৈতে, ঐ হৌজিক পীনিঙাই লৈতে নঙ ফনবা হাযগ্রো।"

ইবেথোইগী মাহৈ তাবদা থরো পাউখুম পীরমদনা থোক্লকখি। মহাক্লা লীক্লাইগী নাক য়োরকপদা লীক্লাইনা হংলকই "পীরকপ্রা?" থরোশংবী খুম্নদি লাইরহুনা লীক্লাইদা মমিৎনফাওবা য়েংলক্লে। মচেগী মতৌ উবদা লীক্লাই থঙলে, শেল পোরক্লে হায়বা। খুদক অহুদা লীক্লাই "ঐ চৎলে" হায়রম্নগা থোকগ্রে। থরোশংবী হোয়-মাই হায়দনা উয়ুংগুম লেপক্নুনা লৈহৌই।

[তরা]

থরোশংবী মচুতাবা ফীজোল শেংলগা খ্বাইরম্বন কৈথেন চংনবা ইবেথোইগা থোকমিম্লরকই। ইবেথোইনা কৈথেন চংপদা মী অমা অনী লোয়নবা তোক্তে। ঙসিদি থরোশংবীগী মুমিং থোকলুরে। ইবেথোইনা থা অমগী মমুংদা অহুম মখিরক খ্বাইরম্বন চংলি, চান-থক্লবা পোৎলম, ফী-রোন অমদি উদশব নত্রগা চাকচা হৈজানবগী পোৎ লৈবা তীকপা। ইবেথোইনা হৈনীংদবা মতমদনা বাহাদুর, ইবোতোন অমসি সনাতোম্বনচিংবদা থবকশিংহু শীরে। ইবেথোইগী থবক তৌবদা অতোপ্পশিংনা খ্বাইদগী চেকশিল্লীবসি মানা যাবা অমম্মুং য়াদবগী মতাংদনি। ইবেথোইদি মীনা তৌবা থবক চিংনগল্লী, পেনগন্দে। মরমসিদগী পোৎ–চৈ লৈরকপদা অপাম-পামদা, হন্দোক হঞ্জিল অমদি মমলগা পোৎকা চানদে অসিনচিংবা রাখোক রাচা ওবা তোয়না থোকই। মসিমক্লা মাগী পাথোন চংপীবা মী লৈশিল্লক্তে।

ঙসিদি ইবেথোই পূম্বিং মুংঙাইনা থরোশংবী পুরহুনা কৈথেল থোক্লকই। ইবেথোই তরাই তরাই লাকপা নত্তে, মথোয়গী নোৌনা লৈবা মারুতি জীপসি তোংলগা লাকখি। ড্রাইভর ইবোতোননা থরোশংবী উবদা খল্লী, নীংখিজনা শেং-ইন্দুনা কেথোক্লকবদি থরোশংবী নীংথিজে। মহাক্সি খুঙ্গংগী লাইরবা ইমুংদা পোক্লমহুনা মরাইবক থীরবীনি। ইম্ফালগী য়াইফবা ইমুংদা পোকচবম্লবদি মমিং লৈবী নিঙোল অমা ওইরমগদবীনি। ইবোতোননা থরোশংবীবু লোম্না য়েংজে। মহাক্লা ইবেথোইগা থরোগা চাংদম্নহুনা য়েংঙি, খেন্নে। অমনা মৌ অমনা মখোন কারক্লিবী লৈশাবী। ইবোতোননা রারী-লাইরিক পাবদা থেংনখি, চহী কুনমঙাদগী কুম্হৃ। ফাওবগী অতমদা হুপীগী খ্বাইদগী

ফজবা মতমনি; মতম্ মচা অমা লৈরবী। লাইরিকী বারোলদা হায়খিবদি মুনী ওইবীগী হকচাং কায়াংশিংনা মপুং মরৈ ফাবা, ইমায় চোনবা তুরেলগী ঈচেল নত্রগা হৈজীং কাবা উঁহৈনা য়োম্না পানবা উপালগা পাংথক্লবদি ময়ুম পাল্লবী নিঙোলতনা ওইবগুম্মী; মতমসিদা মুশীনা ফজবগী থমথেংবা মতম্নী। মশোন কারক্লিক্তৈ নিঙোনশিংগী মতমদি পোমশাংনবী লৈরাংগুম্বনি, মপুং ফাবা মশাগী নীংথিবা উংথোকচবা ওমদে, অসিনাচিংবা। ইবোতোননা পাখিবা লাইরিকী বারোলদু লাম্রে হায়নীংখ। মরমদি ওসি মহাক্না উরিবা ইবেথোই চগী কুপ্পারগী থাদং হেল্লবী, অহুওইতুনম্মু ময়ুমদা লুংঙাই য়াইফবী ওইনা অঙাং এমগুম কেযোক মৌথোক্লা লৈরবী, মশামু লৈতেংজবা নৌথোক্লবা হোংনবদা শেল তীংবা পামুদবী ইবেথোইগা মপোকতৌদগী পেজনবা উপাই লৈজদ্রবী থরোশংবীগা য়েংনবদা য়ুম্বাল্লবী অমদি পান্দবী ওইবগী হকচাং কয়াত্তো থেম্মবা থুদন থরদং নত্তা থরোশংবীনা নীংথিবা হেল্লী।

থ্বাইরম্বন কৈথেল্ল তুকান মরক্তা গাড়ী থাম্লগা ইবেথোইনা থরোশংবী পুন্থনা তুকান মথং মথং চঙলকই। অপাম্বা পোৎ থনবদা তুকান মশীং য়াম্লক্লে। মরকসিদা তুকান কারক লম্বী মতাইদা ময়াং শেন নীবা মতৈ মনাও য়োং অনীথক থোংগ্রাও ফুরিৎ, অমোমতুদা ফ্লট শেংনীরগা জগোয় শাহল্লীবহু থরোশংবীনা তুকান্দগী য়েংথোরকপদা উক্লরে। পুন্সিদা অহানবা উবা কুটৈ ওইক্লবনা থরোশংবী ইবেথোইনা অপাম্বা থল্লীবা ফী-রোন অহুদা চেংলুদ্রে, য়োং জগোয়দা পুক্লিং থমলুরে। থুদক্তুদা ইবেথোইনা থরোদা হংলকই— "সিবু ঐঙোন্দা পকচগদ্রো থরো ?"

"ইনেবেম্মনা পাম্লগা লোইরে, পকপগীদি কৈমু কায়দেদা।"

"মসি অঙাংসিদি পোৎ থনবা হৈথিদ্রে।" ইবেথোইনা থরোগী পাউথুমদা পেন্দবা ফোঙদোক্লকখি। মহাক অমুক হন্না থরোদা

ত্থায়রকখিদ্রে! মানা পাম্বা থল থল্লগা কৈনীংবা লৈরে। পোৎশিংজু পুরগা গাড়ীদা থরোশংবীবু লৈহল্লে। ইবেথোইনা বাহাদুর পুরগা কৈথেল পোৎলক চঙল্লে।

জীপসি গাড়ী মন্থুংহুদা ড্রাইভর ইবোতোন অমস্থুং থরোশংবী মখোয়নিদা ডাইরবদা থরোশংবীদি কৈথেলগী মীয়াম য়েংলী। মখল শুরবা মীওই, জাতি কয়াগী ফীজেং, খেন্নবা মওং মতৌ অমস্থুং মখোয়গী তোপ-তোপ্পা শক্তমশিং য়েংহুনা মতম লেপ্লীবী থরোশংবীদা তাপ্পা ফংলহনা ইবোতোননা হংলকই "থরো। ইচিন-ইনাও কয়ানো?" ইবোতোননা হায়নীংলিবদি মসি নত্তে, থমোয়মুংগী নীংজবা য়ারানি। অহুবু হায়দোক্লমদাইদা ইবোতোন ফোঙদোকপা ঙমখিদে। ওয়া তৈনবা ৱাহৈ চিনবান্দগী থোকাখি "ইচিন ইনাও কয়া শুবগে?"

"অনীদনি।"

"অহুন লমন্দী?"

হন্দক্কি থরোশংবী খুমকখিদ্রে। ইবোতোননা মখা তারকই "ইচিমাও অনীদি মুপায়া মুপী ঙাক্তরা থরো? ······"

"মুপানি, ইকপ্বা।"

"অহলশিংদি কৈদৌরী, লৌ-ইখোল শুরিবরা নত্রগা · ····।"

"পাবা লৈখিদ্রে, ইমা লুখ্রাবীনা য়োকপনী।" থরোশংবীগী ৱাহৈহুগা লোয়ননা মহাক লুকথখি। থঙহৌদনা মুংঙাইতবা শকক্ম লৌরকখি। ইবোতোনসু থরোশংবী উবদা থল্লকই, ঐগী ৱাহংদা কন্নি অকায়বা য়াওগ্রবগে হায়না। ইবোতোন ৱাহৈ মখা তাথগদবা হল্লোয়রে। মহাক্না ঙহাক লৈরগা হায়রকই— "ঐসু অপোকপী ইমা লৈখিদ্রে। লোম্নবী ইমাগী পোকমিন্নবা ইচিন-ইনাও থরা লৈ। ঈহৈ ইশিন তঙ্গদা থুদোংচাগ্রহুনা গাড়ী থৌরিম্নিনি থরো।" ইবোতোননা মখা তারকখি "মীওইবদি তঙ্গা ঙমদে, তুংদা ওইরগরবা কনানসু হায়বা ঙমদে। অনীংবা— অপাম্বা চৎপসু য়াদে, মতম মতমদা থোক্লবহু

মায়োক্লবা নত্তনা উপায় লৈতে। মসিদা রাম্ন-মুংঙাই হায়রুনা শীংথানিঙাই লৈতে হায়না থল্লী ঐদি।"

"তাদখোয়না মুপানিদনা।" থরোশংবীশু ইবোতোননা হায়খিবত্তুম মশাগী অনীংবা মখা তানা ফোঙদোকচরকই "লাইবক্কী হায়রুরবদি ওসি ঐগা তাদখোয়গা উনররিবসিশু অমনি। থাঙ্গদা পোকচবী অমনা ইম্ফাল লৈময়োল্দা শাইদাংত্নুনা লৈররিবসিনা খুদম্লী, তম্বা ওমদে।"

"অত্নবুনী থরো। ঐনা নীংবা কায়নিঙাই লৈতে হায়খিবদো।" ইবোতোননা মখা তারকই "হায়নবগী হায়নবা, মতাং চারিডৈদা ঐগী নীংজবা থরদংদি ফোঙদোকচনীংঙি। য়াবীনীংগত্রা য়াবিরোইত্রা হায়বত্নুদি নহাক্কী নখা পোনবনি। থরো! লাইবক ফবা কনাগী মপূ পানগ্রবী লৈরাংলা? নত্রগদি পাথঙ অমা ওইনা লৈরাং লৈখোঙ শঙজগে হায়ববু ·····।"

ইবোতোন মখা তাথবা ওমদনা তোকে থ্র। ইবোতোনগী ম্নাহৈ মথং মথং তারুবদা থরোশংবীগী মায়খোং অশুম অশুম লুকথখিবদগী হায়গৎলকখিত্রে। ইবোতোনগী ম্নাহৈদা হোয়-মাই পাউথুমকপদি লাইরত্নুনা থরোশংবী শোরফাওবা পীকথখি। মহাক্কী মিংলুদা থঙহৌদনা পীগী ঈরা ঈহৌরক্লে থরোশংবী। অম্রাবগীরা নত্রগ়া মুংঙাইবগীরা কনানশু থঙদে।

ইবোতোনগী মাঙওইননা লৈরিবা গাড়ী মিংশেল্দা থরোশংবীগী মমি ময়েকশেংনা তারী। ইবোতোন মরক মরক্তা মিংশেল্দা থরোশংবীবু য়েংজে। মহাক মুংশা থীরক্লে, মহাক্না হায়খিবা ম্নাহৈশিংত্নুনা থরোশংবীগী থমোয় থুগায়রুত্নুনা মহাক কপ্লক্লত্রা চিংনজরক্লে। থরোশংবীগী মিংলুদগী তারক্লিবা পীরাংশিংবু মখুত্তা পায়রিবা রুমাল্লা তৈথোকচবা হোৎনৈ। থরোশংবীদি মহাক্না কপচরবশু ইবোতোননা উথিদে হায়না থঙরম্মী। মরমদি মহাক ইবোতোনগী তুংদা ফম্মী। খুদক অত্নদা থরোশংবীগী মকমদা অমুক হন্না ইবোতোননা শেংদোক্লকই "ঐবু লাম্না

লৌগনু থরো। মীগী থমোয় খঙদনা লংজরুবা ঐগী ইরাগী। যাহৌ থেংবা ওইরুবনা লৈরাংগী চানবীবা রাহৈ ফংজত্ত্রবনু লৈরাংগীদমক পুন্সি কচ্চনীংবা কনাগুম্বা অমা লৈবগ্নী হায়বসিদং নঙন্না থনবীবহুনা ঐগী পেঞ্জরা ওইজগে।" ইবোত্তোন য়ান্না নীংঙমননা মথা তারকই "ঐ অমুক হন্না নহাক্কী নক্ষমদা ইশাগী রাহৈ ফোঙদোকচররোই থরো।"

থরোশংবীনা থন্নী কবি হায়না খুমসিগে, পুন্সিগী অহানবা খোঙফমী, ইনথংলকপগী মপূং ফাদবা জান্নী। মুংশিনবগী তাইবঙদা খোঙদাজত্ত্রিবী থরোনা করি পাউথুখম থোকপগে খঙজদবনা নিঙোলবু মরৌ লৈবী-মুংশিবা খঙদবী তাহল্লে। পাউথুমজগে মথল্লী হায়দোকচবা ঙমজদে, অহানবা পুন্সিগী অযুকসিদা খুংলামখাম ফত্রবী ললোনবীগুম মায়থিরগত্রা চিংনজরকই। থনবমখৈ খলনুরগা ইকায় ইকী থাদোক্লনা থরোশংবীনা হায়রকই "ঐদি করিগু খঙজদবীনি, ঐবু লান্না লৌবীগনু।"

থরোশংবীগী রাহৈ লোইরকপদা মাঙদা ইবেথোই অমদি বাহাতুর পোৎ ময়াম পুরহুনা য়োরক্লে। ইবোতোন মথা তানা পুক্লিংগী রারোল ফোঙদোকপা য়াখিদ্রে। মখোয় অনীমক অমনা অমবু থমোয়নুংদা কীশি থম্নরগা তোকহোরে। ঙসাই মখৈ থজিন্দা ফুনগৎলম্বা থরোশংবীগী শোর হৌজিক্তি চনীংতানা হোম্বজবা হোরকই। খুদকতুদা ইবেথোইনা হায়রকই "য়েংঙুনে থরো। সিবু পাম্বোইবীদা পকচরোইদ্রো?" ইবেথোইনা মথা তারকই "ঐদি পাম্মনত্রহুনা লৌবক্লবনি, নহোয় মামোনা চৈরকপ্রা খঙদ্রে।"

"পকচগনিদা।" থরোশংবীনা ইবেথোইদগী ফীহু লৌরগা মথা তারকই "মেমীদি শেৎলিমখৈ পকচৈ, ফী-রোন মচু থন্দে।"

"হোয়দা, নঙ মামোনা পামদে হায়রগা মাগী অপাম্বা অমা লৈজরো হায়হুনি।" ইবেথোইনা হরাউবগা লোয়ননা গাঙীদা ফমথরহুনা মথা তারকই "ঈহে, ঐদি মরাং মরাংসিদা কাওথোকলুরে থরো। নহোয় ইনম্মা অপানবীদা পাউ পীখিনবা কনাদা শীন্নগনি?"

"রুক্মিণীনো ইনেবেম্মা।"

"নঙ. থঙজ্রিবরা ? মাক্লিয়া ক্যালেন ছুমী পানবদা, খাম্মোইবী মনা-ছুংকদোইসি দি।" ইবেথোই মথা তারকই "মাঙজোননা ইনম্মক্লা থঙহনখিদবা খাজ্রো, নোংমা মীনি রাৎলিষ্ঠে লাক্লগা অরাৎ-অপা, থবক ইনুখাং তাক্লনবনিনে থরো।"

"অহুগীদি ইবুংঙোদা হায়রগা শোয়দনা শীল্লগনি ইনেবেম্মা।"

"য়াম্মা ফরে, ইবোতোন গাড়ী থোরো।" ইবেথোইনা থরোগী পাউখুম পীরহুনা মথা তারকই "য়ুম যৌবগা চিঠি অমা ইহন্দুনা পীখিনবা তৌসি থরো। কাউবা য়াদে।"

মথোয়গী রানী মথা চথরকখিজ্রে। ইবোতোনগী গাড়ী বীর টেকেন্দ্রজীৎ রোডতগী কংলা পার্ক, নিত্যাইবাৎ চুংথেল্লোমদা থৌরক্লি। খুদক্কুদা ইখঙ খঙহৌদনা মীয়ামগী সভা যাত্রা অমা মাঙদা লাক্লে। মীয়ামগী পয়েংনা ঈশিং ঈহৌরকপগুম লাওথোংহুনা চঙশিল্লক্লিবহু উবদা থরোশংবী ইঙক ঙকই। মহাক মীয়ামহুদা মীংকুপ্তনা য়েংলি। খোঙচং অহুগী মীয়াম্মা অপুনবা খোল্লাওদা লাওরকই (সনা লৈবাক লৈময়োন্দা খুংলাই পাযবা সিপাই, থম্বা য়ারোই। মৈতৈ কংলা, অশেংবা লাইফম্নী। বৃটিশকী লোযলম লৈঙাক, হৌজিকসু চথরী। মীয়ামগী দাবী, পীদবা য়ারোই। মান্নবা খুন্ন'ই মান্নবা চাকথুং, ফংহল্লু ফংহল্লু। নীংতম্বা ভারতকী, ঐখোয়সু নাগরিক্নী) অসিনচিংবা।

লম্বী থিংখ্রে। গাড়ী লাম্থোকপা য়াজ্রে। মীয়াম্মা লাওরিবহু থরোশংবী ভাব তাদে, রাখল লাম্বা ফংদে। থরোশংবীনা য়েংজৈ মুপ্পা চা কযাগী মমাঙ থানা মৈতৈ মুপী চাম্মা চাম্মনা লমজীংলক্লি। মথোয়গী খুত্তা অশাংবা রাহৈ ইবা ফীশাং, অপিকপা চেগী চেবাং মচু মচুগী ফীরাল কয়া পায়রি। থরোনা খল্লী, কয়া থৌনা লৈঞবী মৈতৈ ইমাগী মমোমশ্নিংনো। লৈজবা থৌনা পুথোক্কনা লাওরীবা মুপ্পাশিংশে মণিপুরর ইমাগী মপারী ভাক্তনি। মথোয়না লাওরিবা খোল্লাউ অহুগী

অর্থ থওজব্রবস্থ মখোয়না উৎলিবা থৌনা উবদা থরোশংবীগী থমোয়দা থাগৎচরী। অদুবু মহাকী রাথলগী ভায়োম্রবদা নাকল্দা ফম্লিবী ইবেথোইনা শোম্থাংননা হায়রকই "কল্লা ভনথিব্রবনো, মথৌ ভুগেদি হায়ব্রদুনা মুংশা মরকসিদা মথনাও তৎপমথে লাওরিসে।"

থরোশংবী মনেবেম্মগী বাহৈহু ভাবা হৈনথিদে। হায়জবদি ভমদে মহাক মথন্তা মুংঙাইজথিদে। মীযামগী নব্রগা মখোয়গী খোঙচং অদুগী মরমদা থরোশংবী করিগুম্বা অমতা থওজদে, অদুম ওইনমক ঈহৌ অদুদি তরাইবা নন্তে হায়বা মহাক খল্লবা ভমথিদে। ইবেথোইনা অমুকম্থ হায়রকই "মখোয়না লাওরা লাওরগা লৈবাক ঈরাং থোকপা হেল্লে। থরা লৈরা বন্দ, থরা লৈরা স্রাইক, থাওবা ভমদ্রে লৈবাকসে লৈহৈদ্রে।" ইবেথোইনা মথা তারকই "পুলিশ থোরক্লগা ফুথরবদি মীগী মরিল থওগদবনি। অদুবদি চেনগনি শীবা কীবনিনা'। ইবোতোন। গাড়ী থৌবা য়াথিরোইদ্রা?"

"ইভৈবেম্মা নিত্যাইবাৎ চুথেকসি লাম্থোকথিব্রবদি চৎপা য়াররোই।" ইবোতোননা ইবেথোইগী পাউথুম পীরদুনা মথা তারকই "থৌসি হায়রগা মোইরাংখোমলোমদা কোইরগা কৈশামথোংলোমদা চৎকদবা মঙাইরে।"

"থকশিংসি য়েংদুনা অম্মম ঙাইদৌশরুক ফরে থোয়ো।" ইবেথোইগী য়াথং অকনবদু তাবদা তঙাইফদনা ইবোতোন গাড়ী থোগৎলে। কল্লা থৌবদি মীয়াম্না করি হায়রক্কদগে চিংনদুনা ইবোতোনগী গাড়ী তগ্না থৌই। মীযামগী পরেং লোইবা নাইদে। গোভর্মরগী মপাদগী লেংলকপনা পোষ্ট ওফিস হেন্দোক্তুনা সেক্রেটরিয়েট ওফিস মপা য়ৌরী। থরোশংবী গাড়ী মমুঙদগী নাকয়েংতা লৈব্রিবা দলান ওফিস অমম্থং স্কুল কলেজ পুম্নমক মীৎ পেন্না য়েংজবফংলে। মণিপুরগী লৈময়োল ইম্ফাল সহরগী মরু ওইরবা মফমশিং উবদা থরোনা বাহাদুরদা হংভি "বাহাদুর! অসিদগী মথোল মরী রাংথা দলানসি

করিনো ? আদগী মশা য়াম্না নানবসিনা করি হায়রুনো ? সিফাইনা ঙাক্লিবসিনা করি কৌই ?"

বাহাদুর খঙবোই খঙদবোই থরোনা হংলিশহু খুদোপ্পী থিন্দুনা তাকই। অচুম্বহুদি থোইদোক্তে লাম্না তাক্লকপদদি মাঙদা ফম্নীবা ইবোতোন নোক্লীংলকই। মহাক্না মঙ্লোয়গী অয়ানবহু চুমথোক্লহুনা হায়রকই "মসিদি বাহাদুর। টেলিফোন এক্সচেঞ্জ ওফিসনী।"

ইবোংতোনগী য়াহৈ তাবদা বাহাদুর অমদি থরোশংবী ইকায়রহুনা মখা তারকখিত্রে। গাড়ীনা অমুম চেম্ভরকপদা উরকই ইম্ফাল সহরগী যাইফ হুংঙাই কয়াগী নোংদোল পল্লবা দলানশিং, মরক মরক্তা পুরিং হুংশিনিঙাই ওইরবা মহৌশাগী মল্লবা থাংপোক ইগী য়ুম, অমদি মচী মচীদা যোভামচেৎ ফক শেগায়বনা থাজিনবা মফম কয়া। থেন্নবশিংহু উবদা থরোশংবী মথক্তগী থমোয়দা য়াহং কয়া থোক্লকই। নমবুলতুরেলগী ঈশিংনা মশাগী মশক ওনথিহুনা অপূম-অশা, কত্তবশিংনা কুপশিন্দুনা লেংঙম শাঙমদা ঈচেল লেপ্পম্বা উবদা থরোশংবী পেনখিদে। মহাক্না থোঞ্জেল থোক্তুনা হংজে নমবুল তুরেল্দা 'অসিরা ইমা নঙগী চাওথৎলবা ইম্ফাল সহর ?' থরোশংবীনা হুংশাথিরকই, তামহৌরবা মরমদম লোক্তাক্পী শক্তমহু হোংলক্লত্রা।

অচেনবা গাড়ীনা য়ুম য়োরকপদা মাঙখি থরোগী য়াথল, অনৌবা য়াথম্না শীনখি। মতমসিদা নীংশিংলকখি, ইবোতোনগী য়াহৈশিং ঙসাই কৈথেল ময়াই গাড়ী মখুঙদা হায়নখিবা মথং মথং থরোগী নাকোংদা লোহৌনা তারী। লোহৌননা উরকই। মতমহুদা কয়াগী মতীক লোম্ব খিবা, হায়জনীংবা – খুমজনীংবা য়াহৈ অমফাও মপুংফানা খুমদোকচবা ঙমহৌদবা ; হৌজিক্তদা নীংঙম্বক্তে থরো। খঙ্গরকই লোনথ্রেদা চুপী মচা ওইবীগী মপোক, কদাইদা মাঙখি য়াথল থৌনা, করিমতা থঙহৌদে। অদিবা হুংশিবগী ময়ায় হায়বদো ? পুন্সিগী অহানবা অফুক্তা শন্দোক্লবা থরোশংবীগী য়াথলগী লৈচিল ভপা ভপা পাপরক্লী। অদুবু থক্লকই থরো, ইবোংতান করম্বা মীনো।

[তরামাথোই]

হন্দক মরক থরোশংবীগী রাখল হান্নগী মথুম-মরাং হোবা হেনগৎলক্লি। তুংতুনা লৈ.স্বা ঈশিংদা থঙহৌদনা চেনশিল্লকপা অকনবা ইচেল অমনা লেংহমদবা ঈশিং মন্থুঙ মপানতুনা লেংখিবগুম তুমহুনা লৈজরম্বা ইনথৎলকপগী মৈফম অতু তপ্পা তপ্পা চাকথৎলক্লে। থরোশংবীগী অহাংবা মীকুপশিংদা ইবোতোনগী মরমদা নৈনবা হৌরকই। মসি ওইথোকপা য়াব্রা? থরোশংবীনা মথন্তা হংজে, লাইররবী মতীক চানা মহৈ মশিন হৈজহৌব্রবী, খুঙংগী নিঙোল অমগা সহরগী পাখঙ অমগা মুংশিনবা ওইথোকপ্রা? ওইথোক্লম্বদি য়াই অহুবু থরোশংবী মশাগীদমক্তি থাজবা ঙমদে। অতুম ওইনমক মহাক্না ইবোতোনগী শুমহৎযাই চেনবা রাহৈশিং অহুবুদি কাওথোক্কে ঙমদে। অতনা নীংশিংঙি ইবোতোনগী রাহৈ, থরোশংবীগী অহাংবা মীকুপ খুদিংদা মমাঙদা লেপলৈ ইবোতোনগী মপুং ফাবা শকতম, মমিংতা উরী গাভী মন্থুংগী হৌগ্রবা দৃশ্য।

থরোশংবীনা জ্ঞান তারকপদশী থেংনরুবা কয়াদা কুপ্পা খম্বা হৈনরকই। মহাক্না অঙাঙ ওইদুনৈ মমা অপানবীনা লীবীবা ফুঙ্গা রারী, রারী-লাইরিক্তা য়াওবা লাইগী রারী অমস্তুং মমাল্লবী মচে মনেমশিংনা লীখিবা রারী কয়া তারুরগা মীওইবা পুন্সি নত্রগা থরাই-পানবশিংবু কুপ্পা যেংবা হৌরকখি। মশাগী চহী মতাংগা চুনব্রবা রাখল অমদি রাঙাওনা থরোশংবীবু লোয়নবীশিংনা 'ইবেন থরো' হায়না মীংথোন পীখি। মহাক্না থাঙনা লৈরিবৈ মমাল্লবীশিং অমদি লৈকাইগী মৌনহা থরগা থবক শুমিল্লবদা থরোনা হংখি "মীওইবা অমদি থরাইপানবশিংগী মপোক্তা নোংমম্বগী থেল্লবা মীৎয়েং লৈব্রা?"

থরোশংবীগী রাহংদু খুম্বীনবা কনাগু চোংথোরকখিদে। পাউখুম ফংজ্রবদা মহাক্না পেন্দবগা লোয়ননা মথা তারকখি "কনানো অমতংদি ঐগী রাহংসিদা শরুক যাবীরকউবা। ঐ মসিদা য়াম্না পেম্ব্রে।"

"করিনো ইবেনথৌনা হায়রিব্রুবো? বীথিনা তম্বগা কর্ম্মগা মান্নে হায়ব্রো?" নুপীদুনা থরোদা হায়রকখি "থরাই পানবশিংনা তৌজবা কর্ম্মগী মহৈ মশানা ফংজে হায়বাইনে? নওস্থু কর্ম্ম ফৌ হয়েংমুক্তা মুংগাইনবা।"

"মত্নদনি ঐনা য়াজনীংত্রিবসে ইচে।"

"করিগী?"

"মুন্না থম্বহুনা য়েংবীযু, মপুগী থৌদা থৌরাইপানবা অমতনা হিক্তোকপা ওইথোক্কে। ধর্ম্ম অমদি কর্ম্ম কায়জদবা কয়া মত্নগী ফল ওন্নবদা চৎখি।" থরোশংবীনা মশাগী অনীংবা রাখল ফোঙদোক্লহুনা মথা তারকই "ঈশ্বরগী অচুম্বা রায়েন্না ঐখোয় পাবা ঙম্না লৈখিদে। চংনবী নত্রগা মীওইবগী পুন্সিগী চাংচৎ য়েংলুরবদি ঐখোয় পাবা শীফম থোক্কে।"

"করি করিনো থরো নঙনা ঙাওলিবদু ঐখোয় লাম্বফংদে।" থরোশংবীগী পাখোঙমানবা রাহৈশিংদু তারুরগা মৌনহা অমনা খুম্রকখি "নঙ ঙাওদোরিব্রা করিনো মুংশাহুম থীরক্লে।"

"তোক্লসি মসিগুম্বা রানীসি শানরগুমসি।"

অমুন্না থরোগী মমান্নবী শংবানবীনা রাতেম্নগা মুমিংতুগী রারী মথা চথখিদ্রে। ঙসিস্থু মহৌশাগী হৈনজবী থরোশংবীগী রাখল কান্নদবদা পঙথন খঞ্জবদু থাদোকপা লৈত্রি। মহান্না তোমচৌ অমদি মাগা লোয়নবশিংগী মরমদা অরেম্বদা রাখল থল্লী। তোমচৌগী লমচংতা পেন্দবগী নিংদোন পোমজৈ। মহাক্নী পেন্দবদু ফোঙদোকলুবদি লাইরহুনা মশক ফাওবা উৎলুবা ঙমদে থরোশংবী। পনথুং লৈতবা কৈয়াক অমদা কারগা ভাবকী স্বর্গ য়োগনি থল্লিবী ইবেথোইগী মরমদস্থু

র‍্যাজরী থরোশংবী ইবেথোইনা চাওথোকচরিবা শাগংচরিবা রাখলগী দলাল নোংমা নীংথায়হনা মাওখিবদা ইবেথোই হিংহৌগত্রা চিংনজে। অমুক্রা ইবোতোনগী মরমদা, অসুম্না লীক্লাইগী অমদি মমা অপানবীগী। থাঙ্গ, ইম্ফাল, লোক্তাক—রাহেং লৈকাই। ইন-চিংবা, লোং খোনবা, হুরুলাং লোনবা, লাংকাইবা— লু থুম্বা, অমুক্রা তোমচৌগী নেশা, পার্টি মুভাও, খোনচোপ লাওনবা, শেলগী হিসাব, অরোনবা ললোনবা, মন্ত্রী অফিসার শেল পীহনা ফাবা, তোমচৌগী লাং চাওখংপগী ঈচেল ইম্ফাল সহরগী শক্তম, নহারোনগী ঈহৌ — রাখলগী লাইমন। মীয়ামগী সভা যাত্রা-ষ্ট্রাইক, বন্দ চরা হেনবগী অন্দোলন, রাকৎ, অভম্বা ফম্লাইবা অসিনচিংবা থরোশংবীগী কোক্তা নোংথাংগুম মথং মথং ভানথোক্লমগা খভহৌদনা মমৈদা থরোশংবীনা লীক্লাইগীদমক থম্বরকই। তোমচৌনা পীবীগনি হায়হনা মাযরোং য়াথ্রবা শেলগী মতাংদা চেক-মোক লাওদনা লৈখিবহুগী ওইহল্লকপা লীক্লাইগী অরাবা থল্লুবদা পোত্থাফম খভদে থরোশংবী। লীক্লাইগী মহৈ তম্বগীদমক তোমচৌদগী মতেং লোনবা থরোশংবীনা তোমচৌগীদা থবক ইনথাং নোম্লবা লৈরখিবগী অর্থ, তোমচৌনা পীফম থোকপা লীক্লাইগী মতেং পীদ্রবদি পূম্নমক অরেম্বনি থল্লকই। লৈতাদবা রাখলগী লায়নাদগী ওমচাক্লরিবা থমোযগী লাইমম্না থরোশংবী, মমা অপানবীগা খুদক্তা উননীংখি। মহাক থনবমথৈ থল্লুরগা থাঙ্গদা হাম্নগুম মমাগা লোয়ননা থবক শুবগা মৌপ্রাগী মতেং পাংবনা হেন্না ফরগনী নীংলকই।

রাখন কয়া খগ্গরবস্মু, পেন্দবা কয়া লৈজরবস্মু, মীথা পোল্লা হিংলুবনা থরোশংবী হৌজিক হৌজিক্কী মাঙদা তাবা ইমুং মম্পুংগী থবক অহুমক পাঙথোকই। ঙসিস্মু ইবেথোইখোয়গী তোতী ঈশিং তাদ্রে হায়হনা ইবেথোইনা নক্লবা লৈকাইগী তোতী নত্রগা ঈশিংফবা পুখ্রীদগী ঈশিং হোল্লুনবা থরোশংবীদা থোদারকই। থরোশংবী সনাকুন পাযহনা ঈশিং শোকপা থোরকই। ঈশিং শোকফমদা লৈকাইগী মৌ

লৈশান্বী থল্লা লৈরম্মী। খরোশংবী উবদা থংনবা খল্লা খরোদা হায়রকই "খরোশংবী! কুমশিদি মোইরাং হরাউবা য়েংমিন্নরসি।"

"ঐগী মতাসিদবু ওইথোকত্রনে থাজদে।"

"কৈকৌ ওইথোকওইদোইনো, ওত্তানা থবক ইনথাং লোইথোক্লমগা মারুতী কার অমদা শং হায়থরগা লাই খোরমগা হল্লকঅ লোইরত্তবু।" মমান্নবীত্তনা মথা তারকই "চেকশিল্লীবা হায়ত্তুরো? অত্তুম্মা লিথং-চরক্তুকো থরো! ঐ হ্নারোইদৌনি।"

"অত্তুই নত্তেদা বীনাশখি। ঐখোয় ইনেবেম্মনা য়ারকনি থাজদে, অত্তুগী হায়বনি।" খরোশংবীনা মথা তাখি "ঐনা হেন্না চৎনীংলিবনে হিংচাবী, মোইরাংদো ইযুমনে খঙলত্রা।" "অত্তুবোবা, নখোয় ইনেবেম্মদো ঐখোয় য়ানবা ঙাঙনগে, নঙদা বেরা তৌরক্তু।" বীনাশখিনা মথা তারকই "ঐনা খঙলকঙৈদগী লোক্তাক হায়দো অমুক্তা উত্রি। মীনা ফজে হায়নৈ, কয়ামুক ফজে থরো?"

"খঙদেদা।"

"নবন্নী হাযদনা চাওথোক্লিরো? হায়নীংত্রসু ফৈদা, উরগা খঙদবা লৈ।"

"ঐখোয়দি পোকপদগী উত্তুনতা লৈরবনিনা ফজফমসু খঙদে, মুংঙাইফমসু খঙত্রে; ইবেম্মা।"

"হরাউবা য়েংবদি মুক্লা-কাঙজে, অত্তু নত্রগা লম থোকপা মুমিত্তা য়েংবনা হেল্লী হায়নদাইনে থরো?" রাধানা মখোয়নীগী রাহৈ মরক থংলত্তুনা হায়রকই "অতৈদি লাইরিখরোশং নখোয়গী থাজ-মোইরাংদদি ঈশিংগী অরাবা লৈরম্নোইকো লোক্তাক পাং লৈজবনিনা।"

"কাইদৈনোদা রাধা। অফবা ঈশিংগীদি ঐখোয় আদসু অত্তুম ৱানৈ।"

"ইবেম্মা! ঐখোয় খাইদদি ঈকংথা লাকপগা কংলা পার্ককী থাজপাংতগী ঈশিং শোকপদা তপ তানরিবনি।" রাধানা মথা তারকই "নঙসু ঐখোয়খাইদা লৈরবনিনা মত্তু য়াওরগদবনি।"

"কন্নিত্ত কায়দে, ঈশিং য়াওত্রদি হিংবা য়াদবনিনা য়ারম্ব য়ানা হোত্তারেদনা কমদৌনি।"

"অতুগী থন্নুরদি ঐখোয়গী সরকারসি লৈহাবগী কান্নরিত্রা রাধা?" বীনাশখিনা মথা তারকই "সরকার শীগে কায়দে, ওফিসার হোংলে কগংতে, ঐখোয়গী মণিপুরসিবু য়েংলু য়েংলুবা মায়কৈদা শীংবাবা য়াবা অসিমত্তংদি কৈ হায়না লৌথংপা য়াবা লৈশিল্লত্রেদা।"

"নত্তনা ভাত্তলিদু থরোশংখোয়গী মামো তোমচৌ তারবি শাওসি।"

"কবিগী?" থরোশংবীনা য়াগী মামো পন্নরকপদা থত্তনীংমা হংখি "মামোগা লৈবাক্তী অশোয়বগা মরী লৈনত্রনে রাধা?" "লৈনৈ, য়াম লৈনৈ। নখোয়গী মামোহোয়ত্তম্বা মন্নামসিনে মণিপুরগী চাওখৎনবা কায়খোকপা শেনফম পূন্নমক মীয়ামগী ফননবদি তৌদবা, মশাগী স্কুংত্তাইনবা হৈনথোক্লিবসে।"

"কমহায়না?" রাধা অমদি বীনাশখিত্তম্বী লাইরিক লাইত্ত হৈরবী মতমগী নিঙোন্দা থুঙংগী থরোশংবীনা ওক্না হংজখি "ঐ ভাব তাবা ত্তমদে রাধা।"

"মসিদা নৈনরবদি লোইবা নাইরোই থরোশং। অসিমথত্তং হায়গে, নখোয়গী মামো তোমচৌনা সরকারগী থিকা তৌবদা, মন্ত্রীদগীনা ওফিসার—চপ্রাসিফাওবগী শেল অচারম কায়খোকত্রগা মশাগী শেম্মোং অমুকম্ম লৌহৌনবা হোৎনবদা মীয়ামগী লম্বী, লম্বী ওইত্রে। মণিপুরগী খোংবানত্তম্বা তুরেনদা শাবা খোং ওইদে। ওফিসকী লৈকম থোকপা পোৎ চৈদা সপ্লাই বীল কায়ত্রবম্ম পোৎশিং য়াওদে। কায়দেদা থয়ো। য়াম্না লৈত্রপোংনী ঐখোয় লৈবাক্তী অমোৎপগী য়াদি তম্বদা লোইরয়োই তোক্লসি।"

রাধা য়ানীগী মহাভারতকুম্নবা য়াগী ময়ামম্বু থরোশংবীগী কোক্তা ভুংহৌবা ত্তমদে। উতোং অহোবদা ঈশিং হায়গুম ফাওদোক্লদা চংখি। মরকসিদা বীনাশখিনা হায়রকই "নত্তনা থত্তদহুনা তৌবনি থরোশং!

ঐখোয়না কনেজনী এয়ারটর্মেল এয়রকন্‌স চৎপদা মীয়িবাকী শেমজাৎ শাগৎহৌবা উয়কপনুগা চাংবমজয়দি ঐখোয়গী মণিপুর অতৈ চেটকী দিস্ট্রিক অমকাও কংবে হায়নীংডি।"

"নওসু হায়মহে বীনা! ঐখোয় মণিপুরমুক কজনা মহৌশা লাইরেম্বীশী মকম ঐখোয় থেংনদে।" রাধারানীনা মথা তারকই "মহিশুরগী বৃন্দাবন গার্ডেন, কাশমির, নৈনিতাল অমদি দার্জিলীং থুংশোয়া কজহনবনি। ঐখোয়গী লোক্তাক, য়াইথৌ, বীষ্ণুপুরগী লৌকোইপাৎ, উখ্রুলগী শীরোই— খওখুই অমদি সনাহুল লোকচাও কৌক্রনা অমুক্তং শেমগৎপিরবদি খওদৌনি।"

"নখোয়না হায়রিশিংদো ঐওোন্নদি মওনী রাধা।"

"নওগীসু মতম লাকখিনী ইবেম্মা য়ামসু।" থয়োশংবীগী পাউখুমদা রাধানা মথা খুয়কখি "মীওইবা তম্না ওমদে, নপুঙ্গি চুপ্পা নওবু অসুম্নসুম লেল্লগনি থম্নীত্রো? হয়েং কনাগুম্বা লাইবকফবা অমনা কোক খোক্রবদি দিল্লী, বোম্বে, কলিকতা মীকুপ অমদা খওলেপনা।"

রাধাগী কাগীদা মখোয় নোকমিন্নৈ। অদুবু থয়োশংবীদি থবাই তানা নোকখিদে। মরমদি রাধাগী কাগী ওইখোকপা য়াবা ওইহুনসু থয়োশংবীগুম্বী খুঙ্গংগী লাইরিক-লাইশু হৈহৌরবী মিওোল অমগী-দমক্তি থাজনিওাই নত্তে হায়না থয়োশংবীনা লৌই। মখোয়গী য়ারী ঈশিং ওাইবদা শাংদোক্লকপনি, মথা মশাগী সনাবুল থম্না ঈশিং কংলয়দা ময়ুম চংলয়ক্লে। লম্বীদা বীনাশখিনা হায়রকই "থয়ো! লাক্লিবা শগোনশেন মুমিত্তা ঐখোয় উদসবলৈ, নওইলাং শেম্বা য়াওদৌনিকো।" থয়োশংবীনা খুয়ক্তিক্লৈদা বীনাশখিনা মথা তারকই "বাবানা নওবু হাযরুনী হায়বনি, নও লাক্ত য়ারোই।"

"মকশিন্নরুপা উনখিসি বীনা।" থয়োশংবী মথা তাবা রাহৈ থরা হায়গে তৌরম্নগা তোকপ্রে। রাহৈহু হায়দোক্লমদাইদা মহাক থম্লকই, ইমুংসিদা ওইরিবা মশাগী ফিভম খওদবনা মখোয়গুম মনীং

তরী ওইথ্রিগনি নীংতুনা হায়রকপনি। অতুবু থম্মোদি ইবেথোইগী থৌজাল নত্রবদি লৈকাইগী থৌদোক্তা মনীংতম্বা যাওনবগী হক লৈতে। ফীজেৎকীদমকসু অচোবা রাফম্নী থরোগীদি; লৈশাবী অমা ওইনা অশেং-অমাং, লাই তীনগী থৌদোক্তা শেৎনবা ফী মাগী লৈজদে, শেৎপ তাগবসু ইবেথোইনা পীরগা শেংলিবনি। অসিগুম্বা মমাওগী থৌদোক অমদা ভণ্ডাইকদনা ইবেথোইগী মুগাকনেক-ইন্নফী থরোনা শেংলুবদা চুহল্লক্লে, ফীজেৎ কাম্মী, লৈশাবী নত্তগুন্মী হায়তুনা ভাও-চৈথি। তশেংবদি ইবেথোইনা হায়রিবশিংতু অরানবনি, মোৎপা-চুবা ফীগী খুদম খুদিং হায়না লৈরবনি। অতুবু থরোশংবী হাযখিদে, পাওখুমগী মহুত্তা থরোশংবীনা ফীতু গুদোক চামথোক্লগা নীংথিনা পীশিনখি। থৌদোক্তু নীংশিংলকপদগী বীনাশখিগী রাফমদা থরোশংবীনা শেৎন ইন্নবা ফীজোল লৈতে, য়াওনীংলবসু য়াওবা খুদোং চাদে, হায়বা রাহৈ ফোওদোকে নীংলুরগা কোম্না উনসি হায়তুনা থৈদোকখি। থরোশংনা করিগুম্বা থগ্না হায়গে তৌরম্নগা তোকখিবতু বীনাশখিদা মুংঙাইহৌত্রমান্নে হংলকই "কৈদৌরে থগো। নও মথা তাদনা তোকত্রদে?"

"কৈস্নু নত্তেদা, ঐথোয়সু পাম্থোইবী মনা হুংকদবা কালেন হুম্নী পানবদনি, নথোয় লোয়নমক য়াওদ য়াদে হায়গে তৌবা।"

"হোয়নে, অতুসুয়াওনী। ঐথোযগীসু য়াওদ য়াদে হায়রিসিনি।" বীনাশখিনা রাধারানীদা ওনশিন্দুনা মথা তাখি "রাধা নওসুনিকো।"

"ঐদি হৈজদেদা নথোয়গী লৈশাবী ইসাং শেম্বকাইদো।" রাধানা মথা তারকখি "থাইনগী চৎনবীতু তোকপনা ফয়বনি বীনা। হৌজিক মতমসিদা ইসাং শেম্বগীদমক মুপী ৪/৫ মতম মাওহনদৈ শরুক হুহোম্না তৌফম থোকপা তৌহনগদবনি।"

"নওনা থওত্রে রাধা! থবক্তুদা য়াম্না ফজবা লেশন অমা য়াওরিবতু নহাক থওলত্রা?

"করি লেশন?"

"ইলাং কয়া শেমগনি, কয়ম কয়বা ইলাংদা করি মচল চঙবগে হাংবদু অথঙবা থামোয়পুক্লবীশিংগা তীরংগা হুবীহুপী ওইগনৌখিবী লৈশাবীশিংদা পামা অমুবগী তাজা অমা পীহানবগি মহাক থবগে নত্তা?"

"মহুগী কৰি দরকারনো? স্কুল-কলেজদা হোম লাইরিককী পর্মা হাংজিনহুদি। মতমদু থাইনা চাওখৎজিনৈগী বানী।"

"নখোয়গী চাওখৎলে হায়বা লৈবাকশিংগী লৈতৈবী চাক ইলাংফুক হাওবা, নত্তবা লৈত্তে হায়জৈদা থাথা।" অহোবাংবীদু মখাগী থোয় লোংদোকখই "ঐখোয়দি লাইরিক ইহতকী, মপান থোক্লবীদী কণ্ডরমদু নখোয়দি থঙখিনীদা?"

"থঙবী লৈবমগী মচুংইয়া চিঙাকদু থেংথে; মা-মাগী হৈনবহুনা অহাওবনি থক্লো।" বীনাথখিনা মথা তাক্লকই "মাথামা ওহঙ লৈথোকপগী ভাওজিনবনি, হুংশিনহুবা মথৈ য়েংনবিরিবনি।"

মখোয়গী থাবী মতাং চানা থোক্লাদ মপা মৌনরহুমা অখং অমং চঙনখি।

[তয়ানিখোই]

গালহাইকীগী দা হংকফমা হুন্দিং হয়েংগি। তোমহৌগী ইবুংদা থবক-থৌরাংগী মীনা ইলাংলাংলী। মচি মচিদা মা জারবা, অরাং অপা হংনবা, তোমচৌ অমদি ইবেথোইনা বার্কল ডিমবা হংলমা অমহুং ঈশৈ অমদি অচা-অথকী মতাংদদু মখোয়নীগী অশাবা হাপকংনবা তকখিরে। তোমহৌ অমদি ইবেথোইগী মতৌ লেংবা হুতাইনৈ চঙজরিনা মী অমাবা, অশেংনবক থহোশংবীদি গালহাইবীদি মর্ম হুগশি হুমহৈ অমহুম পাঙথোক্লগনা থনী। মতমজিদা ওহঙ্লিন হুরীকী

থৌরম্না অতাওরম তায়রবগী শকম হন্দকীসিনা খৃাইদগী হেন্নগন্না কিংলে। নাম্বুংপা থৌরমসিগী মাঙওইননা মীনি-হুম্মী বাংথিংথেনগী চীন্নবা, হংলবা অমদি থবক নোমবা মীশিংগী চুরুট, চা, কোফী অমসুং সেবাদা থরোশংবীগা বাতান্নুমগদি তপ ভাবে খাবদা। থৌদোক জুসিংসিদনা করি অমুক হাপকৎলকদবা থওত্রি।

লাইক্লবগী ইমুংদা থোকপা থৌদোকীদি মী লৈতে। মাইকবা — ইনাকখুনবগীদদি মীনা চীক্ক-চাইনা ওমদে। থরোশংবীনা থৌদোক থরদা থেন্নবসি থেংনরকই। ওসিস্থু নিংথৌ লাইবক মুমথিন্নরিবা তোমচৌগী থবক থোকপদা করিগী মী বাংকনি, হেন্না হেন্না খাম্বা মশানা তাবনি। ওসি অয়ুক্কগী হৌবে পোৎপাং পীরবা। শেল, পোৎ অমদি পাম্বোইবীগী ফীজোল অচাপোৎনচিংবা খুদোনপোৎ মশীং যাম্লে। ওফিনা অসি য়ৌবসিনদি হযেংদি লৌশিনবা ওম্নোইদৌরি থল্লী থরোশংবী। মীযামগী চবাংনরবা মরক্তা থরোশংবীনা হোজঙকাওবা থোক্লগা লম্বীদা মী হেক হেক য়েংঙি। মহাক্না য়েংলিবহু কনাসু নত্তে মমা অপানবী লাকপ্রা য়েংলিবনি হায়বা পাম্বোইবী থওঙি। মথমদি থরোশংবীনা অহুমক শুবা থোকপদা পাম্বোইবীবু পম্নগা থোকই, মতমহুদা পাম্বোইবীনা হংলকখি “চেচে নঙ যেংলিহু কনাবুনো ?”

“নেনে লাকপ্রা য়েংলিবা বেবী।”

“নেনে হায়দি কনানো ?”

“ঐথোয় ইমা অপানবী হায়দো, নঙগী ঙা হেক হেক পুরকপদো।”

“ও ওঃ।”

“থওলবরা পাম্বোইবী ?”

“উম থওংঙে।”

“নে-নেন্নহু নঙগী সনা যানবা মাওনী হায়রগা হৌজিককাও লাক্লে, নায়বা কৈদৌরনো থওক্লে।” থরোশংবী মথাক্ত হুংওাইতনা তাও তাওহুনা পাম্বোইবী পম্নগা হজিল্লকই।

হুমিং অওম অওম থেংজিল্লকই। থবক নোম্লখ্বা মী পুম্নমক হয়ল্লে, লাংলগ্বা চিকথয়ল্লে। হুমিদাংবাইরম ওইরক্লকপা ওবদা অপানবী মৌরম্ল্লে। মমা লাক্লবদা থরোশংবীগী রাখল মরাং হৌরকই। শোয়দনা লাকক্নবা থোকপা মমা অপানবীনি, হুমিং নীনি-হুম্নী রাংলিগ্ৰেনবী লাক্লবা পাম্ভ হায়নখিবনি। ওসি লাকত্রা মরাক্লে, হয়েং লাকত্রা লাক্লে, না-হুৎকদবা হয়েং য়োরফাও লাক্লবদা মমা অপানবী নাবা-রেকপা থোক্লম্লগত্রা চিংনরক্লে থরোশংবী। য়াচংবা মত্তম ওইশিল্লকপগা লোয়ননা অধিবাসকী মী লাক্লবা হোরে। অরাংফম, লৈকাইগী অহল লমন, ফনা যাম্লে সামিয়ানা মাণ্ডবতা তীল্লবা। থরোশংবী মমা লাক্লবগী হুংনাংজরবস্থ থবক থোকপগী শীন্দোক শীঙ্গিলদা পোথাবা লৈত্তে। মরকসিদা ইবেথোইনা মাগী কাদা কৌরে হায়রহনা থরোশংবী চঙলকই। মহাক্লা চঙথিবদা ইবেথোই মফি-মরোল হোংহনা কেনবা থৌরাং তৌরম্মী। নাদা নাইন, ওকশমদা নেক্লেস না-হুৎপা নংনবা, শাক্লবম্থ শীজিল্লগা হকচাং চনবা মিংশেন্দা ফজবা য়েংলম্মী। থরো চঙলকপা উবদা ইবেথোইনা হায়রকই "থরো। ঐ শমশি অমুক্তা পুল্লো। নঙবু করি তৌরিগে?"

"পোৎ লাম্থোক লান্সিল তৌরুবনি ইনেবেম্মা।"

"অরাংফম লাকঅদাইনে? মহোয় থোকপা তৌজনী।" ইবেথোইনা মথা তারকই "সে শমসি ফজনা অমুক্তা শেম্নগা পুল্লম্মু।"

"ইবেথোইগী পাওতাক মতুংইন্না থরোশংবী শম্বান্দোংদা থাম্ভ থম্না নাল্লগা শমজেৎ হাংহনা শেম্লক্লে। শম্বান্দোং শেম্বা লোইরবদা ইবেথোইগী নহা ওইরিঙৈদা মেম হুপী শাবগী লেংপাক শম্নবা শেমলুবদা, শাংবা ইহেন হেনগৎত্রবা মশমহু মমল য়াম্বা থাও তৈলরগা থরোশংবীনা শেল্লকই। মমৈথংদা য়াম্না রানা শম্বান্দোং হায়গা পুনবা লোইরে। থরোশংবীনা ইবেথোইগী মনীংথুংনবা চেকশিন্না হোৎনজরবস্থ ইবে-থোইনা মিংলেন্দ্রা জেপখা জেপখা য়েংলগা বাথলি হায়দুনা ওই-রেং

মাকম অমাদি দুতুং তাবদা তাক তাক্লনা শেমহল্লী। মচুকাওবকনু মুগী ওইবাগী হৌনবী। শম্বান্দোং হাপ্পগা পুমবা মশমচু মপাই তাথা বাংলী ইবেথোই। মাগী মশম ফত্তবনা ফজবা ওমনখনি হায়বদি মহাক থম্বদে, খরোশংবানা হৈবরাংতুনা ফজবা মৌত্রিবানি হায়না নীংখারে হায়রকই "থয়ে থয়ে, ওসিগীদি অধিবাসনি, সুংদাংনী তোক্লসি। হয়েংদি ননম্মা থোইবান্দগা কনানো অমদা শেমহনবা হায়তুনী।"

"সুংদাংসিদনীনে মামোগী মরূপ মপাং অচৌ-অশাং ময়াম লাকদোইদে ইনে।"

"লাকঅগা লাকত্রগনা। মহোয় মুপানথু শম্বান্দোং ফজবা থওমগত্রনে? থাজদে।"

"হোয়দা থবু থজমনত্রে ইনেবেম্মা।"

খুদকসিদা বাহাহুর চওওক্লগা হায়রে "পূজাগী ব্রাহ্মন লাক্লে বাবুনী। অমুক্তা থোকপিরকউ হায়।"

"থোক্লকে, ফী হোংহৌরি হায়য়ু বাহাদুর।" ইবেথোইনা মথা তারকই "অগ্গাংফমদা হায়য়ু বামোন লাকএ হায়তুনা।"

"মথোয়দি হায়া উনহোরে বাবুনী।"

"যারে চংলো, ঐ থোয়কঅগে।"

"ঐসু থোকত্রগে ইনেবেম্মা।" খরোশংবীসু তাপ্পাচাগীডেদা ইবেথোইগী মাঙ্গী খোকহৌনবা খুদোংচাবা য়েংলকই। ইবেথোইনা য়ারে চংলো হায়রবদা মহাক থোয়ক্লে। মহাক থওঙি মতাংচানা নাখোকহৌত্রবদি ইবেথোইনা ফী হোংখন্সু খরোদা পকচৈ-পকচদে, শেংশিরা শেংকশুশিয়া হংবদা মহাক খুম্ফম খওলোইদৌরিবমি। ইবেথোইগী অরুবদি মানা পাম্বতু মাগী কজবনি। অয়েংবনা পকচদে হায়রিবদা মহাক শাওই। ময়ামগী মিংয়েংদা পকচবা, মডোন্দা কজবা কাজোন ইবেথোইনা থোয়দাত্রবদি পুক্নবকা তাইজবা থাকম হেক হেক থোকই। মাংসিদগী চংথোক্লমদাইদা ইবেথোইকি কাজোন হোংবা,

কৈ-থৌকনী মতাংদা থরোশংবীগী হৈনত্রবা থৌদোক কয়া থোকল্লে। থরোশংবীমা ইথকথোই নাতনী থোক্লকপদা অমুক হংলকই "থরোশংবী! নহোংগী ইচানপি নাক্লেলনা? হয়েং লাক্লগে হায়রকাংলা?"

"হৌজিককাগুদি যৌরক্লে, ইনেবেমা। কৈরপোরবনো অমা-মেক য়াওগত্রা থওল্লে।"

থরোশংবী পাউখুমদা ইথেথোই মথা ভারক্লে। থরোশংবীহু মনেবেম্মনা মথা করি হায়রকদগে থন্নুনা থোংজিন মপান্দা ওহাক লেপ্লম্মী। মথা ভারক্লবদা মহাক অছুমক থোরক্লে। থোঙকাপ অমা অনী শুরকপদা ইথেথোইনা অমুক হায়রকই "থরো। পাম্থোইবীদো করি করিনো মাঙ্গী মকী মরোল থরা শেংচিনবীবু। নঙসু মী তীমথংলক্লমি মকীনরোল হোংদোক্লগা অঙাওহু থরা শেম্মী ইবেম্মা।"

'হোয় হোঁয় ইনেবেম।" হায়রম্লগা থরোশংবী বাখল ইথুং মুংডাইতনা লাক্লে। মগাক পাম্থোইবীবু কোইথি থিরগা মমম মমা হাংদীহুনা মকী মরোল হোংদোকপীরগা কেবয়াবা কেইহল্লে। মহাক্না হৈজবা—থওজমথে হোংনহুনা পাম্থোইবীবু লৈতেংবীরগা মমাম্বীশিংগী মরক্তা ফমহল্লে। থরোশংবীসু মী তীনথংলক্লবদা মফী অমতং হোংশিল্লা থল্লী, ফনেকতু পায়থংলম্লগা করি থল্লক্লবনো তোকল্লে। মমাঙ শঙ্গোয়দা অধিবাসকী পূজা হৌত্রে। অধিবাসকী ঈশৈ শকদবা পালাশিং মাঙব মযাই চঙত্রে। অরাংকম্বা হৌমধী লৈ-চন্দন, পানা কৎতুনা ঈশৈ হৌত্রে। থরোশংবীহু পুং ঈশৈগী থোজেল ভাবদা মহাক থোক্লম্লগা থোংজিন মথাদা লেপতুনা অধিবাসকী ঈশৈ য়েংলে। মমিংতি মাঙব মথাথদা লেপ্রীবী মমিং চংলবী ঈশৈ শকপী, হুহার অমদি পুংয়েবগী চোলোমদা থমজয়বসু য়াথল্লী মথা অপানবীশিংদমক থোয়নাংতি থরোশংবী। মহাক ওহাক লেপ্লম্লগা মথা লাক্তবগী মমম করি করয়া থওশিংগে উপাই থিবা চঙলকই।

অধিবাসকী পূজা লোইত্রে। ঈশৈ অমাম্ব হোৌজিনত্রে। অমুক

অমন থরদি হুমখিবা য়াওরে। অতুবু নহারোল অমদি তোমচৌগী মসাগী লেশা পাল্লবা ভাবকশিংদি হৌজিক্তা হিদায়বগুম ঈশৈদা শেল থাগৎনরক্লি। থরোশংবীনা ওহাক বাখল তৌরগা পাদ্দে অমা কংখি। মহু অতৈ করিগু নত্তে ড্রাইভর ইবোতোম্দা হায়জরগা মৌপ্না লীক্লাইবু উনরুনবা অমদি মমা অপানবীগী মরম খওলুবা ওমত্রা য়েংবনি। অতুবু থরোশংবীনা মতেং লৌজগে থক্লীবা ইবোতোন থিবা কংত্রি। থরোশংবীনা বাহাতুরদা ইবোতোন হেক লাকপগা মাগা উনদবা য়াদে হায়বা রাকম শীয়রম্নগা মহাক চওলক্লে। থরোনা য়ুমগী কা মথল কম্না লাম্নগা চওলকপদা ময়াই কা মী ফক্কম মপা য়োরকপদা য়ুনম শাথিনা নম্নকই। মহাক থওলে, কাঁসিদা ফম্নীবশিংহু শোয়দনা শানৈ-য়ুনৈরম্নগনি। থরোশংবীনা থোঙ মপা য়োরকপদা কা মমুংহুদা ওাওনবা তায় "অশেংবা, ঐগীদি মামুক পামজবা হুপী অতৈ লৈতে।" রাহৈহুগী মকোক মমৈ থরোশংবী তারক্ত্রবসু থওডী মথোযগী মরক্তা অমনা কনাগুম্বী অমবু পামজবগী রাফম্নী হায়বা। থরোশংবী থরাই মুংঙাইতনা মাগী কাদা চওনকই। মহাক্না ময়াই কাদা লাংহৌরিবশিংহু নীংশিংলুবদা হৌরবা থোদোক থরা মমিংতা উরকই।

নোংমা তোমচৌনা ইবেথোইগা লোযননা অঙাংশিং পূহনা সিনেমা য়েংবা চংখি। চাওখ্রবা য়ুমসিদা বাহাতুর অমদি থরোশংবী নত্তনা কনাসু লৈত্রে। য়াচংবা মতুংদা থরোশংবীনা চাক থোংবা লোইরগা ময়াম হল্লকপা ওাইতুনা বাহাতুবগা তেলিভিজন প্রোগ্রাম য়েংখি। মতমতুদা ইথঙ থঙহৌদনা ইবেথোইগী মৌপ্না সনাতোম্বা কাহুদা চওলকখি। মগাক্না নিঙাইবা নৈতনা চওলক্লগা সোফাদা ফম্নহনা হায়রকই "বাহাতুর। ইচেথোয়দি?"

"বাবু! পিকচর য়েংবা চংখি।"

"ও, নথোয়দা ওাইরবনিনে?" সনাতোম্বনা বাখল মুংঙাইনা মথা তায়রকই "অহুদি ঐ য়ুম শঙবা য়াওবিগে, বাহাতুর নঙ জার্দা পান

অমগা চুরুট উপু অমত্তুগা লৈবীরু ।"

"য়ানী বাবু !" বাহাদুরগী পাওখুমসিগা লোয়ননা সনাতোম্বনা শীরকপা লুপা ফুনচংশিংহ্ লৌরগা থোকখি। কা শিন্দগী বাহাদুর থোকখিবদা থরোশংবী মথন্তা লৈহোবা চিংনরক্লুনা মহাকসু মপান্দা থোক্লবা হোৎনরকখি। থুদক অদুদা সনাতোম্বনা হায়রকই "কদাইদনো থরোশংবী। কমথোদনা য়ারী শাখিশি।"

"মপান থোকলুখিগে তা সনাতোম্বা।"

থরোশংবীগী পাওখুমদু সনাতোম্বনদি লাম্না থজে, মহাক্না লৌখিবদি থরোশংবীসি মমুং মচা চংলুগে হায়বনি, মহাক্তুম্বী লৈশাবীনা ঐরাওন্দা অত্তুক থওইদনা হায়বা ওয়্লিসিনদি থবোসি লৈশাবী ওইজরবসু লমচৎ কাম্বী মুগী শোগদনা ওইরম্লগনি হায়বসিনি। অদুমকপু মতাংসিদা সনাতোম্বনা থরোশংবীগী মশক থওবা পামজ্রি, মহাক্না হায়রকই "তান চারে, ঐগী থক্লবা ঈশিং গ্লাস অমতা পুবিরকউ থরো।"

"বাহাদুর লাক্লগা থকসি তাদা" হায়রম্লগা থরোশংবী লেপ্লমজ্রে, অদুমক থোরক্লে।

"থরো! ওসিদি ঐহাক নওগী অশেংবা অমতং থওগে হায়হুনা লাকপনি।" সনাতোম্বনা ফম্লবদগী থরোশংবীগী তুং ইল্লহুনা হায়রকই "ঐহাক্না নওবু নীংজরবপা কুইরবনি, ওসিসি ইচেখোয়গা পাউ চৎনরগা নও-ঐ উননবগী তাঙ্গা অমা শীন্নীবনি থরো। নও অশেংবা অমতংদি হায়রু, নওগী কনাগুম্বা হায়না শীংনবা লৈব্রা? লৈরবসু ঐদি নওবু তশেংনা মুংশিদবা ওমজ্রে থরো।"

থরোশ্রংবী কোক্রগী থোগুকাও মতু চুংখিবা থওহৌদে। মহাক সনাতোম্বগী বাহৈ তারুবদা থওহৌদনা মশাগুম্বা শাগৎলকই, থজিন্দা মুংগুম্না কনথৎলকই ; মশা থক থক নীক্লকই। সনাতোম্বনা থরোশংবীগী পাউখুম ফংজ্রবসু মশাগী অনীংবা অপাম্বনা থুমহৎলহুনা অমুকসু হায়রকই "য়াকমসি নঙোন্দা কোওদোকচগে থজব্লকপা কুইরবনি থরোশংবী। নহাক মুম্না থল্লগা পাউখুম অমত্তদি শীন্নুবা থক্লো।"

থরোশংবী সনাতোম্বগী বাহৈ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মরুপ [illegible], পুককসিদা থীনা খুমজোক্লুরবা মথাক [illegible], মী [illegible] [illegible] কপি খুদোংশিবা [illegible] [illegible]। থরোশংবীগী মপা [illegible] [illegible], বীরজিৎগী [illegible] থরোশংবী [illegible] কারক্কিবা [illegible] মরিক্তা ইবং ইবং লংঙ্ক্রি। সনাতোম্বী ইকায়বা থওদবা, মতৌহৃদা ভুখিনদৌবা [illegible] থরোশংবীনা হায়রকই "তা সনাতোম্বা। ঐ নিংঙোম্বী, ঐগীম্বু ইবুং-ইকপ্‌পা, [illegible] [illegible] শাগে নাইতে নৈ। ঐ অহল লমন, পূ-পাং [illegible], কনা [illegible] অমদি নত্তে তা সনাতোম্বা।"

"[illegible] শাওরমানে থরো। নঙগী কনা নৈতে হায়বা নত্তে, নঙগী অপোংবা অমত্তং থওগে হায়বনি। ঐবু লাম্না লৌগন্থ থরো।"

"অদুবু হায়বা।"

"মুংশিনববু অহল লমনগা মরি নৈনত্রনে থপো? ঐনা থন্নুকপি [illegible] হায়বদি অহল লমনগী বাদি অক্লাইবনি।" সনাতোম্বনা ওহাক লেপল্লুরগা মথা তারকই "নঙ ঐ মুংশিননা থবক চথশি হায়রনি, লৌবা [illegible] মঙ্গাংলদি ইচেখোয় ইমাইখোয়না হৌনবী লম্বী চত্থরকনী থরো। মদুখীমক্তি চিংনকপন্থ।"

"কপি হায়বা?" থরোশংবী খোল্লেল কনশংলকই "ঐনা [illegible] নৈখিবদি ইশাবু য়োনবনি থরো তা সনাতোম্বা। মহু ওইথোক্লকনি।"

"থরো। নঙ ঐবু লাম্না লৌগন্থ, ঐহাক মঙ্গদু মুংশি, তখেল্লা মুংশি।"

"মুংশিবা। ওইথোক্লমনী তা সনাতোম্বা। ঐম্বু মুংশিবা [illegible], [illegible] মীশুক করম্না মীওইদা মুংশিনবা য়োনমগে হায়বদুদু ঐ [illegible] চানা থওগী তা সনাতোম্বা।"

"নঙনা হায়রিবসি নঙগী মুংশিনবা নৈ, ঐহাকপি নঙগা মুংশিনবা মতীক চাদে অশিন্নিনে?"

"মহু ঐ [illegible]।"

"খঙঙবা'মারোই থরোশংবী। ঐ সনাতোম্বনি। কজনা হায়রিদা য়াত্রবদি মকমসি খঙলেদনা ? ঐনা কৈদোবা ওম্বগে হায়বদো নতোম্বা চপ চানা খঙহনগনি।" সনাতোম্বনা মথুদোম্বী শীংলহনা মথা তারকই "মতম লৈরিঙৈদা নশানা খঙনা হোৎ হায়হৌবা কৈ থরোশংবী। নত্রবদি ... ।"

"কৈদোদোইরিবা ?" থরোশংবী খোঞ্জেল নীক্লক্লে, মহাক মমিৎ ঈ কারহনা সনাতোম্বগী পাউখুম পীরকই "ঐসু মৈতৈ মুপীনি তা সনাতোম্বা। ধমকা তৌরগা চংকদবী বাজারী মুশী অমদি নত্তে। ঐসু থম্মোয় পাল্লী, ঈ চেল্লী, শীবা হায়বসে পোকপগী থানবা য়াত্রবা মনাংনি। তা সনাতোম্বা মুপানী, সঙ্গ কৈ, খুংকন পাঙল্লী হায়রহনা ঐহাকপু নমজা নমথেক্লখিবা য়াই, অহুবু খঙবীয়ু তা সনাতোম্বা! মদো থরাই য়াওত্রবা থরোগী হকচাং ওইবদি য়াই অহিংবা থরোমদি ওইথোক্কবনী।"

"করি হায়বা ?" থরোশংবীগী মচিন থোরবা বাহৈগী তেন-না থাবদা চৈনাখোন ফংলবা নোংশাওম মতীং পুদোক্লহনা সনাতোম্বনা থরোশংবীগী খুদাং পায়রগা হায়রকই "ঐবু অহুক উশিত্তবা ?"

"খাদোকউ ইকাইবা খঙদবা, চোপ্পীংত্রা ?" বাহৈহুগা লোয়ননা সনাতোম্বদগী থরোশংবীনা মখুৎ কপ্পোকই। মহাক্না মপুক্রীং মুংশিনবগা লোয়ননা লাওরকই "বাহাদুর!"

খুদক অহুদা বাহাদুরস্থু হুকান্দগী পোং লৈরকবা হল্লক্লমী। মহাকপু কৌবা তাবদা বাহাদুর চেনশিন্নক্লগা থরোশংবীদা হংলে "কৈদোরে ইচে থম্মো ?"

থরোশংবী বাহাদুরদা পাওখুম পীবা ঙমদনা মীংলুদগী চেক্লক্লিবা পীরাং তৈথোক্লুনা লৈরে। সনাতোম্বসু বাহাদুর চঙশিনকপদা আশী কমফম্মদা চঙশিন্নগা করিগুম্বা অমতা তৌথিদবগুম অশাওবা নৈমথনবা হোৎনক্লে। থরোশংবীগী মতৌ উবদা করিগুম্বা অমা থোক্লরগনত্রা চিংনৈ

বাহাদুর, মহাক্না মথা হংলকই "ইচেনা কৌবব্ কবি হায়রগে ? নহাক নম্বাই মুংখোইতবা মান্নী, হায়রু করিনো ?"

"বাহাদুর ! নঙ লাক্রমজরবদি… ।" থরোনা নক্ক তৌকখা মথা তাক্লকখি "ঐ ইথন্ত লৈহৌই খঙলমক্কনা নঙ অমুক কুইরকইবা করিগীনো বাহাদুর ?"

"ইচে। ঐ খঙডী। চেন্নকইবনি। ছুকাপ্পা মী চিন্নমহুনা মহাক জাইরকপননি নঙ শাওরমু ইচে।"

থরোশংবী মথা তাম্রকখিদে। বাহাদুরমু থরোনা হাযনীংদবা য়াহৈশিংছুগী মরম ভাবনা শাজিল্লী। মরমদি মহাক সনাতোম্বগী মরমচৎ মুম্না খঙডী। থরোশংবীনা য়ুমসিদা লাকত্রিবগী মমাঙদগী সনাতোম্বনা মমান্নবা পুরক্কপা য়ুমসিদা শ্যা চাবা, য়ুথকপা অমদি মুপী নহাপা ওক্কলমচৎ চৎপগী ৱারী কয়া বাহাদুরনা তাবা ফংখি, মতু থরোশংবীমু য়ুমসিদা লৈরবা মতুংদা বাহাদুরগা ৱারী শানবদগী খঙরবনি।

সনাতোম্বগী লমচৎতা চিংনবা অমনা থরোশংবীনা য়ুমসিদা লৈরবা মতুং খা থরগী মতুংদা নোংমা থরোশংবীনা ইরুজফমদা (বাথরুম) ঈরুজরিবগে, কাসিগা থংননা লৈবা মতুঙমচাগী কা (মপান খোককম) দা সনাতোম্বা চঙলকখি। থরোশংবীনা ঈরুজবদা চেংনা লোনশিনহৌত্রবা খোঙগী অহোবদা সনাতোম্বনা য়েংলকখি। মতমদুদা ইরুজবগী কোমথোক্লবা কীজেং অমদি থরোশংগী ঈশিং চোৎলবা হক্চাং কায়াৎ সনাতোম্বনা উখিবদা শুক্কা থরোশংবীমু অফিং-অকাই লোয়নদা থোঙ লোনশিনখি। থৌদোকলিগী মতুং ইকুই কুইদনা নোংমা ইবেথোইনা থরোশংবীদা হায়রকখি "থরো। ঙসিদি ইনে নঙোন্দা রা অমা য়ৌহল্লকে। নহাক মুম্না খনগা খুমগনবনি।" ইবেথোইনা হায়গদবা য়াহৈদি হায়ত্রিবগেনা থরোশংবীমু মশাগী অপেংবা খুল্লকবগী ভকশিল্লকখি "নশানা য়ানীংঙি য়ানীংদে হায়রবদো পেনা হেক্তা হায়দোকঙ্, ইনৌশিদি করিমতা চিংনক্কগনু।"

ইবেম্পোক্ষইবী য়াওাও তাবদা খরোশংবী চিংনমক্তী, মচৌশাগা মায়দবা য়াকম্ হৌদোবক্লিবসি কৃপ্পা য়াথদ্দগীনো ; ইবেথোইনা হায়নীংজিবসি কন্নিনো খরোশংবী মওল মওল থল্লী । খরোশংবীনা ওকথা থাজয়মথবা য়াকম অমা ইবেথোইনা হৌদোক্লকথি "য়াকম হায়বন্ অতৈ কন্নিও নত্তে, নওবু ঐখোয় সনাতোম্বনা মথাই তাজকয়-মাক্লে ; নওগীবা অমা খওবীমু হায়দুনা মমাল্লবনা ঐঙোন্দা হায়ব্রিবা কুইরে । অদু নও কন্নি থনবা ?"

খরোশংবী খুল্লকে । তুমিন্না মাপ্পী চাক থোংবা হোৎনরী । খরোশংবীনা খুল্লক্লবসু ইবেথোইনা হায়রকই "নশাগী য়াদী, য়াকমদি ইনম্মদা ওাওনগৎবনি থরো ! ইকপা মথন্তনী, নওগী লীক্লাইগুবা ; মাগীদমক্তদি মবাইনা চপ চানা তৌগদৌরিবনি । মহাক তলবচাবা থবকপুদি তৌত্রি, অদু ওইরম্সু মহোয় মবাইগী তুং ইন্দুনা থবক শূল্লমক চেনমিল্লরিবসি নও খওল্লেদনা ?" ইবেথোইনা পোথা পোথা অমুম হাযথৎকথি "ঐগী ইমুংমচুংসু ওইরবা, সোমদা নহোয় মামোগা ইনম্মগগী মরীসু যেংল্লুরগা হয়েং তুং ফাওবা তৎনদনবা লম্বী অমা শেম্বসু পাম্মী ইনেনা ।"

"ইনেবেম্মা ! ঐ য়ুম পানখিরোই ।" খরোশংবীদু খাওবাম্নাবা খাওলম্লগা ওল্লক্ত্রুনা খুল্লকই "লীক্লাইনা মী ওইত্রিফাওবা য়াকমসি খম্লবা পামদে ইনেবেম্মা ।"

"নও য়াদু অরাইবনি অপওবী । ঐখোয় লৈরিসিদি । লীক্লাইবু মতীক চাবা মী অমা ওইহনবা হায়বসি ঐখোয় থাই চওহুনা হোৎনরগা ওইগদৌবিবনি ।" ইবেথোইনা মথা তারকই "নওনা মকম চাবদা নশাগী অরেম্মা অমা খওলগা নৌপাবু ননিংতম্মা শেমজনবদি নওনা পাক্লিবদু হেক্লা মপুং ফারেদনা থরো !" ইবেথোইনা ওহাক লেপলুরগা অমুক মথা তারকখি "নহাক পওগদু খরোশং ! খুদোংচাবা অকম্মা হায়বসে পাক শংবনত্তে । ইনদম্মা লাকপদা য়াকমসি লেপথোক্লম্মা হায়রমুনি ।"

"ইনেবেম্মখোয়না ঐখোয়গীদমক য়াবীরিবহু ঐ খঙজী। য়ুম পানবগি অয়াইবা নত্তে ইনেবেম্মা। পুন্সি অনীগী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবনি।" থরোশংবীনা মখা তারকই "ইশাগী অয়াবা য়াওদনা ইমানা হায়বগুক্কী চংকদবসু নত্তে ইনেবেম্মা। ঐখোয় ইমাদি অপংবীনি,' মীনা হায়বা থাজগনবনি; মহু পুম্নমক ইনেবেম্মখোয়না চুমখোকপীয়ু।"

"হোয়দা, হৌজিক তহা তহাত্রবসু লশানবু য়ারবদি মতম চাবা য়েংলগা পাওখোকপা য়াই।" য়াহৈ থরহু হায়রগা ইবেখোই থরোশংবীগী নাক্তগী খোকথি। মনেবেম্মা চৎত্রবদা থরোশংবীনা খলহৌই, য়াকমসি সনাতোম্বনা হায়জরবসু কৱিগীদমক্তা ইবেখোইনা তকশিন্নরিবনো? মাগী মৌপ্‌। য়ু-বকপা, নেশা চাবা ওক্তবসিবু কনানা কৈ হায়রুনা য়াবীগদবা। তোমচৌনা লীক্লাইগীদমক মতেং পাংগনি দাই য়ারগা কাওখোকপা ওম্বসিনা করি তৌবিদোইবা। মথং মথং খল্লবগা থরোশংবী মথক্তা শাওনীংলকই। তাইনফমদি লৈতবনা লুংতাইতবদগী থরোশং য়ুমিৎতু চরা হেনথি। হৌগ্রবা য়াকমশিং নীংশিংলুবগা পাম্মোইবীগী অখিবাসতা ওসি মথাই কাদা লাংহৌরিবহু সনাতোম্বা য়াওই হায়বা থরোশংবীনা মাগী খোঞ্জেলদগী খঙবা ওম্বী। অস্নুয়া ইমুংসিদা সনাতোম্বনা উশিং থওইদনা ইরাং তৌবসি ইবেখোইনা য়াবদগীনি। তোমচৌনা নোংমসু থীনা ভাওত্রবনি, উশিং থওইবে, ঐগী মায় য়েংদে হায়রুনা। অহুদগী ফনা কুইনা সনাতোম্বা ইমুংসিদা চঙলুত্রবনি। মচে ইবেখোইগী থৌইনর্শিনদগী সনাতোম্বা তোমচৌগী পাখোল্লোই অমুক ওইরকখিবনি। থোদোকশিং অসি থরোশংবী মুল্লা খঙজী।

থরোশংবীগী থমোয়দা সনাতোম্বগী মফম লৈত্তে। মহাক সনাতোম্ববু হেক উবদা শাওনীংবা পোকই। হৌগ্রবা মাগী ফজদবা মরমকং হেক্তা নীংশিংজী। ওসিসু অখিবাসকী লাংলিত্তে অমদি মমা অপানবী লাক্তবগী খোইরাংলিত্তেরা মখোয়না য়ু থক্লগা লাংবা থেংনরবদা থরোশংবী হেল্লো হেল্লো পোথাফম খঙলক্তে।

[তম্মাহুমদোই]

খোরোশংবী মাখন্দা লুপ্পতুনা বাহাদুরদা শীন্নরম্বা পাউ ভাইরী। মপান্দা অখিবাসকী ঈশৈ অমদি মীয়াম তীনবগী লাংবনা ইনীল নীল্লী। থরোশংবীনা ইবোতোন হল্লকপা ভাইরিঙৈদা বাহাদুর চঙলকই। বাহাদুর উবদা থরো মহাক্না শীন্নরম্বা ইবোতোনগী পাউ পুরক্লমগনি খল্লতুনা হৱাউবগা লোয়ননা হংখি "বাহাদুর। তা ইবোতোন হল্লক্লরা ?"

"হল্লকলে।" বাহাদুরনা মখা তারকই "ঐনা ইচেগী রা তম্লবনি। অদু ইচে। বাবুনা চা পুরকউ হায় খরা লোনবীগেরা ?"

"হৌজিকপো ? য়ু থকপা পেন্নতুনা চা থকে হায়রিবা ? মরাই শীজরনী বাহাদুর।"

"মুগী কাংবু নত্তমাল্লে ইচে।"

"মখোয়গী চা লাইরি তা ইবোতোনদুবু লীল্লাইগীদা চংলুবরা ? ঐগী নাক্তদি চঙলক্লমদেনে বাহাদুর।"

"চংলম্বসু য়ারে, ঐনা হায়খিবদু ঙহাক ওইরে ইচে থরো।"

"অদুদি নত্ত ঙহাক্তং ভাইয়ু ঐ চা লোনগে বাহাদুর।"

"ঐ অমুক কৌরকঅদি ?" বাহাদুরদু তোমচৌনা পাখোন হায়বদা ভাইহাক্তা পোত্থাবা শঙদে। মহাক থরোগী নাক্তা চা ভাইতুনা ফমগদবা চিংনজে, হাযরকই "খরা থুনা লোল্লো ইচে।"

"মীৎ কুপ্পদা লোইনি বাহাদুর। নত্ত কপ-প্লেট থোরাং তৌরো ঐ চা লোনগে।"

মখোয়নী চা লোনফমদা চঙমিন্নখি। বাহাদুর চ. পুরগা থোকল্লে। থরোশংবী মাগী কাদা অমুক চঙল্লে। মহাক ইবোতোন হল্লকপা ভাইরি। মমাগী অমদি লীল্লাইগী মপাউ তানীংবনা থরোশংবী অতৈ

বাখল চঙদে। ঙহাকী মতুংদা থয়োশংবীগী কাদা কনানো অময়ুক চঙনকপগী থোঙথাঙ মখোন তারক্লে থয়োশংবী, ইবোতোন ওইরবোই থম্মুলা থোঙ থজিক হাইদোক্লগা য়েংজে। ইবোতোনগী মহুত্তা মহাক্না ফুকংচরবা সনাতোম্বনী। সনাতোম্বা উবদা থয়োশংবী ফুচুংখিবা থঙহৌদে। সনাতোম্বনা চঙশিন্নক্লগা হায়রে "থয়ো। ঈশিং থজিক্তা থক্কে!"

"মকমলিদা ঈশিং লৈত্তে তা সনাতোম্বা!" হাইহঙ্গা লোয়ননা থয়োশংবীনা মাগী থোঙ লোনশিনগে হোৎনৈ।

সনাতোম্বনা থোঙবা পায়হনা থাম্লগা হাযরকই "ওঃ হো, ঈশিং থজিক্তা থক্কে হায়রফাও শাওনীংলব্রা?" সনাতোম্বনা মথা তারকই থোঙ লোনশিনগদ্বু ঐ নঙোন্দা করিগু তৌরোই, ঈশিংথুতা পীয়ু ঐ চৎচগ্রগে।"

"নখোয় কাহুদা ফিলটর লৈদাইনে? ঈশিং যাউদ্রো?"

"ফিলটরগী ঈশিং লোইখোকখ্রে। থাজত্রগা নঙ য়েংলোলাউ।"

"অহাউ অথুম চাবদা অহুক য়াম্বা ফিলটরগী ঈশিংথু লোইরনিনে? লোইগু লোইরমগনি, ঙসাইদগী অচঙ অচঙ লীক্লি মশীং থঙলৈরোই, কনাগী ঈশিংনা লৈদোইনো।"

"ইবেম্মা সনাতোম্বী! ঈশিং জগ অমত্তা পীবিয়ু অদৈদি নঙোন্দা শুকয়েং য়েংচররোই সৈত।"

"ঐ শুকঙম ফংরোই তা সনাতোম্বা। বাহাদুরদগা কনাদনো হৈহল্লু।"

"নঙ ফজ্তকো থয়োশং। ঈশিং থজিক্কদি পীথকওমী নঙবো।" সনাতোম্বহু নেশা থয়া থয়া পানবগী মতৌ মান্নী, মহাক্না থয়োশংবীগী থোঙজিন্দা ঙারগা মথা তারকই "লাকওমি থয়ো। ঈশিং খিত্তা পীবো কৈদোগে নঙবো। ইমান্নবগী মমাঙদা শীবনা ফরে সৈত ..."

"ঐ ঙম্মোই হায়রিসিনি তা সনাতোম্বা!" থয়োনা মথা তারকই "ঐহোন্দা হায়রবদি ঈশিং থককম লৈত্ত্রবো?"

"ঐনাবো, ভাইরে লৈরে। নঙনা কৈনা ঊশিংহ্নু থক্রদি সনাতোম্বা ভুকসা কাঙে ঙসিদি ?"

"অহনা অসুক হেন্না তানীংজে।" সনাতোম্বনী মথোং হক্তবা, বাহৈ ভারুবদা হায়বগী হেন্না শাওগংলক্লে থরোশংবী, মহাক্না মথা তারকখি "কনাদনো হায়কা যাবা মীদু হায়রুগো তা সনাতোম্বা। চংঙ্গ্রো চংলো তানীংজ্রে।"

"ঐনা ফজনা, হুংশিনা হায়বসিদা নহাক চাণ্ডথোক্লে। নহাক ঐসি কনানো থঙত্রমাক্লে থরোশংবী। ঐহাক মুমশিগী মহাযানীগী মোপ্পা সনাতোম্বনী। নঙনা মুমশিক্সী মীনাই থঙলত্রা ?"

"করি হায়বা মুথকপা ?" বাহৈসিগা লোযননা থরোশংবী অশাওবনা হেনমনখিহনা সনাতোম্বগী মথজাইদা থুপাক্লা থাক্রে। মহাক্লা মথা তারকই "মীনাই হায়বা ?"

"মান্নী, নঙ মীনাইনী।" সনাতোম্বা। মুপা ওইবগী থৌনা পুথোক্লহনা থরোশংবীগী মথুজেং পাযরগা মথা তারকই "মীনাই নঙনসু মপু মশক থঙদবশাই, হৌজিক নঙবু কনানা কনবগে য়েংশি।" বাহৈহুগা লোয়ননা থরোশংবীবু ঙপকোন কোনশিন্নবা হোৎনরকই সনাতোম্বা।

"থাদোকউ ইকাইবা থঙদবা হুই। নথিবোং থরা থকচিন্নুরগা মফমসিদা ঙাওশিন্নগরিবা করিগীনো ?" মুপী মচা ওইজরবসু থরোশংবীদি খুজংদগী হৌরকপিনী, মুপা অমবগী পাঙল থোইনা তারমজ্রে। মহাক্না সনাতোম্বদগী নাম্বোক্লবা হোৎনরহনা মথা তারকই "নঙ ঙসি চোপ্পীংত্রা ?"

"চোম্না ?" সনাতোম্বহু কংনোক নোকথোক্লকই। মহাক্না থুন্নকই "ঐতোম্বা চোম্না-লেম্বগী খেন্নবা লৈতে, নহাকপু ইথুং চনবনি ঐনা ঙাইরিবসি··· ।" সনাতোম্বগী বাহৈগা লোয়ননা থরোম্ব মথুংচন্নবা হোৎনরকই।

"হুন্দক মপোকন্সিমগীদি নমঙাকাও থাজকহু শা।"

* "ঙসিদি অয়োইবনি থয়ো। নঙবু নবাহুনা ইথুং চত্রিবখৈ লেয়া তোক্লরোই।"

থয়ো অমসুং সনাতোম্বা, ইক্লরকই, চিংনরকই। থয়োশংবী কৈরবীগী শক্তম লৌরক্লে, মহাক্কী মমীং ইথেংগুম ঙাঙখংলক্লে, শোয় কুইনা হোল্লক্লে। নেশা চুরবা সনাতোম্ববু ইম্বোক্লগা হায়রকই "হায়, ইকায়দবা শা। থাদোকউ। নত্রবদি ।"

"নত্রগা কৈদোদৌবিবা? করিগুম লৈতবী মুপীমচা নঙনসু সনাতোম্বদা থমকা তৌজসারি।" সনাতোম্বনা থয়োশংবু খুত্থম চল্লবা হোৎনরকই। মখোয়নী থোঙজিলময়াদা লাক্লরম্বদগী চিংনবকপদা কা মমুঙ ময়োরক্লে। সনাতোম্বনা মথা তাবকই "কৈগী থযাম্বা তারবা শজী নঙনসু চোং-কন্দুনা হোৎনরি, কয়া কুইনা খাঙবা ওম্বগে গেংঙ্।" মহাক্লা অমুকসু হায়রকখি "নঙবু নমথুনা ইজ্জদ মাঙহল্লম্লগা সনাতোম্বা শিরবসু শীজক্রগে।"

"করি হায়বা?" থারাশংবীনা সনাতোম্বদা মতিন শিৎচীম্লগা হায়রকই "নঙগুম্বা ছইনসু ঐবু ইজ্জদ মাঙহনগে থৌরাংলিবা? লমচৎ নাইদবা শা। নখোয়গুম্বা কয়ানা মৈতে মুপীগী মীংচৎ থীহল্লে, ঙসিদি নহাক নখোঙনা নমঙ থীজরবনি, থয়োগী খুত্তা মহাক নপুন্সি লোয়বনি খঙঙ্।"

মচিন্নদি ঙাঙজে থয়োশংবী, অদুবু মহাক্লা সনাতোম্ববু মায়থিবা পীবদি ঙমদ্রি। ইনথৎলক্লিবা পাখঙ অমবু তবাইনা মায়থিবা পীবা মুপী মচা অমগী তরাইবা থবক নত্তে। অদুগীসু মথক্তা সনাতোম্বা নেশানা পায়বা মখোক লোয়বরা মীশক অমসু ওইদ্রি।

লাক্লা ফানবদা থয়োশংবীগী কনেক কীরোল হীকথরক্লে, মহৌশাগী মঙং কায়রক্লে। থয়োশংবী মুংশা থীরক্লে, পাঙ্গল শীংনবদা সনাতোম্বনা লাকচবা ঙমত্রবসু কীজেংকী খুদোংথিবনা মশাবু কল্পনবা হোৎনবদা সনাতোম্বনা খুদোংচাবা লৌথগত্রা চিংনরে। থয়োশংবীগী শাম্বরক্লিবা

মঙ্গলক শেমজিল্লনা হোৎনরবা সনাতোম্বনা খুরোচাবা তৌদুনা কীচংগী হকচাং শোয়রনা হোৎনরকই। খুদক অদুদা থরোশংবী মীংথেরনা লৈমাইবা খুরে। পুক্নিংগী অরোইবা মিকুপ অমদা মখল পাম্মুরবী থরোশংবীনা অশাওবা অমদি অরোইবা থৌনা ফুদোক্তুনা সনাতোম্ববু খোঙপাক্লা কাওরক্লে। মতমদু সনাতোম্বনা থরোশংবু লাইনা থুদুম চল্লগনি খাক্লমদুনা মহাক মফী শেমবা হোৎনরি। থরোশংবীনা মিকুপতু মাহোৎকল্লবনি মহাক্কী পুক্নিং লুখাকলা। ওনখিবমাই পাম্বৎচবদগী অক-কক্না থল্লুদনা সনাতোম্ববু পোঙপাক্লা কাওখিবনি।

সনাতোম্বা চৈনাখোম খাঙবা ওমদদুনা লৈমাইদা লোৎনা হায়খ্রে। মহাকী চনীং ময়াদা থরোশংবীগী খোঙপাক্লা পানখিবদা সনাতোম্বা জ্ঞান মাওখ্রে। হৌজিক্তি থরোশংবী মফী-মরোল শেমজিল্লগা হুংঙা থবেং থবেং হোল্লদুনা কাদগী মপান থোক্লক্লে। অখিবাসকী ঊশৈ শোয়শিল্লয়ে। মী অয়াম্বা হয়খিরয়ে। অহিংসিদা তীল্লবা কনাগুম্বা অমতনা থরোশংবীগী খুদোংখিরবা থৌদোক্তু থঙহৌখ্রে। সনাতোম্বগী লোয়নবশিংসু নৈশাদা লুপতুনা কা মনুংদা ঙাম্বদুনা তারি। থরোশংবীনা য়েংলকপদা বাহাদুর মীয়াম্না ফম্লম্বা কীদা, চৌক্রি অমদি শোল্লা লোইশিনবা হোৎনরম্মী। খুদক অদুদা ইবোতোন চঙলকই। মহাক্না থরোশংবীবু থীরকই। ইবোতোননা থরোশংবীগা উনবগা থরোশংবী বা ঙাওদে মপুক্নীং হুংশিনা কপ্লকই। খোঙ্জেল খোজবা থরোশংবী মীংস্না অনীগী পীরোইনরবা মীং নহা অনীদুনা ইবোতোম্বা চিংনা য়েংলগা মগী মতুম মতুম শীগ্গরিবা মায়খোওদু উবদা ইবোতোন হেংবা ওনম্লদুনা হংলকই "কৈদৌরে থরো?"

থরোশংবী পাউখুম পীরক্তে। ইবোতোননা অমুকম্ হায়রকই "ইদৌরম্লে নঙবো নশা ওমজরবো?"

"ঐ কৈদৌ তৌদে তাইবোতোন!"

"কৈদৌ তৌরদি কপ্লিগী কপ্লিবা?" ইবোতোননা থরোশংবীগী

লোথক্লিবা মরম থিগৎলকই "অমুক কুইখসি অদুদা মুত্থাইহন্‌দা অমুক্তা উথিত্রি, নত্তা কন্নিগদবা খরা লোৎলী হায়বা ঐ খঙ্গদ্রি। হায়দোকপনা নঙগী ওইজগদবা লৈরবদি কৈ নম্ভগদি হায়রোকহৌবনা মুংদা নঙগী কান্নবা হেনগনি খরো।

খরোশংবী কন্না তোকখ্রে। মহাক ইবোতোনগী মাহৈ তারগা হায়রকই "মহুগী মতম লাকখিনী তাইতোন।" মাকমসিগী মহুৎতা মহাক্না খৎলকই "ঐখোয় ইমাগী মরোল খঙবীরব্রা তাইবোতোন? লীক্লাই উনবীরকপ্রা?"

"উনরক্তে" ইবোতোননা ওহাক লেপলুরগা মথা তাররকই "ইমা মশা ভমদে হায়হুনা নহান চৎখিবদগী হাপ্পগৎলক্তে হায়, ঐসু কুপথরক্তে, খরো!"

"করা কন্না নারমগদবনো খঙদ্রে, ঐখোয় ইমাদো মশা কত্তবনি তাইবোতোন।" খরোশংবীহু মমাগী থল্লুবদা লৈফম অমুক খঙলক্তে। মহাক্না মথা তারকখি "মহৌশাদি য়ুম কুম্মথাইদা ঐগী নাক্তা হেক হেক লাক্লবনি লীক্লাইগো, হন্দক্তি মহাকসু ওক্লাক লাকখিদ্রে, কৈদোরনো খঙদে।"

খরোশংবী মওল মওল খল্লকই। খুদক্কুদা ইবোতোননা খবোশংবীগী অহানবা থেংনখিবা ফিভমহু খঙনীংহুনা হায়রকই "নঙ ওসাই কখিহুবু করিগীনো খরো? ঐ মহু য়াম্না খঙনীংঙি।"

"তা ইবোতোন। ঐ কোম্না হায়রগে।"

"খরোগী মাখ। ইবোতোনগী মাহংদা চঙলুদ্রে, মমা অপানবীগী থনবদা করিগুম্বা অমত্তা হৈনীংখদ্রে। খুদক্‌সিদা মাহাক্ন চঙলকুনা ইবোতোনবু কৌরে। খরোশংবীবুসু চাক চানবা থৌরাং তৌররো হায়হুনা ইবেথোইনা হায়রক্লে। খরোশংবীগী মাখল অমাং ওনোইরম্মু মীগী মীথা পোল্লুবনা মহাক থবক্তগী নাক্লোকপা.মাখিদে। মহাকপু সনাতোম্বনা উশিং খঙইদনা তৌখিবা, মীনাই মুখী হায়খিবা; কনা

লৈজরবী পীনৎ-পাদৎলবী অমত্তম থুদোংচাবা লোৎরকপা। অমনোমদা মমা অপানবীনা পাম্বোইবীগী মা-হুৎপা য়াওবা ওমদবদগী অনাবগী পাও তাখদা থরোশংবী পোথাবা ওমজে।

চাকশঙদা থরোশংবীমা থবক হোৎনখিঙৈদা সনাতোম্বা ওয়া তথা জান লাম্লহুনা থরোশংবীগী কাদগী মপান থোক্লমে। মহাক্না হুময়াই য়োৎরকপদা মহাক্না তৌরিবহু কনা উয়মগদগে চিংনজরকই, মহাক ফুং-মাঙ লৈহুনা য়েংলকখি। কনাগু উত্রবদা ময়াই কাদা সনাতোম্বা চঙগ্রে। কা মহুঙদা সনাতোম্ববু ঙাইরিবা মাগী মরাপশিংহু থৌজিকনু নেশাদা লূপতুনা লৈরম্মী। মী পূম্নমক হন্নগ্রকাওবদা ময়াই কাদা লাংলিবহু কনা কনানো হায়হুনা অশাঙবগা লোয়ননা ইবেথোই য়েংবলাকই। মৌপ্‌া ফুপা সনাতোম্বনা মমাম্ববা অনী অহুমগা থুগী নেশাদা লূম্নহুনা অমনা অমবু করেম-কথাইনবা, অমুকনু ফীম্নদা মথোয়না উথিবা নোংচুম্নোমগী জগোই মশা ওমহুনা অমনা ফুশীগী মতৌ, অমনা ফুপা শারগা কাহুদা লাংলবা উবদা ইবেথোই থঙশাও শাওগৎলকই। মহাক্না সনাতোম্বদা ওনশিল্লগা থোন কন্না হায়রকই "সনাতোম্বা! মকমসি মথোরগী য়ু ঙাওকন্না?" ইবেথোইনা লাওরকপদা নেশাগী মহু চমথরক্লি। মথোয় জগোই শারম্বা লেপখ্রে। ইবেথোইদা য়েংলগা কীথি কীরুম ইকাইবা থঙবগুম তুকক-তুকাই লেপতুনা লৈরে। ইবেথোইমা মথা ঙারকই "মহাক অঙাংসিগী চাউরবা থবক অমা থোক্লি থঙলমত্তদা অহুগুম। জুং-চাদবা শাজৎ চৎতুনা ইমুংসিগী ইজ্জৎ য়োক্লিবা করিগীনো সনাতোম্বা?"

"ইচে!" সনাতোম্বা মথা তাবা ওমদনা তোকখি। ইবেথোইনা লাওহুৎলকই "ইচে হায়বদি, কৌরকহু তুকৎচে।"

"মী: ময়াঙসিদা, তোকও এ লাক্লে ইচে।"

"মীগী মমাও, নঙবু ইকাইবা থঙরনে? নঙ ঐবু উশিন্নবা অমা থাওরমাম্লে সনাতোম্বা! চৎখ্রো চৎলো নশকহু য়েংনিংদে।"

"ইচৈ। অহুক য়াম্না হায়রবগী ঐ চংখিগে।" সনাতোম্বগী জাওনা থক্রমাংদা মমান্নবশিংগী মমাংদা ইকাইজবগা লোক্কনা ইবেমোইদা হায়রকই "ঐ খরা থকউরে হায়বা খঙলক্কদা ঐহাকপু চত্থাং হাৎনী, ইমান্নবশিংসিগী মায় থজিঙ্কাও মেংবীদে ইচেম্মা।"

. সনাতোম্বগী য়াইং অবনা ইবেমোইগী হাকচাংদা শাওবা হেনথক্লকই, মখাক্তা মমায় লৈথোক্লগা হায়খি "বাহাদুর। ইকাই খুম্নবা মাথাবশি মঙকখ্রম লাক্কনা ইখোক্লো-লাও। মানা ঐবু মায় মেংবীদেম্মু হায়জখারি, মখিবোং য়াম্নকপদি তমত্রেনা……।"

"য়ারে য়ারে, তাক্লবসু ঐ শোক্কনা চংকনি ইচে।" সনাতোম্বগী য়াইহকগা লোয়ননা মমাংদা চোয়না তাম্নিবা মপোৎ মচৈ লোয়শিল্লী। মমঙ্দা মমান্নবশিংসু য়াইং অমতা ভাওনমগনা তুমোই-ভান্নোই কাদগী মথং মথং থোক্লকখি। সনাতোম্বনা কাদগী মপান থোক্লমদাইদা হায়রম্মী "ঐহাক নখোয়গী কনাম্মু মন্তে, য়ুমসিদা ঐনা চুংঙাইজনবগী হক লৈতে।"

"লৈতে, করিগী লৈদোইবা? নরমচৎ ফজরবদবু পুম্নমক শীরগে হায়বনি, অহুদি নত্তনা, নও ইকপ্রানী হায়বদা ইমায়সি থঙ্কম লৈম্রে।"

"ফরে ফরে য়া মথা তারম্মু।" ইবেমোইগা সনাতোম্বগা লাউনবহু তারহুনা তোমচৌনা ইবেমোইগী তুংদা লেপ্লগা খামজিল্লকই "মী মমাঙগা নঙমা অঙাওবগা মান্নহুনা লাওরিহু ইকায়ব্রো?"

মপুম্নোইবনা খামজিল্লবহুনা ইবেমোই মথা তাখিজ্রে। তোমচৌনা খামজিলবহুগী খুদোংচাবা লৌরহুনা চংথোকলুরবা সনাতোম্বনা হজিল্লক্লগা তোমচৌদা থোরম্নহুনা হায়রকই "ইবাই। নখোঙ পায়হুনা হাক্জরি, নংশনবু ভাকপীয়ু ঐ লানগ্রে।"

"ঐ লোয়না খঙতী সনাতোম্বা। চংলো মথা তারম্মু।" মখোয় পুম্নমক মথা শাংথনখিজ্রে। সনাতোম্বা চংগ্রে। ইবেমোইসু তোমচৌগা লোয়ননা চংমিন্নখি। খয়োমশংবীদি মথাই চুংঙাইজবগী চাক চানীংব্রহুনা মমাবগী চানবা শীংথোক্লগা মাগী কাদা হজিল্লকই। মানা লাকপদা

ময়াইকাদা লাওনরম্বত্থ তাখি। অত্তুবু মহাক মফমত্তুদা পম্বুরমদে, মহাক্না থওখিবা হাযববু ওসাই সনাতোম্বনা জ্বান মাওত্থুনা রম্বিরগা ত্থুহৌবত্থ করিগু শোকখিদ্রে হায়বসিনি। থরোশংবীনা মাগী কাদা চওলল্লগা থোঙ-চেৎনা লোনশিন্দুনা লাওতক্লুরবা রাথলবু লাকশিন্নবা হোৎনৈ। মহাক হিপফমদা চওলগা তুম্বা থেম্নমী। তুম্বদি লাইরত্থুনা অচিবপসিদা মাওদা থোকখিবা থৌদোকশিংত্থ নোংহৌনা মশুক শেংগৎলকই। সনাতোম্বনা মহাকপু উশিৎ-থওইদনা ভাওখিবা, পীদোল্লবী কনা লৈজন্নবী অমগুম মুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাওহনগে হোৎনরম্বা, মহাকপু মীনাই মুপী হায়খিবা অমদি মমা অপানবী নারে হায়বগী পাউ পুম্নমক্লিনা অমমমতা ওইনা ওৎলরে থরোশংবীদা।

থরোশংবীনা খনবমথৈ থল্লুরগা মফমসিদা মখাতানা শাংথনা লৈবগী খুদোংচাবা ফংগনি থাজরক্তে। মত্থগী মহুৎতা মশাত্থুম মাওলক্কদ্রা চিংনরক্লে। রাথল কয়াসিদগী মমা অপানবী উনরগা মাগী অনীংবা অমদি হৌজিক ওইরিবা রাফমশিং খম্ননীংঙি। পুম্নমক্কগী মরু ওইবদি মমা অপানবী নারে হাযবসিনি, অহীং অথেংবক্লাও থরোশংবী মমাগীদমক খনবদা তুম্বযাখিদে। মহাক্না থল্লকই, হয়েং নোংঙানবগা থাঙ্গা চৎলুগে, মমাগী অনাবা য়েংলুগে। মমা উনরুন-বগীদমক ইবেথোইদগী অয়াবা লৌরগা থাঙ্গদা হায়থগদবনি। অত্তুবু থংনবা মীকুপ্তা থরোশংবীনা অসিমসু নীংশিংঙি, হয়েংদি পাম্থোইবী না-ত্থুৎপগী চাওরবা, থৌরম পাওথোক্কদৌরি, মসিদা মহাক্না থাঙ্গ চৎলুগে হায়বত্থ নাতৈ চাত্রা ইবেথোইনা যারক্কদ্রা? থাজদে। মুওল মওল থল্লুরগা থরোশংবী থোক্লবা অমা য়েংলগে নীংত্থুনা নোংঙানবা ভাইরী। সনাতোম্বনা লাকচখিবগীদমক থল্লুরবদি হৌজিকমক মুমসি থাদোক্লীংলে, খাওবা ভমদে থরোশংবী।

[তরাসরি]

পান্থোইবীগী যজ্ঞ হুমিংকী অয়ুক্তু থরোশংবী মপুক্সীংদা মমা অপানবী উনজনীংবা, অনাবগী মরম খঙজনীংলবস্থু না ছুৎপগী থৌরমদা নাম্থোকপা য়াদবনা থরোশংবীবু থাঙ্গা চৎলুগে হায়না ইবেথোইদা হায়জবা ওমত্রে।

পান্থোইবীগী না–ছুৎপদু ধর্ম্মগী অশেংবা থৌরমদা নত্তনা হৌজিক্কী ঈথক-ঈয়াংনা মপূং ওইহনা লোয়শিল্লক্লে। থবোশংবীনা ইবেথোই অমদি তোমচৌগী মতৌ য়েংজে। থৌবমতুদা তীল্লবা মী কয়াগী হয়াউ তয়াম্বা অমদি হুমিদাং অধিবাসতা হুগীনা ঈশৈ শকখ্রবস্থু যজ্ঞ হুমিংকী ঈশৈদি হুপা পালানা শক্লীবতু উবদা অনীগী খেন্নবা থরোশংবীদি খঙদে, অহুবু য়েংবদা লূম লূম ফজবদি হুপাগীসিনা হেল্লী থরোদা। ময়ুমদা মিয়াং থুরবস্থু মৈতৈদি থোদোক অমদি লাই-তীনগী থবক্ত। লৈত-লাইরা কাওথোক্তুনা অওম্বা কুদোক্লে। থোদোক মফমদা লাক্লীবা মী অমতা লাইয়বা মান্দে, ফীজেৎ চপ মান্নে; লীংজেন মান্নবা অমতং খঙগে হায়রবদি মৈতৈগী চৎনবী থোদোক অমদা লায়না খওবা ওন্মী থরোশংবী। অহুবু থমোয়দি শেংলমগদবা মান্দে।

নাছুৎপগী থৌরম লোইত্রে। লোইশিন থমজিনবা, হৌখ্রবা থোদোক্তুগী মরমদা রারী শান্নবা, পোৎপাং-শেন-থুম হংবনা থোদোক থোকখিবগী পোল্লোই ওইরী। মরমকসিদা ইবেথোইগী নাক্তা থরোশংবী চঙলকই। মহাক্না মমা অপানবী নাবগী পাউ তম্লে, লোয়নন মশামক থাঙদা চৎলুগে হায়না হায়জরক্লে। থরোশংবীগী রাহৈ অমদি অপানবী নাবগী পাউ তাবদা ইবেথোইনা হায়রকই "নও মাম্মোনা য়ারবদি চৎলু কায়দে থরোশংবী! ঐদি হায়বা ওমদে।

করিগীনোবু ইমুংসিদা লাংলীবা চাইরিবা ময়ামসে নও চৎপ্রদি পুমহো হোগদৌরিবনি।" ইবেথোইনা থরোশংবু চৎহন্নীংদবগী মরৌ লৈবা য়াঙাঙ মথা তারকখি "থবক থোকপগী লাংলিঙৈসিদা নত্রদি য়াত্রবরা থরো। হয়েং নত্রগা হংচিং চৎপা য়াত্রো ?"

"ইনেবেম্মনা হায়রিবহু চুম্মী। অহুবু লীক্লাই চৎখিবদগী হায়গৎ-লক্তবা, পাম্বোইবীগী নাহুৎপা য়াওরদবসিনা ইমাহু খরা শাখিরম্লগত্রা খল্লী ইনেবেম্মা।" থরোশংবীনা ইবেথোই য়ানবা তকশিল্লকই "চুম্না ঙমদবা ওইরবদি পাও ফাওবদি থারক্কদবনি। ঐ হৌজিক হায়থরগা হয়েং অয়ুক তন্না হল্লক্কে ইনেবেম্মা।"

"লুরিবদি নঙনা চৎপা হায়বসে মী অমা লোয়নবা ঙাবনিনে থরোশং।" ইবেথোইনা মথা তারকই "অহুতস্মু নত্তে, শেন য়াওদনা করিগুম্বা অমতা পুদনা চৎপস্মু য়াবনত্তে খঙউনে।"

থরোশংবীনা খঞ্জরুবগা ইবেথোইনা লুশিলহল্লক্লিবগা খেন্নরে, মহাক্তি অহুক যাম্বা রাখন খম্বরুদে, মমা অপানবীগী ফীভম খঙলুরগা তন্না হল্লক্কে অসিতনি। থাঙ্গা চৎপগীদমকস্মু মী লোয়নবগী তঙাইফদবা মহাক খম্বখিদে। শেন অমদি পোৎ পুনবগীদমক্তি ইবেথোইনা পীনিংদবগী রানী, পাম্বোইবী না-হুৎপদা পীরম্বা পোৎপাংশেল অহুগা অচা-থক পীকথন্না ইমুংসিদা লৈ। পুন্নমক্কী মথক্তা অপানবীগী অনাববু ইবেথোইনা থওইনা খন্দবনা থরোশংবীদা চৎহন্নীংবগী য়াঙাঙ ঙাঙলক্তবনি খল্লী থরোশংবী। মহাক্না করি খুমসিগে খল্লী, মথমোয়নদি অপানবীতবু নীংশিংঙী। মমাগী খল্লুবদা থরোশংবীনা ইবেথোইগী রাফমশিংহু মরুনী হায়নীংদে। মহাক্না ইবেথোইদা হায়রকই "ইবেম্মা! মী য়াওরবস্মু য়াওত্রবস্মু, পোৎ পুত্রবস্মু ঐহাক ইমাগী অনাবহু তঙাইফদনা খঙনীংঙি ইনেবেম্মা।" থরোনা মথা তারকই "হৌখিবা চহীদা ঐখোয় ইমাদো মেলেরিয়ানা নাহুনা য়ায়া শাখিনা লাক্লখি। লায়েংবগী, হীদাক-লাংথক লৈবগী অহুগা ডাক্তর কৌবগী শেন লৈতহুনা

লৈকাইদগী শেন পূবদগী হেন্দোক্কনা হি অনী লৈজরম্বন্থু ঙম্মতা ঙাইরবনি ইনেবেম্মা !"

"নাখে হায়বসি কনানা হায়রকুনা খঙলিবনো নঙবো ?" ইবেথোইনা থরোশংবীগী ৱারী তারুরগা হংলকখি "চপ চাবা শোয়ত্রে থাজবা য়ারবা পাউরা, নঙনা ইনম্মা লাক্তবকুদা নারম্মনি হায়কুনা থাজবগীরা হায়বা থরো ?"

"ঐখোয় লীক্লাই ইমাগী অনাবকুগী চৎথ্রে হায়কুনা খাগেম পল্লীগী ইন্দোমচানা খঙহল্লকপনি ইনেবেম্মা ।"

"ঙসাই খাগেমপল্লীগী ইনম্মা যম্ভ লাক্লম্বত্র ঐঙোন্দদি অনাবগী পাউ হায়রমদে, নঙোন্দদি হায়রম্বোরে ।"

ইবেথোইনা ৱারোবগী মতৌ উৎলকুনা ঙাঙলকপকু তাবদা থরোশংবীনা খুল্লকই "নাহুৎপগী মীয়াম মরাং মরাং তৌবা, ইনেবেম্মনা ময়াম উনবা, ৱারী ৱাতাই তৌনবদা ইন্দোমচাকু কাওথোক্লম্বসু য়াই । ঐঙোন্দদি ইমা নাবগী পাউ পীরম্মী ইনেবেম্মা ।" থরোশংবীনা মথা তারকই "পাম্বোইবীগী নাহুৎপা লোইরগা থাঙ্গা চৎলুদবা য়াদে হায়রম্মী ইন্দোমচানা ।"

"অহুবোইবা, ইমুং মঙ্গংগী অহল ওইরিবা নহোয় মামো নত্রগা ঐঙোন্দা পাউকু নীংথিনা পীরম্লবদি থম্নবকু কোম্মীদনা ।" ইবেথোইনা মথা তারকই "ফরে ঙসিদি চৎলগনু, হয়েং চৎলো থরো । হোরেল নহোয় মামোগা খম্নরগা শীন্দোক শীঞ্জিল তৌনখিসি । নঙনা হৌজিক হায়বগা হায়বকু নাতে চাররোই ইবেম্মা ।"

ইবেথোইগী ৱাহৈ তাবদা থরোশংবী মথা তানা হায়জবা ঙমদবদগী মমা অপামবীবু খুদক্তা উনজনীংলবসু ওইথোক্তে । মহাক ইবেথোইগী মনাক্তগী তুম্মিন্না হল্লকখি । মুংঙাইত্রবসু তঙাইফদনা থরোশংবী মথংগী অয়ুক কাওবা ঙাইহুনা লৈরে ।

"মোঙ্ঙানবগী ইমুংগী থবক লৈয়রিশিনবা থরোশংবীনা মহোশাগী

মতমদগী ভুনখৎনা হোৎনৱকপগু উবদা বাহাদুৱনা হংলকই "কৱিগীনো ইচে থৱো। ঙসিদি থবক য়াম্না ফগৎলকইদা? বেবীগী সনা য়ানবা লোইৱবসু অতোপ্পা অময়ুক লৈৱবৱা।"

"বাহাদুৱ ঐ ইমাগী অনাবা হংলুগে।"

"ইমা নাবা হায়ৱবদি কনানো?"

"ঐখোয় ইমা, সিদা হেক হেক লাকপদো য়াম্না কন্না নাৱে হায়ৱে বাহাদুৱ!"

"ওঃ হঃ অদুদি সুংঙাইভেদ।" বাহাদুৱনা ৱাই শিৎলম্বা লেপ্পগা মথা তাৱকই" ইচে চৎপ্ৰদি ঐগী পোথাফম লৈৱৱোই কমদৌনি।"

বাহাদুৱগী ৱাহৈদুদা থৱোশংবীনা লকুনীংলদুনা হায়ৱকই "বাহাদুৱ পোথাফম থঙদনবা ঐ থৱা কুইনা লৈথোক্তাৱে থাঙ্গদা।" থৱোশংবীনা মথা তাৱকই "ঐ লৈত্ৰসু বাহাদুৱগী মী ৱাৎলোইদা চিংনকুসু।"

"ফত্তেকো ইচে থৱো। নঙ লৈত্ৰদি বেবী পাম্থোইসু ঐঙোন্দা য়েৎকনি, ইমুংগী থবকসু ঐঙোন্দা লোইনা তাৱদৌনী।"

"বাহাদুৱ! মুপানবু অদুক পাংদে হাযবৱো? ঐদি নঙ লৈ হায়দুনা হৱাউৱিসিদি কান্নৱেদনা।"

"ইচে থৱো! ঐবুদি হাযৱি, মুপীনা মপাম চৎলমদাইদা মৱম ওকপা হেনগৎলিদুনি ঐনা ইকায়ৱিদি। মদু নখোয় মুপীগী চৎনবীৱো?"

বাহাদুৱনা থৱোশংবীদা লকুৱদুনা মথা তাৱকই "ঐখোয়গী নেপালী মুপীদৱা হায়ববু মৈতৈ মুপীসু য়াম্না উৱে ইচে থৱো।"

"থীদা অঙাওবসিদি, অদুবু হায়নবা ৱাৱো বাহাদুৱ। নঙ ঐঙোন্দা ইকাযবা পীৱিনীনে, নত্ৰা?"

"ঐনা থেংনবদু হাযবনি, ইচে থৱোবু নত্তেদা।" বাহাদুৱ নোক্লদুনা ৱাহৈ থৱদু হাযৱম্লগা মাগী ৱাইশিৎপা লোইশিনখ্ৰে।

মুমিৎ হায়গৎলক্লে, থৱোশংবী থোৱাং লোইৱে। মনেবেম্মা নত্ৰগা তোমচৌদগী থাঙ্গা চৎনবা য়াথং ঙাইৱি। থৱোশংবীগী থমোয়দা

পুন্সিগী কোক্লরোইদবা দাকফম অমা হৌখিবা অহীংদা সনাতোম্বনা পীগে হোৎনখিবত্থু কাওথোকপা শুকওম ঙমদ্রে। মরমদি ঙসি থাঙ্গা চৎকদৌরিবসিদা ইবেথোইনা মী অমা লোয়নবগী রাফম ঙরাং হৌদোকখি। করিগুম্বা ইবেথোইনা সনাতোম্ববু থরোশংবী থীলহল্লবা খুজিন তৌরক্লবদি কমদৌগনি খম্বরকই। মরমদি নোংমা ইবেথোইনা থরোশংবীদা সনাতোম্বগী রাফম হৌদোরকখি। মসিনা ঙসি থাঙ্গা চৎপদা থীলহন্দুনা সনাতোম্বগা থরোশংবীগা নকসিল্লনবগী লম্বী শেম্লকপদা চিংননিঙাই লৈতে। রাফমসি খম্বরুরগা থরোশংবী লৈবা ঙমদে। মহাক্না খল্লক্লে, করিগুম্বা ইবেথোইনা সনাতোম্ববু থীলহনগে হায়রক্লবদি মহাক থাঙ্গা চৎলরোই, তোকথোক্কে। নত্রগনা অতোপ্পা মী অমবু থীলহল্লু হায়গে। কবিগী সনাতোম্বনা থীনবা যানীংদ্রিবনো হংলক্লবদি হৌখিবা অহীংগী থৌদোক্তু শেংনা হেক্তা তমথোক্লগে লেপ্লে। মতুদগী থোক্লকপা রাথোক খুদিংমক থরোশংবীনা মায়োক্নগে খল্লক্লে। সনাতোম্বগা চংমিল্লগো মমাগী অনাবা হংলুদে শরুক চৎতনা তোকপনা ফৈ হাযবসি থরোশংবীগী অচেৎপা রাখল্লী।

মুমিৎ থেংজিল্লক্লফাওবদা থরোশংবীবু থাঙ্গা চৎনবগী রাফম হায়নরক্রে। থরোশংবী আশা কাযরক্লে। মুংঙাইবনা অরাবা খঙদে হায়বগুম মহাক্না মম্লিঙৈদগী থবক ইনখাং লোয়শিঞ্জত্থনা থাঙ্গা চৎনবগী থৌরাংজরিবত্থু ঙসিসু তোক্লো হাযরক্লগদ্রা চিংনরক্লে। থরোশংবীনা ঙাইবা ঙম্লক্ত্রত্থনা ইবেথোইগী নাক্তা লাক্লে। মহাক্না থাঙ্গা চৎনবগী রাফম হৌদোক্লরে। থরোশংবীগী রাহৈ তাবদা ইবেথোইত্থু কাওথোকলুরে হায়ত্থনা থৌশারমদে। মহাক্না তোমচৌদা থরোশংগী রাফমত্থু হৌদোকলুরে। খুদক্তুদা তোমচৌনা থরোশংবীবু কৌশিল্লগা হংলকই "ইচে ঙমদে হায়ববু কয়া কল্লা ঙমদবনি হাযগে থরো?"

"অশেংবদি খঙদ্রি মামো! অত্থবু থরা শাথিরমগদবা মাল্লী, ঐখোয় লীক্লাই চৎখিবদগী হায়গৎলক্কে মোমো।"

"ঙুংশা থিরুস্থু করিগু তৌরোই, চুপ্না লোক-লাইহৌনা ঙমদবা ওইরমগনি।" তোমচৌনা হায়বা লোইফাংত্রিঙৈদা ইবেথোইনা হায়রকই "অতু মা মথন্তা থাদোকখিবদি য়াবা নত্তে, কনাবু থীলনসি হায়রিনো? ইবোতোন্দা গাভীতু পীরগা থীলহনবা য়ারিব্রা, থবক চৎনগদবা লৈরগনা বসত্তা অতুম চৎহনগ্রসি হায়ব্রা, মহোয় পাবুংনা অমুক্তা শীন্দোকপীরো মতমসি থেংগ্রে।"

"গাড়ীদি থবক চৎনগদবা লৈ। ইবোতোনবু খরা থীল্লু হায়য়ু।" তোমচৌনা ফুরিৎখাওদগী লুপা চনীথক লৌথোক্লুগা থরোশংবীদা পীরতুনা মখা তারকই "সে সিনা নঙগী মতেং ওইনরো থবো। নঙ চৎনবা তৌবো, য়োবগা মবোল অমা খঙহল্লকউ।"

"কৈগু থোইদোকপা তৌবমত্রবদি তন্না হঞ্জরক্কে মামো। করিগুম্বা নাতৈ চারমত্রগনা তাইবোতোন্দা মরোন হায়জরক্কে।"

"চে চে নঙবু কাইদা চৎতোইনো?" মপা, মমা অমদি থরোশংবীনা ঙাঙনবতু তাবদা পাম্বোইবীনা (মরূ ইকোক কোক) থরোদা হংলকই "ঐস্থু লাক্কে।" "বেবী! ঐ নেনেগী নাক্তা চৎলুগে, নঙ ঙসিদি চৎলগমু, চেচেনা হয়েংমুক চৎপদা চৎমিন্নসি কো।"

"উম।" পাম্বোইবীনা অমুকস্থু হায়রকই "চে চে নঙ হৈকক অঙানবা পুরকউকো, চমু কবোকস্থু, কো চে চে।"

"য়াম পুরক্কনি। নঙ লাইরিক য়াম্না পারম্মু বেবী।" থরোশংবীনা ইবেথোইদা অমুক হায়রকই ইনেবেম্মা থেংদ্রিঙৈদা ঐ চৎলুখিগে।"

"নঙবু কবি করি পুরবগে?" ইবেথোইনা মখা তারকই "খঙদ্রে ইবেম্মা, নফী নরোল জুংচাবা অমতা থোনবীবা ঙমদে। ইনম্মগী মমাঙদা ইকায়রবনি। চৎলুরো।"

থরোশংবীগা ইবোতোনগা বস তোংফমফাওবা রিক্সা তোংমিন্নবতু রা অমতা ঙাঙনবা তাদে। বস তোংলমদাইদা থরোশংবীনা মামাগী চাবা য়াবা খরা লৈনবা ইবোতোন্দা হায়রকখি "তা ইবোতোন।

ইমাগী অচাথক খিত্তংদি পুখিবক্তৈ করি লৈখিসিগে ?"

"ঐনা থোকপা লৈরকএগে নঙ গাড়ী তোংখৎলম্মো থরো।"

"শেল সিদা লৈরে।"

"ঐ শোয়দনবা তৌরগে য়ারে।"

"থরোশংবীনা পীরকপা শেল লৌ হায়বা য়াদনা ইবোতোন পোৎ লৈবা চৎখি। থরোশংবীনা গাড়ী মন্নুংদা ফম্লিঙৈ অকোয়বদা লৈহুনা য়েংথোকলুই। উরকই মৈতৈ মুপী মীযাই চল্লবী অনী চেক্কী দলাল শাফমদা থবক শুবম্বা। মুপী অনীতু ব্রা ভাঙনবা শংদে, ঈশিং হোল্লী, লৈঙোই চাম্মী, চেক চল্লীবা মিষ্ট্রিশিংগী হিদাক ব্রাৎত্তনবা পী লোয়ননা হিদাক থিংলী— চেক হোল্লী। ঙহাক্তুদা মখোয়না পাঙথোক্লিবা থবকশিংতু উরুবদা থরোশংবী পুমঙক ঙকখি। মহাক্না খল্লকই থাঙ্গা— মোইরাংগী মুপীশিংনা লোক্তাক পাৎতা হৈনবগুম ইম্ফালগী মুপী খরদি অসিগুম্বা শিনফম্না হিংনবগী পাম্বৈ ওইনরে। মতুবু মথংগী মীকুপ্তা থরোশংবীনা হংনীংঙি, মৈতৈ মুপীগী ফীশা লোনশা, ফনেক লোনবা, খ্বাং শাবা অম্মদি ইজ্জদ কদাইদা মাঙখ্রে ? খুদক অতুদা ইবোতোন খাও অমদা করি করিনো খরা পুরগা থরোশংবীগী নাক্তা ফমথরকই। থরো ভূমলুবদগী মিকপ থোকপগুম ইবোতোননা পোরক্লিবা খাওতু ওক্কে তৌই। ইবোতোননা হাযরকই "ঐ মুম পাযরগে।"

"করি করিনো য়াম্মৈখে লৈশিল্লরুব্রা ?"

"য়ামদেদা।"

"কৈ কান্নবা শেল তীংনবা ··· ।"

"তোকও নঙগীতু মখা তারম্মু।" ইবোতোননা হংলকই "নঙ চৎলিসি করিগীনো ? ঐদি ভাব-মেন তাদে, বাহাদুরনম্মু শেংনা হায়রক্তে কৈদৌবা চৎলিনো থরো ?"

"ঐখোয় ইমা নাবগীনি।"

"আদদি কয়া কুইনা লৈদোইবা ?"

"খঙজ্রি, য়ৌর খঙবাইহ্নী।"

গাড়ী থারে, বসনা মোইরাং পাংনা চেন্নকপদগী মখোয়নীগী রারী শানবা লেপগ্রে। গাড়ী মমুংদগী য়েংখিবদা উরিবা থুংং কয়াগী শক্তম, লবুক লমহাং, পাৎ-তুরেন অমসুং সনা লৈবাক মণিপুরগী নীংথিনবা চীংলোন কয়া উরকপদা থরোশংবী মুং ওল্লকই। মতম খরা অসিগুম্বা মহৌশাগী ফজরবা ইংলবা শক্তমশিং উবা ফংলুব্রবনি সহরগী পুন্সিগা, মায়কৈ মরিদা রাংখৎগ্রবা ময়োল কয়াগী দলালনা মায়কৈ মরি খাজিল্লবা কা মমুংদা লৈবগা মান্ননা ঙিংলুরবনি। অশেংবা মুংশিং ফংবা ওমলুব্রে খগ্রখি থরোশংবী। মোইরাংদগী চঙশিনখিহ্না থাজগী বস পার্কিং য়ৌরে। ইবোতোনদি পুন্সিগী অহানবা থাঙ্গা খোঙচৎনি। মহাক্কী মমীত্তা ফজবগী ফজবা ঙাক্তা ঙাইরম্মী। লোক্তাক উরকপদা রাখল অমা, সেন্দ্রা চীং, থাঙ্গা–ঈথায়নচিংবা অমুম চঙশিল্লকপদা ইবোতোনগী রাখল পুমহোং হোংখি। পুমনৌ নৌবা, পুমতোপ তোপ্পা লৈবাক অমদা থুংলগুম থোকখি।

ইবোতোনগী ঙকচানবা মতৌদা থরোশংবীদি মুংঙাইজরী। মহাক্কী মতম খরা থাদোকলুববা মরমদম য়ৌরকপদা থরোশংবী মুংঙাই-জবগী ওমথৈ লৈখিদে। মহাক্কী রাখল হাম্নদগী অমুম অমুম ময়েক শেংলকই, মশা খীংলকই, অপেনবা মশক মশাগী মায়খোঙদা মমি তারকই। থরোশংবীনা বসতগী কুমথখগা ইবোতোনবু লমজিংহ্না চীংখা লৈকাইতম্না লাক্লে। লম্বীদা ইবোতোননা হায়রকই "থরোশং! ঐহাক নহাক্না নকশিন্নবদি পাম্মী অহুবু নঙগী অশেংবা থমোয় খঙদবনিনা কয়া কোঙদোক্কদনো হায়বা ওমজ্রে।" খঙহৌদনা হাযদোরকপা ইবোতোনগী রাহৈহ্ তারুবদা থরোশংবী খাই লাওখি। কনি থুমগদবনো খঙখিদে থরোশংবী। মহাক্না মরু লুকথরহ্না পাওথুম পীবা ওমজ্রিভৈ ইবোতোননা অমুকম্বু হায়রকই "লৌমিন্নবা, ঙীয়রবগী খুদোংচাবা লৌরে হায়নদি খনগম্বু থরো। ঐহাক অশেংনা নহাক্পু মুংখি। অহুবু ঐগী থমোয়গী রানী, অশেংবা-অচুবা খঙনীনবা তাঙলবা

তাইবঙসিদা নহাকপু করম্না থাজবনবা [illegible]নি; [illegible] [illegible] কোও-[illegible] ওক্‌মে।"

মহৌশাদি থাম্না চীংখা লৈক্লাই য়োবা লম্বীসি মনা শাংঙি [illegible] থরোশংবী, ওসিদি ইবোত্তোনগী য়াহৈ খয়া তাকবদা মহুগী পাওখুম পীনবা য়তমক্লাওবা য়ংদনা লম্বী তেনশিলগ্রবরা চিংনরকই। থরোশংবীনা চীংখা লৈকাইগী লম্বীচু খরগা হেন্না শাংহ্নীংলকই, অদুবু ওইহ্নোক্লখিদ্রে। মাঙদা উরে মাগী লাইরা খাঙপোক, মনবা হুম মচাসো। ইবোত্তোনদি খঙলম্রোই। থরোশংবীনা খল্লকই, য়াহৈ অমক্লাও পাওখুমহৌত্রবদি মাবু লাম্না খনগ্রগনি। থরোশংবীনা হায়মরপ তৌমরপ খুমজখি "ঐহাকসু খঙডি তাই'তোন। তাই'তোননা করি খনবগে হায়রবা। অদুবু লাইবক থীবনা মহুগী পাওখুম মতীক চানা পীজবদি ওমত্রি।" থরোনা মথা তাখি "খঙদ্রে ঈশ্বরনা করি তম্নিগমনো।"

"অশেংবনি থরো। লাইবকী য়াম্নি তম্বওমদে। অদুবু অসিমতংদি খঙনীংঙি, য়বেপ্পা পুক্লচেন, অশেংবা থমোয়শুংগী য়া নত্রগা ঐহাকী পুক্লিং লৈত্তানা লৈজবা য়াবা খুদম . . ।"

"মহু পুক্লমক মতম্না পুবিরকপা ওইসমু তাইত্তোন।" থরোশংবী মথা তাথবা ওমদনা তোকখ্রে। মহুগী মহৎতা মহাক্না হায়রকই "হুম য়োরে, কোম্বোংসিদা লেংশিন্নসি তাই'ত্তোন।"

ইবোত্তোনগী য়াহৈদা থরোনা পাওখুম পীগে খনখিবদি (ইবোত্তোনবীমক [illegible]বনি, মহুগী খুদম—ইরোনামুংগী [illegible] তাত্তরবা, [illegible] চোংথাংনা [illegible] অহুওইরবদি থরোগী বাপক [illegible] [illegible]) [illegible]চিংবা। অদুবু থরোশংবী হায়বোকচবা ওমখিদে। ইমাইশিনা নিংঙাওনবী শরক ওইরমচুনা কোংদোকচবা ওমদনা [illegible]দা [illegible]হৌই। লেন-লেন তোকহৌই থরোশংবী। নোংমে [illegible] নোংমদি মহাকী অশেংবা থমোয়শুংগী য়াহৈ ইবোত্তোনগী মকোক্না নীংঙম্না [illegible]গী তাক্না খাকখিবনি থাজবী।

ইবোতোনন্থু কোঙদোকচনিংবা বাহৈ কন্না মপুং কাহৌদা থরোখোয়গী মুখ মৌপিন্নবদা নিঙশহৌদে। মহাক্কা য়েংলকপদা থরো-শংবীখোয়গী মুমদগী লোত্তাক পাং ইনক নক্না উরে। পাংকী ঈপোম মচা কয়ানা মথং মথং ঝৈনহুনা শান্নরিবা; অতোৌবা উরোক পাং অতিন্নাদা পাইখংলকপা, অথাপ্পদা লোত্তাক ভাখিবা কয়াগী হিংলিংনা মুণ্ডক মুনা তাউরিবা কয়াহু য়েংলগা পোখারী।

[ভয়াশঙা]

থরোশংবীনা চহী অমগী তুংদা পোক্ফম লমদম ম্নৌরকপদা মফমসিগী চীং, পাং, উপাল রাপাল অমদি তাংথক নাইবা থাক্ষী য়ুমলেংশিংনা হরাউ তযাম ওক্লম্মী। থাঙ্গা চীংখা লৈকাইগী মীশিংনা থরোশংবী উরকপদা চেপথা চেপথা য়েংনরকই। কৌরকই, হংলকই, অঙাং থরদি চেম্থোরক্লগা থরোগী ফীজী পাযরৈ। কনাগুম্বা থরদি থরোশংবীনা ইবোতোন লোয়নহুনা লাকপহু উবদা শেন্নাম্নবা রাখল থন্নখিবা য়াওই।

থরোশংবীনা লৈকাইগী অঙাং থরগা হরাউনা নোক-খেতুনা চঙলকপহু ইমুংদগী লীক্লাই মমা মচানা উরে। লীক্লাই মচে ওকপা থোরকই, মহাক্কা ইবোতোন উবদা ঙক্না হায়রকই "ইচেগা লাকমিন্নবা মীরা? অতোপ্পরা?"

"মাখী। ঐখোয় তাইবোতোননী লীক্লাই।" থরোনা মখা তারকই "নও তাইবোতোনবু খঙব্রা? মামোগী গাৰ্ডী থৌবহুনী।"

"ঐসু হায়া উখিবগুম তৌগ্রে থরী, কৌবদি ঙমদবা।" লীক্লাইনা ইবোতোনদা ওমশিন্নগা হায়রকই "তাবো'!' পোম্নদা লেঙশিনবীরকউ।

কৰিমতা হঙোয়বিকন্থু।"

"তাই'তোন। ঐখোয়সিদি মথোং চাপোৎ নত্তে, পত্তলে লৈবা হায়ত্থনি।" থরোশংবীস্থু লীক্লাইগী মতেং পাংলত্থনা হায়রকখি "লীক্লাই।, তাই'তোনগী ক্রীদা অমতা তৌরকউ।"

"য়ারে, লীক্লাই। ঐস্তুম লোক্তাক য়েংবসি মুংঙাই, ফমত্রবস্থু য়ারে।"

"ঙহাক পোথাখিসি তামো।" ৱাহৈ খরসি হায়রম্লগা লীক্লাই ইমুং চঙত্রে। থরোশংবীস্থু মমা উন্ননীংলত্থনা ইবোতোনদা "তাই'তোন। ঐ ইমা উনরুখিগে ঙহাক পোথাবিখো" হায়রম্লগা ইমুং চঙত্রে।

"ইমাবু কয়া কম্না ঙমত্রিবনো থরো ঐস্থু চঙলক্কে" হায়খি। ইবোতোনগী ৱাহৈগা লোয়ননা মহাক মাঙোল কাখৎলকই। থরোশংবী ইবোতোনবু খাম্নীংঙি, অদুবু মতাংসিদা খামলুবা নাতে চাত্রত্থনা "থঙদে, ঐ অমুক্তা য়েংলুখিগে" হাযরম্লগা মহাক ইবোতোনগী মাঙ থাত্থনা চঙত্রে। ইবোতোন থোঙজিন কানসিনগদবা হঙোয়ত্থনা লৈহৌরে। থরোশংবীনা খুম্লিবা পাউখুমদু মহাক করি হায়রিবনো লৌশিনবা ঙমত্রে। চঙগত্রা চঙলোয়ত্রা অরেপ্পা খঙত্রে। থরোশংবীগী ৱাখল্দা মমা অপানবীগী যুম্বাল মওং চাদবা, হিপফম-চাফম অমদি ফীরোল নীংথিনা লৈবম্লোইদবা খল্লুবদা খুদক্তা ইবোতোনবু ইমুংয়োনা পুশিনবা, লাইরবগী অৱাৎপনা থল্লবা শক্তমশিংদু উহঞ্জনীংদে।

থরোশংবীনা চঙখিবদা অপানবী কমুংদা কল্লগা মচাবু ঙাইত্থনা লৈরম্মী। মচামুপীবু উজবদা মুংঙাইজবগী ঙমথৈ লৈখিত্রে অপানবী। মহাক্কা থরোদা হায়বকই "অঙাওবী। পাউ হায়রকপদি কৈদৌই।"

"ঐ য়োনীংমনত্রত্থনা হেক্তা লাক্লবা ইমা।" থরোশংবীনা মখা তারকই "ইমাবু ঙমদে হায়বা তায় কয়া কম্না ঙমত্রিনো? ডাক্তর— মাইবা কা য়েংহনত্রা; করি লাইনানি হায়গ্নে?"

"ইমা কম্না নাবা নত্তে, মহৌশাগী লোক লাইরৌত্থনি।"

অপানবীনা ঙহাক লেপলুরগা মথা তারকই "পাম্বোইবীগী নাহংপদু য়াওনীংবনি ঙমখিত্রে ইবেম্মা।" "অদু ঐতোম্মা পাউ হায়রক য়াম্মো ; আদা কয়াম য়ানরে।" থরোশংবীনা পোরকপা পোং-চৈশিংদু মথাদা অমদি লীক্লাইদা পীরহুনা মমাগী হিপকম কী-য়োল কক্কহৌদি শীম্দোক শিঙ্খিল ভোরগা মানা পোরকপা থবা ফবা কনেক— ইরবী অপানবীনা হোংদোক্লবা থঙহল্লকই। অপানবীসু মী অতোপ্পা অমা থরোগা লোযনরকই হায়বা থঙলহুনা মচাম্বুপীনা হায়রকপা পূম্নমক হংগী লাইগুম ইয়া য়ারে। ইমুংগী থৌরাং লোইরগা মপান্দগী ইবোতোনবু কৌশিনখি থরোশংবী। ইবোতোননা চঙলকপগা অপানবীগী ফমাং খুয়া ওইরগা মোভা অমদা ফম্লগা অনাবগী মরম হংখি। মমাঙদা হান্না শকথঙ মাযথঙনখিত্রবসু ঙসিদি থরোশংবীগী মরীদগী ইবোতোন, অপানবী অমসুং লীক্লাই অমত্তা ওইনা থঙনরে। অনাবগী মরম অমদি মতুংদা চেকশিনগদবা কয়া তান্নরে। মখোয় য়ারী য়াতাই শানরবতুংদা অপানবীনা থরোশংবীদা চাক-ঈশিং থৌরাং তৌনবা থঙহল্লকই। অপানবীনা লীক্লাইদা হুকান্দগী হরায়-চেংরাই লৈরুনবা শীম্নখি। লীক্লাইদা থরোশংবীনসু ইবোতোনগী চাবা য়াবা ঙা-অমতং থৌরাং তৌরকউ শীম্নজখি। রাফম পূম্নমক ইবোতোন তাহন্দনা মচিন মৌপ্পা লোম্না তান্নবনি। শেনগী খুদোং চাদবা লৈত্রে, থরোশংবীনা পুথোক্লগা রাংতনবা পীত্রে। মরকসিদা ইবোতোনসু মথন্তা তুমিম্না ফম্বা মুংঙাই-রক্তুহনা মপান থোক্লক্লে। ইবোতোননা মপান থোক্লক্লগা থরোশংবীদা হায়খি "থরো ! নঙ লৈহৌগদবা লৈরবদি ঐ হায়গৎত্রগে, মরোল অম্না হোদোক্লরসি।" ইবোতোননা মথা তারকখি "চাক ঈশিং চাত্রবসু ঐগীদমক্তি তম্না হনখিবনা হেন্না খুদোং চায় থরো।"

"য়ৌরকপদা ঙাইরিবিঙেনা চৎপা হৌনত্রনে ? তাইবোতোন ! চাক চারগা হনগদবনি। ঙসি নোংমতং লাকপদা চাকচরা অমফাও চাদনা হনখিবা ঐথোয় ইমানা য়ায়োই তাইতোন।"

"খাঙ্গে! নঙ-তাঙ্গোগী চা কাদি তৌরকরা নত্তবো?" ইমুংদগী অপাঙ্গবীদু মখোয়না তাঙ্কক্ত তাকহনা হায়রকখি "য়াদে য়াদে ইবুংঙো! চাক চনা অমা চায়গা মচনগা হনখিল্লগদবনি, থেংঙোই।"

ইবোতোন মথা ভানিঙ্গাই লৈতে। খরোশংবীনা মমাগী পাউথুম পীখি "তাইবোতোনদি চা থক্কে ইমা।" খরোশংবীনা ইবোতোনদা অমুক হায়রকই "ঐ ইমুংদা থোং-থাক্কবা থৌয়াং তৌরকখিগে তাইবোতোন।"

"য়ায়ে, ঐসু অথাইফাও শুম কোয়থোকলুখিগে।" ইবোতোন লীল্লাইনা চংখিবা লম্বীরোমদা তপ্না তপ্না চংখি।

খরোশংবীগী য়াথঙ্গা মোংম নীনি মমাগী নাক্তা লৈরগা তোমচৌ অমদি ইবেথোইগী মরমদা য়ারী শানগে, মহাক্না মফমতুদা শাংথনা লৈরবদা থোইদোক্না কাল্লবা কংগনি থাজরক্তবতু মমাদা তমগে লোয়ননা হৌখিবা অহিংগী ভমখিরবা সনাতোম্বগী শাজংপু শীংনতুনা তোমচৌগী নাক্তা লৈররোই হায়গে লাকপনি মমাদা। অতুবু মমা অপানবীনা চাক চায়গা ইবোতোনগা তপ্না ইম্ফালদা হনমিল্লখিনবা য়াহৈ হায়রকপদা খরোশংবী পেনখিত্রে। মহাক্না ইমুংচঙলক্লগা অপানবীদা হায়রে "করিনো ইমানা মথোং মরম থঙদনা তাইবোতোনদা ঙাঙলকইতুনা?"

অপানবী ইঙক-ঙকই খরোগী য়াহৈদা, মহাক্না খুল্লকই "করিবুনো নঙনা হায়রিবতুনা মুপীমচা?"

"ঐবু তপ্না হল্লো হায়রিতুবো হায়বা।" খরোশংবীতু শাওরংননা খুল্লকই "ঐ নোংফাদোক লাকপসি য়ুমসিদা অহিং অমফাও লৈহন্নিংত্রেনে?"

"নঙনা লৈব-লৈতবগী য়াদি থোইনবু খল্লুদেনে ইমাবো। ঐগী হক্চাং করি থোইদোকপা তৌরবনিম্না ইবুংঙোগা লোয়নতুনা লাক-মিল্লকহ তপ্না হনমিল্লখিবা ফত্রা হায়রকবতনি। নঙনা হল্লোই হায়রগা কনানা থিংগদৌরিবনো অঙাওবী।"

"করে, ইমানা ঐবু নৌপা মুখকপঙ্গদা মোঙোক্লবিনা ঐ মখোয়গী মীনাইনি ; ঐ হৌজিক হুনখিগনি।" খরোশংবীগী করি নত্তবা রাইহে অমদগী মমা অপানবীনা পেন্দবা হেনগৎলকই। মপুক্কী হুংশিবা মক্তৌ উৎকদুনা মথং মথং হায়রকই "ইমাদি নচা মুপী অমা লৈ হায়বা খল্লুরু। ঐদি মমম মরাং খঙদনা নোংম নত্রগা নোংমদি মাঙলগদবনী।"

"নঙনা মখোং মরম খঙদনা অতুক শাওরিদুবু কনানা করি হায়রকগে ?" অপানবীদু মচা মুপীগী মতৌদা ওক্লদুনা হায়রকই "ঐবু নঙোন্দা খোইনা অকাব্রবা হাযখিবা লৈত্রি, কনানা নঙবু মীনাইনী হায়রগে ?" অপানবীনা মখা তারকখি— "ওরাংদা অঙাং মনাছুৎপগী খৌদোক খোকপদুদা নখোয়গী থবক চিল্লমগনি খল্লুনা হায়রকবনি শিবু করি শাওনিঙাই লৈবা রানো ?"

খরোশংবী থুল্লক্তে, মহাক্না পুরকপা ইবেখোইগী শিজিন্নবা মোম্পাকফীদক অমদি ফনেক অমনবা-ঈন্নফীনচিংবদু খাওদগী লৌখোক্লগা মমাগী মনাক্তা থাদরকই। ইবেখোইদি ফী খজিত্তং শেগাইরকলদা লংখোকই শীজিন্নদে। খরোশংবীনা লৌশিন্নগা মমা অপানবীগা পীশিগে হায়দুনা লৌরকপনি। ইবোত্তোননা ইথুং চঙলক্লমাইদদু অপানবীগী ফিপকম অমদি ফনেক-ইন্নফী খরোশংবীনা পুরকপদগী শিজোনরকবনি। মরকসিদা অপানবীনা অমুকন্দু হায়রকখি "রাইহে মরুপীদু শাওবা, রাগৌ পুকলৌ চাওখি মুপীগী লমচৎ নত্তে ; মহুনা অকবা ওইরকনি খল্লুবু। নহাক নঙাং নত্তে, অক-কন্না মশক খঙলবনি ; ঐনা নচিন নৌপাগী ভৌরিবা পুন্নমক্তে মুন্না রাখল তৌরগা রেংঙু। অমানবা রাওবমদু হোৎনারবা তাৎকাই মুপীমচা।"

"হৌজিক তাম্নিঙাই লৈত্রে। ইমানা শীরিবা পুন্নমক অমমনি, অমুবনী। ঐখোয়গী রা খন্নিঙাই লৈত্তে।" খরোশংবীদু শাওবা হৎলমখি। মহাক্কী বেগতগী শেল পুখোক্লগা অপানবীনা পীদুনা হায়রকই "নৌপা ইবুংঙো ইমাকপুরনা পীরকপনি তৌশিন্নু। নীক্লাই

ঙক্লকপগা ঐ চংগ্রগে।"

"করে, ঐ বা অমত্তা ঙাঙজরবোই নখোয়না অপাম্বতা তৌরো ইথেম্মা।" অপানবী করি থরক্লবনো বাহৈহ্নুগা লোয়নবা কপ্লক্লে। মহাক্কা মথা তারকই "ইপাজল শোললকবা, লাইথক থীরবী ঐগীদি ইপাপ চাজবা হায়বহ্নুনি। ঐগী কনা লৈরি? নাবগী মহুত্তা অহিং অমদা মঙলাক্লহ্নুনা শীগ্রবদি বাইশংলগদবনি।"

মমাগী মতৌ উবদা থরোশংবী করি নত্তবদা শাওবা হেনগ্রমানে থল্লকই। মহাক মমাবু থেমজিনগে থল্লী অহ্নবু হায়দোকপদি ঙমক্রে। খুদকসিদা লীক্লাই হল্লক্লে। মহাক মমা অমদি মচে থরোশংবীনা করি হায়নখিবা থঙদে, লৈরকপা পোৎশিংহু পীরগা চঙখিবা শেলশিং পাহ্নুনা অরেম্বা শেল থরোশংবীদা পীরকই। থরোশংবীনা লীক্লাইদা অরেম্বা শেল থরহু লৌজরো হায়হ্নুনা পীথোরকখি। মহাক বা মথা তারমদনা চাক থোংনবা হোৎনগ্রে। অপানবীস্তু অমুক হন্না ঙাঙলক-খিক্রে। অনাবা ফরকপদা মচা অনী উনবগী স্নুংঙাইরবা মীকুপ অহ্নদা তাইওজবা রাথল্দগী মমা মচা বাহৈ কারন চম্রবস্নু থরোশংবীনা ইংথরহ্নুনা চানা থক্কবা হোৎনখিবদা মহাক্কী স্নুংঙাইতবা কোকগ্রে।

থরোশংবীনা হায়গে থজবা তোমচৌ অমদি ইবেথোইগী বাকম, হৌখিবা অহিংগী থোদোক অমস্নুং মহাকপু ইবেথোইনা সনাজেম্বীদমক স্নুহোং-খোঙদোংনবগী বা হৌদোক্লকখিবা পুম্নমক অপানবীদা হায়খিত্রে ওমখিত্রে। লীক্লাইগী মরমদা শেলগী চয়েৎনবা লৈরিবা, মতম চানা শেল পীখিদবা অমদি মহোশাগুম থরোশংবীনা তোমচৌগীদা লৈবা স্নুংঙাইরক্কবা করা কোঙদোকচনিংবহ্নু মমা অপানবীগী রাথলগা চানরবোই থন্নুবদা হৌদোকখিত্রে। মহাক মতম থরদি বায়বস্নু বানা মমাগীদমক রেংহ্নুনা থাঙলগে লেপ্লে। চাক চাবা তোক্কপগা স্নুংখিজগী গায়ক্কী হায়গংপা নঙনবা থরোশংবী অমস্নুং ইবোতোন অপানবীদা হায়রে। মতমহ্নুদা অপানবীনা ইবোতোনদা হায়রকখি "ইবুংঙো।

নচনসি রাখল য়াওত্রিবনি। মানা ঙাওবা শকপদা মীয়বিকনু। রাগৌবিগন্নুকো।"

"ইমা মহুৎসীদমক করিমতা চিংনবিকনু। থক্লোদি ঐথোক ইমাগীদা হায়রিবনি, মাগী মী ঙাক্কা ওইরবনি ইমা।"

"খঙজে ইবুংঙো! ঐনা মত্তীক চাদবসিদা নখোয় পুন্সিক মরাইবক থীরে।"

অপানবীগী রাহে লোইরকপদা মখোয় থোরক্লে। লীক্লাইনা মচে অমম্বুং-ইবোত্তোনবু থিন্দোরকই। লম্বীদা থরোশংবীনা লীক্লাইদা হাযখি "লীক্লাই! ইমাগী মশা করি থোইদোকপা তৌরবদি নঙগী পবিক্ষা নকশিল্লক্লবনি শোইদনবা হোৎনৌ।" থরোনা মথা তাযকই "নঙ কৈদৌঙৈ কারক্কে থল্লী?"

"হংচিৎ নত্রগা মশেমগুম্বা লাকপয়াই ইচে।"

"ঙরে লৈহৌরো ঐথোয চৎশ্রগে।"

"ইবুংঙো লীক্লাই! ইয়াম্বা হনশ্রগে।"

"করে তামো। করিগুম্বা মুংঙাইখিজে রাগৌ য়াদে।" লাইহৈপা লোযননা মখোয় কায়নখি। থরোশংবীগা ইবোত্তোনগা থাজগী লম্বীদা গাড়ী পার্কিংফাওবা চৎমিন্নবহূ উবদা অউবশিংনা (অরাম্বদগী) কনাগুম্বী নহা লুহোংলুবা কুইন্দ্রিবী ইমুং মমুং ওইনা থল্লী—শোয়ৈ। নকশিল্লকপা থরোশংবীবু খঙবশিংনা চিবোন চিবোন হংলৈ 'চীংথা থরোশিবু ইঙ্কাল লৈবদগী মমুম পানশ্রে তাব্রো?' তাদে। হকথেননা হংবা অক্লেনা হায়রকপদি কনানস্থু ঙমথিদে। হৌজিক্তি-লোক্তাকী নাম্বিবা মুংশিবনা হুম্বদা থরোগী চুবাগী শন্নাংশিং হায়-হুন্নী। লোক্তাক ইমাইদা হিদাক্তি পরেং পরেংনা মাগী মাগী হিরমদা হোন্নরী। অনকপা উপান্দা ভোংবা চীংগী লম থুমু থরস্থু কু কু হায়না মঙক নোয়ন্তনা শুংশিনা থোঙজক্লি।

[[illegible]]

"[illegible]ং মাপল ভাবয়ে, হিয়াদৈ থাগী শিথরকপা থাজ নোংচুপ চীংলোন লানয়ে। নীংথমথাগী অইংবা মুংশিং হয়কপদা [illegible] ইচিং [illegible]। নিংথমথাগী মুমিদাংদি কাংলেনগী মুংথিন্দ্রীওই, অহিং শাংতি। থয়োশংবীনা মুমিদাংগী চাক ঈশিং লোইরগা চাবীনবা [illegible]না [illegible] শীজরগা মহাক পোথাহ্নুনা লৈরে। ঙসিসু [illegible]না ইবেথোইগা লোয়ননা অচা পূন্নমক্ত পুহ্নুনা- তামা য়েংবা চ[illegible]। [illegible]ইদা থয়োমুসু চংলুসি হাযত্নুনা ইবেথোইনা হৌরম্মী, থ[illegible]বীনা[illegible]হ্নুনা চংথিদে। ঙসাইমথৈ থবক নোমলুবা, অইংবদা লৈরুবদগী মাগী কাদা ফী লুম্না ইল্লগা ফম্লিঙ্গেদা থয়োশংবীনা ইবোতোনবু নীংশিংলকই। অচিকপা মতমসিদা লাল্লবদি রারী রাতাই শানহ্নুনা মতম লেনবা মুংঙাইরমথদবনি থললকই। তাঙ্গা চারবসু ইবোতোন লাক্কবনিনা রাথলগী রাথল ওইরি থয়ো।"

"থয়োশংবীনা নীংশিংলকথি ইবোতোনগা লোয়ননা থাজা চংমি[illegible]বা [illegible], হয়কম্মিরবগী থৌদোক্কশিং মথং মথং ওইনা। মুখি[illegible]দা ইবো[illegible]তোননা মুংঙাইজখিবা অত্তুগা মহাক্কা পুক্কিং লৈতাদবা অমদি [illegible]নী. [illegible]ং ইবেথোইনচিংবগী রাথন্দা লুপত্নুনা ইবোতোনগী রাক্ক[illegible] [illegible] থোক্কংথির্দবা। মতমদুদা ইবোতোননা মথোন কায়কপগী মুংথি[illegible] [illegible] কাংজথিবা অদুগা থয়োশংবীনা মরাই চন্নবী অকংবা পা[illegible] মুংশি লমীদা থমোয়ভিংনা মায়োক্কবা ঙমজদা অয়েকপা ম[illegible] হৌথির্দ্র [illegible] [illegible]শিংলুরগা মতোমতা থোয়রাংলকই। মহাক্কা মুখি[illegible]দা ইবোতোনগী রাথনবু শেল্লারনা পুনথা হোংনথিবহ্ন থলুরগা মথ[illegible]কৈ[illegible]লকই। ইবোতোননা থাজদগী হনমিন্নরকপা থোঙচংতুদা

হায়খি "থরো।" "ঐদি মীওইবগী পুন্সিসি থাজিবা ডমর্দে।" নহাক্না থরবরাই ঐগী কাহৈদা হায়কোইর্দবা কন্না য়াঁওয়ে হায়খিনা। অদুগী ঐদি থকনবা ওমদে, ওসি ঐখোয়গী বাশক হয়রেং কবি ওইখিবা।"

"তাইবোতোন। অহুওবা কাললবা রাবন্দা পুন্সি লাইবদি ওইরি-বীগনু। মতমগী য়াওবা ঐখোয় খোনা কনা থাজোকনবনি।" থরোশংবীনা ইবোতোনগী রাখল খৈদোকপা হোৎনখি "য়েংউ তাইবোতোন। কন্দরবা দলান অহুগা লক্ষ্মী মন্দাগী চেকপন থরর্দা লাইরমকশিনবীবা, মরেক কয়া ইশিন্নিবসি করিগীনো? থরোশংবোগী বাহং তাবদা ইবোতোননা লক্ষ্মীগী নাক-য়েত্তা লৈরিবা নুকান্নগী ফরাইদা য়েন্নিবা, চেকপন মমায়দা মযেক মথন মথা ইন্নিবা অমদি মুখংলিবা মরামহু নোংহোনা য়েংলকই। ইবোতোম্বা নত্তে রিক্সা খোবহন্না য়েংখি।" ইবোতোননা ওহাক থন্নগা খুন্নকই "য়েন্নিবসি কম্পানিগী পোৎ শিংনবা মীয়ামদা খওহন্নিবনি। অতোপ্পা মাইং মরেক চেকপন্দা ইন্নিসিনা মতম মতমগী লৈবাকী ইরাংগা মরি লৈনবশিংনি থরো।" ইবোতোম্বা মথা তারকই "তনখিত্রেদকো নওসে। অসিফাওবা হেক য়েংশিন্নী।"

"থওদবা হায়সিদি উদবগা মাম্মে হায়দাইনে? খওনবা হোৎনর্বদা ইকাইনিঙাই লৈতে।" থরোশংবীহু মোমোন তৌরিহনা মথা তারকই "মযামগা মান্নবা মরেক, লৈরোং মানবা অমা" ইন্নিবসি কবি মরেক্নো তাইতোন? মসিদি তোয়না উদে কবি হায়খিনো?"

"নওগীসিদি হায়র হায়রগা হেনগৎলক্লোনা। মসিনী মৈতৈ মরেক হায়বদো। ইপা ইপুনা চৎনখ্রবা ঐখোয়গী মতেকী, হৌজিক তৌনা অমুক তন্নরক্নি থরো। চৎনবা হোয়ক্লে।"

"মহুকাওবদি থাগৎলীংঙি। তন্নীনবা লৈরবদি ঐনু হৈবীংঙি তাইতোন। অইত্তমক হৈবা ওমক্নহু ইমালোয়নীনা তন্না হৈনবোহ থম্মী।"

মখোয়নীগী বাগীহু ঈশিংগা থাওমনি। শাহ রাবগী খানবা

হায়নাহুনি ইবোতোনদি হৈনত্রে হায়বা থরোশংবী থগুলকুই। মহাকনা মুখ য়োৎশিন্নকপগা ইশ্কাল ময়োন্দা থেংনরিবা উরিবা খয়দা হায়রুবনী, খোইনা থও-হৈহুনা ভাঙ্গশিবা নত্তে। অসিগুম্বা খোদোক মচা মচা কয়া থরোশংবীগী বাখল্দা নীংশিংলকই অমম্লুং মমিত্তা উরকই।

থরোশংবীনা কী অথাকা অমা ইল্লগা অস্তুম ফক্লবদগী লুপ্নকপদা মুন্নরে। মহাক য়াখল লেম্না খল্লা তুমশোরকত্রে। মতমসিদা মুপা অমা চঙলে। মহাকা থরোগী কায়া চঙলগা নিঙাইদনা তুমজবিবী থরোশংবীগী নাক্লা নাশোন নীক্লা চঙশিলক্কুনা লেপরে। মুপাহুনা থরোশংবীগী মায়থোঙদগী হৌরগা হকচাং কায়াৎ শীনথুংনা য়েংলকই। মথোন কারকপগী নীংথিজরবা মায়থোঙ, রাশি লৈরবা মীৎসনা অনীদগী তাথরকপা খোইহিং মপাল শাকা নাতোন খজিক লোয়নবা চীনবান্দুনা কৌরকখোই নীংথি য়েংবদা। নীংথিজবা থরোশংগী মাযথোঙ উবদা ঙনহংশি মুপাহু। অহাক্লা কল্লকই, লাইবক ফবা কনাগী ওইরগবা শিঙোলসে। মুপাহুগী ঈথৌ লাংবা মীৎয়েং অস্তুম অস্তুম পাকথোক্লকই। থরোশংবীগী অশিবগুম লৈরিবা হকচাং কয়াৎশিংগী তোঙান তোঙানবা শককশিংদা মীৎয়েং তারকই। থরোশংবীনা অইংবগী ইল্লিবা ইয়ফীদা হকচাংগী তাংথক নাইবা মশক চোংথোক্লক্লি। মপুংফারবা থবাক অনী ইয়ফীনা লোৎশিনবা ঙমদে। অচেংবা থ্বাংদগী হাইথগ্রিবা নীংচু অমম্লুং তুংয়ান পুম্নমক মুপাহুনা অথাকপা লৈতনা মীৎয়েং চঙলকই। থরোশংবীগী মথোন কারকপগী মপুং মরৈ ফায়বা হকচাং কায়াৎশিংবু উরগা থমোয় লাকশিনবা ঙমত্রবা মুপাহুনা মগুল মগুল থল্লক্লে। নহা ওইরগী থিংঙমত্ররা ঈথক ঈশোয়া মচিন তুমথৎলকপদা অক-কত্তা থম্বা মাক্রুবা মুপাহুনা মীকুপ অমগী মতুংদা শাগৎলক্লিবা মশাবু থরোশংবীদা অশাবা লোক্লবগী থৌয়াং তৌরক্লে। মহাকী লৈজবা শক্তী শিজিন্নরগা ফংগে, অক্লিবা পনথুং য়োনবা ভর্কশিন্নক্লে।

থরোশংবীদা মুপাহুনা কোনশিন্নকপদা মহাক থঙৎনেক থঙনা

মিকপ" থোক্লকই। মতমসিদদি থরোশংবীগী ফিভম শোকশিল্লম্রে। তুম্লিঙৈদা অশিবগুম থওহৌদবনা মহাক্তী চেক্‌শিনগদবা পুন্নমক নাম্বোক-প্রে, হৌজিক্তি থরোশংবীগী মপানথংবা ফীজোন হাইদোক্‌না মুপাহুগী খুদোংচাবা লৌবা হেজ্ঞিনপ্রে। থরোশংবীনা মুংশিহৈত্রবা শারমচং চৎপা মুপা অহুদগী মশাবু ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা মহাক মহৈ য়ানবা ঙমপ্রে, মায়থিরে। থরোশংবী উপাই লৈতনা কম্লক্লে। অহুবু চরাম্নয়া নোংশাগুম শদোং পাম্নবা মুপা অহুনা থরোশংবীগী মীৎলুদা চেম্বরক্লিবা পীয়াং হন্না য়েংবিরমপ্রে। মশাগী মথৌ পাঙথোকপনা মাগী অরেপ্পা মথৌ ওইরক্লে।

মীওইবদি খ্বাইদগী লোনম চাউবা শা মখল অমনি। মশাগী লৌশিং জ্ঞান অফবা লম্বীদা শীজিন্নরগা মতীক চাবা মীংচৎ কংলবন্থু ফত্তবা মাইকৈদা শিজিন্নরক্লবদি থরাইপানবা পুন্নমক্তগী মীওইবনা তমথিবা হেল্লী। তাইবং মালেম তুম্নবা মচাক মীওইবনা ওই। খুত্তি লাইরহুনা মুংশিৎ-মুংশা চঙজিবা পুক্তি লৈন্নাং লৈযোন শোক্লকপদা থরোশংবীগী থমোয় কায়প্রে। মমল নাইত্রবা পুক্তিবু লুখাক্লা ওইহনপ্রে। থরোশংবীনা শাগৎচরকপা রাথনগী মঙলান মন্নাফুক্লা মাঙহনপ্রে মীকুপ অমদা। লু-তোং, হকচাং কায়াৎ শীনথুংবা মচেৎ কয়াথোক্লা কায়প্রে। পুক্তিদা অমুক হন্না শাগৎপা ঙমদনবা পূমতোই তোইনা থুগায়প্রে। উপাই লৈত্রবী থরোশং হিক হিক কম্লক্লে। চেকশিলহৌত্রবা মীকুপ অমদা পুক্তিবু লুখাক্লা ওইহনখিবদা নোংদম্বু বারৌথি থরোশংবী। হৌখিবা থোদোক অমনা মহাক খুদোংথিবা অমদগী চিংনজহুনা মুমিৎ খুদিং থরোশংবীনা কাগী থোঙ লোনবা চেকশিঙ্গবনি। অহুবু ঙসিদি চিরবা মতমসিদা থোঙ লোনবা কাওথোকখি থরোশংবী। মন্নুগী অশোয়-বনা মশাবু পুক্তিগী কোক্লয়োইদবা দাক অমা লৈহনলে। দাকফম নত্তে, নহা ওইবা পুক্তিগী অয়ুক্তী মুমিৎপু মতম পুম্বগীদমক্ক লৈচিন-নোং-ফাইনা কুপহনখিবনি।

হৌজিক্তি মায় গাক্লবা মুপাহ্না পীরোইরবী থ্রোদা থমোয় শেংবা উৎলহ্না হায়রকই "থুরো। থুরাইগী মবেন্মা। ঙসিদি মতম কুইনা মঙজরকপা ঐগী মঙলান অহ্ মঙফাওনরে। নঙবু পুন্সিগী লোয়নবী ওইবা হায়বসে ঐগী বাশনী। হৌজিক্তি হৌনবী মতুংইন্না চংনবী সমাজগী মমাঙদা নঙবু ঐগী ওইরে হায়বা থঙহনগদবা অহ্তা মঙাইরে।" মুপাহ্না ঙহাক লৈরগা মথা তারকই "মুমিৎ অহ্ ঙাইরসি, নঙ-ঐ লুহোংবা।"

বাহৈসিগা লোয়ননা অপেনবা মীনোক অমা নোক্লগা মুপাহ্ কাদনী থোকপ্রে। মুপাহ্না হায়জবা অমদি ঙাঙলবা বা'হৈশিংদু তাত্রা-তাদব্রা থঙদে থরোশংবীদি মঙগারকপী অমগুম নীংবা কায়রবী মতৌদা অনাবুও নীংশিংদনা কমহ্না কপ্পী। কপাল্বগী কমি কাল্লরি? থান্নকই থরোশংবী। নোংদম্বনা অঙক তমথিনা য়েকথ্রবা মপোক অসিগীদমক অরেম্বদা পী তাকহ্না করি কাম্লগনি? অচুম্বনা মাম্নথিরবা, অরানবগী প্রজেং কীরাল্লনা, নোংদোন পঙ রাংথংলক্লবা মতমসিদা কদাইনো ঈশ্বর? থরোশংবীগী খোঞ্জেল খোঙকা মমিৎ অনীগী পেপ্রবা বাহং কাপ্পী ফল্লাং মরীনা খোম্বাং বৈরহ্না পাউথুন্নকই— নহাক শীয়ু, শীথিবনা কৈ। থংনুবা মীকুপ্তা থরোশংবীগী থমোয়দগী হংলকখি, নহাকী মুপী ওইবীগী অশেংবা মাঙথ্রবা, লুখাক-লা ওইরবা হকচাং অহ্ অশেংবা বম কনাদনো শীন্নক্লগদবা? অশেংবা কম্মা অমগী কুপ্তো পরেংলা নঙনা হুকলুগদোবা লুহোংবা মুমিৎতুগী? মীনম্বনি, পুম্নমক মীনম্বনি। সমাজ অচোবা মীনমফম কম্বান্নী। হিংলিবা মী পুম্নমক মতম থমগী শাশিন্নবা হংলাই ঙাক্তনি।

থরোশংবীগী থমোয় তপথবা ঙম্মক্তে। বাখনি অমগী মথংদা অমা, পেম্নবা মরোন মরোম্না নম্বরকপদা মহাক লৈফম থঙলক্তে। পুম্নমক্কী অরোইবদা লৈশাবী অমগী অশেংবা পুন্সি লৈখা তাহনখিবা অসিমক্কা

ছুংখিজনা, খোংলবা ইবোতোনগী মমাগুদা লেম্না গুমগনি থাজরক্লে। অশেংবা খমোর অমদা কোংনা মীনবা পাম্মদে খরোশংবী। খঙদব-শিংগী মফমদা অশেংবা ওইনা উজরবস্মু মহাকি মাংখোকপ্রবী নিঙোন অমনি বাফিমসিদা মশানা মশাবু মীনমজবা পামদে খরোশংবী। খৌদোকসিদগী ওইহল্লকপা য়াবা তুংগী লম্বী কয়াদা অপনবা অকায়বা খোল্লকদবা খঙ্কবদা খরোশংবী কোক ঙাওরকই।

খনবমখে খল্লুরগা খরোশংবীনা মশাবু লুখাক-লা ওইহল্লখিবা মীশক অসিবু লেম্না থাররোই খল্লক্লে। মহাকী পুন্সিবু লৈখাতানা মাঙহল্লবা শীল্লিবা মহাক অতৈ কনাম্মু নত্তে সনাতোম্বনি। সনাতোম্বনা অচেংবা মতম ঙাইহনা খরোশংবীবু খুহুম চল্লবা শেল্লরক্লিবা কুইরবনি। খরোশংবী খঙডি, ঙসিগী মমাঙদস্মু অসিগুম্বা খুদোংথিবা খৌদোক অমদগী লাইবক ফত্তুনা মশাবু কঞ্জহৌই। ঙসিদি খোকখিত্রে, সনাতোম্বগী নীংবা থুংখ্রে, খরোশংবীনা মায়থিহৌরে। মতমগী খয়াংতা তাখ্রে।

তোমচৌ হল্লক্লে, ইবেখোই মচাশিংগা লোয়ননা ইমুং চঙলক্লে। ইবেখোইনা চঙলকপগা বাহাহুরদা হংডি "বাহাহুর। সনাতোম্বা লাকত্রা?"

"লাকই বাবুনী।"

"ঐনা য়ুম শঙলমমু হায়খিবনি, মাদি কদাইদা চৎলে?"

"লৈরমগনি।"

ইবেখোইনা বাহাহুরদা ঙাঙশক্নুনা চঙলকপদা সনাতোম্বস্মু কয়ম্বদগী মচেখোয় হল্লক্লে হায়বা খঙলহুনা খোরকপগা মচিন মৌপ্না মারোল্লরে। খুদক্নুদা ইবেখোইনা সনাতোম্বদা হায়রকই "নঙদি চাক ঈশিং চারত্রা সনাতোম্বা?"

"চাত্রি।"

"চাত্রদি চামিন্নরকখিসি, নঙ চাক চারগা হনল্লো।" ইবেখোইনা মখা তারকই "খরোহ্ চাক-ঈশিং চানবা খৌরাং তৌরো হায়মু। ঙসিসিবু

কয়াম খেংব্রগে ? পঙথেং খেংলিরোইদা।"

মচেনা হায়রিবহ্ সনাতোম্বা পাঙথোক্লবগীদমক থরোশংবীগী কাদা লাক্লে। মহাক মহৌশাগা মায়ন্ত্রে, ময়ান লৈরবা অমগী মতৌগুম ইশোন শোম্বরে। অদুবু মচে ইবেথোইনা হায়রকখিবা পাউদি তমদবা য়াদবনা সনাতোম্বনা হায়রকই "থরোশংবী ! ইচেথোয় লাক্লে, চাক-ঈশিং থৌরাং তৌরবোএ।"

থরোশং খুম্লক্কে। মহাক্না খুম্লক্ত্রবসু সনাতোম্বা মফমদুদগী থোক্লক্লে। থরোশংবীনা সনাতোম্ববু তুকৎচরবসু মীথা পোম্না হিংলুবদগী মশাগী তৌফম থোকপা থবক্তু নাম্বোকপা য়াখিদে। মহাক চাকশঙদগী চান-থরুবা পূম্নমক শেম শারগা তোমচৌ, ইবেথোই অমদি অঙাংশিংগী শীন্দোক্লমলে। থরোশংবী থবক লোইবগা পম্বরমদ্রে। চাক-ঈশিং থনয়গা মহাকী কাদা লাক্লে, থোঙ চেংনা লোনশিল্লগা হিপকমদা চঙব্রে।

থরোশংবী অহীং তুম্বা য়াখিদে। মুংঙাইতবা রাখন কয়ানা মহাকপু ওৎলরি। মহাক্না খল্লকখি, ইস্কালদা লৈরীবী চমুরা অয়াম্বা মহাককুম্না অমাঙবী ঙাক্তা ওইরম্লগদ্রা ? মদু ওইথোক্কবনি। মবুং মৌপ্‌া মমা-মপা অমদি পূ-পাংগুনা লৈরিবী চমু নিঙ্তোল অমগুবু অগুম্না লমচৎ নাইদবা শাজৎ অসি চৎহনবা ঙম্লোই। থরোশংবী থম্বকরগা পুক্লিং মুংশিজরকই। ময়াইবক থিরবী মহাকীদি পাম্বোম তীংবিনবা কনা লৈজদবনা ঙসি তমথিরবা থৌদোক কয়া থোক্লিবনি থগৎরকই। পূম্নমক খম্নুবগা মহাক শীজখিবনা কৈ নীংলক্লে। মথা তানা হিংলুবদা মশাগী অশেংবা মশক লেপচবা ওয়রোইদবা পুন্সিনী শীথিবনা অথোইবনী খল্লকই। অদুবু থরোশংবীনা নীংশিংলকই মমা অপানবী। মহাক্না শীথিবা থোক্লবদি মমা কমদৌহৌগনি ? মমাদি থরম্বু লাইরি লীক্লাই লৈরী। মহাক লীক্লাইবু মী ওইহল্লবা লৈরিবনি। লীক্লাইবু মতীক চাবা মী অমা ওইহন্দবা য়াদে। রাকম কয়া মথং

থঁবং লাকপদা শীজয়গে থল্লবী থরোশংবী শীবা য়াগেক্তে। মহাক লীল্লাই অমম্বুং মমাগীদমক য়েংহনা মতম থরদি তঙাইফদনা হিংখিবতাই।

থরোশংবীনা অমুক লেপ্লে, হয়েং নোংঙানবগা থাজনা চংগ্রগে। থংমবা মিকুপতা অমুক থল্লকই, মমা অপানবীনা হংজগা করি পুমগনি করি হায়গনি। লোয়ননা মনে ইবেথোই অমম্বুং ভোমচৌনা হংজগা করি পাউথুম পীগনি। থরোশংবী থাজগী য়াথন থাথোক্লে। মহাকী হৌগ্রবা পুন্সিবু হজংনা য়েংলগা মীৎলুদা পীগী ইবা ঈহৌরক্লনা হৌগ্রবা থাজবী পুন্সিবু নোংহৌনা কৌরগা হিক হৈনা কপচরকখি। অহিংহু নোংঙানবা থেংথখি।

[ভরাভরেৎ]

ভোমচৌগী থবক সরকারগী লোয়শঙগুম চিল্লী। চহী লোইরবদাই সরকারগী লোয়শঙ অয়াম্বদা থবক চিনবা হেল্লী; চহী অমগী থবক লৌইশিনবা, লৈবা য়োনবা, শেন পীথোক পীশিন অমদি মথংগী চহীগী য়েংহনা পোয়ম লৌখংনবা হোংনবা অসিনচিংবদা। ভোমচৌগী মুখেগী ওফিসতু চহী লোইরমদাইগী শোযশর্ভাশিংগা লৈনবা মফিদা থবক চাম্নগী হেল্লা গুরী। সরকারগী পোং সম্লাই, লখী — পোং শেবগী থবক; মরি লৈনবা ফিল শাবা অমম্বুং কায়নবা য়েংহনবা। অসিদা নত্তনা সরকারগী লোয়শঙ থমদা পীগদবা মণিপুরদা তাঙনা কংবা পোং কয়াম্নু য়াওই।

ভোমচৌগী অঙম্বা লৌশিং-পাম্বে শিজিন্নহনা সরকারগী চহীগী কাইথোক্লিবা শেনফম মাগী শেনগাওদা অঁঙবমখৈ হাপচিনহৌনবা হোংনবদা থোইদোক্লা পুক্নিং চঙলি। থৌরম অসিগীদমক ভোমচৌনা

মুৰি চৈনবা মুশিক কয়া মাগী মী ওইহল্লী। অশীকপা মন মচাগী থৌথম্না মনুংলাওবদা তোমচৌনা লেপ্পা থাদোকখিব্রে। মথোয়গী খুদিংমক নোক অমদি খুদোনপোৎ নত্রগা মখোয়না শাখা মথল কয়া পীহনা পগৎশেলগা তোমচৌনা খুদোংচাবা লৌই। তোমচৌনা লোয়নবগী মনমতাইবা কয়াইমশিং মুখিদাং মাগী মুমদা চাক কৌই। মতম মতমগী সরকার পায়বা রাজনীতিগী লূচিংবা কয়া য়াওনা মন্ত্রী কয়া তোমচৌগী মুথা লেপ্পী।

তোমচৌনা রাজনীতি অমসুং মন্ত্রী কয়াদগী খুদোংচাবা লৌকখগী মরক মরক্তা মহাকসু মন্ত্রী অমদি রাজনীতিগী মীশক থয়দা শেন নত্রগা পোৎ কয়া মশক নাইনা তিংখি। অসিগুম্বা লানথোক্লে লানশিন অমদি পাংনবগী চৎনবীসি হৌজিক মতমগী অরাংবথাকী ললোনবা মথল অমা ওইরে। হৌখিবা মীথলদা মীরেপ ওইখিবা রাজনীতি অমদি মরোমদোম লেপচবা মীশক মরীদা তোমচৌনা লূপা লীশিং কুন কুন পাংখি। অতোপ্পা মীরেপ তরুকনা লীশিং মঙা মঙা পাংখি, অতৈ মশিং থারকা কয়ানি। মীথলহুদা তোমচৌগী লীশিং কুনগী মরক্তা অহুম, লীশিং মঙাগী মরক্তগী অহুম পুম্বা মীরেপ তরুক মায় পাক্লকখি। মতোমদুগী মরক্তগী অহুমদি সরকার শেমদা মন্ত্রী অনী অমসুং রাজ্য মন্ত্রী অমা ওইরে। মখোয়না মন্ত্রী ওইরমদাইদা তোমচৌগী মতেং অমুকন্সু লৌখি। মতমহুদা উপমুখ্য মন্ত্রী ওইখিবা অমুথোইনা তোমচৌগী মুখিদাং অথেংবদা টেলিফোনদা হায়রকখি "হলো, তোমচৌ বাবু ওইব্রা? ঐ অমুথোইনে। হনক রাশক লৌগদবসি অদোমগী মতেং নত্তনদি খুদোং চাবা নাদ্রোকদৌরি। হায়রগী পাংকিনগী পাংবিব্রা মাথৌ থক্তগা পাংবিদবা য়াদ্রে তোমচৌ বাবু।" অমুথোইনা মখুম্না তাকখি "ঐ অদোমবু কাওজরোই, হৌজিক মন্ত্রী ওইরবা ঐনা ওবা অদোমগী মতেং পীজগনি।"

"অমুথোই সাহেব! হৌজিক হংজিং কাওবদা মতম থাইনবা

যাখিব্রা ? অতাইকত্রগা হয়েং খুমিদাং পাঙখোকপা ওমত্রা য়েংজগে ।"

তেলিফোন থমখি তোমচৌ, লোয়ননা অমুখোইগী লীশিং য়াথে মতম চানা পাংখি। অসিদা মত্তে অতৈ মখি অর্মাদি কল্লাইবা কয়ানা মখোয়গী অন্নাংবা কম কংনবা হোৎনবদা শেনগী মতাং লাকপদা তোমচৌগী মতেং লৌখি। মতম অমদা অবাবা থাওজুনা অরৈবা শেন তীংখিবগী খুদোংচাবা তোমচৌনা ওসি কংলি। তোমচৌগী শেন্দান লম্বীসি ইস্কাল সহরদা লৈবা অচৌবা কারবার তৌবা মীশক থরগী তল্লকপনি। মখোয়না লমদমসিগী চুম-ছো পুম্নমক পায়বা ওপ্সী হায়বসি হৌজিক্তি তোমচৌনা মখোয়গা তীল্লবদগী থওলকই। মোহনলাল বাপ্রী, চুনিলাল সেঠী অমসুং হরবিন্দর সিংহনচিংবা মপাল লমগী শেল্লাও পায়বা কয়ানা মণিপুরগী চুম্নী পায়রি। মণিপুর সরকারগী মরুওইবা কল্লাইবদগী হৌরজুনা মন্ত্রী অমসুং বিধান সভাগী মেম্বর অয়াম্বা মখোয় শেল্লাও পায়বগী খুর্জি মতুং ইল্লা চংলি। মীরেপ মীথল মতমদা শেল্লাও পাযবশিংদগী শেন লৌরগা মখোয়গী মীথল মায়পাক্লবা হোৎনবতা নত্তনা কারক্লগনা হেল্লা নকশিন্রে। অয়োনবা লম্বীদা মীতোপশিং অসিগা লমদমশিগী মীহুৎশিংগা শেন্দান লম্বী শেম্মী, মণিপুরগীদমক ভারত সরকারনা পীথরকপা চহীগী চাকথুং মখোয়গী শেনগাওদা চঙনবা পোয়ম শিল্লী। অসিগুম্বা লম্বী কয়াগী খুদম তোমচৌগী মমিৎমক্লা উপ্রে।

নোংমগী মুম্বিদাং চুনিলাল সেঠীগীদা তোমচৌনা থবকী মারী সাম্বিত্তে টেলিফোন লাকখি। মহু লমদমসিগী মুখ্য মন্ত্রীদগী ওইরম্মী। চুনিলাল সেঠীনা তোমচৌদা খওহল্লকখি "তোমচৌ বাবু। মুখ্য মন্ত্রীনা কৌরী, ঐ মাগী বাঙলাদা চৎপা ভারে।"

"কদি মরমগীনো সেঠী বাবু ?"

"করিগী ওইনি, মণিপুরগী মন্ত্রীনা কৌরবদি শেন পুরকউ হায়বা নত্তনা অতৈ লৈতে তোমচৌ বাবু।"

"কমালো মখীং হায়রকপ্রা সেমী বাবু!"

"মায় অমমী মাকমী। করি তৌগদবনো মরোল হায়রে।"

সেমীনা হায়রকপা বাক্সমছূরা তোমচৌনা মখা তান্না হায়খি "অঙ্গক মায়া লেনকমছু থংগ্রবদি চুনিলাল বাবুসু অনৌবা কোটা নত্তগা ... খুমদি লোয়ত্রেবদনা।"

"মছু ওইবসু য়াই ওইদবসু য়াই, অমুবু তোমচৌ বাবুনা য়াকমগি অহয়ানবা ওইনা থমীগদবনি।" চুনিলাল সেমীনা মখা তাবকখি "ঐনা মকমমসিদা হিংজরিবসি তোমচৌ বাবুখোই অমদি মণিপুরগী অঙম অশৌঘিংনা চানবিবদগীনি। মত্রবদি মরুপ মপাং লৈত্রেদনা। অঘোমগীদু কাত্রবা লাকনী তোমচৌ বাবু।"

য়াক্সম থবছু হায়নরমগা তোমচৌ চুনিলালগী নাকুমী হল্লকখি। হুমিংসিদগী থঙখি, মণিপুরগী অচৌবা কারবার তৌবশিং অসিনা য়াজনীতি অমদি সরকার লোয়নবা মীয়ামগী লাইবক পায়শিনত্রে হায়বা। মখোয়গা নকবা, মখোয়গা তীন্নবা কাংবুতনা য়াইকবা নত্রগা মশক্লাইবা মীশক ওইদুনা খুম্লাইসিদা পজেং ফীরান থেংলি হায়বা থঙলকপদগী তোমচৌসু লম্বী অসিদা চঙশিনখিবনি। ওসিদি মহাকসু মীয়ামা শকখঙ মাইথঙনবা হৌরক্লে।

তোমচৌগী পাউতাক মতুংইন্না নুপা লীশিং অমগী পোৎ লীশিং অহমদা নত্রগা মসিদগী হেনবদা সরকারদা য়োক্লী। সরকারনা মীয়ামগী মাইকনবা কাইথোরকপা শেনকম কয়া থবক ইতৌ তৌদনা শেন ওয়োকপকাও য়াওই। মছু য়ানবগীদমক উপায় কয়া তোমচৌনা শীজিল্লৈ। মাইত্তর ইবোতোন ওসি নোংমা নীন্নিসি চাক চাবকাও শরুদে, তোম-চৌগী পাউতাক মতুংইন্না লোয়শঙশিংনা পোৎ থিনবা, মত্রি লৈত্রবা মী কোকবা অমদি শেল লৌথোক লৌশিন ওাইমাক্লা পোথাবা কংখিন্নে। হুমিমাংদনা চানবছু পার্টি ...কীগী মুমদা, মাকপী মী অয়াথা ইবোতোনগী পাকীনা কোয়চেল চেন্দুনা হোৎনৈ।

তোমচৌগী অতিথি ময়াম চাক থাওবদা ৱাজকুমারীবা অমনা খরো-শংবীনি। ময়ামগী পীজ-পীথক হোংনবদা মহাক অপ্পা তানা ৱাজর্ষি। ৱাই হায়ৱকনা বাকৎকম লৈজবা খরোগী অহাংবা মীক্রপ অমদা ইবোতোননা ফাগী তৌরকই "খরো! শাওবা ফরবরা?"

ইবোতোননা হংলক্লিবদু খরোশংবী ভাব তাৱে। কৱিগীদমক্তা খক্লদে। মহাক খুমখিদে। ইবোতোননা মখা তারকখি "খুমজিংবদু ঈশিং গ্লাস অমতংদি পীথরকউ থৌনাওসি ঙক ঙক কংলে খরো।"

"ঈশিংবুদি লাইরি, ফাগী মতাং চাক্রবদি মী শাওনবগিকো তাইতোন!" ৱাহৈ খরদু খুমগা ঈশিং পীথকখি খরোশংবী।

"চুম্না চিক্লাক্ত খরান ওইনা হায়খিবনি, অদুবু চাক্লনা শাওখিবো? মতমসে য়াম্না ওলক্মেকো।"

"অচুম্বা মাওথরক্লবা সমাজসিদা ঐখোয়দি ইচিং চিংনজরে। ফাগিরা নত্তবরা হায়বসু খঙবা ৱারে।"

"অওইবনি খরো! হৌজিক্কী মণিপুর মহৌশাগীদু নত্তে, য়াম্না হোংলে; মৈতৈ খুন্নাই হিংগদবা লুরক্লে।" ইবোতোননা মখা তারকখি "ইনাক খুনবা কাংবুনা হেন্না খুনগৎলকপা, লাইৱবনা অসুম লৈথা তাখিদুনা ময়ুম— হিন্দোল লীংবা ঙমজবা মপান লমগী চাকনি কীনিবদু লমদমসিদসু থোক্লক্লগনি মতম খরগী মন্নুংদা।"

"করিনো ঙাঙলিদুবো? পেং চোইরক্রো? অদুগুম্বা ৱাখল কাসু খল্লাকপ্রো তাইবোতোনখোয়বো?"

"ঐসু মীনি খরো! মীওইবগী অৱা-ফুঙাই, মতমগী অওনবা মশক, মদুনা পীরকপা অথা-অয়াক মহাও খঙবা ঙম্মী।" ইবোতোননা অমুকসু হায়রকই "পুন্সিসিদি অয়ুক্কী, চঙশিনগদবা য়াম্নৱাংলি, চেম্ব-রক্লিবা মতমগী ঈচেনসিনা পনথুংকম য়ৌত্রিঙৈদা লুপপ্রগত্রা চিংনজবগী ৱানী।"

"থাজবদি মাঙ্কত্রি, চিংনবগী ৱানী নত্রা?"

"মতমতুক্কাওবগি য়েংখিবতাই, অরোইবা মিকুপ লাক্তিদ্রকাওবা।"

"অমম্বাংবা অখিংবা পল কয়া থেংনরবগি? মতুনা তাইবোতোনগী অরোইবা থোঙচৎ কংবা ওমত্রবদি কমদৌবা?"

"ঐ মায় লৈত্নুনা চেল্লোই থবো। কংনবা চঙশিনগনি, হোৎনগনি। ওমত্রগা থবাই থাদৌরনি।"

"কদায়দনো অত্নুক ইচং থৌনা লেপ্পিরিত্নুবো? পুন্সিগী, হিংবগী নত্রগা সমাজগী অওনবা অসিগীদমক্তা তাইতোন। করম্বা অতোপ্পা ইশাগী ওইবা য়াফমনো?" থরোশংবীনা ওহাক লেপল্লুরগা মখা তারকই "ঐগীস্থ হায়নীংবা কযা লৈ, অত্নুবু মফম্না মতম্না ওইহল্লকপা থুদোংচাবত্নু ওাইগ্নিবনি। খওদে, ওাইনা ওাইনা অমুম্বক লোইপ্রগত্রা পুন্সিসে তম্বওমদে।"

"নওমা খল্লিবত্নু ঐগম্নু চপশ্নাম্নে। মত্নুমক্তী পুন্সিগী য়াহং। অত্নুবু মতমদা ঐখোয় থাজত্নুনা লৈথোকপদি লানগনি থরো।"

"অত্নুদি ঐখোয় কৈদৌবতাই তাইতোন? ফিভমসিনা ইশাগী অনীংবা— অপাম্বত্নু ফোঙদোকচনবগী পাঙ্গল লৈরিত্রা?" থরোশংবীনা খুমকখি "হৌজিক্কম্নাওবদি হিংনি, হোরেল কদি ওইগনি হায়রবওমদে। ঐদি ঐগী পুন্সিবু হেল্লা কীজরক্লে তাইবোতোন।"

থরোশংবীগী য়াফমত্নু ইবোতোন মনুঙ মপান ভূনা খওবা য়াৎলি। চথরক্লিবা বারীদা মখোয়নিগী তোঙান তোঙানবা য়াখল অমদি খওজবা কয়া নাকোয়ননা নত্রগা হকথেংননা ফোঙদোক্লুনা হায়নখিবা য়াওরবম্নু অমনা অমগী য়াহৈদা তশেংনা ভাব তারদি য়াৎনখি। থরোশংবীগী য়াহৈদা মশাগী পুন্সিবু চিংনজরকপগী মীৎয়েং অমা পুশিল্লক্লিবত্নু ইবোতোনগী য়াখন্দা মহাক্কী অশেংবা পুকচেল খওদবদগী হায়রিবনি হায়না লৌখি। মহাক্না থরোশংবীবু থাজহল্লবগী হোৎনরকই "থরো। পুন্সিবু অত্নুক লুনা খনগম্নু। হোয়, য়াফমসি অরাইবদি নত্তে; অত্নুবু ঐখোয় শুংওাইখোকপা তমসি। মতমগী মতুংইন্না ওইহল্লকপা থুদিংমক্

ময়োক য়ানবা শেম শাসি।"
"ঐহাকপু লায়া খনবীগম্বু তাইতোন। ঐহাক ন্থ্নীমচানি। অরাংবা রাখল, অরুবা সমস্তা নৈনহুনা অচুম অয়ান, অব কন্তা খন্নবা ওথগী খৌনা লৈজদে।"

খরোশংবীনা ইবোতোনদা হায়নিংলিবসি অসিদরা? অতে লৈজববা? নৈ, মাগী রাওাওদা হৌখিবা খুদোংখিরবা খৌদোক অহুগী মমি মশেম মরাংওম য়াওখি। মহু ইবোতোননা খওথিদবগী য়ানি। হৌজিকস্থু মহাকী অশেংবা নীংওমদবগী অমস্তুং তুংদা ওইরকপা য়াবা খুদোংখিবা কযাগী মরমদা ইবোতোনদা তশেং তশেং পুখোক্লুনা খওহজনীংঙি, তান্নজনীংঙি। অতুবু হায়দোকপদি ওমদে, কমদৌনা ফোওদোকলুগনি পুন্সিবু মৈ ইকপগী চাংয়েংনি। মীওইবনা মশাগী অশেংবা কৈদৌউদস্থু তেংনা ফোওদোক্তে। ফোওদোকপস্থু চংমদে। অশেঙ্বা শাশিন্নবা কয়াগা মপান্দা পুখোকপা য়াবা খরদংতনা অশেংবা শাহুনা হিংনরিবনি। অশেংবা হায়দোকলুরবদি মী অহু অওাওবা ওই, সমাজনা ইন্থোকপী। মশাগী অশেংবা উংচবা উং তৈবা, কী পেন্তবা যোগী অমতা মীরমলেন্দা চন্নদে। মশানা মশাবু মীনমহুনা হিংবহু মীওইবগী মরমচংনি। খরোশংবীগী অচুম্বহু মখন্তগী ওইহুনা লৈরী। মরকসিদা ইবোতোননা হায়রকই "ঐহাক অমুক হুইবসি নওগী অপাম্বা করিনো খওনবা হোৎনরকই খরো। অতুবু ওসিদি খঙ্গলে, নহাক ঐগী শাউখুম পীবা ওম্মোই। ঐগী অশেংবা ইখৌ অহু পাও-খোকপা মুখিত্তা ঐনা নওবু পাউখুম পীনবা হায়গনি। মতমমুকা ওবদি ওাইখিবতাই।"

ইবোতোনগী শাংলবা য়াহৈ শরেং তারুমগা খরোশংবী কমি খুমলিংগে খঙ্গী। হায়দোকপদি লাই, হাবগদোরিবহুনী লুরিবা।' অয়ানবা য়াহৈ অমনা পুন্সিবু লৈখা তাহল্লী, য়াহৈ অমদা মশাগী মওল লেপহনবা ওম্মী। খরোশংবীনা ওগাক খন্থকরগা খুন্নকখি "য়ামখিবা,

মাথপাকপা ইশাগী খুত্তলে হায়না থল্লী তাইতোন। মী খুদিংগী অপাম্বা তোঙাল্লবদি থাই; ইশাগী অপাম্বা ঐদি থঙজত্রি। ইচম চম্না হিংজগদ্রি, অরুবা থঙত্রে লাইবক্তা করি তম্নমগদবা ঈশ্বরদি থঙলমগনি।"

"পনথুংনা পোলোই ওইবত্থু পামদে থবোশং। পুন্সিগী মরেক মহাও অমুক্কং থঙখিসি, ঐখোয় মফমত্থুকাওবদি য়োনবা চঙশিল্লবতাই খুদোংশিবা কম্না নংলবত্থু।"

খুদকসিদা বাহাত্থুর চঙলকই। মহাক্না থরো অমম্বুং ইবোংতোনবী কারীগী অরোইবা রাহৈ তারত্থুনা কয়েম্নকই "কদাইদা চৎকদবনো ঐহ্রু থরা য়াওগে।" বাহাত্থুরনা থরোশংবীদা ওনশিল্লত্থুনা মথা তারকই "ইচে থরো। বাবুচৌবনা সাহেবশিংগী কোফী পীরকউ হায়রকই।"

বাহাত্থুরগী রাহৈ তাবদা মখোয় নোকমিল্লখি। লোয়ননা থরোশংবীনা হায়খি "বাহাত্থুর। নঙ পুখ্রো কোফীত্থু শেমগে।"

"বাহাত্থুর। সাহেবশিংগী কোফীত্থু ঐগীদি য়াওদেকো?" ইক্লাঙ্গেননা কাগী তৌরত্থুনা হংলকখি "ড্রাইভরবু অচৌ অশাং কনানা নীংশিংবীরগে মখোয়দি মী নত্তে নত্রা বাহাত্থুর?"

"অমোমদি ইচে থরোনা চানবীবদা লৈরে।" বাহাত্থুরনা নোক্লত্থুনা খুমল্লই "কোফীদা নত্তে, অপাম অপাম্বা তকখৎপীয়ু।"

"মুংঙাইশি হায়ত্থুনা কাগী তৌবনি বাহাত্থুর! ঐ চা কোফী অমত্তা থক্তে।"

"মুদি থরা থরা থকই নত্রা বাহাত্থুর।" থরোশংবীগু কোফী লোনফমদগী পাংশিল্লকখি "হৌদোং তুম্নিন লৈবনা চফু ওম্মী হায়নবনি বাহাত্থুর। ড্রাইভরনবু থক্তে হায়বা থাজনিঙাই লৈত্রা?"

"অত্থুগীদি থঙত্রে; অতোপ কুইবসি ইম্নিংনা উবদি য়াওখিত্রি তাক্লোনা চা থকপা ইচে থরো। ড্রাইভর ওইজরবত্থু নেংশা কম্না পারবক্লারে ঐখোয় তামোসে।"

"নঙগী মুপা মশেল্লী হায়ত্থুনা মীচং চংলিগো? অত্থুবুদি চঙবোপা।".

"হায়নীংবা হায়বদা অকায়বা লৈতে বাহাদুর ! অশেংবদি চিনবান-থোংগী নত্তে খমোয়মীনি।" ইবোতোননা বাহাদুর থাম[illegible] পাউখুম পীরকখি "ঐখোয়দি মতীক চাদবনিনা হায়বদা ইপক্তা পকচরবনি।"

"বাহাদুর ! কোকীসি পুন্রো ইদুংঙৌ, "মী খরাই শোকপা য়াওনরে মথা ভাগ্রন্নুশি।"

খয়োম্‌শংবীনা শীবা কোকী কপশিংহু লৌগগা সোন্নহনা বাহাদুরনা চক্কামদাইদা হায়রম্মী "নখোয়গী কোচি কেরাং ঐ খঙজে, চংলে।" মহাক খোকগ্রে। বাহাদুর চংগ্রবদা খয়োম্‌শংবীনা শজোম্‌ মাস অমা পুখোক্লগা ইবোতোন্দা পীরে, অদুগা হায়রকই "শজোমশিদা লৈরে।" খয়েনা মথা ভারকখি "মা ঙাওববু য়াম্না ক্লেরীনে, ক্রাইভর ওইরমদুনা কবি-লাইরিক লেংবক্তা ওইরম্লবদি য়াম্না ফাওরমগনি। শীনকম ঙরে।"

"খাদংশিংগী হায়রবদি শজোমসি ঐনা লানকম থোকপনি। অদুবু মহুৎতু মতম লাকখিদ্রি। ঙসিগীদি ইকাইরবু ইকাইনা থক-তারেদনা।"

"ঐদি তাইতোননা শাওবা অমুক্তা লেংগে ঙাইরকপা কুইরবনি। উবা ক্তকবং কংদে, শাওবা হৈত্রগ্রা খঙদে।"

"হায়বরাই হায়তুনা পংহায় হায়নম্নোইসি, ঐঙোন্দু "খমোয়" অমদি পাপ্পী থয়ো।"

"হৈমা অওইবয়ো ?" খয়োম্‌শংবীনা নোক্লদুনা থুম্রকই, মথাভাগে তৌরকপদা বাহাদুর চক্তনরুগা ইবোতোন কৌখোয়রে। মইহাক্না হায়রে ইবোতোনবু ভোমচৌগী অতিথিশিং গাড়ীদা "বিল্লোলাও" হায়বা। অওবগী য়াথং কংবদা ইবোতোন পম্বয়মজ্রে চংগ্রে। লেপ্তবা মতম কনাগুম্বু তাইবিরম্লে, খয়োম্‌শংবীগী পুন্সি থোক্তচংপু ক্লশিং-থা ওইনা অহিং-নুংথিল শেন্নজবরম্বু মতমগী অরা-মুংঙাই লৌদোক্না মদুবুনা পুন্নি।

[[illegible]]

পাউগী চেকোঙ (সুংতিগী কোঙবা) দা ময়েক অচৌবনা মকোক্তা ইরি। [লৈশাবী অমনা মশাগী ইজ্জদ কম্নবগীদমক মুপা অমা থাংনা থিনস্ত্রে] পাউচু লীক্লাইনা মথা তানা পাথক্নবদা থঙলে, থৌদোক অচু মাগী মাস্মা তোমচৌগীদা থোকপনি, লৈশাবী হায়রিবীচু অতৈ নত্রে মচে থয়োশংবী ওইরম্মে।

পাউচে অচুদা ইরিবা মমিং মথা, থৌদোক অমদি মফম-মতম পাক্নবদা লীক্লাই থঙহৌদনা তু চুংখি। মিছল চোংথংলকখি অমম্লুং মথা নীক্লকখি। মহাক থবর থনম্নগা তোমচৌগী মুমদা অশেংবা মযোল থঙবা লাক্লে। লীক্লাইনা তোমচৌগী মুম য়ৌখিবা থঙহৌদে, মহাক বাথন্দা লুপচুনা লখীদা থেংনবা মমাম্নবনা কৌম্নকপা খুমখিদে। মহৌশাদি তোমচৌগী মুমদা মী তিনগদ্রি, অচুবু ওসিদি ইচিক চিক্লগী। অয়ুক অচুদা বাহাদুর অমদি অঙাংশিং নত্তনা তোমচৌনচিংবা ইমুংগী অহল অমতা লৈরমত্রে। লীক্লাইনা পম্বা লৈত্তনা বাহাদুরদা হংখি "তা বাহাদুর! ইনেখোম মামোখোরদি?"

"লোইনা চৎত্রে।"

"কদাইদা— কদাই চৎখিবনো?"

লীক্লাইগী ওাইওমরবা বাহং তাবদা বাহাদুরনা খুক্লকই "ঐখোন্দা হায়রমদি পুলিশ ষ্টেশনগী হোসপিতাল য়ৌগনি হায়, অতৈ থোইদোকপদি হায়রমদে।"

"তা বাহাদুর! ওরাং থোকখ্রিবা থৌদোক, কন্নমহাক্লনা তৌখিবনো তাদা থঙহৌত্রা?"

"ঐ কখিমতা থঙহৌরে।"

"খঙহৌদে হায়বা ?" লীক্লাইনা খুদক্তা মখা তারকখি "ঐখোয় ইচেদি কমদৌরে ?" বাহাদুরগী পাউখুম কংক্রিইঙদা অমুক্তু হংলকই "অশোকপদু কয়াখিনা শোকখিবনো তা বাহাদুর ?"

"খরখিনা শোকমানে।"

"করে ঐখোয় ইচেদি ?"

"ইচে খরোদি পুলিশনা পুখ্রে, মখা তাবদি ঐ খঙত্রে।" বাহাদুরগী পাউখুম তারুরগা লীক্লাই মখুং চিক্লদুনা ওহাক লৈরগা মখা হংলকখি "তা বাহাদুর! সনাতোম্বা কৈদৌ লাকপনো ? কয়া থেং-ঙয়া লাকখি ?"

লীক্লাইগী বাহং তাবদা বাহাদুর চঙক্লে। মহাক্না নীংশিংবা য়াবা নীংশিংলগা খুম্লকখি "সনাতোম্বনা লাকপা ঐ খঙহৌত্রে। মাদি য়ুমশিগী মী অমগুম অয়াম্বা মতমদা চঙখোক চঙশিন তৌবনি। ঐনা খঙবা হায়বদু মহাক থাংনা শোক্কনা লাওরকপা অহুদা··· ।"

"অহুদা কৈদোরবা তা বাহাদুর ?" লীক্লাইনা ঙাইঙমদনা হাবরকই "চিংনবির্কম্ব তা বাহাদুরনা উহৌবা অশেংবদু তঙ্গীয়ু।"

"সনাতোম্বনা থাংনা শোক্লবা মতুংদা বাবুনিনা কোঁয়লাও লাও-রকখি। খুদক্তুদা ঐনা চেনশিন্নবদা সনাতোম্বা ঈনা পূমঙাও ঙাওদুনা লৈরম্মী অহুদগী।"

"অহুদগী কমদৌরবা ?" বাহৈদুগা লোয়ননা লীক্লাই তয়াং তশোইবা হেনগৎলক্লি। বাহাদুরনা মখা তারকখি "মতমদুকাওবা ইচে থরোগী খুত্তা থাং পায়দুনা লৈরম্মী। ঐনা মঙোন্দগী থাং মুনখি। মতমসিদদি বাবুচৌবনা সনাতোম্বগী অশোকপদু শেম্বা হোৎনরম্লে।"

"মতুং কমদৌরবগে তা বাহাদুর ?"

"ঐহু সনাতোম্বগী অশোকপা মকমদগী ঈ থোক্লক্লিবদু উপায় অমা তৌদুনা থম্নবা হোৎনবদা বাবুচৌবগী মতেং পাংখি। সনাতোম্বদি মখাদু ঈ থোকয়নখিবনা চোকলরক্কনা য়া কয়া তাকপা ঙমদ্রে।

[illegible] বাবুচৌবনা মনাজেবদু ঐজোম্না [illegible] গাড়ী [illegible]। গাড়ীদা মনাজোম্না হাপকখলগা ঐ [illegible] লায়েংশঙদা চংখি।"

"ঐখোয় ইচেদি কমদৌগে তা বাহাদুর ?"

"ইচে থরোদি ঐনা লায়েংশঙদগী হাল্লকপা [illegible] চংখিরমদি।"

"মহাক্না চংখিবদা কনা কনা লোয়নখি ?"

"কনামত্তা লোয়নখিদে। পুলিশকী গাড়ীদা হাল্লকপা পুখিরমদি।"

বাহাদুরগী তাইথুম ফাকপা লীক্লাই ওহাক ফুমিন্না লেপখি। মহাক করিগুম্বা থরা থনবমাল্লী। ওহাক লৈরগা লীক্লাইনা হাংলকখি "ঐখোয় ইচেবু পুলিশনা পুরমদাইদা করি করি হংলম্মী ? কনাগা লাগী বাতাই তৌনখি তা বাহাদুর খঙবীহৌরা ?"

"বহুরী মাহ্ থংনগ্নে। ঐনা লায়েংশঙদা লৈখিদুদা বাবুচৌবগা বাবুনীগা চংগে। ওহাক লৈরগা মনাজোমবী মরা অমদি অতৈমী থরা লায়েংশঙদা লাক্লে। ঐনা ইবোতোন মাইতাপী গাড়ীদা থুম হল্লকখি। ঐনা চঙখিবদা মী যামা লৈরম্মে, কনা কনানো [illegible] খঙদে। মতমদুদা ইচে থরো অঙাওবীগুম মহৌশাগী যাউদবা মা ভাঙলম্মী। ঐনা থনবদা কনাগুম্না ইচে থরোবু ফুবীখিবা চৈথিবা মাওমানে নীংঙি। মহাক মমায় মমিং ইপোম পোম্বা উই। মতমদুদা বাবুনীনা পুলিশকী মীশক থরদা পাউ তম্মু উই। পুলিশকী মী অমনা ইচে থরোদা মা থরা হংখি। অদুদগী ওহাক লৈরগা পুলিশকী গাড়ীদা ইচে থরো পুরে।"

লীক্লাই বাহাদুরগী বারী মথং মথং তাক্কদা লৈবা য়ানদ্রে ' পুলিশ লাংতক্কবনা মহাক লৈকম থঙলক্লে। মমায় ভাঙলক্লে, পোম্ব-চাকখংলক্লে। লীক্লাইনা বাহাদুরগী মাকদা [illegible] [illegible] [illegible] থরা [illegible]লকই। [illegible] মখোয়গা তোমবাগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] অমদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible]কনি। বাহাদুরবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] তারমদা লীক্লাই [illegible]কনি। [illegible] [illegible] [illegible] পাউথিং [illegible] [illegible]পানবী [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] মচে খরোশংবীনা কমদৌরমগনি ! কয়া তমথিবা শাজং [illegible] [illegible] মক্লেনা থাংনা [illegible]! বাহং [illegible] [illegible] [illegible] লীক্লাই [illegible] [illegible]। [illegible] খরোশংবীনা [illegible] [illegible] [illegible] তৌরমগনি হায়রবসি লীক্লাই [illegible]মদে। অদুবু [illegible] উবৌরবা বাহাদুরগী পাউথুম তাক্লগা লীক্লাইনা [illegible] [illegible]। হৌজিক্তি হৌজিক্তি পাউমী চেদা ইরবনি, [illegible] [illegible] [illegible] ওইরগনি: মচে খরোশংবী [illegible] লৈরবী [illegible] হায়বদি [illegible] [illegible] থৌদোক ওইরে।

[illegible] [illegible] থাখল কয়ানা [illegible] লীক্লাই ইস্কাল পুলিশ [illegible] [illegible]। মহাক্না পুলিশকী লোয়নশু পুবা মীশিংদা হুকে-[illegible] খরোশংবীগী লৈফম খঙলে, অদুবু উনজনবগী খুদোংচাথদি ফঙত্রে। মহাক্না হোৎনবা য়াবা হোৎনজরবা মতুংদা পুলিশকী মথক থোংবা অফিসার থবগী মতেংঙ্গা মচিন-মৌপ্। উনজনবা মতম ওহাক [illegible]। অঙবগী মাখং হেক ফংবগা পহ্নমক্রে লীক্লাই মচে খরোশী [illegible] [illegible]। পুলিশকী মীওই অমনা মায়ু খরোশংবীনা লৈরিবা কা [illegible] [illegible] পুশিনবীখি। মফম অদুগী তোঙান তোঙানবা কা [illegible] মথোয় মথোক্লগী মরালগী মতুংইন্না ফাক্লকপা মী কয়া লৈরমী। [illegible] তঙশিনখিবদা নমথিরবা মনম কয়ানা লীক্লাই মনাতোন [illegible]। মহাক্না য়েংখিবদা উদি, অমোং-অকায় [illegible] [illegible] শারংদা য়োকপা শাগুম থম্লিবা মশক খঙদবা মীরাম তুকক তুকাই চাঁরা লৈরম্লা। [illegible] [illegible] [illegible] খরোশং, [illegible] কাক্লবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] মচেবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]

ইহৌরক্লে, পাক কৌবা ওমদে লীক্লাই। কাপী থাম্বীবা ল্লোংচৌ পামবদা লীক্লাইনা খোঙ্কেল নীক্লপ কৌরকই "ইচে!" লীক্লাইনা মীংলুদগী পীরাং তৈথোক্লগা ফুংঙাইত্তবা পূম্নমক লাকশিল্লহনা হায়রকই "নঙ য়াম্না য়ারক্লা ?"

- থরোশংবী খুম্নকখিক্লে। মহাক লীক্লাইবু মীৎচিনা য়েংলম্লগা কল্লাংলোমদা মমাম লৈশিনম্লে। খুদক্তুদা লীক্লাইনা অমুকন্সু হাইরকই "ইচে! নৌপা লাকই, নঙ কব্রিগী অহৃক শোম্বরিবনো? ঐখোম্ব লৈবি, নঙগী কনা য়াংলি ?"

হৌজিক্তি খাঙবা য়ারক্তে, থরোশংবী, লীক্লাইগী পীবোইনরবা য়াহৈ থরহ্ তারুবদা থরো কপ্লক্লে। মহাক্লা মীংলুদগী চেম্বরক্লিবা পীরাং তৈথোক্লগা লীক্লাই য়েংহুনা হায়রকখি "লীক্লাই! ইমা য়াওরকপ্রা ?"

"য়াওরক্তে!" লীক্লাই মচেগী পাউথুম পীবা ওম্নক্তে, মহাক্তী থজিন থওহৌদনা ফুনগংলকখি লীক্লাইনা খোর চনীংতানা হোম্বরহনা ফুংঙাইত্তবা কয়া লাকশিল্লগা হায়রকখি "ইমা, নঙগী পাউ তাম্নম-খিরোই।"

"লীক্লাই! পাউসি ইমা তাহল্লুরগন্সু।" থরোশংবী মখা তাগে তৌরকপদা তোকপ্লে। খুদক্তুদা লীক্লাইনা হায়রকখি "ইমাগী য়া অয়াই-বনি ইচে। নঙগী থোকখ্রিবা থৌদোকসি কমদৌরিবনো ঐঙোন্দ হায়ম্নু।"

লীক্লাইগী য়াহৈ তাবদা থরোশংবী ওহাক তুমিন লৈরুরগা য়াম্না হায়নীংদবগী মতৌদা তঙাইফদনা ওরাং থোকখ্রিবা থৌদোকী অশাঙ্গা পাউ ইকায় ইকি থাদোক্লুনা তম্নকখি। অরোইবদা থরোশংবীনা হায়রকই "লীক্লাই! ঐগীদমক থল্লুরগন্সু। নহাক ইমাবু মীংখিনা লেবা তৌরকউ লীক্লাই!"

"কব্রিনো নঙনা হায়ব্রিবদো? নহাক থৌনা লৈহ্ ইচে! নঙগীদমক লৈহৈ মক্তা চাম্বা চাম্বনা চোংথোক্লুনা লেপকনি। খোংলবা সমাজগী লম্বদং-নাইদবা কয়াবু চুমথোক্লবা নশানা নথাগী ইঙ্গেব কনখিবনি।

মৈতৈ মুপীগী মীংচংনি ইচে।"

"লীক্লাই। তাইবোতোন উনবরা?"

"উনদে।"

লীক্লাইনা পাউথুম পীরিবৈদা পুলিশনা মতম লোইরে খঙহল্লকুনা কৌথোক্লক্লে। থুদক্তদা লীক্লাইনা থরোশংবীদা হায়রম্মী "ইচে! ঐ চাউরে, নঙ করিমত্তা রাকগনু, ঐ চৎলে।"

মচিন মৌপানা ঙাঙনরিবা শোম্নরিবনু অনকপদা লৈরিবা কাদগী মীশিংনা মমিৎকুপ্তনা য়েংলম্বদগী মুপা অমনা হায়রকখি "ইবুংঙো! মুপীমচাশিংগী মতৌ য়েংবা মুংঙাইতে, রাম্রেনশঙ যৌরগা মহাকপু লৌথোকপিয়ু। অচুম অরান বিচার চথরগা খঙগনি।"

লীক্লাই মুপাচুগী পাউথুম পীরমক্রে, মহাক হাইফেৎ য়েংলম্লগা থোরক্লে। মহাক্লা পুলিশ ষ্টেশনগী হোজঙ লাম্থোরকপদা ইবোতোন উনরে। ইবোতোননা লীক্লাই উবদা হংলকই "লীক্লাই। নঙ থরোশং উনরব্রা? মহাক কমদৌহৌরি?"

"তাদা! ইচে করি থোইদোকগা তৌহৌদে।"

"কৈগু তৌদে-বা?" ইবোতোননা মখা তারকখি "মা হৌজিক লোক-অপত্তা লৈহৌরিব্রা?"

"লৈহৌই।"

"ঐ উনবা য়াখিগব্রা? ঐ অমুক্তা চঙলুখিগে লীক্লাই!" "চঙবিকরনু তাদা। য়ারবদি ইচিন ইনাও রাফম থরা তাম্ননীংঙি।" লীক্লাইনা মখা তারকখি "তাদা উরগা ইচেহ মুংঙাইতবা হেল্লগনি, লেংলসি।"

রাহৈল্লগা জোয়ননা মথোয়নি মফমচুদগী চংমিয়ক্রে। লম্বী চংনা চংনা লীক্লাই অমসুং ইবোতোননা থরোশংবীগী মরমদা তাম্নবা য়াবা তাম্নরগা মহাকপু থুদক্তা জামিন লৌথোক্নবা লেপক্রে।

[তরামাপল]

খবাইপানবশিংগী মঙ্গুংদা লেঙবা চংপা, পাইবা, মরোলথোক্পা পুন্নমক্কা অত্তাই লাক্লবদি মশাগী মতীং ফুদোরকই। মতমচুদা চোংথোরকই মশাগী মগুণ, পুকচেল, রাখল অমদি থমোয়গী মুংদা লোংলম্বা মশক। শা ফাওবনা শীরমদাই যৌরকপদা মাবু হাংকদৌরিবা মকম অমদি মীশক্তগী মনাক্তা চংনীংদে। পুন্নমক্তগী মরোঁ চাওবা লৌশিং লৈবা মীওইবনা মশাগী কান্নবগীদমক অঙম অঙমবা ফুহংলি, হাংলি লোয়ননা অতোনবশিংবু নৈহংগী। ধর্ম, অচুম-অরান অমদি মীচুংশি মপানথোংগীনি। চিরবা অততাই মতমদা মৈ ইকপগী খুদোংচাবা শা-ঙাদত্তা নত্তনা মীনা মীদম্ব লোনরি।

তোমচৌ অমদি ইবেথোইনা মখোঙদা চঙজকম লৌরগী, মখোয়না মশাগী কান্নবা য়েংবদা মীওইবগী মমল য়েংবিথিজবী থরো-শংবীবু সনাতোম্বদা থাংনা থৌজি হায়বগী মরান্দা অকনবা দক্তি শীনবা শেমশারী। তোমচৌগা সনাতোম্বগা লৈনবা মরিগা থরোশংবী অমদি অপ্পানবীগী মরিগা কনানা হেনবগে হায়বা বাহং থবক ওইনা মশক থোক্লক্লে। সনাতোম্ববু লাক্লেংহনা অশোকপত্রগী ফহনবা তোমচৌগী থৌদাং ওইরে। অমরোমদা থরোশংবী অচুম অরান থিপংলীবগী মহুত্তা ফংকম থোকপা মরানগী দণ্ডিদগী হেনবা মরান শীজিনবা তোমচৌ অমদি ইবেথোইনা শেল কয়া তীংনা উকিল অমম্বুং মরি লৈনবা ফকমদা বাচংরে।

অমরোমদা থরোশংবীনা পুলিশকী খুংচনবা, রায়েনশঙ লৌরবদা অপ্পানবীদি মচাগী মৈনা চাক্তনা তোমচৌ অমদি ইবেথোইদা হয়া-হয়া থরোশংবীবু ঙাকশীনবা হায়জরি। অরাকমদগী মচাবু কনবীনবা

কঁশতখি। অপানবীনা তোমচৌ অমস্তুং ইবেথোইদা কপতুনা হায়জরবদা ইবেথোইনা খুল্লকখি "ইনম্মদি নচানি খুংশিন্নমগনি, মাখি ঙাকপিবা য়াজবা মীহাৎপি ওইবদনি। মাগী মরমদা ঐখোয়না ঙাওনিংদে তুকচৈ।"

"নত্তে নত্তে ইবোথোই। ইনম্মগী মায় য়েংহনা নমৌবু অমুক্তদি কমবীয়ুনে ইবেম্মা।"

"ইনম্মা! ইনম্মনা কপশিন লাওশিন্নরগা ইবেথোইগী থমোয় ঙনগদবী নত্তে। ঐগী ইকপ্‌রানে শোক্লিবসে, কৰিঙম্মা ইকপ্‌রা সনা-তাকনী মথাই মাঙলমবদি কমদৌবা?"

ইবেথোইনা কলক পেন্না অপানবীগী থমোয়শিকপা বাহৈ মথং মথং হায়রকখি "ইনম্মনা নচা মুপীগী মরাক্তি যেংদনা ঐখোয়বু তৌঙবীয়ুবী নতেং পীয়ু হায়রিহ ঙবু ঙম্মীনে। ঙংবিরবমু তাজনীংত্রে।"

অপানবীনা ইবেথোইদা হায়জবা য়াবা হায়জরবদা য়াবিরক্ত্রহুনা তামচৌদা চঙশিন্নগা অমুক হায়জরকই "ইবুংঙো হন্দকী মতাংসিদদি ঙনা অমুক্তা পোকপিয়ুবা তোমচৌ! ইচাগী থরাইসিতদি কনবীয়ু দৌগে—।"

"ইচে! ঐঙোন্দা য়াকমত্থ অমুক হন্না হায়গমু। নচামুপীনা ঐগী য়া খজিক্তপাও য়েংলমত্রবনিনা নঙ ঐগী মরী পুন্সি সিমগী লৈত্রে ঙউ।" তোমচৌনা অপানবীগী নাক্তগী লৈথোক্ত্রনা চৎপ্রগা থোর্ত-াপ অমা অনী থাংলবা মতুংদা অমুক হায়রম্মী "ঐহাক কনানো ঙরমারো, মণিপুর শীনথুংনা হন্দকী থৌদোকসিদা তোমচৌ শীরবনি, দথাক শঁরা শনখ্রবনি, খবরদা, রায়েনশঙদা, পুলিশতা ঐগী রাবী মিং লৈবা তাহমখিবসে নচা মুপী ওক্তবীহ তীন্নরবদগীনি খঙনত্রা? হৎপ্রো চংলো নথক য়েংনিংদে।"

অপানবী কনম্বা তোকত্রে। ইবেথোই অমদি তোমচৌগী বাহৈ ারবদা মহাকী থমোয় মুঙগুম্না কনথংলক্লে। _চৈনাথোন 'কংলবা

থারোৎকম মমার হায়গৎলরে। মুপী ওইজবন্থ অপানবী মুপা অমম্বী অমদা লোক্তাক কুমহুনা অহিং মুংখিল থারদনা মুপা-মুপী অনীবকী শীনকম পাঙথোক্লকপী মুপীনি। অকিবা থৈজবা থৌনা অমম্নুং মচা অনীগীদমক্তা লৈজবপুম্বা কংথোকপদগী হেল্লা থরাই থাবা পামুক্লবা অপ্যানবীনি মহাক্কী মীৎলুদগী ভারকপা পীরাংনা চোংলবা মায়খোংদা মুংশা মণ্ডায়া ঈয়ং লংখংলহুনা হায়রকই "নহাক ঐগী ইকপ্ৰানি, হায়কম থোকই হায়বগী ভায়রবনি ত্তোমচো। হায়দু ইচাগী মরাল করিনো? নহাক মুপা নত্রা? অহুতা নত্তে, মপা অমম্থুনি। মরান লৈতবী মুপী মচা অমবু ওক্তা লম্বীদা মপুন্সি মাঙহনগে হোৎনখিবা কত্রবা নমেশন মুপাবু মথাই লৌবিয়র্মত্রিবা মথাইবক ফবনি। ঐগুম্বদা থোক্লমবদি খঙলমগদবনি মৈতৈ মুপীগী লীংজেল কমদোবগে হায়বা।"

"করিনো ইনম্মনা ঙাঙন্সিবদো? ঐখোয়সিবু করি ওইনা থঙ্গ শারিনো? মফমসে নবুংঙো নিংথৌ অমগী ময়ুম্নে। কাওরমানেনে ঙরাংদা চানিঙাই লৈতবগী হারোই হারোই নোঙরম্বহু ঙসি যাম্না চাও-বীরম্লেদা তানীংদে চৎত্রো নশক য়েংজনীংদে।"

"করি মীনাইম্বুবী। নঙনা ইকপ্ৰাসি মাঙহল্লে। মপু নঙনা মপু শারহুনা নহাক্কী থুজিন্দগী পূম্মক লৈখা তানা মাঙলিবনি খঙত্রা? ইচা মাঙহনবম্থু নঙননি, ইচিন ইকপ্ৰা কায়নহনবম্থু নঙনি লমচৎ-নাইদবী।"

"করি লবাই নিঙোন! নঙকশম লাক্কনা ইনগে।"

থাহৈহুপা লোয়নবা ইবেথোইনা হোৎচিন্নরুপা অপানবীগী মশাম্না মথুং থাররে। লোয়ননা মহাক্কী অশাওবা হেনগৎলক্কই, হায়রকই, "ঐবু লমচৎ নাইদবী হায়জবশাই, করাইদা নাইদবনো মফম ভাকই; ঙসিদি ইবেথোই লেম্না তোল্লগোই। নচা মুপী কচরবীনা ইকপ্ৰা সনা মতুমগী মপুন্সি মাঙহনগে হোৎনমপা ঐহাকপু লমচৎ নাইদে হায়বদি মরম পীরু।

ইবেথোইনা অপানবীবু খুর কুয়হনা ইনথোকখি। অপানবা থোঙকম চেৎহৌদবনা লৈমাইদা তুখি। খুদক্তদা বাহাহুর চেনশিন্নকুনা ইবেথোইবু খাম্নগা অপানবীবু মতেং পাংহনা চিংখৎপী।

অপানবী অমুক হন্না কপ্লক্লে। মহাক মচা মুপী খরোশংবীনা জেলদা লৈখিবা মুমিৎতগী তুমক-চারক্তবনা মশা চোকথরবীনি। উপায় লৈজবী অপানবীনা তোমচৌগী মুম থাদোক্লমদাইদা হায়রবী "ইচাদি য়াজখিদবনি, নথোয়গী জৌনম য়াহৈ থাজরুহনা ঐনা নমহনা ইচাবু নথোয়গী মীনাই ওইহল্লুরগা ওসি ইচাবু মপুন্সি মাঙহনবা। পেম্লো, মসি নথোয়গী চপ চাবা থুদোন্নী।"

অপানবী কপ্প কপ্পহনা চৎখি। মহাকপু উরুবদা বাহাহুর খমোয় শোক্লা মুংঙাইখিদে। বাহাহুর খঙডি, অপানবীগী ময়াল লৈতে, লোয়ননা খরোশংবীবু তোমচৌ অমদি ইবেথোইনা হকখি থোক্লা তৌখিবা মহাক পেনখিদে। নোংমতা অকায়বা মতৌ উখিদবী, চন্না লৈজরম্বী খরোশংদা মথোয়না য়েংলিবা মীৎয়েং হেনমল্লী হায়না খল্লী বাহাহুর। লায়েংশঙগী ডাক্তরনা সনাতোম্ববু খুদোংথিবা লৈত্রে, শীবয়াবা অশোকপা নত্তে হায়রফাওবদা তোমচৌ অমদি ইবেথোইনা খরোশংবীবু নত্রগা মমা অপানবীবু মীহুংশি য়াওদনা লোয়নবিবহু উবদা মহাক মশাগীদমক তুংকোইনা মফমসিদা লৈরুবগী খুদোংচাবা ফংগনি থাজরক্তে। মহাক্লা অসিমম্ভু খঙডি সনাতোম্বা মতমসিগী খমথেংনা ওক্তবা মীশক্সি। বাহাহুরগা খঙনরকপা, তোমচৌগীদা লৈরকপদগী ওসিফাওবদা সনাতোম্বগী শাজৎ, য়াঙাঙ অমম্বুং চাকচা-মুথক চিথবা লৈতনা উরকই। পুম্নমকসিদগী বাহাহুরনা সনাতোম্ববু অফবা মী অমনি হায়বদি হায়নীংদে। অহুবু ইবেথোই অমদি তোমচৌনদি যোকখৎলি। মহাকী ময়াম কুপশিন্নবা হোৎনরি। বাহাহুরনা নীংশিংজকখি নোংমা সনাতোম্বগা খরোগা টেলিভিজন য়েংকমদগী খরোশংবীনা পাখৎপগা লোয়ননা মহাকপু কৌরকখিবা, নোংমনা খরোশংবীগী কাদা সনাতোম্বনা

য়ুভাওরগা মওংচাদনা লৈরম্বা অসিনচিংবা কয়া। বাহাদুর, অপানবীনা চংখিবত্থু মমিং কুপ্তনা য়েংহৌই।

[কুপ]

সনাতোম্ববু লায়েংলকপা ওসি তারাহুমদোইনি ওয়ে। মহাকপু লায়েংশঙগী ডাক্তরনা য়ুমদা লায়েংবদা অকায়বা লৈত্রে তাকপিরে। সনাতোম্বগী অশোকপবু ফগৎলে, মঙোন্দা লাইহৌ নত্রগা চিকপা নাবগী অবাবা লৈত্রে। ডাক্তরগী মতুংইনা তরাতকক্কী ওবা য়ুমিত্তা লায়েংশঙ থাদোক্কবা অয়াবা পীরে।

সনাতোম্বনা লৈরিবা লায়েংশঙগী কা অসি স্পেসিয়েল বার্দনি। মসিদা লৈবগী শেল তিংঙি অহুবু শেনগীদমক্তি সনাতোম্বগী তোমচৌ অমদি ইবেথোইনা অরাৎপা লৈতে। সনাতোম্বনা কাসিদা লৈরকপা নোংম-নীনিদি মী য়াম্না তীরম্মী, হৌজিক্তি য়ুমিদাং নত্তনা অমুক হুংখিন্দী মী অমা অনীদগী হেন্না সনাতোম্বগী সেবা লৈত্রে। সনাতোম্বগা রারী শানবা য়ারবা য়ুমিং থরগী মমাঙদা পুলিসকী আই, ও না থোকল্লিবা থৌদোককী মরমদা কুপ্না হংখি। মতমত্থুদা সনাতোম্বনা অশেংবা হায়দোকখিদে, শাশিন্নবা পাউ তমখি। মহাকী রারিদা অহৌবগা অরোইবগা চানদবা রাফম য়াওরকপা আই, ওন্না থঙলবম্থু অমুক হুন্না য়েংপগী মহুত্তা আই, ও না নোট তৌশিল্লগা মাগী রিপোর্ট লোই-শিনখি। পুলিসকী মতুংদা প্রেসকী মীহুৎ থরনা অমুক্পা রারোন সনাতোম্বদা হংলখি। প্রেসকী মীশকনা হংলুকখি "কমদোনা হুপী মচাসি থাং পায়র্রক্লবনো?"

"মহাক মতমত্থুদা ইন্নাং শেম্নমী। ইন্নাং থোরকী থাংখি।"

"করি মরমগীদমক মহাক্না অদোমদা (সনাতোম্বা) থাংনা থিন্নীবনো?"

"মহুক্কী মরম য়ামত্রে, মহাক্না ঐবু লুংঙাইতবা লৈরম্মাই। ঐদি ইচম চম্না মঙোন্দা কান্নী তৌরম্বনি। খুদক্কুদা ইথা থাজদনা মহাক্না থাংনা থিন্নকপনি।"

"মুপী মশাগী জবান মতুংইন্না অদোম্না মহাকপু ইজ্জদ মাঙহন্নবা তৌই হায়বসি অশেংবরা?"

"মচু ওইদবা রানী। ঐহাক মঙোন্দা অরানবা তৌখিদে।"

"মুপী মচাসি রাখল চোইববী অমদি নত্তে, অদোম্না অকায়বা তৌরুদনা করিগীদমক থাংনা থিনগদৌরিবনো? রাকমসি চিংনানিঙাই ওইদবরা?" পাউচেগী মীওইহুনা মথা তারকখি "রাকমসিদা কোর্টকী মমাঙদা অদোম করি খুম্নীগদগে?"

"ঐনা হায়জখিবহুনি, মুপীমচাশিনা ঐবু পেন্দবা — লুংঙাইতবা লৈরম্মাই হায়হুনা। ঐহাক পাখঙ অমা ওইনা মঙোন্দা মরি লৈননীংবগী রা হান্না হায়নখি; মহাক য়ানিংখিদে। মুমিৎতুদন্নু হৌদোকল্লুবনি, মতমহুদা খুদোংথিবসি থোকখিবনি।"

সনাতোম্বগী রাহে তাক্করগা প্রেসকী মীশক্কুনা ওহাক থল্লুরগা হায়রকখি "রারৌবিগন্নু, তম্বীরিবা রারীসিদা থাংনা থিনবন্নাবগী থাক য়ৌত্রি। রাকমসিগী মহুংদা করিগুম্বা থরদি লৈরম্বতাই।"

"মসিদগী হেনবা অতোপ্পা হায়নিঙাই লৈতে।" সনাতোম্বনা মশাগী অশেংবা উৎলহুনা হায়রকখি "ঐহাক মুপীমচাসিগী মনাক্তা চঙলুই, কান্নী তৌরুই অসিতনি।"

সনাতোম্বগী রাহে তারবমতুংদা পাউমী অহুনা খুম্নকই "হোয়, ঐ পাউমী অমনি, অদোমগী থোদোকসিগা মরী লৈননা খুদোংথিবা নওসবা মীশক অমদা পাউচেনা মত্তেং থরদং পাঙজনীংহুনা হায়জবনি। অদোম্না ফোঙদোকপিনীংঙ্গবন্নু মুপী মচা মশাগী জবান কন্নগা অশেংবা মরম কংবয়াই।"

মুপাহুগী মচেক্না মৈরবা রাহেন্নু তাবদা সনাতোম্বা চিংনরকই।

মহাক্না পাউখীত্বুদা হায়রকই "ঙুণী মচাত্থু ঐগী ইচেপীদা লৈবগি। মহাক
থাজদগীনি, ঐগী অপাম্বা মতুংইন্না ঙুণীগি লৌন-লৈনবগী থাকগী চথন-
রিবনি ; মসিদা চিংননিঙাই ওইবা অয়ানবা থাথল লৈতে।"

"ঙুণী মশানদি থারব্রা।"

"থাদে, মহুদগী থোক্লকপা থাকনী।"

সনাতোম্বগী অয়োইবা থাহৈ পয়েংহু তারম্লগা পাউগী মীওইশিংহু
"থাম্বা ঙুংঙাইজরে, অদোমগী অনাবা থুনা ফবা ওইরসম্নু" হায়রম্লগা
চংল্লে। নোংম-নীনিগী মতুংদা লমদমসিগী পাউচে থরদা থয়োশংবী
অমদি সনাতোম্বগী পাউথুম লোয়নবা থোদোক্কুগী থায়োল কয়া মথং
মথং ফোঙদোক্লরকখি। পাউশিং অহুদা য়ুফম ওইরগা থায়েনশংগী
বীচার চথবদা মায়কৈ অনীমক্কী মতেং কয়া ওইনখি।

থাথোকসিগী চথরকখিবা বীচারশিংদা পীখিবা শাক্কিগী পাউথুম,
মীৎনা উহৌবা রিপোর্ট অমদি থরোশংবী অমসুং সনাতোম্ববু মুম্না
খঙলবা বাহাত্বুরনচিংবা নক্লবা মীশক কয়াগী জবান্দগী বীচারপতিনা
থরোশংবীগী মরাল লৈতে হায়বসি থাজরক খ। অমরোমদা সনাতোম্ববু
লায়েংখিবা ডাক্তরগী রিপোর্ট অমসুং পুলিশ আই, ও গী রিপোর্ট
য়েংলুরবদি খুদক্তা বীচার লোয়শিনবা য়্যাত্র। ডাক্তরগী রিপোর্টনা
সনাতোম্বদা থিনখিবা থাংফম অহু মী শীবা য়াদে হায়রী। লোয়ননা
সনাতোম্বসু ফগৎলক্লি। অমবোমদা পুলিশকী রিপোর্টনদি থরোশংবীবু
মী হাৎকে হোৎনবগী হাৎপগা মান্নবা মরান কংলোইদগী মরম লৈতে
হায়বা উৎলী। অসুম্না বীচার মথং মথং চথহুনা লাক্লী য়েৎনরকপা
কয়াদগী উকিল অমসুং মরি লৈনবা লোয়শঙগী অঙম্বশিংগীদি শেল
লোনবগী খুদোংচাবা হেন্না ফংনরকাখ।

থরোশংবীনা সনাতোম্ববু থাংনা থিনবগী কেশতা ইবেথোইনা
শাক্কিগী জবান পীবদা হায়খি "থরোশংবী হায়রিবী ঙুণীমচাসি য়াম্না
ভৌগম্বী। মহাক্না নোংমসু সনাতোম্বসু বদনাম পীননবা মথোং মরম

খঙদবা মরান পীশিল্লবা হোৎনখি। রাথোক্তুস্থ ঐনা ইকায়জহনা লোইশিনগ্রবনি।"

খুদক্তুদা থরোশংবীগী উকিলনা ইবেথোইদা হংখি "ইবেম্মগী ইকপ়া সনাতোম্বা হায়রবসি য়ু থকই, নেশা চাই হায়রবসি অচুম্বরা? ইবেম্মগী য়ুমদা সনাতোম্বনা লৈবগী মরম করিনো?"

"মহাক মবাইগী থবক য়াওবনি। ঐখোযদা অয়াম্বা মতমদা মহাক চা থক্তুনা লৈ। য়ু-নেশাগী রাদি হৌজিক্কী নহারোন পূম্নমক্না চানরিবনি, সনাতোম্বনা কাহেন্না থক-চারুবা নত্তে।"

য়ুমিৎসিগী মথা তাবা শাক্ষিগী জবান্দা বাহতুরস্থ পীখি। মহাক্না কোর্টকী হৌনবী গীতা পায়দুনা রাশরুগা হায়খি "থরোশংবী হাগরিবী য়ুপীসি ঐনা য়ুমসিদা লৈমিল্লবগী খঙজরকপদা থোইনা অকায়বা উদে। মহাক য়ায়া মরম ওকপী, শাউবা হৈতবী, রা ভাওগন্দবী অমনা ইথক-ঈরাং পামদবী ওইনা উজে। অতুবু য়ুমিৎসিদা মহাক্না তৌগ্রিবতু ঐ ঙকই, হৌজিকফাওবা ভাব তাবা ঙমদে।"

"থৌদোকসিগী মমাঙদা বাহাতুরনা থরোশং অমস্থং সনাতোম্বগী মরমদা চিংনবা য়াবা করি করি থেংনখি?"

উকিনগী রাহংতু তাবদা বাহাতুর চঙরুনা ঙহাক লৈরুরগা মহাক্না থেংনুখিবা সনাতোম্বগী চিংনবয়াবা থৌদোক খরা মথং মথং শেংনা পাট্টখুম পীখি। অমুয়া রায়েনশংগী বীচার মথং মথং চখরল্লিঙেদা লীক্লাই অমস্থং ইবোতোননা ঙম্নমখৈ হোৎনতুনা থরোশংবীবু জেলদগী থোৎথোরুবা হোৎনরি। মখোয়গী লৈজবা সনা লুপা য়াল চাং কয়া কায়দুনা অমদি. মীক্তোন্দগী শেল পুরুরগা উকিন অমস্থং অঙম্বশিংদা চঙজে, হাম্রজে। মমৈথংদা পূম্নমক্কী মতেংদগী থরোশংবীবু অরাফমদগী কন্নবা হোৎনজবতু তপ্না তপ্না মায় পাক্লী।

[কুনমাথোই]

সনাতোম্বা হয়েংদি ময়ুম হল্লগনি খন্দুনা রাখল স্নুংঙাইনা লায়েংশঙগী কাদা ঈশৈ ঙঙহূনা লৈ। মহাক্কী অনাবা খুদোংথিনিঙাই লৈতে খঙলবদা মহাক চিংনবা লৈতনা খবর-মেগাজিন পাহূনা মতম লেল্লী।

স্নুংথিল স্নুমিদাংরাইরম ওইরকপদা সনাতোম্বগী কাদা অনাবা হংবা নহা অনী চঙলকখি। মখোয়নীগী মরক্তগী অমনা চঙশিল্লরুগা সনাতোম্বদা "হকচাং থরা স্নুংঙাইবীরবরা" হায়না হংলখি। সনাতোম্বন্থ "কয়ি থোইদোকপা তৌব্রে, হয়েং য়ুম চৎলগনি" হায়না পাউখুম পীখি। সনাতোম্বনা চঙলক্লিবা নহা অনীহূবু মশক খঙনখিবা মী মাম্বগুম মখোয়বু খঙনীংনা যেংলকই। নহা অনীহূনা থোকপ্রিবা থৌদোক্কী মরিদা মখা তানা রারী চখনবা হোৎনরকই। মতমসিদা সনাতোম্বনা মাবু শেম্ররিবা মমাদা চা থরা থৌরাং তৌনবা খঙহনখি। সনাতোম্বগী মমাস্থ থংনবা কাদা ষ্টোপ থাগৎলগা চা লোল্লী। মতম অহূমক্তদা নহা অনীহূগী মরক্তগী অমনা সনাতোম্বগী থবাক্তা থাং অমনা থমোয় মপা চানা থুম্না থিনজিল্লম্লগা খুদক্তা চেনখ্রে।

মতমহূ মী চিকই, লায়েংশঙগী স্নুমিদাং পুগদবা মীশু য়েৌরক্তি; স্নুংথিন পূরবা মী অয়াম্বস্থ খবক থাদোক্লরকপা তাঞ্জানি। সনাতোম্বনা থাংগী চৈনাখোন্দা ইক হাযবা খোঙ্গোক অমা থোকর্লমগা মহাক খুদক্তা লেকখ্রে। থংনবা কাদা চা লোল্লীবী মমানা সনাতোম্বনী অয়োইবা খোঙ্জেলহূ ষ্টোপ মখোন্দা তাহৌখ্রে। মানা কপ্তা চা হায়গা চঙকপদা ফমুং মথক্তা মচান্নুপানা কীভম শোক্না লৈরম্বা উখি। মহাক্কী নাক্তা ফমহোবা নহা অনীহূদি উবখংখ্রে।

সনাতোম্বগী মতৌ উবদা মমানা পাখৎপগা লোক্কনা লাওরকখি। মনাক নকপদা লৈরম্বা মী কযা চেনশিল্লরকখি। অহূবু মখোয়না

য়োরকপদা সনাতোম্বদি থরাইশা হুকচাংগা 'থারনরে।' মীকুপ থরগী মরুংদা থৌদোক্ত অসিগী পাউ লায়েংশঙ শীনথুংনা শম্মোকখ্রে। লায়েংশঙ তাক্লিবা সরকারগী পুলিশশিংনা খুদক্তা মীহাৎপশিং ফানবা হোৎনখনা অয়েক্বা ওইরে। শক থঙদবা নহাশিংছু লায়েংশঙদা নত্তনা ইস্কাল সরহগী থরিস্তুগা মকমদা ফাবা ওমহোৎখ্রে।

সনাতোম্বা লৈখিত্রবা মতুংদা থরোশংবীগী বীচার হেন্না লুশিন-হনখ্রে। হায়রদি থরোশংবীগী ফিভম ফরম্লবনি, অদুবু হৌজিক্তি বায়েনশঙগী বীচারপতি অমস্তুং মরি লৈনবা উকিলশিং লোয়ননা পুলিশকী অকনবা মীৎয়েং লাকপদগী হেন্না কুপ্পা মরম থিগৎনখ্রে। সনাতোম্বদা অহানবা থিনখিবা থাংফম অদুগী পুলিশ আই, ও না পীরকপা রিপোর্টতা ভারত দণ্ড বীধিগী ধারা ৩২৬ কা মরি লৈনৈ। অহানবগী অশোকপা থাংকম য়েংখিবা ডাক্তরনা পীবা রিপোর্টতসু ৩২৬ তগী হেন্না শাথিবা মরান ফংবা য়াবগী প্রমান ইরক্তে। লুরিবদি সনা-তোম্ববু অনীরকতুবা থাংফমদা মথাই লৌখিবসু কনাগী থৌইনশিন্নো নত্রগা করীগীদমক সনাতোম্ববু হাৎখ্রিবনো হায়বসিগী লংলা লংজিন থিগৎলকপদা থরোশংবীবু তত্তনা অরাবা ওইহল্লি। সনাতোম্বমা লায়েংশঙদা লৈরিভেদা থাংনা থিল্লবা মীশক অছু থঙত্রবসু সনাতোম্ববু শেন্নরিবা মমাগী জবান মতুংইন্না চহী কুনলোম ওয়রম্বয়াবা নহা অনীবগী হায়বদি শেংলে। অদুবু মীহাৎপশিং অদু ফাহৌবা নত্রগা মরী মখোং থঙহৌবা য়াবগী করিগুম্বা পাম্বে অমতা লৈহৌদবনা সনাতোম্ববু হাৎখ্রিবসু থরোশংবীদা মরি লৈনরমগনি হায়না অকনবা খোং পীনখ্রি। থরো-শংবীদা মথল মথলগী চায়েং তৌরি। চাংয়েং অজিবা থরোশংবীদি হাজ পীখিবা জবানদগী ইহোং হোংদে। পুলিশ অমদি মরি লৈনবা উকিলশিংনা থরোশংবীদা হন্না হন্না হংলবসু মহাক্না খুমখি "ঐহাক সনাতোম্বদি থঙদে, ঐনা থঙবা হায়রবসু ঐতোম্না হুপ ওইবগী ইজ্জত মাঙহনপে হোৎনখিবা মুপা অমখক ইশা তাকখোকচনবগী থাংনা পীখি,

অচুম্বনি, মতুংগী মখাতাবা ঐ করিগুম্বা অমতা থঙদে।"

"নহাক্কা থংনা খিনখিবা মুপাহু সনাতোম্বনি সনাতোম্বনা লায়েংশঙদা শিগ্রিবসি নহাক থঙকম থোকই থঙদবা য়ারোই।"

"ভুকথঙ থঙদে। সনাতোম্বসু থঙদে, লায়েংশঙদা শীবা মীশু থঙদে; ঐগা মরি লৈনদে।" "ওইদবা নমথাক্কী, নহাক সনাতোম্বদা থাংনা খিনখি, অদুগা সনাতোম্ববু থঙদে হায়দুনা চেন্নী। মসিনা তাকপদি থরোশংবীনা সনাতোম্ববু মথাই মাঙহনবা ওমহৌত্রবদা মহাক্কা অরোনবা মী শিজিন্নরগা সনাতোম্ববু হাংপনি।"

সনাতোম্বগী মায়কৈদা লেপলিবা উকিলনা থরোশংবীবু সনাতোম্বা শিখিবগা মরি লৈননা মীহাৎপি অমগী মরান শীনবা হোৎনরকখি। অদুবু থরোশংবীগী উকিলনা মাযোক্লদুনা মরৈ য়েৎনখি।

সনাতোম্বা লৈখিদবদা খাইদগী থথোয় শোক্লিবদি তোমচৌ অমদি ইবেথোইনী। মথোয়গী মরল কয়া তীংখিবতা নত্তনা সনাতোম্ববু মশক থঙদবা নহা অনীগী মখুত্তা শিখিবসি কল্লক মাঙদা চাং তাবা, অপানবী অমদি থরোশংবীগী মমাঙদা মায়থিবা কংবনি থনখি। তোম-চৌনা মায়থিবগী মুংঙাইডবা ফোঙদোকপদা মাগা মতম কুইনা লোয়নরক্লবা ত্রাইভর ঈবোত্তোনবু মরান শীজিল্লকই "ইবোতোন! নহাক কনানা ইনশিন্দুনা ঐগী মায়োক্তা থবক তৌরিবনো? নহাক ঐগী ইচেং চাদুনা থবক তৌরি অদুগা থরোশংবীগী মতেং পীরিবদু ঐবু উশিল্লবনি।"

ইবোতোন তোমচৌগী য়াহৈদা করিগুম্বা অমতা খুমলক্তে। মহাক মমায় লুকখদুনা তুমিন্না তারী। তোমচৌনা মখা তারকই "নহাক ঐগী মায়োক্তা থবক তৌরবনিনা ঐগা নঙগা তীন্নবগী কান্নবা লৈত্রে। নহাক ওসিদগী থবক তোকখিবা য়ারে। দরকার লৈত্রে।"

"য়াম্না করে তামো। ঐন্সু তামোগী থবকসি তোক্লীংবা কুইরবনি, ত্রান ছারে।" য়াহৈদুগা লোয়ননা ইবোতোন চৎকে তোবদা মহাক

করিগুবা থবা নীংশিংলক্ক্না তোমচৌদা ওনশিল্লগা হায়রকই "তামো। ঐগী তলব মচিং থরছুদি হৌজিক পীবিগদ্রা নত্রগা কৈদৌঙৈ।"

"ইবোতোন। নও তলবতি পাম্মিদনা? কৈ, অহুবু ঐ হৌজিক পীথোকপা য়াবনি পীরোই। হয়েং নোংম তান চানদা পীগে ইবোতোন।"

"অহুতং খুঙজগে তৌবনি তামো। ঐ চৎচরে।" ছুমিংসিদগী ইবোতোন তোমচৌগী ত্রাইভরগী থবক তোকগ্রে। অস্নুম্না রাথোক মথং মথং পাকথোরকখি। তোমচৌ পুল্লি অমস্তুং থবক্তা অপনবা ওইরকখি। নাকল অমরোমদা থরোশংবীগী খুৎশুমল পীনবা ক্ষেত্তিপুরন তান্নবগী চে কোর্ট'তা লানথৎগ্রে। চেরোনসিনা তোমচৌগী ম্নুমদা চহী মরি থবক শুহন্দুনা থম্বী থরোশংবীবু আইনগী মতুংইন্না পীকমথোকপা খুৎশুমন নত্রগা য়ানবা অরামল পীরোইদবগী মরম লৈতে হায়বা উৎলি, লোয়ননা চহী মরিগী অরামল তোমচৌনা থরোশংবীদা পীগদবনি হায়র্না ইরি। তোমচৌনা অনৌবা কেশ অহুগীস্থু মায়োক্লবা তাখি। শেল থুম পায়বা, শঙ্গ ফরম্বা তোমচৌ ওইহুনস্থু পাপ্পা তানখিবা লল ওইরম্বন হৌজিক্তি অতৎ অথম লৈতনা হুন্দোক্লক্লে। থরোশংবীগী ক্ষেত্তিপুরন তানবগী কেশ অসিদি অপানবী অমদি থরোশংনা য়ানীংনা চৎখিব কেশ নত্তে, উকিলশিংনা তোমচৌদগী শেল লৌথোক্লবা শাল্লখিবা মিত্রংনি।

অপানবী, লীক্লাই অমস্তুং তঙাইফদনা ইবোতোন থরোশংবীগী রাথোক্তা মায় লৈদনা মায়োক্লখি। পুম্নমক্কগী খ্বাইদগী হেন্না অরাবা মায়োক্লরিবদি লীক্লাইনি। ইমুং মন্নুংগী ফিভম, শেল অমদি মাল চাং মতীকচানা লৈতবা, থরোশংবীবু অরাফমদগী খুদক্তা কন্নবা হোৎনদবা য়াদবা, মতেং লৌনবা মী মশিং রাৎপা অমস্তুং মমা অপানবীগী শোক-চিন্নকপা ফিভম কযাদা ছুপা মচা অমা ওইনা মায়োক্লনবা হোৎনবদা লীক্লাই চাংদয়িঙাই লৈখিদে। লীক্লাইনা মশাগী অমদি মন্নুমগী লৈজবা পুম্নমক য়োক্লবা, ইথোল ভথায় অমা-বম্বপ-থান্নবা, মক্লপ মপাং

মরি মতাংলগী লৌৱরাবা মতেং লৌজরবসু কোম্বা ঙাক্ত্রবা মহাক পুক্ক পুলকী শেল কংবা থবক কয়া তৌখি। হুও পেকখি, নৈতোঈ পেকখি। লৌৱিবা চহী ইনথংলক্লিবা লীক্লাইনা ইকায় ইকি থাবোক্লুনা ইমুং মমুংগী অরাবা কোক্লবা পাম্বে কয়া থীখি। হোৎনবা, য়াম্না হোৎনরবসু কোম্বা ঙাক্ত্রবদা লীক্লাই মকোক ঙাওরকখি। মহাক কবি ত্তৌগদবনো লেপকম থওলকত্রে। লীক্লাইনা খনবমথৈ থরবমতুংদা মহাক য়ুম থাদোক্লগা শেল তানবা চৎলগে থরক্লে। থওন-চাম্ববা উনত্রবা মকমদা অমুক-মুংথিল থাক্তনা শেল তাল্লুত্রবদি মীগী মরল শিংবা অমাদি মচে অমসুং মমা অপানবীগী মতেং পাংবা ঙম্মরোই নীংলে। থরোশংবীবু জামিন্দা লৌথোক্লবদা লীক্লাইগী রাথল থজিক য়াংলবসু মীগী মরল তোল্লুবনা মহাক পোথাকম থওখিদে। লোয়ননা মচেগী মথং মথং চথনবগী শেল দরকার ওইরি। লীক্লাই মহৈ তম্বগী মহুত্তা শেল অমসুং ইমুং মমুংগী তঙাইফদবদা চঙশিনত্রে।

লীক্লাইনা হুমিদাং মমা অপানবী অমসুং মচে থরোশংবীদা হায়খি "ইমা। ঐহাক লংকৈবা চৎপত্তরে। থা অমা অনীদং শেল তাল্লুরগা মীগী অশাবা থরবং শেংদোকখিত্রবদি য়াম্মোইদোরে।"

"লংকৈ চক্লবা য়াররোইত্রা লীক্লাই? ইমাগা লোয়ননা ঐঙু হৌজিক্তি থবক শুবয়ারে। নহানমথৈ নঙগী নতেং পাংবা ঙমলুত্রবসু হৌজিক্তি ঙমগনি, য়ারবদি নঙ চৎখিগদ্রু।"

"ইচে। নঙনা হায়রিবতু ঐ খনবয়াবা-য়েংবয়াবা য়েংলক্লবনি। ঐশোর খাইদা ঙ নোম্বদা ওইত্রে, থওনা-চাম্ববা মী উনত্রবা মকমদুদা মতম থরবং মাঙল্লুত্রবদি য়াররোই।" লীক্লাইনা থরোশংবী পাউখুম পীরকখি "ঐ চৎতবা য়াত্রবনি, চৎমিন্নবা মীঙ নৈরে; হংচিং চৎপা লেখরে।"

"হোমচা! নঙনা হায়রিবদু ইথা ভাব তারে। কদাইদা, কন্তথা কবি থবক হুকদৌরিবনো নঙনা ঙাঙলিদ্রুবো? নঙ কবি থবক হৈরদ্রনা

মীরৈবাক্তা শেল তাম্নুদৌরিবা ? ইমানা পাম্বদি থাজ খুল্লা ঐখোয়গী লোক্কাক ইমা লৈরী। রায়বন্ন রানা ইমা ইচা ঐখোয় লোক্কাক্ কুয়গা কংলকপন্থ শাগৎলগা মীগী অতোনবা শীংনবা হোৎনসি।" অপানবীনা মথা তারকখি "ইমাদি নঙবু চংলু হায়বা ওয়োই য়ুপা মচা।"

"য়াওইবনি লীক্লাই। ইমানা হায়রিবসি ঐগীসু অপায়নি, নহাক য়ুম থাদোকপা তৌগন্নু। ঐখোয় ওম্বমথৈ হোৎনরগা য়েংখিসি। তাইবোতোনগা তান্নরগা নঙগী নহৈ মথা তমথনবা খল্লখিসি।"

"নখোয়না হায়রিবদো কোম্না খন্নরসি, ইহৈ তম্বদি মতম নাইদে খুদোংচাবদা তম্মাই, মীগী পুশিল্লুবা থরসিদি মতম অকক্লবনি। ইচে! মতম শাংদোক্লগা শেন্দোই শেল্লেপ চাওখৎলক্কনা ঐখোয়দা হেন্না অরাবা ওইরকনি। ঐহাক হংচিং চৎতবা ওকয়া য়াদে।"

"নঙনা ময়াম্রবদি ঐসু হায়নিঙাই লৈতে লীক্লাই। ঐনা হায়গদবা হায়ববু ইমুংসিগী ফিভম, হৌজিক হৌজিক চথদ্রিবা কেশ, ইমাগা ঐগনা হোৎনহৌগদবসি লৈত—লাইরগীদা নত্তনা চেম্নোক চেনশিল য়াম্না মরু ওইবনি। মসিদা নঙ য়াওদনা ইমাগা কনাদনো তাম্নরুদোইবা ?"

"অহংগীদি তাইবোতোন্দা পূম্নমক কনমবা শীয়গল্লবনি ইচে। য়ানিঙাই লৈত্রে। জর্জ অমদি উকিলনসু ঐখোয়গী মার পাক্কনবা ফুইত্রে হায়রবনি। ইমা নত্রগা ইচেনা হায়নিংবা চৎনিংবা পূম্নমক তা ইবোতোম নত্রগা লৈকাইগী মরূপ মপাং লৈরিবসিংগা তান্নরগা খোকপা ওাক্তনি, মহুম্নমক য়ানিঙাই লৈত্তেদা ইচে।"

লীক্লাইগী চপমুংনা লেপখিবা ফিরেপ উরকপদা অপানবী হায়কম খঙলক্রুহনা অসুম্না হায়রকখি "লীক্লাই। নঙগা চৎমিন্নদৌরিবশিংহনা কদাইদগীনো ? মী কয়া চৎমিন্নগদবনো ? নখোয়না লৈরুদোইবা মফমহনা কয়া থাম্না—কয়ি কৌবা ইমাদা শেঙনা তাকউনে নিপা মচা।"

"ঐখোয়না থবক ওগদবা মফমদো আসামগী অরুনাচল প্রদেশ হায়বহনি ইমা! থাগে। ইম্ফালদগী হুখিং মীনি হয়ীদা য়ৌবনি।

থবক্তা য়ুমে শাবনী, কুইগদবা নত্তে ইমা। থা অনী-অহুমদনি।"

"নঙগা লোয়নগদবশিং ঐখোয় খাইদগী য়াওরিব্রা কদাইবাই-দগীনো?"

"ইন্ফালদগী ঙাক্তুনি। নম্বোল অখাইদগী অমসু য়াওরি ইমা।"

লীক্লাইগী রাফম অপানবী অমস্তুং থরোশংবীনা তঙাইফদনা য়াবা তাখি। মখোয়গী অয়ুক সুমিৎ, সুমিদাংগী থা ওইনা খঞ্জরিবা লীক্লাই, মহাক্লা হায়খিবা সুমিৎতুদা ময়ুম থাদোকখ্রে। মহাক্লা চৎলম-দাইদা ইবোতোনগী মফমদা চিঠি অমা ইরম্মী। চিঠিদুদা লীক্লাইনা ময়ুম থাদোকপগী মরম অমস্তুং মাগী ইমুং মন্নুং, মচেগী কেশ, অমদি মমাবু য়েংশিনবীনবা ইবোতোন্দা শীন্নরম্মী।

[কুলনিখোহ্ৰ]

ইবোতোননা তোমচৌগী থবক থাদোক্লকপদগী সরকারগী লোযশঙ থরদা ড্রাইভরগী ফম লৌগদবা কোযথি থিখি। এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জগী অমদি খঙনা-চান্নবশিংগী মতেংনা হোৎনবা যাবা হোৎনজরবসু ইবোতোন সরকারগী থবক ফংদ্রে। শেল য়াওদনা সরকারগী থবক ফংবগী থাজবা লৈরক্তুবদা ইবোতোননা লনাইগী ড্রাইভর ওইবা য়াবা মফম থিখি। মহুসু খুদক্তা ফংবদি ওইখোক্তে। মহাক মতম থরদি ঙাওচৎনহুনা লৈকরে।

পুলিসনু চথয়না উজরবসু ইবোতোননা থবোশংবী অমস্তুং অপানবী খোয়গী আশাদি মাঙখ্রি। রাফমসিগা লোয়ননা ইবোতোননা হংনিংলিবসি থরোশংবীনা সনাতোম্বদা থাংনা খিনখিবগী মরমসিনী। কেশ লেপ্পবদা পুখোকখিবা রাফম, থরোশংবীগী পাউখুম, পুলিসকী রিপোর্ট অমস্তুং থবয়নচিংবদা ফোঙদোকখিবদা থরোশংবীবু সনাতোম্বনা

ইন্দ মাঙহলগে তৌখি হায়বসিনা লোইরবরা? অতৈ লৈত্রবরা ইবোতোন খঙনীংঙি। ইবোতোননা মতম খরসি থরোশংবীগা উনহুনা রারী শাননবগী খুদোংচাবা ইফং ফংত্রি। অমরোমদা মশাগী থবক অমা পায়নবা নৌনা হোৎনবদা মহাক থরোশংবীগা উননবগী রাখল কোমথোকখি।

ইবোতোন তোমচৌগী মমাঙদা থবক ফংদবা মীশক ওইনা উহল্লীংদে। মহাক্কী তঙাইফদবা উবদা ইবোতোনগী মরুপ ড্রাইভর অমনা পাউ অমদি পুবিরক্লে। মহাক খ্বাই বাজারগী মাররাবী মাহাজন অমগী ড্রাইভর লৌগদবদগী বাফম্নী। ইবোতোননা মাগী মকপতা য়ারিবমথৈ থুনা থবক হৌনবা হায়খি। মথাতাবা থবক্কী পাউ ফংত্রিভেদা ইবোতোন থাঙ্গদা হায়থবগা থরোশংবী অমসুং অপানবীগা উনকগে খল্লকই। মবকসিদা মাঙোন্দা লীক্লাইনা থাদকপা চিঠি অমসু ফংলে। চিঠিহুনা ইবোতোনদা অঙকপা ওইহনখি। মরমদি লীক্লাইনা ইখঙ খঙহৌদনা ময়ুম থাদোকখিবা, থরোশংবীগী কেশ চৎথবগী মরম মঙোন্দা শীন্নরকপা লোয়ননা অপানবীবু মতেং পীবিয়ু হায়না ইরকপছু ইবোতোন থোইদোক্লা খন্থদবা ঙমখিদে। লীক্লাই করিগীদমক ময়ুম থাদোক্লুনা লংথৈ চৎখিবনো? চৎলমদাইদা মঙোন্দা তান্নরমল্লিবনা করিগীনো? থোকখ্রিবা থরোশংবীগী রাথোক অহুদা হৌবদগী ঙসি ফাওবা তান্নহুনা চথরক্লগা হন্দক লীক্লাইনা য়ুম থাদোক্লমদাইদা মঙোন্দা তাক্লমদবসি ইবোতোন হুংঙাইতে।

চিঠিসিগী মহুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবদি সনাতোম্বনা লায়েংশঙদা লৈখিদবগী পাথোংগুম্বা রাহৈ পরেং অমা য়াওরম্বসিনি। ইবোতোননা রাহৈ পরেংছু পারগা চপ চানা খঙবদি ঙমদে অহুবু রাকমসিদগী সনাতোম্ববু হাৎখিবছু লীক্লাই খঙলম্বা য়াবগী ইঙ্গিৎ অমদি উৎনি। রাকমসি মকাক্কোংবদি য়াদবনা ইবোতোন মথন্ত খঙরগা লৈবতাই। লীক্লাই উনত্রবদি অশেংবা খঙবা ঙমত্রে। লীক্লাইনা খ্বাইদগী থাজবা, ক্লীক্লাই

অমনি হায়না ইবোতোনদা রাইহেসি ইরক্লিবনি, অতোপ্পা অমদা কোঙদোকপা য়াদে হায়নস্থু অয়োইবা পয়েংহুদা থঙহল্লকই। মসিগী ইবোতোনদা হেন্না চিংনহল্লবগী মচাক অমত্থু ওইহল্লে। ইবোতোননা খাজা চংনীংলম্বগা চিঠি পাক্লবদগী অমুকা হেন্না থরোশংবী ঊনবা পাল্লহুনা মহাক খুদক্তা থাজদা হায়খল্লে।

ইবোতোনগা গাড়ী মন্থুংদা কল্মীরবা মতম অমনা থবথ পাবহু ওহাকম্থু য়েংলম্মী। থবরগী অহানবা লামায়দা থারী লমদমসিগী নহারোল কম্বা লালহৌবগী ট্রেনিং লৌনবা নৌনা মিং চন্থুনা য়ুম্নোম্নবা লৈবাক্তা চত্ত্রে হায়না পাউচে অছুদা ইরি। পাউছু থরা পাক্লগা ইবোতোনগী রাথল মণ্ডল মণ্ডল থল্লকই। লীক্লাইছবু অসিগুম্বা অরানবা লম্বীদি চংলমলোইকো? থংনবা মিথুপ্পা ঊরকই লম্বীগী নাকল্পা লোক্তাকী নীংথিরবা ঈপাক্লা ঈলং লংনা লৈরিবা, অথাম্মা থাজ-কয়াং অমম্থুং সেম্রাগী চীংথুম মচাশিংনা তুম্পক তুম্পক ঈয়াইদা তাউবত্তুম ঊরিবা। য়েংবদা ইবোতোনগী থমোয় তুমহংলি। লোক্তাম্লোমদা মকশিল্লকপগা লোয়ননা ঈমায়দা তাউবা ফুমশিং, ফুমথক্তা শাবা শঙকম্বা, লোক্তাক ওাথিবা হিরোইশিং অমম্থুং লোক্তাকতা তাবা ওামু মথল কয়াগী মশক শেংগৎলকই। লোক্তাকী মচি মচিদা ঊরি থয়ো, থবাল, থমচেৎ অমম্থুং হৈকক য়েন্নীনচিংবা কয়াম্থু নীংথিনা শম্মোকপ্লিবা। নীংথিজরবা লোক্তাকী শত্তম ঊরুরগা ইবোতোন অমুকম্থু থল্লকই, সহরম্বা অচিকপা মাঙশিল্লকপা, মহৌশাগী নীংথিবা মাঙথিবত্তম লমলমলিংগী কজরবা শত্তম কয়াম্থু মকজগী রাক্তদা মাঙথিগল্লা। মতম থরগী মযাওন্না ইবোতোননা লোক্তাকী কম্বাইগোম্পা চাতপা লনগী শা-উচেক কম্বা মকমলিগী মীশিংনা হাংলিবদগী ওান্না-ওন্না মাঙশিন্নরক্লে হায়না পাউগী তেকা ইথিবা কেংলথি। মাকদা জুবিলী থাজা পাকিং থৌবক্লে। গাড়ী ফুমথক্কনবাইদা নাকল্পা লম্পিক্লগা ফুলাক্লনা হৌলকথি "ইবুংঙো। ওসাই থ্ৰিম্বকন কৈথেল্পা নহাক্লোমদা

শেল লৌগ্রে হায়থুনা থানা মথাম লাংহৌবথু খণ্ডবিরুকপ্রা ?"

"ঐ খোইনা খণ্ডজরক্তে।" ইবোতোননা খণ্ডনীংবগা লোয়ননা সুপাত্নদা হায়খি "কদাইরাইদা ওইরবনো, কয়াম লৌগ্নজাংনো ?"

"মশা।.দি খণ্ডগ্রে, পাউনা বাজারদনি। বেহুতগীনি হায়নবসু য়াওই, ছুক।ন্দগীনিসু হায়, ঐসু চপচাবা খণ্ডলক্তে, ইবুংঙো।"

"চহী খরসি তোযনা খোল্লবা থৌদোক্সী, অনৌবা নত্তে লমদমসিদা।'

"হোয়নে ইবুংঙো! মখোযগী শেন্দি খরবু লাইরি, নোংমৈ কান্নবা — মীগী মথাই লৌবথুনী ইয়াম্বখোয়না হৈনত্রিবসি।" সুপাত্না মখা তারকখি "সবকারদা শীংনরিত্রা নত্রগা মখোয়গী করম্বা মনীংখুংদবা লৈথুনা তৌরিবনো খণ্ডদেনে ইবুংঙো ?"

বসতগী কুমথরগা থাজগী লম্বীদা চৎমিন্নরিবা সুপাত্নগী বাহংথু মহাক্নদি ইচম চম্না হংজরক্নম্বা ওইরবসু মঙোন্দদি খুবম্নাবগী বাহং ওইদে। মহাক্না হায়খি "মতুগী অকুপ্পদি খণ্ডজত্রে তাদা।"

"খণ্ডত্রেনে, মখোয়সি করম কান্দা ইংদোইনো।" মখোয়নীগী ব্রারী মখা শাংথনখ্রিত্রে। খরা চৎমিন্নরগা সুপাত্না থাজা হৈস্লাব লৈকাই রোমদা চৎখ্রে, ইবোতোনদি চীংখা লৈকাইরোমদা লাক্লে। ইবোতোননা থরোশংবীখোয়দা চণ্ডলকপদা থরোশংবী মাজোলদা ছুরুলাং লোল্লম্মী। মহাক্না ইবোতোন উবদা হরাউজবগা লোয়ননা কৌরথুনা তরাম্না ওকচরকই "হৈমা! তাইতোন! থাজদনা লেংঙক্লেদা। ঐখোয় ইমানা তাইতোন উন্ননীংঙি শোল্লম্বনি, তান চাবে লেঙশিন-বীরকউ।" থরোশংবী ইবোতোনগী ফিদা থৌরাং তৌই।

"ঐসু ইমাগা উন্নবা লাক্লিবনি থরো।"

"করি করি পাউ তারি? কেশকী তারিখ অমুক রৈথোক্লনি হায়খিত্রা তাইতোন ?"

"খণ্ডত্রি, মখোয়গী উকিলনা রৈথোক্লবা হোৎনরক্তবদি লোইশিনবা

য়ারবনি হায়, কেশ ছুমিত্তদা খওগনি।"

"তাইবোতোনগী থবক ইনথাংদি কমদৌরবা? নাত্তৈত্তারা ইথোক থোক্তরবা কমদৌরবগে?"

"থবক্তী রাদি কাম্লব্রেদা থয়োশং। হৌজিক শেল য়াওদনা সরকারগী থবক ফংবা ওইথোক্তে।"

ইবোতোননা নীংবকাইবা উৎলছুনা মখা তারকখি "ইন্টর্ভিউ অহাক শুরে য়াওরুবা কাম্লব্রে, লুপা লীশিং তরামণ্ডা পী হায় অহানবগী রাত্তর সপ্লাইগীদা থবক ফংখিবশিংছু। অকোনবগীছুনা লীশিং রুননি হায় লৌউ-শীংউ লোয়শণ্ডগীদো। ঐগীদি কৈদৌনি এমপ্লোইমেন্ট এক্‌-চেঞ্জদা কার্ড থাহল্লবা হোৎনবদা লুপা ৫০/১০০ হৌরে তীংবা, অহুদগী ইন্টর্ভিউদদি অহেনবা লুপা লীশিং কুন-কুন্থ্র। কৎনিঙাই লৈতবনিনা কদায়দগী ফংগনি. তোকপা তাবনি।"

ইবোতোনগী শাংলবা রারী তারুবা থয়োশংবী সুংঙাইখিদে। মহাক্কা মতমসিদা ইবোতোনগী মতেং থরদংতা ওইরবসু পাংবা ঙম্লবদি সুংঙাইতবসি থরগী মথৈদি হস্থরমগদবনি খল্লকই। থয়োশংবীনা হায়রকখি "খঙব্রে তাইতোন। লাইবক থীবী ঐগী রাহৌদগী তাই-তোনফাওবা থুদোংখিবা মায়োক্লরে। ঐথোয়না লৈজছুনা তাইবো-তোনগী অরাং অপাদা তেংবাঙবা ঙম্লবদি পেল্লমগদবনি, মহুস্থ ওইথোক্তে। সুংঙাইনিঙাই লৈব্রে তাইতোন।"

"কায়দে নঙগী রাহু অরায়বনি, ঈশ্বরনা তম্বা লাকনি। ঐ থবকী-দমক করিগু চীংনদে থয়ো। ইথুৎ তেক্কে, ইথোঙ শোয়দে, নাস্মা শোয়রবা মীদস্থ মপুন্সি নীংথিনা হিংলী। ঐনা হিংলোইদবগী মরম লৈতে।" ইবোতোননা অমুকস্থ হায়রকই "ইমা লৈত্রা? কদাই চৎখিবগে উদেনা।"

"ইমা লাং রানবা চৎখি তাইতোন। কাব্রক্লনি।"

থয়োশংবীনা মখা তারকই "ইমাদা হায়ব্রদি রাজ্জাংলা?"

"য়াই, অহুবু ইমাগী তান্নবা পাম্মী থরো।"

"কয়ামলুবা করি মতাংনো ?"

"নখোয় লীক্লাইগী য়ানী।"

"ঐখোয় লীক্লাই লংকৈ চৎপ্রহুদি, মা য়াওপ্রবদি থবক চেনবা নাতৈ ।প্রবয়া তাইতোনদা ?"

"অহুগী নত্তে।"

"নত্তনদি শেলগী য়াফম্না ? লীক্লাইনা চিঠি অমসু তাইতোন্দা ।নি হায়খিবনি, পীরমজ্রো ?"

"পীরকই।"

থরোশংবীনা য়ারী মথং মথং চত্থরবসু ইবোতোনদি ইহৈ নীংদবা উই। ইবোতোনগী মতৌহুদা থরোশংবীনা চিংনরহুনা য়রকখি "কৈদৌরগে তাইতোন ঙসি ইহৈ হৈনীংদনা উরিসিবো।"

"কৈগু তৌদে, ঐবু কৈদৌবগে ?"

"শোয়দনা কৈনো অমা লৈরমগনি ঐ থগুভি। য়াইদা, ঐঙোন্দা কথোক্লীংপ্রবসু কৈগু কায়দে।" থরোশংবীনা ওইনবহুনা মখা রকই "ঐবুদি কদাইদগী থাজরগনি, মীনা কীনরবা য়াথোক ওরবীনি।"

"করিনো নঙনা ঙাঙলিবদো থরো ? ফরক তারকসু। য়া ঙাঙবদা ।চিগা কোরাংগা, নঙোন্দা ঐ করি হায়প্রগে ?" ইবোতোন ওরকই "মথোং ময়মদি থঙদনা নঙনা ঙাঙলকইহুবু করিনো ?"

"হোই, ঐনা লাল্লম্বযাই তাইতোন! ইয়াল লৈরবনিনা য়াখলসু ত্র। ঐগীদমক্তি কনানসু য়াহৈ অমা হায়বিনবা লৈরক্তবসিদা সুম ং ছুংশিজরকপনি, তাইতোননা অকায়বা হায় হায়জবা নত্তে।"

"নঙগীসু হায়নিঙাই য়াম্না লৈ থরো। হায়রুরগা য়া মাঙহুনা ।কনি হায়দবনি।"

ইবোতোনগী মরৌথাংবা য়াহৈ তারকরগা থরোশংবী হায়দগী অমুকা

হেন্না মপুক্লিং মুংশিজরক্লহুনা, কপ্পীং কপ্পীং কপথোকচবদি ঙমদা হায়রকই "ঐনা কয়দা মতমদা লানগ্রহুনা তাইতোননা অহুক থাজবিত্রিবনো ?" থরোশংবী কপ্লক্লে। মহাক্কী পীরোইনরবা খোঞ্জেন্দুনা মখা তারকখি "তাইবোতোননা হায়বদা ঐনা ওইদবা মীনম্বা করি হায়গ্রহুনা ঐঙোন্দা হায়নীংত্রিবনো ? ঙসিদি মহুগী চপ চাবা ইরাল ফোঙদোকপিরমত্রবদি হনখিবা য়ারোই।"

"হা-হা-হা, অহুগীরা কপ্লিবদো ? ফনহুম নোক্লিংঙি। নমুমদা লাকপা ঐঙোন্দা, শাওরগা করি তোংজদোইবা ? ঐনা হায়বদি নঙনা নঙগী কেশকী জবানদা খুমখিবা নত্তনা নশাগী অশেংবা রাফম অমফাওবা ঐঙোন্দা হায়দোক্লীংদে হায়বনি ? নঙবু অশুক কুইবসি হায়গ্রবো ?" ইবোতোননা ঙহাক লেপলুরগা মখা তাবকই "মীওইবসে অশেংবা হায়রবদি শাওবনি। নহাক্লা ঙসিফাওবদা ঐবু থাজদে থরো। সনাতোম্বগী মভাংদা নঙগী অশেংবা ঐঙোন্দা হায়দোক্কে, ঐনা খঙনীংলবস্থু নঙনা হায়নীংদবনিনা হায়রবগী কান্নদে হায়দবনি।"

ইবোতোনগী শাংলবা মলোম অমা মতম কুইনগী ভুংদা ঙসি কোঙদোক্লকপদা থরোশংবী হিক হিক কপ্লহুনা শেংদোরকই "অহুগীদমক্লা ঐবু অহুক থাজবীরমত্রিবদো ? মুপী অমগী ফজত্রবা মিংচৎ, লাইবক খিবা খৌদোক অমবু তেংন ফোঙদোকপা করম্না ঙমফম থোকপগে হায়বীমু। মহুবু ফজবা রাফস্লো, মী মমাঙদা হায়নবা হৌনত্রো ? মহুগীদমক ঐবু পুকচেল শেংদবীনি হায়রবস্থু হায়বীমু ঐদি হায়দোকপা ঙমজরোই।"

"ঙমদবহু ঙমদয়াদে হায়বদি হাযখিদেদনা। ঐস্থু খঙবা য়াবা থরদি খঙহনবা ফৈ হায়বগী রানী। ঐসি লম্নানবনি হায়না খল্লগদি খঙত্রে নত্রগদি নঙ- ঐগী মরক্তা অরোনবা অথুপ্পা অমুক লৈফম থোক্কে থরোশং।"

"ঐহাক খঙ্ঙী। কদাই ফাওবনা অরোনবনো, অথুপ্পা হায়বহুনো করিনো, হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা রাকমসিদা ঐগী অরোনবা হাববু

সনাতোম্বনা ঐগী পুন্সি মাঙহনবীরম্রে অসিতনি।" থরোশংবী কপ্লম্বা তোকখ্রে। মহাক্না মপী তৈথোক্লগা হায়রকই "নৈশাবী অমনা পাখঙ অমদা হায়বয়াবা রাহৈদগী হেন্না করি হায়ফম থোকপগে ? ঐগী অশেংবা পুম্নমক তাইবোতোন লোয়না খঙজী, হায়দোকপা হায়দোক্তবা পুম্নমক খঙলবীনি। অরোন—অথুপ, মঙ্গুং-মপান খায়ত্রবা তাইবোতোনগী মফমদা হৌজিক রাৎলিবসি ইমুং অমতগী মী ওইবা অসিখক্তনি।"

"য়ারে থরো'! অত্তুক য়ান্না হায়ত্রবস্নু। ইবোতোন মীমাঙ থোকত্রি। ঐনা লাক্লিবসে নঙগা মৈ য়েৎনবা নত্তে। লীক্লাইনা চৎথ্রিবত্নগী মরম থম্নবা লাকপনি।"

ইবোতোনগী অয়োইবা রাহৈ তাবদা থরোশংবী ওহাক খল্লগা খুম্নকই "লীক্লাই কৈদোরবগে ?"

"কৈগু তোদে, মানা চৎখ্রিবত্ন কনা কনা লোয়নখি খঙনীংঙি।"

"মমান্নবা অনী অহুম শুই হায়, ঐ চপ চাবদি খঙদে।"

"মশক মশাদি খঙহৌত্রা ?"

"খঙদে। করিগীনো অত্তুক কুপ্না হংলিববো ?"

"রা লৈ, মাগা চৎমিন্নখিবশিংত্ন মশক খঙবা লোয়ননা মমুম লৈফম খঙবা তঙাইফদে।" ইবোতোননা মখা তারকই "মখোয়না লৈরিবা মফমত্ন চপ চানা খঙত্রা থরো ?"

''অরুনাচল হায়ত্রা— আসাম হায়ত্রা ঐ তশেংবা খঙদ্রে, ইমা খঙলম্বয়াই।" থরোশংবীনা ওহাক লৈরগা অমুক হায়রকই "নহান মাগী থবক শুফমদগী থোক্লকপনি হায়ত্নুনা মমান্নবা অমা লাক্লম্মী। মহাক লীক্লাইনা পীরকপা শেল থীলক্লম্বনি। মত্নস্নু মশক খঙহৌদে।"

মখোয়নি রারী শানরিঙৈদা অগানবী তুঙ্গোল নাকন্দা য়াল্লত্নুনা লোক্তাক ঙাথিরুবা হল্লক্লে। অপানবীগা ইবোতোনগা উনরবদা মখোয়না লীক্লাইগী মরমদা খন্নখি। অপানবী অমম্লুং থরোশংবীনা লীক্লাইগী মরমদা ইচম চম্না লৈরম্বদা ইবোতোন পেনখিদে।

[কুলহমদোই]

•

ইম্ফালগী চিফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেৎনা পুলিশকী রিপোর্ট মতুংইন্না শাক্ষি জবান লৌবা লোইরবুনা সেসন জর্জদা কেশ লানখৎত্রে। ওসি সেসন কোর্তা থরোশংবীগী অবোইবা কেশ লেপ্পগদৌরি। জর্জনা সরকারগী উকিলদা থরোগী মরাল করিনো হায়রবু পুথোক্লবা য়াথং পীত্রে।

সরকারগী উকিলনা পুলিশ অমসুং শাক্ষিগী রিপোর্ট অমদি হৌখিবা কেশশিংগী রেকোর্ড য়েংলগা হায়রকই।

তাং ১১ থা ৫ ইং ১৯৮৬ ইরাই সুমিংকী সুমিদাং পুং ৭০০ তাবদা শ্রীথোকচোম তোমচৌ সিংহ সাং য়াহেং লৈকাইদা লৈবা ঠিকাদারনা ইম্ফাল থানাদা রিপোর্ট তৌখি। য়ারোলদি, মাগী মচে অপানবীনা পোকপী (শীলমী) কুমারি থরোশংবী দেবী, মশাগী চহী ২০ লোম ওরবী, থাঙ্গদগী লৈশাবী অসি মাগী (তোমচৌগী) য়ুম য়াহেং লৈকাইদা লৈ। মথক্কী তারিখ অমসুং সুমিংসিগী সুমিদাং চাউরাক্লা পুং ৬.৩০ লোম তাবা মতমদা তোমচৌগী সুপী ইবেথোইনা লাওরকপা তাবদগী মফমদুদা চেবশিনবদা মহাক্কী মশেলসুপা থৌদাম সনাতোম্বা সিংহ মশাগী চহী ২৮/২৯ লোম ওরবা অসি মবুক্তা ঈ থোক্তুনা থরোশংবীগী কা মনাক্তা লেপতুনা লৈরম্মী। মতমসিদা থরোশংবীগী মথুক্তা ঈ তৈরবা থাং অমসু উই। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ইম্ফাল থানা-না কুমারী থরোশংবী দেবাগী মথক্তা আই, পি, সিগী সেক্সন ৩২৬ তা কেশ অসি লৌখৎখি।

শ্রীতোমচৌ সিংহগী জবান্দা শোক্লিবা সনাতোম্বা শাগী মশেল য়ুপানী। মহাক তোমচৌগী য়ুমদা চঙথোক চঙশিল-তৌবদা অকায়বা

ৎ-ঙৈলতে। ইমুংগী মী অমগুম্বনি। থৌদোক থোকখিবা ঙমিং অহুদা সনাতোম্বা শোক্তনা থরোশংবী দেবীগী কা মনাক্তা লৈরম্মী। থরোশংবীগী মখুত্তা ঈ তৈবা থাং অমা উই হায়রি। তোমচৌগী ইমুংদা থবক তৌহুনা লৈবা শ্রীশক্তি বাহাদুর (১৮) ময়াম্না বাহাদুর হায়না খঙনবা অসিগী জবান্দা মানা চঙলকপদা শ্রীসনাতোম্বা মখুৎনা ঈ থোক্লককম অহু মেন্দুনা থরোশংবীগী কা মনাক্তা লৈরম্মী। থরোশংবীনা মখুত্তা ঈ তৈবা থাং অমা পায়হুনা মাগী কা মনুংদা লেপতুনা লৈরম্মী। থাং অহু বাহাদুরনা মুন্নী। থাং অহু অসিনী। থাংদা তৈবা ঈ অহু সনাতোম্বগী ঈগা মান্নৈ হায়বা এক্সপার্টকী রিপোর্ট অহুনা অসিদা লৈজরে। Injury Report কী মতুংইন্না অশোকপা অহু ডাক্তরগী মতুং ইন্না অথৌবা থাং অমনা থিনবা খুদোংথিনিঙাই ওইবা অশোকপনি হায়না ইরি। মেডিকেল রিপোর্ট লৈজরে। কুমারী থরোশংবী দেবীগী লমচংকী মরমদা শ্রীতোমচৌ সিংহগী মুপী ইবেথোই দেবীগী জবান্দা থাজনিঙাই ওইদবা লৈশাবী অমনা চংকদবা লমচং চত্তবা, ওক্তবী তৌ ওন্বী অমনি হায়রি। মরম পুম্নমক অসি য়েংলগা কুমারী থরোশংবী দেবী আই, পি, সিগী সেক্সন ৩২৬ তা মতীক চাবা দণ্ড পীবিনবা হায়জবী।

শ্রীসনাতোম্বা মাগী অশোকপা লায়েংনবা লমফেলগী আর, এম, সি, হোসপিতালগী স্পীসিয়েল রার্ড নং এ/১ দা লৈ। মশাগী অনাবা (অশোকপা) ফরহুনা মমুমদা কুমগদবা নোংমা রাৎলিঙৈদা হায়বদি তাং ২৫।৪।৮৬ ইংগী ভুমিক্লাংরাইরম চাউরাক্লা পুং ৫.৩০ রোম তাবদা মশক খঙদবা নম্না অনী লাক্লগা রার্ড নং এ/১ গী কাদা কমুংদা লৈরিবা সনাতোম্ববু থাংনা থিনবদগী শিহুনা লৈরম্নে। মসিগী মতাংদা লম্ফেল পুলিশ ষ্টেশন্দা আই, পি, সিগী সেক্সন ৩০২/৩৪ দা কেশ অমা রেজিষ্টার তৌই। কেশ অসিগী তদন্ত চঙবদা পীরবা সনাতোম্ববু হাৎপা মাবা মাগী য়েক্লবা অমতা লৈতে। মতাং অসিদা সনাতোম্ববু হাৎপা যানা

মতৌং শোক্না হুৎণ্ডাইজিবা, য়েক্লবা ওইরিবা মীদি কুমারী থরোশংবী দেবীনি। অদুনা মথক্তী ইম্ফাল থানাগী কেশ অসি যেংলুবগা কুমারী থরোশংবী দেবীবু আই, পি, সি, সেক্সন ৩ ২/৩৫/১২০—বিদা দণ্ডি পীবিনবা হায়জরী। মরমদি সনাতোম্ববু হাৎনলবগী থুজিল থৌরাং য়াওরি। মাগী মী ময়ুনা সনাতোম্ববু হাৎপীনবা মী লৈত্তে হায়বসি মশানা তাক্লবনি। কেশ অসিদা কুমারী থরোশংবী দেবীবু কারগা জামিন্দা থাখিবনি।

সরকারগী উকিলনা থরোশংবীগী মথক্তা লৈবা মরাল পুখোক্লুনা দণ্ডি পীবিনবা হায়জগ্রবা মতুংদা জর্জনা থরোশংবীগী উকিলদা থরোগী মরান লৈত্তে হায়বগী মরম পীয়ু হায়রে। জর্জগী য়াথং ফংলবদা নত্তা ওইহল্লিবা, মীনা মশক খণ্ডনদ্রিবা উকিল চাউযাইমনা হায়রকই ইয়োব ওক্লনার। হৌজিক সরকারগী উকিলনা হায়বিখিবা কুমারী থরোশংবী দেবীগী থাংনা সনাতোম্বা শোক্লুনা ডাক্তরদা লায়েংই, থাং অদু কুমাবী থরোশংবী দেবীগী মখুত্তগী বাহাদুরনা মুল্লি হায়বা পুম্নমক অচুম্বনি। কুমারী থরোশংবী থাক্সদগী ইম্ফালদা মমাগা পোকমিন্নবা মাম্মগী য়ুমদা ইমুং মন্নুংগী থবক শুত্নুনা লৈবনি। সনাতোম্বা যুম্বুরেম্বী ইবেথোইগী মৌপ্‌ানি। য়ুম অসিদা মহাক্না চণ্ডথোক-চণ্ডশিন তৌবদা অকাইবা লৈত্তে। থরোশংবীগী কা মনাক্তা সনাতোম্বনা লাকপা ওইথোক্তবা নত্তে, অকাইবা লৈ। মসিদা থাক্সদগী লৈশাবী অমনা ইম্ফালদা মহাক্না শাইদাংদুনা লৈরিবা যুম্বুরেম্বীমক্তী মৌপ্‌াদা কবিগী করম্না থাংনা থীল্লিবনো হায়বা বাফমসি থম্নহুনা য়েংসি।

শাক্ষিগী জবান মতুংইন্না মতম অদু মুংখিলগী পুং ৬ ৫০ হাযবদি সন্ধ্যা যাচংবা, মতম অসি মৈতৈ গীদি ফরক তাবা মতম্নী। কুমারী থরোশংবী ইমুং মন্নুংগী থবক লোমলুবগা মাগী কাদা পোখাবা মতম্নী। আই, ও গী জবান্দা থরোশংবীগী ফমাংদা সেম অমগা মকু থবগা তাহুনা লৈরম্মী হায়রি। মসিনা তাকপদি কুমারী থরোশংবী ইমুংগী কুপনোম

লোইবগা মাপী কাদা কমুংদা কমহুনা লেম খোয়লগা চাগলবগী তৌবনী। কারিবা থাং অসিসু ইমুং মমুংদা শিজিন্নবা হৈহ্রাংনি। অসিগুম্বা অচিকপা তাঙা অসিগী খুদোংচাবা লৌহুনা সনাতোম্বনা থয়োশংবীগী কাদা চঙলন্নগা থয়োশংবীবু কোনশিন্নগা মাপী কমুংদা নমহুনা ছুপী ওইবীগী ইর্জদ মাঙহন্নবা হোৎনখি। মতমতুদা থয়োশংবীনা পান্নবা থাং অহুনা সনাতোম্বগী ওইথংবা পুকনোঙ্গা শোকপনি। মন্থু থয়োশংবীনা সনাতোম্বদা থাংনা থিনগে হায়না অতন্ননা থিনখিবা নত্তে। সনাতোম্বনা থয়োশংবীদা কোনশিনবদা মতোমতা শোকচখিবনি।

সনাতোম্বনা যুমসিদা অমদি থয়োশংবীগী কাদা চঙবদা অকায়বা লৈতে। অহুবু হন্দক সনাতোম্বনা থয়োশংবীগী কাদা চঙলকপা অসিদি কুমারী থয়োশংবী দেবীনা মশানা যাদনা ছুপী ওইবীগী ইজ্জদ মাঙহনগে হায়না চঙলকপনি। সনাতোম্বা শিভ্রিহৈদা থানাদা পীয়রবা জবান্দা মাগা থয়োশংবীগা লৌন-লৈননবগী শেমহুনা লৈয়রবনি, থয়োশংবীনা য়াদবদগী অশেংবা অমা খঙগে হায়রহুনা মাগী কাদা চঙলুবনি হায়রি। মসিনা তাকপদি করিগুম্বা থয়োশংবীনা য়ারক্ত্রবদি পাজল শিজিন্নগে হাযবা ফত্তবা য়াথল অমগা লোয়ননা চঙলন্নবনিনা সনাতোম্বা আই, পি, সিগী সেক্সন ৭৫০ গী মথাদা দণ্ড ফংফম থোকই। মসিগা লোযননা মরাল লৈজদবী কুমারী থয়োশংবী দেবীগী ইজ্জদ মাঙহনগে হোৎনকবগীদমক ভরত দণ্ড বীথিগী থারা ৩৭৬/৫১১ গী মথাদা মরাল ফংফম থোকই।

ইয়োব ওরনার। আইন্না অশোনবা মীবু ঙাকপী। আইন্না মশানা মশাবু অমদি অতোপ্পবু কন্ননবা অহুগা মশানা মশাগী অমদি অতোপ্পগী মরল ঙাকচনবগী খুদোংচাবা পীরি। মরম অহুনা কুমারী থয়োশংবী দেবী আই, পি, সিগী সেক্সন ১০০ দা পীরিবা মশানা মশাবু কজনবগী শক্তি অহু থয়োশংবীনা শিজিন্নবদা অকায়বা লৈতে।

সনাতোম্বনা কুমারী থয়োশংবীদা নমজা নমথেক্সনা ইজ্জদ মাঙহন্নবা

হোৎনবা অমি লোকখিনা থৌরোকসিনা অহানবা মতে। মতুংগী ঐনান, বাহাদুরনা মাগী অনান্না হায়খি; মতুংদি লোইবা তুমিদাং মাতংবা মতুংনা সনাতোম্বা তোমচৌবী তুমদা লাকই। মতমতুংদা তুমগিদা থরোশংবী অমদি বাহাদুর নত্তনা কনা অমতা লৈতে। সনাতোম্বনা বাহাদুরবু কা লৈকনবা থাদোকখি। বাহাদুরনা কা লৈকনগা হল্লকপা মতাঙ মচিন য়োরকপদা মহাকপু থরোশংবীনা য়াম্না শাথৎনা কৌরকখি। বাহাদুরনা চেনশিন্নগা করি তৌরবগে হংবদা থরোশংবী ইকায়-খুংশি য়াদ্র-না করিত্ত তৌদে হায়না খুমকখি। সনাতোম্বনা থরোশংবীগী অকোংবা মতম ওইহুনা লৈ হায়বসি থৌদোকসিনা তাকই। মসিদা থরোশংবীনা মশাগী ইজ্জদ কঞ্জনবা হোৎনজবদা সনাতোম্বদা থাংনা শোকখিবা নত্রগা খিনখিবা ওইরমসু য়াই। মসিদা আই, পি, সিগী সেক্সন ১০০ নদি থরোশংবীনা থাংনা খিনগে হায়না থিল্লমবসু মরাল লৈতে হায়না ইরি। ইয়োর ওননাবদি অচুম্বা ওাকপনি, মতাংসিদা হায়জনীংবদি মপান্ল শোল্লবী খুজংগী খুপী, অহুগীসু মথক্তা মাগী হায়ববু অহল ওইরবী মমা লুগ্রা অমসুং মথোং মরম থওন্রিবা মৌপ্ৰা অসি নত্তনা কনা লৈজরবী। লৈশাবী মানা মীগী মমুমদা শাইদাংহুনা লৈরগা তাংজকম ওইরিবা য়ুম অসিগী য়ুমুরেম্বীগী মৌপ্ৰাবু করিগী থাংনা খিনগদৌরিবনো? মকম-মতম অমসুং থোকখ্রিবা থৌদোক, লোম্বননা শাক্তিগী জবানশিং য়েংলুরগা কুমারী থরোশংবী দেবীগী মরাল লৈতে। মশা কঞ্জনবা তৌখিবনি। মরম অসিনা ওনরেবল কোর্টনা কুমারী থরোশংবীগী মথক্তা লৈরিবা আই, পি, সি, সেক্সন ৩২৬ অসি ককথৎপিয়ু চম্না ছিংজবা তোল্ল তারবশিংগী অশেংবা পুন্সিবু কনবীয়ু।

অতোপ্পা লম্ফেল থানাগী কেশ অমদা কুমারী থরোশংবীবু আই, পি, সিগী থাক্না ৩০২/৩৪/১২০-বিদা মরাল শীখি। মসিদি অকনবনা অশোনববু কুহৎপিবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। মরমদি তাং ২৫।৪।৮৬ ইং অমিদি কুমারী থরোশংবী দেবী জাম্বিন্দা

থাদোকপা খুদিংনি। জেলগী রেজিষ্টারগী মতুং ইন্না তাং ২৫। ৪। ৮৬ ইংগী খুংখিল পুং ৪.১৫ দা থরোশংবী দেবী জেলদগী মপান থোকখি। এল, আই, আরগী মতুংইন্না থৌদোক অসি তাং ২৫। ৪। ৮৬ ইংগী খুংখিল পুং ৫.৩০ রোম তাবদা মশক খঙদবা মুপা অনীনা আর, এম, সিগী শ্পিসিয়েল ৱার্ড নম্বর এ/১ দা থাংনা থিন্দুনা হাৎলম্বনি। মুপা অনীনা হাৎলি হায়বনিনা মীহাৎপা মী অনীমুগী মথুংদা থরোশংবীদা আই, পি, সিগী সেক্সন ৩০২ অসিদি লৈত্রে। অতোপ্পা সেক্সন ১২০-বি গী মরমদা থন্নরবস্থ কুমারী থরোশংবীনা পুং অমগী মথুংদা কনা লৌতুনরগা সনাতোম্ববু হাৎহনগদৌরিবনো ? থরোশংবী দেবী কয়াম শক্তি লৈবা মুপীনো ? থরোশংবীগী মী লৈজদে, শক্তি লৈজদে, মরম অহুনা কেশ অসি শাক্ষি প্রমান লৈতবা কেশনি।

উকিল অনীমক্কী ৱারোল তারবা মতুংদা সেসন জর্জনা কুমারী থরোশংবী দেবীনা মশাগী ইজ্জত কক্কনবগীদমক আইন্না পীবা শক্তি শিজিন্নজবনি, মরাল লৈতে। সনাতোম্বা হাৎখিবগী কেশ অহুদা কুমারী থরোশংবীগী থুৎ য়াওদে। মরম অহুনা কুমারী থরোশংবী দেবীগী মরান লৈত্রে হায়না কেশকী রাই হায়দোক্লে। বীচার লোইরে।

পাউ অসি তাবদা থরোশংবী হরাউবগী ওমথৈ লৈখিত্রে। মহাক অনোবা মপোক অমা কংজবগুম নহানমথৈ য়াজক্কবা পুন্নমক কোক্কবদা থরোনা চীংথা লৈকাইগী মমান্নবীশিংদা তমজে "তবাবী, মাঙ্গোল-ঙানবী। ঐগী কেশ লোইরে।"

"কমহায় তোরবা, নঙগী নরাল লৈত্রে হায়রব্রা ?"

"লৈত্রে, ঐনা ঙম্লে। লাজদবী অহুম্বগীস্থ ঈশ্বর লৈ তবাবী। নখোয়স্থ ঐগুম্না খুংঙাইব্রা ? খুংঙাইয়ু। ঐনা নখোয়দা হায়খিবহুনি ঐ লানখিদে।"

"ইবেম্মা ! নরাইবক কথগী ঙম্নকপানি, মীচঙ-শেলগী মতমসিদা ঐখোয়দি থাজকক্রবনি।" তবাবীনা মথা তারকখি "অশেংবদি নঙগী

ইবোতোন হায়রা ড্রাইভরহ্ নংলমত্রবদি কেশ লোইবগী বা লৈতে।"

"নহাকম্ হায়মল্লে ইবেম্মা। ইমা অমদি লীক্লাইনা অশুক কল্লা হোৎনরিছদি।" থরোশংবীগী থমোয়নদি তবাবীবু থাগৎচৈ, অহুবু অহুবু মপানথোংদদি হায়রকখি "কৈরোই-লৈকাই অমদি নখোয় ময়াম্না লাই খোইরম্বীবদা ঈশ্বরনা চানবীরকপনি তবাবী। ওসিদি চমু কথোক চানসি, ঐগী কেশ লোইবগী।"

"হোয়নে হোয়নে, ঐ চুহী ওয়্নগে থরো।"

মখোয় হরাউবগী নোক-খৈনৈ। অমগা অমগা ফাগী তৌনৈ। মাঙ্গোলঙানবীনা হায়রকখি "অতৈনা হোৎনবদগী ড্রাইভরহুনা ইহেল হেক্লী হায়নৈদা, মঙ্গুংদা করি লৈবনো খঙদে।"

"হিক্লাবীসিদি।" থরোশংবীনা নোক্লহুনা পাউথুম পীবকখি "মী মচাহ নখোয় ময়াম চঙহুনা মাঙহল্লগেরা?"

"সিবু হায়জিল্লবরো? ইবেম্মা, মুংশিং শিত্তনা উনা লেংদে হায়রমনি, মীনা হায়নরবদি অচুম্বা থরদি য়াওরবনি থাজো।"

ইবেমহলনা ওক্লগা থোম্লকপদা থরোশংবী উপাই লৈথিদে। মহাক্না অচুম্ববু ফাগী ওইনা খুম্লকখি "য়াম্না ফরে, নখোয়গী বাহৈদগী অশেংবা ওইজরগে।"

"পামদি পামজরিপোৎনি, ঐখোয় মাঙদা হায়দোকপা ইকায়হুনা লোৎলমনে খঙলেদনা তবাবী। নঙদি থরা নকশিন্নবনিনা খঙলিনী, কয়াম চঙশিন্নগ্রবগে অনীসিবো?"

"অহুগী হায়রুরবদি নঙ-ঐ চপ চান্নৈ ইবেমহল।" তবাবীনা মথা তারকখি "ইম্ফালদা লৈরিঙৈদা কয়াম য়ৌশিন্নগ্রবনো খঙদে, হৌজিক্কি থাপ্তোক্লরবনিনা উনদবসিদা 'ঙাওরপোৎনিদা ইবেম্মা।"

"মুংশিনবা লৈজবা কাইহ্ মুংঙাইজরিনিকো। ঐখোয়দি ইম্ফালমু কাহোদা লোক্তাক ময়াইসিদা শিত্তুনা তোকপ্রা খঙক্রি ইবেম্মা।" ইবেমহলগী ফাগী মথা তারকই "মুগীনা মশীং হেক্লী হায়রবা মণিপুরদা

থরোশংখোয়দি লাইবক করবনি, অহুবু খুমুঞ্রং অমা পাযশিন্নরুনা চেক্লা চেক্লাক চেনকোইনবদা খুৎচুম্বা শিকারী মাশী তেনজিন্দা খুমুঞ্রং মখাই মাঙলমত্রবদি, হা খঙলমগদবনিকো।"

"ইবেম্মহোয় মাযমুংঙাইজরে লেংবীরো। প্রমানও পাঙ্গও, নহোয় মঙাইরেনে মী শীদোকপা হৈরিসে।" থরোশংবীনা মখা তারকখি "হোরেল কবোক চানবা মতমদা মখা অমুক শমথবিরো, হৌজিকীদি খাইদা তেনশিন্নরসে।"

"মী থরাইশোকপা য়াওনরে তবাবী। চৎলসি।" হায়রম্নগা ইবেমহল, মাঙ্গোনঙানবী মথং মথং চৎনরে। তবাবীস্মু নোক্লহুনা থরোশংবীগী মনাক্তগী চৎখ্রে।

থরোশংবীনা কেশ লোইবগী মুংঙাইজরবস্মু মাগী থমোয়দা ইহাং হাংবা অমা লৈরি। মহাক্না মতমসিদা লীক্লাইগা লোয়ননা কেশ ওম্নকপগী রারী রাতাই শান্নজরম্নবদি অহাংবা মুংঙাইতবসি লৈরম্লোই-দবনি। থরোশংবীনা মমা অপানবীদা তান্নহুনা লীক্লাইবু কোথোক্লগা মাগী মহৈ মখা তমথনবা হায়নরে। অপানবীস্মু রাফমহু হোদোক্লীংহুনা লৈরম্নবনি। মমা মচা রাখল মান্নরবদা অপানবীনা ইবোতোন কৌরগা লীক্লাই কোথোক্লবা অমদি মাগী মহৈ তমথনবগী রা তান্নবা থোক্লাং তৌখ্রে।

[কুন্নমরি]

অয়ুক অঙনবদগী ইবোতোন মখী হোংলগা মাগী মরুপ মাঙোল-জাও উনবা থোরকই। মাঙোলজাওদা হায়নখিবা থাঙাল বাজারগী গনেশলাল পাটনিগী গাড়ী থৌনবগী রাক্ষম হোদোক্লবা চৎপনি। ইবোতোনগী লম্বী মাঙওইননা তুংদগী হেনগৎখিবা নহা অনীথক্তগী চে চাইথরম্বা উই। মী কুংনা চৎত্রিবা অয়ুক অহুদা লম্বীদা চাইরম্বা চেহ্ খুল্লগা ইবোতোননা পারগা য়েংঙি। ইরম্মী, লমদমসিদা হিংলিবা মীয়ামগী মশাগী অশেংবা শক্তম অমদি হৌরকফম কঞ্জনবগীদমক অমনা অমবু তূহৎপা, কাংলুপ মশেল্ল হাৎন-শুনবা, মাঙনবা শীনবা অমসুং অপিকপা ফুরুপপু অচৌবশিংনা মালেমসিদগী মুথৎনবা শীনবা য়ারোই।

ইবোতোননা মতাংহুক্কাওবা পারকপদা মহাক তুং-মাঙ মী য়েংঙি। মহাক মখোঙ থাংবদি লেপ্তে। চিংনবয়াবা থোইদোকপা উত্রবদা ইবো-তোন মথা পাথৈ— কনাগুম্বনা খুমাই অসিগী অমদি রারোনশিং অসিগী মায়োক্তা চথরকপা পুন্নমক কংলৈ পাথৌ পাফলদা শীংনবনি হায়না লৌগনি। মসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী রাজনীতিশিং, রাজনীতিগী মচুদা মশাগী ওইজবা থিবা ললোনবশিং, ফম্মাইবা অচৌ-অশাং, মুপী অঙাংদা নত্তবা লমচৎ চৎপা, নেশা মু, গাঞ্জা, কানী অমসুং হেরোইন নম্বর ফোরনচিংবা মীওইবগী পূন্সি মাঙহনবা পোৎশক শীজিন্নবা, য়োনবা অমদি পুশিল্লকপা য়ারোই। ইরমদমগী চাওখৎ থৌরাং কম্বাবু লান্না শীজিন্নহনা জাতিগী মাঙনবা তৌবা লোইশঙগী থবক পুবশিং, শম্না ইরমদম অমদি নীংতম্বা ভারতকী য়েক্লবা ওইরবা পুন্নমকপু কংলৈ পাথৌ পাফলনা মতীক চাবা চৈরাক পীগনি।

মণিপুরগী খোঙ্জোম লানদা শিংখোম কুলচন্দ্র কনজুং কৈকেংজিৎনচিংবা প্রজাশিং মায়থিরবদা মণিপুরগী মাকৈক অহুম বর্মা, কোহিমা অমসুং কাছাড় লম্বীদা চংশিল্লকখিবা বৃটিশ লানমিশিংগী মহুৎদগী কাছারলোমদগী চংশিল্লকখিবা কোলোনেল স্কিককী কাংলুপ্না ইম্ফাল সহর য়োবা হানখি। কাংলাবু মখোয়না লৌশিনখি।

মণিপুরগী খোঙ্জোম কংলাবু খুজিনবা লৌশিনখিবগী ইং ১৮৯১ এপ্রিল ২৭ নিংখোৌকাবা নুমিৎকী অমুক পুং ৭ অমীনি। মণিপুরগী

ভারতপু বৃটিশ সরকারনা আগষ্ট ১৪ ইং ১৯৪৭ কী অহিং নোংয়াইদা থাদোকখিবদা মণিপুরদি মতম থনা ওনথংনা নিংথৌগী মখাদা লৈঙাকলোয় থনা হাপতুনা ইন্টেরিম কাউন্সিলদা লৈবাক শীনরম্মী। মণিপুরগী অহানবা চীফ মীনিষ্টর মহারাজ কুমার প্রিয়ব্রতনা ওইখি। মতম সিদস্থু কংলাদা আসাম রাইফল লৈরে। অতুবু মফম-সিদগী হোংদোকখিনবগী রাকম মতমতুদা থরখিদে। ইং ১৯৪৮ দা মণিপুরনা ভারত সরকারদগী হাক্কা লৈঙাকলোয় থনবগী মীরেপ মীথন তৌখি। নিংথৌ অমদি প্রজা লোয়ননা লৈঙাকলোরশিংগা রাখন চানরক্তবদগী ভারতকী রাজনীতিগী ঈহোদা মায় ওনশিন্নখি। লৈবাকা নিংথৌগা নাকপাক তানখি। ইং ১৯৫২ দা ভারতকী অহানবা মীথন পাঙথোকপদা মণিপুরদু য়াওখি, মণিপুর নিংথৌপানবা লৈবাক ওইরমছু গনতন্ত্র ভারতকী ষ্টেট অমা ওইরকখি। মতমসিদগী গুলিকাওবদা কংলাবু অশেংবা মফম অমা ওইহনবা জন্মভিত্তি। কংলৈ পাথৌ পাকন্না কংলাবু মহৌশাগী ফীভম হল্লিনহন্নবদা, কংলাদগী লাঙ্গী লৌথোক্কবা হোংনবদা অহানবা পান্দম ওইগনি। মণিপুরবু গুসিফাওবা লোইলম ওইনা থম্মুনা কংলাদগী লাঙ্গী লৌথোকখ্রিজিবা, মৈতৈলোনবু লৈঙাক পথাপকী নিপালওবা তাক্কা চলহন্নুনা লোলগী মায়বা থুদা পীত্রিমখৈ হনবা লৈতবা লাজং চংখিগনি··· অমিনচিংবা।

ইবোতোন চে পাবা তোরে। মহাকী ফুরিংথাওদা হাপচিনরে।

চেহ্নগী অহোইবা শরুক্তা ইরিবহ্ ইবোতোন য়েংলুম্রে, য়েংলীংবস্থু পোকলুম্রে। আইন মথুংনা পায়রবগী থাঙাং মানবা কয়াহ্ পাক্কবদা ইবোতোনগী থাখল মওল মওল খল্লকখি। মতমসিগী ঈচেল-ঈহৌ কথাবু ফকথেংনরবা ইবোতোন্দা থাকমহ্ অনৌবা নত্রে। মখোয়গী থাকোঙ অচুম্বা ওইরবস্থু ইবোতোন্দা খ্রাইদগী মরু ওইহ্নিবদি থবক ফংবনি। চেয়োন অহুদা থবক ফংদবা নহারোল কথাবু থবক পীবা ঙমগদবা নত্রগা থবক গুকম— নোমঙম লীংথংশি হায়বা থায়োল ইহ্নবদি ইবোতোন হয়াউজরমগনি। মতুদা মাগীস্থু অঙম্বা থৌদাং য়াজরমগদবনি। লমদমসিগী তুংগী থাইফবা পুরকদবা, মীয়ামদা থবক পীবা য়াবা অচৌবা শীনশঙ, খুংশা-লোনশা নত্রগা লৌউ শীংউগা মরী লৈনবা থবক থৌরম লীংখৎপদদি থরাই য়াওদবা ওন্না তৈনবা থায়োন পাক্কবহ্ ইবোতোনদি থোয়জঙলুম্রে। মহাক্কী থবক ফংদবগী লাইনানা নাবা হেঞ্জিল্লক্লী।

ইবোতোননা মাঙোনজাওখোয়দা চঙলগা মাঙোনজাও উনরে। মহাক্না মাঙোলজাওদা থবকী পাউ হংলকই "কমদৌরে য়ানরত্রা? তা মাঙোনজাও?" "য়ারে, নঙ কৈদৌঙৈ থবক হোৗগে হাযবা? ইবোতোন?" মাঙোলজাওনা মথা তায়কখি "ঐদি ওসিদগী হৌহল্লগে হাযরম্লবনি নঙনা য়াম্না থুনা হায়বহ্দা, অহ্ নঙ কমদোগে হায়বা?"

"য়াম্না ফুংঙাইজরে তাদা, তাদগী থৌজান্দগী ননাও পোত্থাবা ফংজরগনি।" ইবোতোননা ঙহাক লৈরুরগা অমুক হায়রকই "অহ্ ননাও থা অমতংদি হায়জনীংঙ্ঙি।"

"হায়য়ুনে ইবোতোন। ঐ নঙগীদমক্তদি অঙম্বা হোৎনগদৌরিবনি। নঙনা মতম অমদা ইয়াম্বগী মতেং পাঙখিবদো ঐহাক কাউদ্রি।"

"অতৈ নত্তেদা তা মাঙোলজাও, ঐ হৌজিক মোইরাং কাওবদং হারথক্লরগা হায়গৎলকপদা তাদগী নাক্তা চঙলক্লগে। অহুকাওবদং তাদনা ফননবা হায়নবীয়ল্লো হায়জগে তৌবনি। ঐ তাদগী তৌবীমল কাউজয়রোই।"

"কৈদোবনো নঙনা মোইরাং য়ৌদোইবো ?"

"তঙাইকদবা অমগীনি, কুইরোই য়ৌবগা হেক্তা হন্নকদবনি তাদা।"

"করেনে, ঐ নঙ লাক্তি্রকাওবা গনেশলাল উনরমখিরোই। য়াকমদি পল্মা তৌনরবনি নঙ নত্তনা অত্তোপ্পা অমা হায়গদবা লৈত্রে ইবোতোন। নঙ ঐগী জবান শোয়হনবদি তৌদ্রু, নঙগী থবক্তু চৎলুরো য়ারে।"

মাঙ্গোনজাওদগী অশেংবা খঙলবদা থবক ফংলগনি হয়াউজবগা লোয়ননা ইবোতোন মকমতু খাদোক্লগা মোইরাং পাংগ্রে। ইবোতোননা থাজগী বস গাড়ীদা পুং খরদংগী মতুংদা থাঙ চীংখা লৈকাই য়ৌরকখি। ঙসিদি থয়োশংবীখোয়গী ইমুংদা মী খরা তীন্দুনা নোকখেবা ইবোতোননা চঙশিনখিবদা থেংনৈ। মখোয় অয়াম্বা মুপী ঙাক্তনি হায়বসু খরা নকশিন্নকপদা খঙলে। মখোয়গী য়ারী মরক্তা থাইনগী অরিবা ঈশৈগী সুর অমসু তারী। ইবোতোননা থয়োশংবীখোয়গী ইমুংদা তৌরম্লিবা মওংতুদা চঙক্লতুনা ঙহাক লেপলগা লৈরে। ইমুংদগী ঈশৈগী খোঞ্জেনদি তারি— 'মুরা ঙাঙোই ইবেম্মা, লাংলেন মচা থোইবীদো' থাঙ মাঙ্গোলজাও (হাইসনাম) গী ঈশৈতুনী। ইবোতোন ঈশৈতু তাখিদবা কুইবতুনা ঙহাক তুমিন তারে। মথংদা অমুকসু শক্লকখি 'পঙলগম্ম পুক্লিং হৌখরে মতম, পাঙলগম্ম নথৌ মায়াগী শক্তম।' ওয়া গুলাপী সিংহগী ফজরবা মন শিক্ষাতুনি। হন্দক্তি ঈশৈ মুংঙাইরবসু ইবোতোন মপান্দা লেপ্লিবতু কুইমন্নতুনা কনাগুম্বনা উরবদি করি থন্নমগনি থন্নক্লে। ইবোতোননা মাঙ্গোল জুরীদা লেপ্লগা কৌরকই "থয়ো! থয়োশং। কনা কনা লৈবগে ?"

ইবোতোনগী খোঞ্জেল তাবদা ইমুংদা লাংলম্বশিংতু তুমিন তুমিন লৈনখি। ঈশৈদি লেপ্তুনা শক্লি। কনানো মুপী অমা খোংজিল মরুমদগী চেপথরগা য়েংলকখি ইবোতোন্দা। খুদক্তুদা মুপীতুনা তাকখি থয়োশংবীদা মুপা অমা লাকই হায়তুনা। থয়োশংবী খুদক্তা মাঙ্গোল

খোরক্লগা ইবোতোন উনরে, মহাক্লা ইবোতোন্দা হায়রকই "কম্না কুইরে তাইতোন? ইমানা পাউ হায়খিবহ্ন কংলবরা?"

"অহুগীনি ঐনা লাক্লিবসে, ঈমা লৈত্রা?"

"ইমা লোক্তাক কুমখি, ঐ কৌহল্লুগে তাইতোন ওহাক্তা পোথাবীখো।" থরোশংবীনা ইবোতোনগী কীদা থারস্থনা মথা তারকখি "ঐখোয় ইমান্নবা ময়াম চমু কবোক চান্নসি হায়স্থনা লাংলিয়ে, তাইতোনসু তান চারে কবোক চামিন্নখিসি।"

"ঈশৈকাসু য়াম ঙ্গুংঙাইনা তাব্রিমালেনে, ঐসু ওহাক ওইরে ঈশৈ তারিবা।"

"অং, মাঙ্গোল ঙানবীনা মখোয়গী গ্রামোফোন পুরক্লুনা রেকোর্ডকী ঈশৈ খোংলিযে। তাইতোননা তানীংবা থনবীবয়াই মমাঙঙৈগী মৈতৈ ঈশৈ য়াম্না য়াওরী।"

"ঐ য়ারে থরো।"

"অহুদি ওহাক্তা ফম্বীখো, ঐ ইমা কৌহল্লুনবা তৌকখিগে তাইতোন।"

"থবো। য়ারবদি খরা থুনা কৌহল্লু, ঐ থবক অমা লৈহৌই।"

"লাকখোক্তনা লাকঅগা য়ৌরকপগা চৎলগে হায়রিরো? ইমা লাক্লগা খম্নসি তাইতোন।"

থরোশংবীনা রাহৈ খরহ্ন হায়বম্নগা ইমুংদা চঙথ্রে। থরোশংবীনা চঙলকপদা মমান্নবী তবাবী, মাঙ্গোলঙানবী অমদি ইবেমহলনচিংবা মখোয় পুম্নমক ইবোতোন অমদি থরোশংবু লোম্না য়েংলম্মী। মখোয়না থরোশংবী চঙলকপদা য়েংবা তোকখি। থরোশংবীনা তবাবীদা হায়খি "তবাবী! ঐ ইমা অমুক্তা কৌরুগে, নখোয় কবোক শাবা লোইশিন্নশ্নো।"

"ঙরাং নহান্দগী শোয়রক্লবা কবোক চানবসি ঙসিম্ন কাত্রদৌরবরা থরো?"

মাঙোল ঙানবীগী রাহংহুদা থরোশংবীনা খুন্নকখি "কৈদৌ কায়দোইনো ? ঙসিদি চাদ লাক্ত য়াপোৎতে মাঙোলঙানবী : ঐ ইমা কৌরুখিগে কুইরোই নখোয় মখা চথরম্নো।" থরোশংবী রাইহু হায়রম্লগা চৎখ্রে। মপান্দা ইবোতোন মথম্ভ ফম্নী, মহাক রারী রাতাই শানফম লৈতবদগী ইমুংদা খোংলিবা গ্রামোফোনগী ঈশৈ মথং মথং তারী। চাওখৎলবা রেডিও টেলিভিজনগী মতমসিদা মহৌশাগী গ্রামোফোন রেকোর্ড নীংথিনা শিঙ্গিম্নরম্বা থেংনবদা ইবোতোন থাগৎনীংঙি। মহাক্না মহৌশাগী ইথক ইরাং অমম্নুং যন্ত্র কয়াগী অনৌবা খোঙ্গেল য়ানশিন্দবা মৈতৈগী অশেংবা শুরগী ঈশৈশিং নৌহৌনা তাবা ফংবদা থোইদোক্না মুংঙাইজে। ঈশৈ তানা তানা ইবো-তোননা খল্লকই, মখোয়না হৌজিক মতমগী অধুনীক ঈশৈ নত্রগা ফীল্মগী হিন্দী ঈশৈ মীয়াম্না পাম্নবশিং ইখোং খোংত্রিবা করিগীনো ? তারীবা ঈশৈশিংগী মরক্তা য়াওখি শুশিলা সেনগী বাংলা কীর্ত্তন কুণ্ডললাল সাইগল, শচিন দেব বর্মনগী ভাতিয়ালী শুর, শুচিত্রা মিত্রগী রবিন্দ্র সঙ্গীত অমদি ঙাওবম নিমাই সিংহগী জাতি কৌবী শকহেলবী অসিন-চিংবা ইবোতোম্না হান্না তাথ্রবা ঈশৈ কয়া য়াওরি। ঈশৈগা লোয়ননা যেংলী লোক্তাকী দৃশ্য ইবোতোন। থাঙ্গ চীংখা লৈকাইদগী য়েংখিবদা লোক্তাক মপানগী মোইবাংনচিংবা থুল পরেং ইকোয় কোয়না লেংথ্রিবা, লোঙাক ইপাক্তা হি অমমমগা মাগী মাগী মথৌ পাঙথোক্লিবা খুঙ্গা কয়া , অনকপা-অরাপ্পদা ইবোতোনগী পুক্নিং হুরি।

থরোশংবীখোযগী ইমুংদা চমু কবোক পোক্লগা কবোক শারীবী থরোগী মমাম্নবীশিংহু লোম্না কম্বা ফোংনা কয়া রারী শানরহুনা হরাউনা নোক-খেরী। থরোশংবী মমা মচাম্নু লোক্তাকুগী কাররে। অপানবীনা ঙারুক তুঙ্গোল পায়রহুনা চঙলক্লগা ইবোতোনদা কৌরৈ "ইবুংঙো কয়াম কুইরে ? ইচা রায়ম্লগনি ইমা ঙাইবদা।"

"কুইখ্রি ইমা।"

"ইমা কী অমতা হোংদোকলুখিগে।" অপানবী ইমুং চঙখি। থয়োশংবীমু ইবোতোন্দা মীৎচিনা ফলপ য়েংছুনা মোমোন নোক্লগা ইমুং চঙখি। মহাক্না মমাম্নবীশিংদা হংখি "হৌজিকফাও লোইশিন ঙমত্রবরা ইবেম্মখোয় ?"

"লোয়জরে, মচাইবেম্মা লেংঙকপা ঙাইজরম্লিবা।"

"সনায়াথং স্নাওদনদি ঐখোয়না অচাথক কৎচরুবা ন্নায়োগত্রা হায়ছুনা," ভবাবীনা খোঙ্গেল পীকথরগা মথা তারকই "লমগী খোইমু লৈপাম্বদা কৎচক্লিয়ে ইবেম্মা।"

"তঙখ্রে নখোয়শিমা।"

"করিনো ? ইফালদগী নোংলৈ মুংশিৎ অমা হুমজিল্লকপদা ঐখোয় পুম্নমক কাম্নত্রে থল্লরুবরা ?"

"নত্ত-ওইদবছু ঙাওলগমু কবোক্ চায়সে হায়বা হিংচাবীশা।" অমুম্না মখোয় মশেল ইমুংদা ফাগী তৌনরি। চমু কবোক শাবা লোইরছুনা মাঙ্গোলদা ইবোতোন অমদি অপানবীগী শরুক পীরম্লগা থয়োশংবী মমাম্নবীশিংগা কবোক চামিন্নরি। মাঙ্গোলদা অপানবীগা ইবোতোনগা লীক্লাইগী মরমদা কুপ্না থম্নরি। ইবোতোননা অপানবীদা হংলকখি "লীক্লাইগী লৈফম খঙলবরা ইমা ?"

"খঙত্রি ইবুংঙো। অদুগীনি ইমানা নঙবু কৌরিবসে।" অপানবীনা মথা তারকই "নহাক্লা মমাম্নবশিংদা হংগনি হায়খিবছুমু কাম্নত্রবরা ?"

"কাম্নদে ইমা। মরি মখোঙ ফংবা ঙমদে।"

"অদুদি কমদৌনি ইবোতোন ? ইমাদি লৈফম খঙত্রে। মতমসিগী ইরাংসিগা মানা লৈপ্রিবসি কদায়দনো ? ঙসি তরানিয়োমগী মমাঙদা মানা থায়কপনি হায়তুনা লুপা ৭০০ পীরকখি। নচন্দা পীরম্বনি।"

"শেন্দু কনানা পীরম্বনি হায়গে ইমা ? থরোদা হংখিরত্রা ?"

ইবোতোনগী ন্নাহৈহুদা অপানবীনা থয়োশংবীবু ইমুংদগী

কৌথোকখি। মহাক্না হায়খি "মুপীমচা। নঙনা নহান নৌপ্না পীরকপনি হায়হুনা পীবা শেনফমহুবু কনানা পীরবগে ?"

থরোশংনা খুমকজ্ঞিঙেদা অপানবীনা অমুক মখা তারকই— "খঙদ্রে ইবুংঙো, ইমাদি নোংঙানবদগী মুমিং তাকাওবা লোক্তাক কুম্বদা মখোয়গী অহু-অদা থিজিনবা ঙমদে। নীংশিংলুরগদি লৈফম চাফম খঙদ্রে ইমা।"

"নহান শেল পীরম্বহু থাঙ্গগী পোট্ট মেয়নি, অতৈ নত্তে ইমা।"

"শেন্দু পোট্টা থারকপনিনে ?" ইবোতোননা মখা তারকই— "পোট্টা থারকপা ওইরবদি মনি ওরদরগী চে অমা য়াওরমগনি থরো। নঙ মহু লৌহৌব্রা ?"

"লৌহৌদে, ঐদি খঙদবনিনা মানা পীরম্বা শেল লৌরগা সহী তৌ হায়হুনা মিং ইথি অহুনা লোইরে।"

"নহাকসু লীক্লাইগী লৈফম, মাগী মরমদা করিমতা খঙদ্রে থরো ?"

"তাইতোননা হায়রম্বদগী ঐসু হংবম্বাবা হংলবনি, ঐখোয়খাইদা লৈবা মমান্নবশিং অমতা লীক্লাইগী লৈফম চপচাবা খঙবা য়াওদ্রে তাইতোন।"

থরোশংবীগী ৱাহৈ তাবদা মখোয় খুদিংমক তুমিন তুমিন লৈনরুরগা ইবোতোননা হায়রকই "হৌজিক করি থম্নসি হায়বা ইমা ? ঐ অরুবা থবক অমসু লৈহৌরি, ইমানা পাম্বহু হায়বিরো।"

"ইমা করি হায়গদবনো খঙদ্রে ইবুংঙো-। নচনগী কেশ লোয়র-বনিনা ননাওহু কৌথোক্লগা ইমানা নঙোন্দা শীন্নগে থনবনি।" অপানবীগী মখদাং খুকউ মথক্তা শৌরগা লৈমায়দা মখুদোম্বীনা লৈই চিংলহুনা মখা তারকই "হৌজিক ননাওগী লৈফম চপচানা খঙনবা মানা হায়রম্বা মফমহুয়োনা কনানা থিবিরুগনি ? ইমা ইচানা মুপী ভাক্তপা ওইরে, মরোল মরি খঙবসু নত্তা ঐ হায়ফম খঙদে ইবুংঙো। ইমা হায়ফম খঙদে।"

থরোশংবী উম্মুংগুম ইবোতোন অমদি অপানবীগী মাঙদা লেপ্পী। মহাক্না হায়রকখি "তাইতোনগী থবক লৈহৌই হায়বত্বু চাক চারগা হনবা য়াররোইদ্রো ? ঙহাক লৈথরগা থরা কুপ্পা খমজ্রবদি তহা তহা ওইগদবা মাঙ্গে ইমা।"

"হোয়নে, নচন্না হায়গুম্নদনা ইবুংঙো চাক চারগা হন্নো। পুক্নিং ইয়াং লাবগা ইমা ভাব তাদে।"

"ঐগী থবক অমা হায়নবত্থু ওসি হৌবা য়ানরে ইমা! অত্থুননি, নত্রবদি লৈথবা করিগু কায়বলৈতে থবোশং।"

"অত্থুবোবা।" থরোশংবী মখা তারকখিদ্রে।

"থঙদ্রে ইবোতোন। নঙনা থল্লগা তৌরো ইমা হায়নিঙাই লৈতে ইবুংঙো অপানবীগী মীৎলুদা পীরাং ইহৌরকপগা লোয়ননা কপ্পত্থুনা হায়রকখি "নহাক্না ইমা ইচা ঐখোয়গীদমক রাবীরকপা, হোৎ-নবীরকপা পুম্নমক হন্দক মপোকসিগী শিংবা ওম্নরোইদবনি ইবোতোন। ইমাগী হায়ববু মহাক্তং লৈরী হায়ত্থুনা পুম্নমক আশা তৌজরিবনি। মচে অসিদি নিঙোম্নী নোংমা নত্রগা নোংমদি মীগী শাগৈদা তীনখি-গদবনি। য়ুম অসিগী য়ুমলেপ চারা ওইহৌগদৌরিবদি লীক্লাইতনি ঐদা নত্তনা মচেম ফাওবনা মাগীদমক থন্দুনা মীগী ময়ুমদা ইকায-ইকি থাদোক্লগা মীনাইগুম লৈরুরিবদো ইবুংঙো।" অপানবীনা হিক হিক কপ্পত্থুনা হায়রকখিবত্থু তাবদা ইবোতোন থমোয় পুবা ওম্নক্লে। থরোশংবীসু মপী জৈথাক্লগা লেপ্পা ওম্নক্লত্থুনা ইমুং চঙপ্রে। অপানবীনা অমুকসু হায়রকই "হৌজিক মাগী চপচাবা লৈফম থঙদনা কদাইদা খিরুগনি, করম্না কৌরুগনি ? মতমসিগী নহারোলগী ইরাংসিদা কদাইদনো ঐখোয়না মাগী খোঙ্গুল লীরুগদবা, থল্লু থল্লুরগা ইমা থনফম খোক্তে, ইবোতোন।"

"য়ুংশা খিবিরুগম্বু ইমা। লীক্লাই অপঙবা অঙাং নত্তে। মহাক ইমা অমদি থরোম্বু য়ান্না লুনা থঙবা অঙাংনি। ঐ থঙজি, মহাক

অরানবা লম্বী চৎলম্লোই। ঐখোয়না মাগী চপচাবা খুঙহৌদবগী লুংশা থিজরবস্লু মহাক শোয়দনা হল্লকখিগনি ইমা।" ইবোতোননা ঙহাক লৈরক্লগা মখা তারকখি "মহাক্লা থোক্লকপগা ইমাখোয় থরোখোয়না পাম্বা মতুংইল্লা মহৈ তমহন্নবা হোৎনগনি ইমা। ঐস্লু ঐনা ঙম্বা মত্তেং পাংগনি চিংনবিরুস্লু।"

"থঙত্রে কনাদনো মাগী মরি মখোঙ থিরুগদৌবা, ময়াম্বা—মনাও অমা লৈবস্লু নত্তা; কৈরোই লৈকাইগী মমাম্নবশিংদা শীন্নবা য়াবা মতাংস্লু থোক্তে ইমাদি য়াম্না রাই ইবুংঙো।"

"পুম্নমক্কী ঈশ্বর লৈরী ইমা। মাগী থৌজাল নঙনা ঐখোয় করিশু ঙম্বা নত্তে। থরোশংবীগী কেশ রারবস্লু রানা মায় পাক্লকই, অচুম্বগীদমক ঈশ্বরনা লেপ্লীরি। হৌজিকস্লু লীক্লাইগীদমক ঐখোয় লাইনিংথৌ থাংজিং, থাঙ্গরাকপা চীং নিংথৌবু খোরমসি ইমা।"

"ইমাগী ইবোতোন! ইচাগী রাহৈ তারগা ইমাগী অরাবা কাওবা ঙম্মী। নহাক্লা নরুবা থাঙ্গদা লৈরমহুনা অরৈ লৈত তান্নরম্নবদি লুংঙাই-জরমগদবনি। নঙবু ইমানা অতোপ্পা অমা ওইনা খন্দে। নঙগী পুকচেল, নঙগী রাঙাঙ নঙনা তৌথোরকপা পুম্নমক য়েংলুরগা ইমানা পোকচবা ইচা অহন্নী খঞ্জরিবনি। নঙগা তান্নরগা ইমাগী রাখল—লৌশিং থোকই ইবোতোন। ইমাদি পীদৎ পাদৎলবা নচল-ননাও অনীসিগী খনবদা ঙাওরবনি ঙাওরবা।"

"মতুগীদমক রারুহুনা ক'ম্নদে ইমা। পুম্নমক মতম্না পুরক্কদবা ঙাক্কনি। ইমাখোয়না মহাভারত রামায়ননচিংবা রারী লাইরিক তাবদা হায়রিবহুনি। গীতাগী মনুংদা শ্রীকৃষ্ণনা আর্জুনদা হায়খি "ইতাউ! অরাবা-লুংঙাইবদা অশাওবা অকিবা, মীহৌবা অপাম্বা য়াওদনা পুম্নমক ঈশ্বরদা কৎথোক্তুনা চঙশিনবা ঙম্বহু জ্ঞানী স্থিতপ্রজ্ঞনি" হায় ইমা। ঐহাক গীতাবু থাজৈ, ঐদি রারক রারক্লবা মতমদা গীতা

পাম্নগা লোম্নী। ইমা লুংঙাইথোকপিম্নু, পুম্নমক ইশ্বরগী খুজিল ঙাক্তনি খনবীয়ু।"

অম্সুম্না লীল্লাইগী মরিদা খম্নবা যাবা খম্নগা ইবোতোন অপানবী অমস্তুং খরোশংবীদগী ইশ্কালগীদমক থাজ থাদোকখি।

[কুনমঙা]

ইবোতোননা থাজদগী ইশ্কাললোমদা হায়গৎলকপদা মফম খরগী লম্বী মযাদা লৈবা য়ুম, দুকান অমদি স্কুলগী ফল্লাংদা সরকার অমদি শেঙ্গা-থুমজাবু পেন্দবা রাহৈ ইরম্বা উই। অচেনবা বস মনুংদগী য়েংখিবদা পাবা ঙমঙোবা ঙমহৌদবা রাহৈশিংদু মপুংফানা লৌশিনবা ঙম্নক্তে ইবোতোন। অইবশিং খরদি মুথৎপা যাওই, খবনা নৌনা ইবা মাল্লী। ইবোতোন থোইনা খম্নকদে, অসিগুম্বা কযা মীরৈবাক্তম্তু থেংনরকখি, মহাক্না গাড়ী তমদুনা কোয়না চৎলিঙৈদা। ইবোতোননা তোংলিবা বস গাড়ীনা ওইনাম কৈথেল যৌরকপদা লেপত্রে। ইবোতোননা খল্লী মী কুমথবা নত্রগা মী তোংখৎলকপগী খাম্নিবনি হায়না, অদুবু ওইরমদ্রে। গাড়ীগী মাংওইননা মী খরা কোইলাং লাংলম্বা উরে। মী খবদি অকীবা থকৎপগা লোয়ননা চেম্নবস্তু য়াওরি।

ইবোতোননা খঙনীংদুনা গাড়ীগী মিহুৎথোংদগী চেপথরগা য়েংখিবদা উরে, থাগুল্লা লম্বীগী মতাইদা মী অমা অশিবগুম তাদুনা লৈ। মহাক্না খল্লী গাড়ীনা শোক্লম্বা ওইরিদ্রা, করি তৌরবনো হায়না। ইবোতোনগী চিংনবদু কুইখিদ্রে, মকমতুগী মীখরগী হায়নরকখি। নোংমৈ কাপ্নবদা পানবনি। হৌজিক ওহাক্নী মমাঙদা মফমসিদা কাংলুপ অনী নোংমৈ কাপ্নখি। মশক খঙহৌত্রবা কাংলুপ অনীদুগী 'মবক্তগী'

নহা অনী ওলিনা পান্দুনা শীরে অক্সিনচিংবা।

গাড়ী মহৌদেগী থমে:ল্লাওবা মী থরা ফুরুবগা থৌরোক থোক্লিবা মকমহৃদা চঞ্চলা য়েংনরুই। ইবোতোনমু অখোয়গী মরুকা য়াওরুই। গাড়ীনা তোংলিবা অমদি মকমদিদা লৈরিবা মী পূরুক মখিৎ মনা লংখৎলৈ। হুংশা থীনৈ। ওইনাম কৈথেল ইতাক ভাক্লে, হুকান পূরুক থোং লোয়ল্লে। ইবোতোন অমত্তুং মী থরুনা অশোকপাহুগী মনাক য়োৌশিলকপদা ইম্ফাল অমদি নখোলদগী থোরকপা পুলিসকী গাড়ীনা এলার্ম থোংহুনা পাইশিলকই। ইবোতোন অমত্তুং মীয়ায়া অশিবহু উরুবদা তুমিন তুমিন য়া ভাঙদনা লেপৈ। ইবোতোন অশিবহু উবদা কোক্তগী থোঙফাওবা তুচুংখিবা থঙহৌদে। ইবোতোনগী মখিৎলা মশেল মখাং উরুকই। মহাক মকমদ্বনা লেপ্পা ওয়ক্তহুনা তপ্পা তপ্পা থোরকখি।

খুৎলাই পায়বা পুলিশ অমদি সিপাহীশিংনা অনকপদা লৈরুবা মীয়াম তাম্বোরকখি। মখোয়না অশোকপা—অশিবশিংবু হৌনবী মতুংইন্না য়েংশিলবা মতুংদা মখোয়গী গাড়ীনা হাপকৎলগা পুরে। হৌজিক্তি ইবোতোনগী মশা পুমচোক চোকথরকপগুম তোরে। পুলিশকী মীওই থয়দি ওইনাম কৈথেলগী অকোয়বদা কোইচৎ-চৎতুনা করিগুম্বা থরা থীরি। মখোয়না থামহনা লৈরিবা গাড়ীদন্ব চঙলক্লগা থীজিনখি। সিপাহীশিংনা চিংনবা য়াবা খুদম কৎরুবদা গাড়ী চৎখিনবা হায়রকপদগী ইবোতোননা তোংলকপা বস গাড়ী ইম্ফাল-লোমদা থোৗপংলে। ইবোতোনদি তোংহৌজে। ইবোতোননা হুকান অমগী মনাক্তা কমীটৈবা হুকান মপূগা অতোপ্পা মীশক অনীগা য়ারী শানবা তাখি। হুকান মপূহুনা ওয়কখি "নহা থরা লাক্লগা হুকান্দগী শেল থায়রখি। খুদক্তুদা অশক থঙদবা খুৎলাই পায়বা অতোপ্পা কাংবু অমা লাক্লগা মখোয় অমগা অমগা নোংথৈ কাপরকখি। নাকল অনীমক্তা অশোকপা য়াওনখি। মিকুপ থরগী মতুংদা মখোয় মায়কৈ

খঙদনা চেন্নখি - লোংনখি" অগিমচিংবা।

'ইবোতোমনা হাকচং তাবা মকুংনা মহাক কদি তৌগনবনো খাঙকই। মুক অহুরা ইকায়োমদগী বম অমা থোকপা কনবী মকাংকা লেপ্পী। মা হায়নবা তোমনা ইবোতোম গাড়ীদুবা তোংলগা থোক্লাং লোমদা হায়থরক্লে। ইবোতোমনা ফমথকনা গাড়ী থাদে। মরাক্তা খঙবীরবগীমা ইবোতোমদা হংলকখি। "ইবুংঙো। থাইদা থৌজিক ইয়াং মঙা-থোকখি হায়বা অচুম্বা ?"

"অচুম্বনি।"

"থেংনবীহৌবরা? অশি অমা য়াওই হায়বা চুম্বরা, করম্হায়না তৌবনো?"

"চপ চাবদি থেংনজহৌত্রে, অশিবরা-অশোকপরা মী অনীদি পুলিশকী গাড়ীদা পুত্রে।"

ইবোতোমগী পাউথুম তাবগা বস মখুংদা ফম্লীবা মী অমাম্বা তুমিন তুমিন লৈরে। ওহাক লৈরগা অতে মা মুপা অমনা অমুক হংলকখি "নহারোল মশেললা, সরকারগী কাংবুগা তৌনরিবরা; থঙবীহৌব্রা ?"

"অশেংবা খঙজহৌত্রে। ঐনা য়েংজরকপদা থৌদোক থোকপা লোইশিন্নরে।"

খুমিংনা নোংচুপ চীংয়া তরকপদা অতিয়া পূম্বা অঙাংবা শক্লোন হোংলক্লি। ইবোতোমগী থমোয় তয়াং তশোয়বা থাখলনা থুমইংলক্লি। অতিয়াদা পাইরিবা লৈচিলগী মশক মচু হোংথিবগুম ঙাইহাকী মমাঙদা ওইরবা ইবোতোমগী থাখল খঙহৌদনা হোংখি। হৌজিক্তা মথৌ পাঙথোক্লুনা লৈরবা মী খরনা খুদক্তা অশিবগী মশক লৌথিবদা ইবো-তোমনা খল্লকখি, মীওইবগী মপোক – থবাই পানবা কদিগুম কায়রে। অশিবনা য়েংরকপদা মীওইবা, পূম্নমক অরেম্বী ওইরে, মতৌক মওং অমখি মীংচং খুত্তা লৈপাক্তা তীনখিগনি। মীগী খঙবা মকুম মীওইবা কুনাম্ব অশিববু নীংশিংদে, শদো থোংদবা অকো নাতে চৎবা

মহাক্তনি অশিবস্থ নীংশিংজবা। ইবোতোন পাক্তী মহুদো মীওইবগী পুন্সি খোঙচং খন্নুবগা হুংশিরকই। মহাক্না মহাক্তী হুরিংখাওদা মতম পুন্নমক্তা হাপ্পনা পুরিবা তাঁবত গীতা লৌখোক্লগদা পারকই। ইবোতোনগী বাখল হুংঙাইরকতবা অমদি পোথাকম খুঙলক্লবা মতমদা মহাক গীতা পারগা পোখাই। মহাক্না তেমত্রৌগী ড্রাইভর ওইরিতে অমদি ড্রাইভর ওইবগী ফরকতাদা অহানবা মতমদস্থ গীতা পাবগা মতম লেনখি। মসি ইবোতোনগী হৈনবী ওইরে। ইবোতোনগী অৱা-হুংঙাই পুন্সিদা গীতাগী মতেং ফংখি। ঙসিদি ইবোতোন গীতাগী মতুং লৈরবা শ্লোক অমদি পাউতাক্তা বাখল লুপাশিনবা ঙমব্রে। গীতাগী লামায়দা পুং খবগী মমাঙদা উথিবা অশিবত্বগী মশক উরব্রে। ইবোতোন গীতা খুমজিনব্রে মহাক্না মশিং উইশিল্লবস্থ নত্রগা পাঙখোক্লবস্থ অশিবত্বুা উরব্রে। মহাক্তী বাখল, মাগী থমোয় অশিবত্বুনা পুমকুপ কুপশিল্লকপগুম তৌরি।

ইবোতোনগী অকোয়বদা লৈরিবা মী অমদি গাড়ী লোয়ননা লবুক-লমহাং করিমত্তা নীংশিংলক্লে। অতোপ্পগী খোঞ্জেল মনাক্কোংদা তাখিব্রে। মমিত্তা ঙপ্পগী অশিবা অমদি মশক খক্তমক ঙাইহোয়ে, পুন্নমক পুমহাং হাংখ্রে ইবোতোনদা।

বস গাক্তীনা থুংগনবা মতম খোরব্বুনা লেপল্লবদা তোংলবা মী পুন্নমক কুমব্রে। ইবোতোন বাখন য়াওদবা হংগী মুর্তিগুম গাক্তীদগী কুমথরক্লগা ইঙ্গাও ঙাওনা লাক্লে। লমীদা চৎলগা অবল ওইরপ তৌরবী হুপী অক্ষম-মৃতিগী মরক্তগী ইবোতোনগী মতৌ উবদা হুংঙাইতবা খঙনীংবা" য়াওমাক্লে হংলকখি "ইবুংঙোবু এখোয় খাইগী মাক্ষে কদাইনৈনো?"

"ইমা! ঐ ইম্ফালদগীনি।"

ইবোতোনগী পাওখুম তাঁবদা অইম্বুনা মখা তারকখি "কদাইদা চৎকদবনো ইবুংঙোদে?" ইবোতোন খুব্রক্তে মহাক বাখলদা লুপগুম

টীই এ, ঙুপীচুমা অমুকম্ হায়রকখি "মখাগী মপাং উনখদবা লৈব্রা ? কনাগীনোব্রো ?"

"ঐ থাবা চীংবা লৈকাই ত্রৌরকখবনি ইমা !"

"হয়েং, অহুদি লম্বী হেন্দোরক্লে ইবুংঙো !" ঙুপীশিংচু ইবোতোম্বা পুরর্প 'রেংলকই। মখোয়গী মরক্তগী অমনা অমুক হায়রকখি "অদো লৈহৌরিবা লমথাইসিদা হায়জিনগদবনি ইবুংঙো !"

ঙুপীশিংচুনা ভাব্রকপদগী ইবোতোন হেন্দোক্লুনা চংলম্বা লম্বীচু অমুক হল্লকপা চীংথা লৈকাই তাবা লম্বীদা লাক্লে। লম্বী চংনা চংনা ইবোতোমনা থরী, থরোশংবী অমদি অপানবীনা কৰি হায়রমগনি। মখোয়না হংলগা কৰি খুমগনি। ইবোতোম্মা মতম অমদা মঙখিবা মঙ, ঙসিদি মঙঙাওনরে, মঙ অরুমক্তি মঙলাক্লবনি। থহক্রগা মহাক অকিবা পোকই। ইবোতোমনা থরোশংবীখোয়গী য়ুম য়োবদা ঙুমিং ঙাগদবা কুইত্রে। ইবোতোন অমুক হল্লা লাকপা উবদা থরোশংবী ইঙক ঙকখি। থরোশংবীনা নীংশিংলকখি, ইবোতোমনা হল্লক্লিবসি মাগী থবক ফংবগী পাউ তমগদবগী লাকপা ওইরমগনি। মতম কুইনা থবক ফংলক্তবহ ফংবদা ঙুংঙাইবা কোঙদোক্লগনি হায়না। খুদক্ক্দা থরোশংবীনা রাথস ঙুংঙাইনা ইবোতোম্বা হংলকই "কৈদোরে তাইত্তোন অমুক হল্লকঅদে ? থবক ফংবগী পাউ পোরক্লব্রা ?"

ইবোতোন খুমদে, তু মিন লেপ্পী। থরোশংবী ইবোতোমগী ফম্বা মোয়া অমা থাগ্লগা ঙুমিদাংবাইরমগী ধুপ-থাউমৈ কৎলবা থৌরাং তৌরি। মহাক্না অমুকম্ হংলকখি "কৈদোরগে ঙা কা অমতা ঙাঙদনা লৈরিহুদো ? হল্লকম্ শোইরব্রো ? ঙসাই শোয়গয়োই হায়রমনাইনে !"

"অহুগী নত্তে থরো !"

"অহু নত্তদি কৈদোরবা, হকচাং ঙমরবরা ?"

"ঙম্মী !"

"অছু কোক কোক হায়দোক্লকতবা, সুম তুমিন লৈবগে ঐ য়াম্না হৈনদে।"

ইবোতোনগী পুক্লিং থওদবা থরোশংবীনা য়াম্না অনীংবা-অপাম্বগী মাইকৈদা পুনবা হোৎনখি। মাম্না য়াইহেশিং তায়োক্লবদা ইবোতোননা হায়রকখি "থরো! ইমা হল্লকত্রিবরা?"

"ইমা হল্লকত্রি। ইমা হল্লকত্রিঙেদা হাযগদবহু হায়রো কৈদোগে। ওসাইস্সু ইমাম্নবী মযাম লৈবত্তুদা য়ারী শানবা নাতে চাখিদে, হৌজিক মতম ফংলিঙৈদা ..।"

"মত্তুগী মতম নত্রে থরো।"

"হায়বদি তাইতোননা ঐবু থাজবা লৈত্রে, নত্রা?"

মখোয়নি অমনা ওাঙবা লোইক্রিঙে, অওক অখোং তৌনরকখি।

"থবো নঙ ওম্মোক্লা ভাব তাখিত্রে, ঐনা হল্লক্লিবসি নঙ থওলম্না?"

"থওদে, থওগে হাযজবনে, অত্তুদা তাইতোননা হায়দোক্লীংদবগী ইমা থীরকপা নত্রো?"

"নঙ লাম্না খল্লে থরো! ঐহাক নঙোন্দা হায়দোক্লীংদবা করিঙদা অমতা লৈতে।" ইবোতোননা মথা তারকই "ঐ য়াম্না য়ারে থরো! ঈশিং য়াস অমতা থকে। খৌনাওসি ক্রক ক্রক কংলে।"

ইবোতোনগী মায়থোঙদা কারিবা হুমাং অমস্তুং মাম্নী মখোংশাগা মান্নদবা মওং-মতৌগা লোয়নবা অকোনবগী য়াহে থরম্নু তাবদা থরোশংবীগী মায়থোঙ লাংশিনখি। মহাক্লা ইমুংদগী ঈশিং লৌথোক-লুরগা ইবোতোনদা পীরত্তুনা হাযরকখি "তাইতোন ইমুংদা চঙশিবা? পোথানবা মকম শেমমুরা?"

ইবোতোননা ঈশিং য়াউম অমা-অনী থক্লগা অরেম্বহু লল্লাইবা হাপ্লম্মী। মহাক্লা রুমান লৌথোক্লগা মমাব অমদি মশম মনা তৈথোক্লগা হায়রকখি "থরো। ঐ করিও তৌদে।" মহাক্লা ওহাঁক লেপলুরগা মথা তারকখি – "ঐ ইম্ফাল য়ৌবয়াদত্তুনা হল্লক্লবনি।"

ইবোতোননা হায়রকপদু তাবদা খরোশংবীনা হংজরকই “পাক্তী কয়ক তাবরীবা করি অপনবা য়াওরবগে তাইতোন ?”

ইবোতোন খরোশংবীগী পাউখুম করি পীশিগে খল্লী। মহাক্না ইম্ফাল যৌদনুবা ওইনামদগী হয়রকখিবা, ওইনাম কৈথেলদা থেংনরকপা খোদোক মথং মথং খরোশংদা খওহল্লকখি। ইবোতোনগী পাউ তাররবসুদা খরোশংবীনা হায়রকখি “অদুগুম্বা খোদোক মরক মরক্তা খোক্লবনি হায়বা তাইতোন খঙলমক্তদা করিগী খমোয অদুক পীকপিরিবনো ? তাইতোনগী থবক হৌগনি হায়বদু শোয়দনবা ইম্ফাল যৌবীরম্ববদি করমগনবনি।”

ইবোতোননা পাউখুম পীনবা হোৎনরিঙৈ অপানবী ঙারক তুংগাল, ইল অমদি লাং পুরদুনা য়ুম চঙলকখি। অপানবীনা মচানুপীগা লোয়না ইবোতোন লৈরম্বা উবদা হংলকখি “ইবুংঙো কৈদৌরে ? নশা মুংডাইজরবা ইম্ফাল যৌনি হায়বদাইনে ইচাবো।”

“ইমা ঐ করিগুম্বা তৌদে, খুদোং চাদদুনা ইম্ফাল যৌহৌজে।”

“কয়দু ইমা ফী-রোল হোংদোকলুখিগে।” অপানবীনা খরোশংদা ওনশিল্লগা অমুক হায়রকই “মুপীমচা। নঙ তামোগী চাবা-থকপা য়াবা করিমতা তৌরবরা ? পোৎশিংসে খবা লৌশিল্লু। ঙাশিংদু য়াইখোক্লেরা ?”

“য়ারে, ইমাগী হকচাং শেংদোকদবদু কোইশিনবীরুবো।” খরোশংবীনা মখা তারকখি “তাইতোননা ইমাগা করি করিনো ঙাঙনগনি হায়দুনা ঙাইরিবনি।”

খরোশংবীগী য়াহৈ তাবদা ইবোতোননা খরোবু শংজিক য়েংলম্লগা হায়রকখি “করিনো খরোনঙনা হায়রিবদো ?” খরোশংবী খুম্মদনা চংখি। মহাক মমানা শিল্লম্বশিং পাওথোক্লবা হোৎনখি। ইবোতোন মখক্ক য়াঙোলদা কল্লী। ইমুংদা খরোশংবীনা পোদোল মৈ চুখংলক্লে, লেবটোন থাউমৈ অমা থানগৎলগা মাংশাসদা পুথোক্লক্ই। ইবাতোন

রাখন্দা তাউরি, মাগী মাঙদা অপানবী কান অমা থাবগা বেল্টী চিংহুনা কমথরকই। অপানবীনা ইবোতোম্বা হংলকখি "কমদোরবা, ইচাগী থবক মঙোল ওইরবরা? অমুক অম্না লাকপবু ইচানা হায়নীংবা করি লৈবগে ইইবুংঙো?"

"ইমা।" ইবোতোন পাক হায়দোকপা ওমদে। মহাক মায়া নীংঙমদনা হায়রকখি "ইমা, ঐখোয় লীক্লাই লৈত্রে।"

"কদাই চংগ্রবা?" অপানবীগী মমিৎ লংখংলহুনা ইবোতোম্বা শংত্রিক য়েংলগা হংলকখি "মাগী থবক শুফমহুদগী চৎগ্রে হায়রিব্রা, কদাইদা লৈখ্রিবনো ইবুংঙো?"

অপানবীগী রাহংদা ইবোতোন করি হায়গদবনো খুক্কম খঙদনা লৈরে। ইবোতোনগী থ'জিন্দা ফুনগংলকই, মুঙগুম্না কনখংলকই, মহাক যাম্না রানা মশাবু লাকশিল্লরগা হায়রকখি "ইমানা হায়রিবহু ওম্নরে।" হৌজিকসু ইবোতোন, মানা হায়নীংলিবহু অশেং অশেং হায়দোকচবা ওম.ত্র। মহাক্না মখা তাত্রিদৌদা অপানবীনা খুল্লকখি

"লীক্ল'ইনা থবক শুফমদগী চৎগ্রে লৈতে হায়রিবহুবু কনাগী মচিন্দগীনোনে ইবোতোন? মাবু মফমসিদা লৈ হায়বদি কমদোনা খঙদ্রিবনো।"

"ইমানা খনাবরিবহু ওম্নরে, ঐখোয়গী লীক্লাই অতোপ্পা মফম অমদা চৎখিবা নত্তে। মহাক, মহাক ঙসি ওইনামদা লৈখিত্রে।"

"ওইনামদা লৈখিদবা।" অপানবী ভাব তাবা ওমখিদে, মহাক্না ইবোতোম্বা অতুক হন্না হায়রকখি "ওইনামদা লৈখিদবা ইবোতোন। ওইনাম হায়বদি? মাদি মফমহুদা কৈদোরম্লিবা ইবুংঙো?"

ইবোতোন কপ্লক্লে, ঙসাইমখৈ কপ্পা ওম্নমত্রবা ইবোতোনগী খমোয় মুঙগুম কনশিল্লবহু পেৎথরক্লমাল্লে, মহাক কপ্লক্লে। ইবোতোনগী মতোদা অপানবী ইঙক ঙকগ্রে। পোয়রিক্লিবা পাউহুগী অশেংবা মরম মহাক হৌজিবক্কাংবা খঙ্ক্রি। অপানবীনা ঙক্না হংলকখি "ওইনামদা লীক্লাই

লৈপ্লক্লঃ রাম্ব্লিলিবু ইবোতোন নঙবু ঙাওব্বরা ? মাদি মীগী দেশতা লৈমিন্নদি কবদৌনা ওইনাম য়োরক্লিবনো ? নঙনা কপ্লিবহৌনা করিগীনো ইমাদু, অমুক্তা অান তাবন্নুনে ইবোতোন।"

অপানবীগী রাহং মথং হংলক্রবস্তু ইবোতোন খুমদোকপা ঙমদে, মঙ্কাক, হিক হিক পপ্পী। মুপা নত্তওমী ইবোতোন, থরোশংবীনা থোংজিন্দা লেপ্লগা ইবোতোন অমদি মমা অপানবীগী মতৌ য়েংলম্বদগী রারীগী মকোক-মমৈ খঙহৌদহনা ইবোতোনবু য়েংলী। মহাকস্তু য়াওনা হংলকখি ইবোতোন্দা "তাইতোন! করিনো তৌরিহুবো? হায়গদবা রাদি হায়রহুনা কপ্লিবহুবু করিগীনো? তাইবোতোনবু মুপা নত্রো?"

"থরোশংবী! ঐহাক মায়থিরে। লীক্লাইগী মতৌ উরুবদা করিগুম্বা অমতা খল্লবা ঙমদ্রে থরো!"

"করিনো হায়বিরিবদো লীক্লাই উনবা? কদাইদা?"

"নহাক্তি খঙদ্রি থরো। ঐথোয়গী লীক্লাই তাইবংসিদা অমুক উবা ফংলরোইদবা মকমদা চৎখ্রে, মহাক ঙসি লৈথিদ্রে।"

"করিনো হায়রিবদো তাইতোন! ঐখোয় লীক্লাই কৈদৌরবগে, মরেক শেংনা অমুক্তা হায়বিয়ু কৈদোগে।"

থরোশংবীগী মওং হায়দগী হোংলক্রে। মহাক লেপ্লম্বদগী ইবোতোনগী নাক্তা চঙশিল্লক্রে। খঙহৌদনা ওইরক্লিবা তয়াং তশোয়বা রাখলগা ইরোইননা ইবোতোন অমদি মমাগী ওইথোক্লবা মতৌদা চিংনজরিবা থরোশংবীগী মীৎলুদা পীরাংনা থুমহৎলহনা হায়রকখি "ঐখোয় লীক্লাই কৈদৌরবগে?"

"লীক্লাই, ওইনাম কৈথেলদা নোংমৈ কাপ্পবদা লৈথিদ্রে থরো।"

ইবোতোনগী রাহৈ লোইরম লোইফাংত্রিঙৈ অপানবী কম্নবদগী হুক হৌগৎলগা "ইমাগী লীক্লাই" হায়রম্নগা রাম্বহনা তুম্ব্রে। অশোমদা থরোশংবীনা ইবোতোনগী মথুৎ পায়রগা হায়রকখি "নত্তে নত্তে, ওইদবা রানী তাইতোন নঙনা হায়রিবহু।" থরোশংগী থজিন্দা

ফুনগৎলক্লিবা মুংশা শোরগা লোয়ননা মহাক্না মথা তারকই "লীক্লাই। লীক্লাইনা লৈহৌবা মকনতুগা ঐবু পুবীবু তাইতোন!"

থরোশংবীগী য়াহৈগী পাউখুম ইবোতোন অমুক পীরকখিরে। মখোয় অমনা অমদা অমুক হন্না বা ওাঙনখিরে। পীগী ঈচেল্দা নীংশিংবা খোক্তনা তাওথনগ্রবা থরোশংবী, ইবোতোন অমস্থুং অপানবীনা অমনা অমবু থামজিনবা য়াওবনা নোংখোংবগুম কপ্পরক্লে।

থগুহৌদনা খোক্লকপা মীবপখোন তারকপদা মুমলোন্নবশিংগী মী চেনশিন্নরকখি। ওইখোক্ত্রবা অগুকপা পাউ ইবোতোনগী মচিন্দগী তানরকপদা থাঙ্গ চীংখা লৈকাই পুন্নীল নীল্লক্লে। মুমিদাং য়াচংবা মতম অতুদা মীকপ-মীবাউখোন্না অপানবীগী ইমুং মশক হোংগ্রে। অপানবী অমদি থরোশংবীনা কপ্পস্বদগী য়াম্থ'ক্লবদা মীয়ান্না লাইকন্নবা হোৎনখি। মরকতুদা মীতোপ ওইকবা ইবোতোন হায়কম তৌকম থগুনা থরোশং-বীখোয়গী ইংখোন চিনাইনা মথস্তা মুংবংননা লেপ্পী। অরাপ্পদা লোক্তাক পাৎতগী কনাগুম্বা খোঞ্জেল ফরবা মুপা অমনা অরোইবা খোম্থাংদা মশানৌ মুংশি কায়নবগী থমোয় শোক্লবা য়াহৈনা শক্লকপা ঈশৈনা ইবোতোনগী নাকোংদা য়ৈরখি।

"আ ইশানৌ হন্দক মপোকসিগীদি,
লোইরেনো লাংওন মীওই মপোক্কী,
মৈতান্না রাথৈরবা পীরাং পীখন্নবদা,
ইশানৌ উবরা লৈচিন নোংদোল থর্ক্কী,
অশি লৈবাক্তা লৈবরা নগুবু,
হন্নকখোগবা হন্নকখো তাইবং লাংওল য়াওরখো।
আ ইশানৌ লোইরেনো হন্দক মপোকসিমগী।"

[কুমতক্লক]

অহিংদগী নৈনরকপা থাঙ চীংখা লৈকাইগী মীশিংনা ইবোতোনগী পাউদা অচুম্বা খঙনবা হোংনখি। নক্লবা মরি মতা অমম্তুং লৈকাইগী মীশিংগা লোয়নবা অপানবী অমদি থরোশং লীক্লাইগী অশেংবা খঙনবা চাবা-তুবা খঙদনা অহিংচুপ্পা ঙাইরক্লি। ইবোতোনগী পাউবু তেংবাংবা ইম্ফাল কারুবা থাঙগী মী খরম্ভু অশেংবক্তি হাযদনা নোংমৈ কাপ্পখিবদি শোয়রম্রে কোঙদোক্লবদি য়াওই। পূম্নমক্কা নোংঙানবা ঙাইনখি। লৈকাইগী নহারোল লীক্লাইগা তীম্নজরম্বা কয়া, ক্লব অমদি অহল লমনশিংনা খম্নরগা ইম্ফাল থানাদা চৎতুনা লীক্লাইগী মথম খঙলুনবা শীম্নখ্রে।

নোং ঙাল্লক্লে, মীওইবদগী হেন্দোক্লুনা উচেক রায়া পূম্নমক তুমলু-বদগী হোৌগৎতুনা মা মাগী মথৌ পাঙথোক্লক্লে। কম্নমথৈ কপলুরগা অশাবা মূর্ত্তিগুম ফুম্বংননা লৈরীবী থরোশংবীগী নাক্তা লৈরিবা ইবো-তোননা হাম্নরকখি "থরো। ঐহাক রাফমসি হায়দোকপা য়াদহনা ঙসিফাওবা লৈরকপনি।. সনাতোম্ববু লায়েংশঙদা হাৎলম্বহ লীক্লাইগা মরি লৈনবা মীশকশিংনি।" ইবোতোননা শোম্বাংননা মী খঙদনবা হাম্নরকপা রাহৈগী মথা তারকখি "ঐঙে ন্দা ইকোন কোম্না শীরবখিবা লীক্লাইগী চিঠিদা রাফমসিগী ইঙকিং কোঙদোক্লকখি থয়ো। রাফম অম্নমা ঐখোয় মতুংসিদা লীক্লাইগী মরমদা কনাগুম্বনা হংলবদা মহাকপু খঙঙি নক্লগা মানা চৎলম্নিবা অরোনবা লম্বীগী মরমদা খঙঙি হাম্নবসি হায়দোকপা রাক্তি। ঐখোম্নদি খঙদবগী খঙদবা তুমিম্না লৈবতাই থরো।"

ইবোতোনগী বাহৈশিং তাব্রবনু থরোশংবী কবিগুরু মোং নত্রগা বাহৈ অমতা কোঙখোক্লকখিব্রে। ইবোতোননা ওহাক নৈরগা অমুকন্নু হায়রকখি "লীক্লাই লংকৈদা শেল তানবা চংখি হায়রমনা ইমা অমদি নহাক্কা থাজরবদো ঐদি মানীংখিদে। মতমদুদা ঐনা লীক্লাইগী মরি মখোঙ কুপ্পা থীগৎখি। মতু পূম্নমক অরেম্বা ওইখি থরো। হৌজিক্তি অতুগুম্বা শেংত্রবা লৌনমগী অরোনবা লম্বীদা চৎলুবগী মতৈ ঐখোয়না ফংলে, লীক্লাই অমুক হন্না তাইবং চীঙ্গাক চারবোই, ঐখোয়গী ইন্নক্তা তীল্লরোই।" ইবোতোন মুংশা মগী অমা শাংনা হোন্দোক্লগা মথা তারকই "পোক্লবদি শীবা শোয়ত্রবনি থরো। থরাইপানবা খুদিংমক নোংমদি শোয়দনা শীরগদবনি। শীবগী মওং খেন্নবগী রানী। গীতানা হায় 'মীওইবগী হকচাং অহন্ন ওইরক্লবদা অমনবা ফীগুম হন্দোক্লগা অহনবা ওনবগুম অনৌবা হকচাং অমদা থরাইনা হোংবনি। জীবা খুদিংমক পোকপা — শীবগী চক্র মন্নুংদা লৈহনা লৈ থরো। রাফম অসি অশেংবনি, ঐখোয়না শীবগীদমক রাবা, পোকপগীদমক মুংঙাইগদবা নত্তে। মসিদি মপুগী লীলানি। চক্রসিদগী নাম্থোক্লগা পোকপা শীবা নাইদবা পুম্নমক্তগী থোইবা মফম অতু ফংনবগীদমক ঋশি মুনি কয়না সমাজদগী তোথায়না লৈরগা অরান খুভম ফংনবা হোৎনরি। বেদ অমদি অথোইবা মহাপুরুষশিংগী ফীদম অমম্নুং পাউতাক থীনরি। থরো। ঐখোয় অচুম্বা লম্বীদা চৎশি।"

"তাইতোন। হৌজিক মতুগী কান্নবা লৈরিব্রা?"

"লৈরী, যান্না লৈরী। মীওইবনু মুংশিবা, তোম্ন-তারবশিংগী অওম্বা মতেং পাংবা, ওইদবা ঙাওদবা, মীওইবা নত্রগা থরাইপানবশিংগী মাঙনবা তৌদবা অমম্নুং চন্না হিংবদি পূম্নমক্তগী অথোইবনি থরো। ধর্ম্ম হায়বমু মহুতনী।"

মুশিং হায়গৎলক্লবদা মশক থঙনবা নহারোল থরা গাক্তী মচাদা থাঙ্গ চীংথা নৈকাই য়োরক্লে। মথোয়গী মরক্তগী অমনা থরোশংবীংথারদা

চঙলক্লগা অপানবীদা ইনংঙলব অমা পীরম্মী, মখোয় পম্বরমদনা চৎল্রে। থরোশংবীসু নহাক্তুনা চঙলক্লগা মমাদা পীরবা চেহ্ উহৌরম্বনা খুদক্তা চঙশিল্লগা চেহ্ "মহাক্না মমাদগী লৌশিল্লী। থরোশংবীনা ইমুংদা পুশিল্লগা তুশ্মিন চিক্লা য়েংলুবগা চিঠি পী হায়বা খঙলে। থরোশংবীনা হৈংত হৈংত পাম্বনা য়েংঙি মরোল কাওনদে। লাইরিক হৈহৌদবগী মখোয়দো শাওগৎপগা লোযননা চিঠিহ্ তুশ্মিন পুরক্লগা ইবোতোম্দা পীজরে। মহাক্না মসিমম্ব হায়রম্মী মহুদি "চিঠিসি মশক খঙদবা নহা থয়া লাক্লগা ইমাদা পীরম্বনি, চেকশিন্না থম্বীম্ব।"

ইবোতোন চিঠিহ্ লৌশিল্লগা লৈহৌই। অপানবীদি মচান্থপীনা চিঠি লৌখিবহ্ করিনো হায়বা খল্লুদে, মহাক্কী ঙরাং মুমিদাংদগী অঙাওবী মীয়োন রাংলবীগুম ঙহাক কপ, ঙহাক অমনা তুশ্মিন চপ চপ লেপ্লগা লৈখি। মুমিং ফনা রাংনা হাযগৎনক্লে, থাঙ্গগী মী অযাম্বা অপানবীগী মুমদা হংলদবা যাওক্রে। অঙকপা ওইনা খোক্লবা পাউহ্না থাঙ্গগী খুঙা পূম্নমকপু খোইদোক্লা লীক্লাইগা নক্লবা মরি লৈনরম্বা কয়াদা নীংঙমদবা পোকহল্লে।

মুমিং মুংলকপগী অদ্বাইদা থাঙ্গ চাঁংখা লৈকাইগী নহারোন থয়া অহল থরগা লোয়ননা ইম্ফাল থানাদা ঙাং মুমিদাংদগী হায়গৎখিবহ্ মী থয়া হল্লরক্লে। মখোয়গী পাউদগী লীক্লাই লৈতবগী রাকম ময়েক শেংলে। মখোয়না হায়রবা মতুংইন্না চাংখা লৈকাইগী পোৎলোইফম লম্পাক্তা লীক্লাইগী বজ্র তৌফম শেনশানবা হৌনবী চংনবীগী থবক লৌখৎল্রে। মুংখিল মুমিদাম্বাই পুং মরি থয়া হেল্লকপদা লীক্লাইগী থরাই যাওব্রবা হকচাংবু লৈগী কুনা হাপ্লগা গাড়ীদা পুথরক্লে। লীক্লাইগী অশিবা হকচাংনা থাঙ্গ য়োরকপ। মফমহুনা লৈরিবা মীয়াম মথুম মথুমদগী চেহোক্লরক্লে। থাঙ্গগী নহা অহল কথানা লৈকাই ওইবা ওইদবা খিখিদে, লীক্লাইগী অগোইবা মশক অমুক্তং উহৌনবগীদমক মঙকুম্বা পাওনবা থোক্লরকখি। ইংনাতোনগী পুল্লিদা অহানবা ওইনা

থাম্বএ মখুত্তা য়াওদ্রি। মহাকপু থকা মী য়াওদ্রবনা য়ুমাংগী মফমদা যাওবা য়াত্তাই তৌবিনবা নৈদ্রে। ইবোয়ৈমা যাম্না তৌত্রবা য়োদ্রে। অপানবী অমদি থরোশংবু মতাং মতাংদা মতেং পাংলগা লীক্লাইগী অরোইবা থৌরম য়াওরি ইবোতোন।

থাম চাউংবা লৈকাইদা লীক্লাইগী থোংলোক্লবদা তীবা খিবা মীয়ামদ অঙৌবশিংনা শোয়রি। খুমিংশিংদি মখোয়শাগা য়াওমিন্নদুনা চাউবা লৈকাইগী মী শীবনা লৈকাইসিগী মীনা য়েংবা থোক্কদবনি, অদুবু লীক্লাইগীদি মথক থৌবা থওদনা, লৈকাইগী রা লৈখিদ্রে, মী খুদিংমক পোংলোইকম কনখি।

মচা কায়নবগী মৈচাক, মৌপু। শেংনবগী অন্নাবা; অপানবী—থরোশংবীদা নীংশিংলিরবা থওদ্রে। মম্মা মপা চৎনবীগী যৌনবী য়ুম্বী পাওথোক্লি। অথানবীগী খোংজেল কন্নদা মখোয় য়োক্খিদ্রে। থরোশংবী ফানবদা মৌ লৈশাবী কন্নাগী হেন্না অন্নাবা ওইরে। লীক্লাইগী থরাই য়াওদ্রবা হকচাংনা হাপ্পিবা নোনা শেম্নবা কুঅদুনা চিত্তাগী শাংথল মথক্তা থম্মগা তরেংলক হন্না কোয়রকপদা ইবোতোনসু মখুংতা য়েত্নম অমা পায়বদুনা য়া ঙাওদনা চৎলি। অপানবী, থরোশংবী, ইবোতোন অমদি মরি-মতা পুম্নমক মৈ কোবা লাইদা থোরমজদুনা লীক্লাইগী হকচাংবু লৌশিনবীনবা হায়জরকদা মীয়াম্না মৈ চুরকখি। মিকুপ অদুমক্তদা পোংলোইকম লম্পাক্তা লেপ্পুশিংগী খোংজেল অমা থোক্লকখি। খোংজেল অদু অতৈ করিগুম্বা ওইরমদ্রে, মহাক্নৈ মখুম্না লীক্লাইদগী অরোইবা ইকায় খুম্নবনি। মখোয়না য়াওরকখি - "মৈতে লৈমগী মপারী লীক্লাই যাইফরসনু। মহাকী থরাইনা মপুগী মকুমদা তীনগ্রসনু" অস্নুনচিংবা।

খুমিনাংবাইগী অমদু লীক্লাইগী পোংলোইবগী মৈখুম্না চাউখ্রা লৈকাইবু ঙাহল্লী। মীয়ামগী পাউতাক্কী অপানবী, থরোশং, ইবোতোন অমসুং নক্কবা মরি-মতা পুম্নমক হকচাং শেংদোকপগা মদানরক্নে।

হৌজিক্তদা অপানবীনা ইবোতোনবু উরগা নীংশিংলকই। অপানবীনা কপ-কপনা খোজেল ইশি শির্না হায়রকখি "ইমাগী ইবুংঙো লীক্লাই, হন্নক মপোক্কী লোইরেদকো।" অপানবীনা ইবোতোনবু কোক্লগা মখা তানকই "ইবোতোন। ইমা শেলহৌদেদা, অমুম থোকনি থজনরম্ববদি···।"

১ ইবোতোন অপানবীগী নাক্তগী থোরক্লে। লোক্তাক পাৎলোমদা ওরগা মহাক চিঙ্গা মদোম কন্নী। অমঘদা লোক্তাক ঈমায়দা তগুপ তনং উরিদা হিরোয়শিংগী থাউমৈ অমদি অথাপ্পদা উরিবা মোইরাং কৈথেলগী মৈ শরেং য়েংলী ইবোতোন। ঈয়াইদা মুগুক মুনা শেন্না, ঈখিং অমসুং করাং চীংনা মতৎ মতৎ লেপ্পী। ফুমথক্কী পোঙশঙ কয়াদগী কুকেং কাকেৎ ঙাল্লকপা মৈশাম্না অচিকপা অহীংদা লমমৈ থানবীগুম উহল্লী। অহিংদা হৈনবা থরোইচাবী অমসুং রাগ্রেকনচিংবা ঙাহ্মশিংনা লোক্তাক তম্না পায়রকপা ইবোতোন ঙক্লা য়েংলি। লাংনরঘা মীয়াম চিকথরক্লে, লীক্লাইগী পোৎলোইবা লোইশ্রে। থরোখোয়গী ইমুংদা মরি মতাগী মী অমা অনী নত্তনা অতোপ্পা মী পূনদ্রে। থেংজিন্নবদা ইবোতোনগী মশা চোকথরক্লে। মহাক ওরাংদগী চারক তুন্নবহু হৌজিক্তা মশাদা চৈনাখোল লাক্লবদা থঙলকই। মহাক্লা থরোখোয়গী কক্লাংদা ঙাথরগা কম্লম্মী। থরোখোয়দা লৈরিবা মুগী মীয়াই চক্লবী অমনা থরোশংবীদা হায়খি—"থরো! মুগীমচা, ইস্কালদগী লাক্লনা ওরাংদগী লৈরিবা পাখঙ অসিদি চাবা থকপগী রা নীংশিংনদ্রে, মাদি য়াম্না রায়রগনি।"

মুগীমুগী রাহে তাবদা থরোশংবী ইবোতোনবু নীংশিংলকখি। মহাক্লা মথং মথং নীংশিংলকই, হৌখিবা ওরাংগী অমুক চাক চারগা হনখো হায়বা য়াদহুনা ইবোতোন ইস্কালদা হনখিবনি। মুমিদাংরাইরম ইস্কাল য়ৌরকদনা থাজদা হল্লকখি। মতমতুদগী ওসি মুমিদাংফাওবা চাগনি-থকনি কাওথোকখি লীক্লাইগী রাথক্দা মখোয় খুদিংমক।

হৌজিক ইবোতোন কমদৌরমগনি খরোশংবীনা খঙনীংলকখি। খরোশংবী ইবোতোনবু খীরকখি। ইবোচ্ছোন কদা কনা কঙ্গাংদা ঙারগা চুমথরক্লে। মুমিৎ নীনি চারক চুমজুনবা মথা পুম্নমক চোকথবনা চুমথ্রবনি খল্লী খরোশংবী। ইবোতোনবু মেংলগা মগী ইরা চেয়হনা মহাক হৌদোকপা ঙমখিত্রে। ইমুং অমদি মাঙোলদা খাম্লিবা অঙানবা খাউমৈগী মিরুম, লোঙাক পাৎলোমখংবা মাঙোল নাকথদনি ইবো-তোননা কল্লীবা।

ইমুংদা লৈরিবা খরোখোম্বগী মরি-মতা পুম্নমক কয়থদগী চুমগক্লে। খরোশংবীদি ইবোতোনবু খাদোক্লগা চৎপা ঙমত্রে, ররমদি ইবো-তোননা কঙ্গাংদা ঙারগা চুমথরিবহু খুদোংথিনিঙাই ওই। চীংগী অনেম অৱাং তাংখক নাইবদা শাবা মুঙ্গী খরোখোম্বগী মুম, ইবোতোননা কল্লীবা দারীদগী ইনক নক্লা অতোম্পা ইংখোল অমগী খংনেম নেমথবা থাক লৈত্রে। ইবোতোননা মঙং চানা চুম্বা নত্তবনিনা করিগুম্বা নাম্বখিবা থোক্লবদি অশোক অপন থোকপয়াই চিংনবদগী খরোশংবী ইবোতোনবু শঙহনা লৈরে। মহাক্লা ইবোতোনগী মতৌ ময়েংবা মুংঙাই-ত্রমাক্লে মশাদা ইল্লবা কী মতেক্ত তাশিল্লগা ইবোতোনগী কোক মপাদা খাঙগৎপীরে। খরোশং ইবোতোনগী নাক্তা কমথখরে। অৱাবগী ঙমথৈসিনী হায়না লেপ্পা কনাম্ন ওইথোক্কে, মুংঙাইবগী চাংদক্কমম্ন লৈতে। খরোশংবীনা ঙরাংদগী লীক্লাই কায়নবগী মৈচাক্তা চাবা তুম্বা খঙলক্কবহু অশিবগী তুং ইন্নুবা ঙমদবদগী নীংঙমদনা লৈরী। খম্বরকই খরোশংবী, অৱাবদি ইশাগীনি, চৎনবীগী মথাদা অশিবগী মথৌ-মঙম পাঙথোক্কব য়ারোই। লাইবৈ হায়হনা কোমথোকপা য়াররোইদবা থৌরমশিংশি কমদোনা পাঙথোকনি। মমা মুগ্রাবীগী খম্বরবদা খরোশংবী অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হাপকৎলক্লি।

অহিং থেংজিল্লক্লে, লোক্তাকগী রিরি মক্লকপা মুংশিৎনা মৈকদা খরোশংবী মুম্বরক্লে। চোকথরবা মশাদা অইংবা মুংশিংকী শক্কম

[illegible] থাজহৌদনা উইথরক্লে থবো। মহাক থঙহৌদনা ইবোতোনগী [illegible] তাকখিবি। থবোশংবী তশেংনা তুমথরে। থবোশংবীনা ইবোতোনগী লৈংথৌদা তাথরকপা থুদক অহুমজাগী মহাক মিকপ থজবাক পোকখি। " মহাক ইকৈ ওজা থবোশংবীবু য়েংলকই। মহাক হৌজিকপা থজলকই, ওহাক তুমথরকমাক্লে হায়বা। ইবোতোনগী কোক্তা কীগী থোম থাওজাবা থেংনরকই। থবোশংবীগী মথাদা কী ইল্লমদবহু মাগী ইল্লকিনা ইবোতোনগী কোক্তা ওাকহল্লখনি হায়বা থজলকখি ইবোতোন। [illegible] [illegible] [illegible] কী [illegible] হোৎলকই। ইবোতোননা [illegible] [illegible] লেংলুবকখি থবোশংবীনা ওহাক পোকপ-খিবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হোৎলে। ইবোতোননা [illegible], থবোশংবীনা করিগুম্বক মাগী [illegible] লৈরম্লিনদনা। [illegible] উকপা মাচু [illegible] হায়খনি? মথোন্ন কারক্লিবী লৈশাঙ্কী [illegible] কী [illegible] [illegible] [illegible] অমগী মকমদা হপোয়বা লৈতনা উৎপোকপগী থোঙ্গা থবোশংবীদা কমদোনা নোকক্লিবনো! পূম্মক ওইহনবু থবোশংবীনা ইবোতোনগী হকচাং শোক্লা নকশিল্লবা হায়বসি ওসিকখিনা পুক্লিনা অম্লানবনি। মথোন্ননিগী ওইখ্রিবা কিভবু কনা [illegible] উত্রবখি [illegible] মীংচৎ থিরগনি হায়না ইবোতোন চুংশা থীজনকই। অলিওবা [illegible] [illegible] হকচিনবা মতৌ মৈতৈ থুম্নাইজা (সমাজ[illegible]) [illegible]। থবোশংবীবু হৌদোক্লমিন্না থরী ইবোতোন, মহাক হৌদোকপা [illegible]। ওহাক থজগা মাগী মকোক্তা [illegible] কী মতেক [illegible] থবোশংবীগী কী ইহিল্লবা হকচাংবু ফুপশিনবীগে হোৎনরকখি। ইবোতোননা মশা লেংলুবদা থবোশংবী [illegible]-অকাই মীকপ [illegible] থোক্লকই।


ইবোতোননা থবোদা কী মতেক অহু ইনথোই কুমোই শোক্লকপদা মহাক মনাবু লেংজরগা থবোশংবী হৌজিকা ইকাইজখিকখি। [illegible] ইবোতোননা হংলকখি "থবো! [illegible] [illegible]"

"ঐ উইখরুমমারে তাইতোন।"

"নহাক ওহাক পোথানবা হোৎনৌ খয়ো। নত্রবদি হয়েং নোংঙানবদা য়াম্না য়ারনি।"

"তাইতোন ঐবু অমুক্তা তুরহনবীয়ু।" হায়রম্লগা খয়োশংবী ইবোতোনবী থবাক্তা ঙাথরক্লে অঙাং মচা অমগুম হক্লোয়বা লৈতনা। খয়োশংবীনা পুন্সিগী অহানবা ইবোতোনবী মথাক্লংদা নিঙাইদনা পোথাজবহু নোংদোনথকী থাজনা লৈচিন্নক্না য়েংজৈ।

"মরম লম্লেল মদাইমা, নোংপাল খোঁথুম্ন মানবা,
করাং মুঙ্, খঙ্, চীঙ্, করাং মপীথেল।
কেগে খুৎলঙ্ হঞ্জবী, মোইরাং মাইবী অশৈবী,
মৈপুল য়াদা চীরু, করাং ফুমশবাই।
মানসা লৈম চাউম্বইপুঙ, চমু মচিঙলেন,
লমলেন থাজ-করাং শোয়রুমলেন ও।"
(থাজ চীজোয়রোল)



লোইরবা



শ্রীচিত্রেশ্বর শর্মা ইং কুমশী ১৯৩৯ গী জানুৱারী ৫ দা খোংমন মংজিল ইম্ফালদা পোকই। ইং ১৯২৮ দা "লৈপাকলৈ" কৌবা উপন্যাস ফোঙবা হৌত্না মীয়াম্না মহাক্পু শক খঙনবা হৌবকখি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমীনা মণিপুরগী অইবশিংনা পুথোক্পা মগুণ লৈবা মণিপুরী লাইরিকশিংদা পীবা সাহিত্যগী একাদমী এৱার্দ ১৯৮৯ গী ওইনা শ্রীঅরিবম চিত্রেশ্বর শর্মাগী "লুপথগ্রবা হিনাউ" কৌবা ৱারী মচাগী লাইরিকপু পীখ্রে।

(সাহিত্যগী পাউ)

১/৫ নবেম্বর--জানুৱারী ১৯৯০ ই.

অইবগী ফোঙগ্রবা লাইরিকশিং — ১। "লৈপাকলৈ" (উপন্যাস) ইং ১৯৬৮ অমসুং ১৯৭৯ ইং। ২। "ঙসিদি লাক্লে" (ৱারী মচা) ইং ১৯৭০। ৩। "লাইমেক পথাপ" ইং ১৯৭১। ৪। "ভাবদা" (ৱারী মচা) ইং ১৯৭২। ৫। "মীচেন" (উপন্যাস) ইং ১৯৭২। ৬। "সনা কৈথেল" (উপন্যাস মচা) ইং ১৯৭৭। ৭। "লুপথগ্রবা হিনাউ" (ৱারী মচা) ইং ১৯৮৭। ৮। "সঙ্কীর্ত্তন বিচার" (সঙ্কীর্ত্তনগী লাইরিক) ইং ১৯৮৮। ৯। "মৈতৈ ৱারী লীবগী ইতিহাসতা ভক্ষাজাও শর্মা" (পুন্সি ৱারী) ইং ১৯৯১ অমসুং ১০। "থবোশংবী" (উপন্যাস) ইং ১৯৯১ অসিনচিংবা।